# MAPAO

(A MANIPURI RESEARCH JOURNAL)

**CHEIF EDITOR**

**DR CHIROM RAJKETAN SINGH**
**Associate Professor**
**Department of Manipuri, Manipur University**

**EDITOR**

**NINGOMBAM NANDO SINGH**

**EDITORIAL BOARD MEMBERS**

**DR TENSUBAM KUNJESHORE SINGH**
**DR HEISNAM BUDHICHANDRA SINGH**
**DEVDAS MAIREMBAM**
**LAISHRAM LENIN SINGH**

**REVIEW COMMITTEE**

**Prof. Waribam Raghumani Singh**
**Retd., Professor, Manipuri Department, Assam University**
**Dr H. Rajmani Singha**
**Asst. Professor, Manipuri Department, Assam University**
**Dr Thongam Dhanajit Singh**
**Asst. Professor, Department of English and Cultural Studies, Mizoram University**
**Dr Gurumayum Bijoykumar Sharma**
**Asst. Professor, Department of Modern Indian Languages, Delhi University**
**Dr Kangabam Gunarani Devi**
**Asst. Professor, Manipuri Department, G P Womens' College, Imphal**
**Dr Thokchom Sunanda Devi**
**HoD, English Department, St. Joseph University, Dimapur, Nagaland**

**Copyright reserved | ISSN 2347-9140 | October, 2024 | Rs. 200 Copy : 1000**

**Office Address:Uripok Khwai Brahmapur, Near Bir Tikendrajit Flyover, Imphal, Manipur - 795001**

**C/o : Yaibiren Communications | Contact no. 09862899291| E-mail : mapaoliteraryjournal@gmail.com**

**Printed at Yaibiren Communications (Printing Division), Uripok, Imphal, Manipur-795001**

 ISSN 2347-9140 

# CALL FOR RESEARCH ARTICLE

## MAPAO (ISSN: 2347-9140)

**(First Manipuri Journal with Peer Review Committee)**

***(Journal is following UGC CARE protocol set by UGC Cell for Journal Analysis.)***

# রিসার্চ আর্টিকল কৌজবা

ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব, মণিপুরনা ইং কুমজা ২০২৫ গী মে থাদা ফোঙগদবা *মপাউ*, ২৩ শুবা রিসার্চ জর্নেল ইস্যুগীদমক রিসার্চ আর্টিকলশিং কৌজরি।

আর্টিকল থাজিনবিরকপা মতমদা ঙাকপিরক্কদবা কাঙলোনশিং অদু মখদা পীজরিঃ

- Articles submitted to MAPAO should be no more than 5,000 words. It should be accompanied by an abstract consisting within 150 words. The submitted article should cover introduction, materials and methods, results and discussion, conclusions.
- The abstract should be written in italic. Below the abstract, the author(s) should provide 3-5 keywords.
- Author(s) should include a short bio, in not more than 70 words with one photograph (no passport)
- The submitted article should be written in BANGLA (Unicode fonts: Ruposhi Bangla/Kalpurush) in single space, using Microsoft Word, font size 14 with space 2.54 in all sides.
- The title should not exceed 14 words, and should be centered, with fonts size 20.
- The sources cited in the body of the manuscript should appear in the reference, and all sources appearing in the reference should be cited in the body of the article.
- The Editorial Board reserves the right to make editorial changes to any manuscript accepted for publication to enhance clarity and style.
- The editorial board has the final decision to accept or decline papers.
- LAST DATE of Submission: 15 APRIL, 2025.
- NO CHARGE FOR PUBLICATION.
- FOR MORE DETAILS, PLEASE CONTACT:

1. Dr Chirom Rajketan (Chief Editor): 9856008697/9862400565
2. Ningombam Nando Singh (Editor): 7005681226
3. Laishram Lenin Singh: 9862899291

# –য়াওরিবশিং–

মণিপুর অমদি অৱাং–নোংপোক্কী ইন্দেনজর্দ লোনশিং
ডা চুংখাম যসৱন্ত ঃ লা. ৭

*জহেরা* দা অঙাংহলগী শক্তমশিং
ডা তেনসুবম কুঞ্জেশোর সিংহ ঃ লা. ১৩

*মালেম অতিয়া* দা মিনুংশি অমদি কখোকপগী মফম
ডা ৱাহেংবম কুমারী চনু ঃ লা. ১৯

হিজম অঙাংহলগী *য়াইথিং কোনু* উপন্যাসতা য়াওরিবা
চীনবুং ৱারীগী মচাকশিং
ডা কাংঙবম মেমতোন দেবী ঃ লা. ২৬

অশৈবা অমসুং নুপীগী শক্তম
নিংঙোম্বম নন্দো সিংহ ঃ লা. ৩২

*নীলকন্ঠী ব্রজ* দা উৎলিবা নুপী ওইবীশিংগী নূংহীক্লবা তেংথাখোল
নিংথৌজম নীলকান্ত সিংহ ঃ লা. ৪০

*খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি* দা য়েক্লিবা খুন্নাইগী মশক
নিংথৌজম প্রেমেশ্বরী দেবী ঃ লা. ৪৭

*ইমাসি নুরাবী* দা নুংশিবা অমসুং কখোকপগী মফম
লৈমপোকপম তোন্দোনসনা চনু ঃ লা. ৫৩

লমকোয় ৱারীদগী লৈশাৎ তল্লকখিবা 'নোংদি তারকখিদরে'
প্রিয়া মাইস্নাম ঃ লা. ৬০

*লবঙ্গলতা* দা মণিপুরী নাৎকী মশক
চনম্বম শর্মিলা দেবী ঃ লা. ৬৪

ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরগী মরী (নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম)
লাইশ্রম লেনিন সিংহ ঃ লা. ৬৯

# এদিটোরিয়েল

**মণিপুরী খোরিরোলবু** নুংশিজবা নহা কাঙলূপ অমনা ইং কুমজা ২০০৪ দা 'ফিক্সন ক্লব, মণিপুর' হায়না লিংখৎলক্লবা মতুং ইং কুমজা ২০১৮ দগী 'পোইট্রি' হাপচিন্দুনা ঙসিগী ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব, মণিপুর হায়বসি মপোক তল্লকখিবনি। লূপসিনা পুথোকপা চেফোঙ *মপাউ*গী অহানবা ইদিসন ইং কুমজা ২০১২ গী নবেম্বর থাদা ফোঙবা হৌখিবদগী চহী ১২ গী খোঙচৎসিদা ইস্যু ২১ পুথোকচখ্রে। হন্দক্কী ২২ শুবা ইস্যুসিদগী *মপাউ* (লিটরেরি জর্নেল) হায়বা অমগা *মপাউ* (রিসার্চ জর্নেল) হায়বা অমগা পুথোক্লবা হোৎনজবনি। হৌজিক্লা য়ু জি সি ক্যার লিষ্ট চল্লবা চেফোঙ অমা ওইবা ঙম্নবগী পান্দমদা হন্দক্কী ইস্যুসিদগী মদুগী চৎন-কাঙলোন মখাদা চেফোঙসি পুথোকচবনি।

হন্দক্কী চেফোঙসিদা য়াওরিবসি পূন্না রিসার্চ আর্টিকল তরামাথোইনি। প্রোফেসর চুংখাম যসৱন্তগী 'মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক্কী ইনদেনজর্দ লোনশিং' হায়বসিদা মালেমগী ওইনা মাঙশিল্লক্লবা লোনশিংগী পুৱারী অমা থম্বগা লোয়ননা ভারতকী অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা অপীকপা ফূরুপশিংগী লোন্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং উৎপগা লোয়ননা মতৌ করম্না লোনশিং অসি হিঙ্গৎহন্ননৱা যৌরাংশিং তাক্লি। ৱারেংসিদা ঙসিগী এ আইগী যুগসিদা মীশীং য়ামজদবা লোনশিং অসি শিরক্লিবসি মতৌ করম্না হিংগৎহনগদগে হায়বগী মরমদা নৈনরি। লোনশিং অসিনা হিংদুনা লৈনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা যৌদাং অদু য়াম্না চাউই হায়নসু ফোঙদোক্লি। ডা তেনসুবম কুঞ্জেশোরগী '*জহেরা*দা অঙাংহলগী শক্তমশিং' হায়বা ৱারেংসিদা মহাকবি অঙাংহলগী ক্লাসিক ওইরবা জহেরাবু নৌহৌননা মমল লেপ্পবা হোৎনরি। বৈষ্ণব মোরালিটিগী মীৎয়েংদগী নাপচৈ ওন্দুনা অঙাংহলনা চপ মান্নবা অমদি খেন্নবা থমদবা অথোইবা লাইনীংগী নীতি অদুবু উৎনবা হোৎনবদা জহেরাগী মূর্তি পুথোরকপনি অদুগা হৌজিক্কী খুন্নাইগী মী মরক্তা হিংলিবা অঙাংহল মশানা কুঞ্জোগী শক্তম ওইনা থোক্লকপনি হায়না ফোঙদোক্লি। ডা ৱাহেংবম কুমারী চনুগী '*মালেম অতিয়া*দা মিনুংশি অমদি কথোকপগী মফম' হায়বা ৱারেংসিদা তাইবং মীওইবগী মিনুংশি অমসুং কথোকপগী মশক অদু শ্রীমদ্ভগবতগীতাদা রিফরেন্স পীদুনা নৈনবনি। অইবীনা নোভেল অসিদা য়াম্না হৈ-শিংনা অঙাংশিংগী পুন্সিবু অফবা লম্বীদা লমজিংনবগীদমক পুন্সি হায়বসি হান্না লম্বী লান্না চৎলুরবসু কোন্না অমুক চুমথোকপা য়াই হায়বদু উৎনবা হোৎনৈ হায়না ফোঙদোক্লি। ডা কাংঙবম মেমতোনগী 'হিজম অঙাংহলগী *য়াইথিংকোনু* উপন্যাসতা য়াওরিবা চীনবুং ৱারীগী মচাকশিং' হায়বসিদা মহাকবি অঙাংহলগী *য়াইথিং কোনু* হায়রিবা ফোক নোভেল অসি নত্তনা মতমদুদা অতোপ্পা ফোকতা য়ূম্ফম ওইবা নোভেলগী মশক মণিপুরী খোরিরোলদা উবা ফংদ্রি হায়বা ৱাফম পুখৎলকই। নিংঙোম্বম নন্দোগী 'অশৈবা অমসুং নুপীগী শক্তম' হায়বা ৱারেংসিদা অইবনা অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী মণিপুরী শৈরেংদা নুপা অশৈবশিংনা মখোয়গী শৈরেংশিংদা নুপীশিংবু করম্না মওংদা শৈথাবগে হায়বদু হিজম ইরাবতকী শৈরেংদগী হৌরগা অশৈবা খরগী লাইরিকশিংদা তারিবা মমি অদু পুখত্তুনা নৈনবনি। নিংথৌজম নীলকান্তগী '*নীলকন্ঠী ব্রজ*দা উৎলিবা নুপী ওইবীশিংগী নুংহীক্লবা তেংথাখোল' হায়বা ৱারেংসিদা অইবনা ভারতকী সাহিত্যগী তাইবংদা থোইদোকপা মফম কল্লিবী ইন্দিরা গোস্বামীগী নোভেলসিদা য়াওরিবা ব্রজধামদা লৈরিবা লুখ্রাবী কয়াগী থম্মোয়গী ৱাকৎশিং অদু পুথোক্তুনা নৈনবনি।

নিংথৌজম প্রেমেশ্বরীগী 'নাওরেম বিদ্যাসাগরগী *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি*দা য়েক্লিবা খুন্নাইগী মশক' হায়বসিদা কবি বিদ্যাসাগরগী শৈরেংদা তারিবা খুন্নাইগী নাৎ অমদি হিষ্টরিকেল সেন্সকী মশক অদু নৈনবগা লোয়ননা নীংতম লালহৌ, কাঙলূপকী ঈরাং, লানগী চৈথেংনা মরাল লৈজদ্রবা পুন্সি কয়াবু রিফ্যুজি ওইহনবনচিংবদু শেংনা উৎলি হায়না পাউদম্লি। লৈমপোকপম তোন্দোনসনাগী ৱারেং '*ইমাসি নুরাবী* দা নুংশিবা অমসুং কথোকপগী মফম' হায়বসিদা *ইমাসি নুরাবী* দা য়াওরিবা মীওইবগী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা নুংশিবা হায়বা থোৎলবা ঈহুল অসিনা নুংশিবা অমগীদমক কদায়ফাওবা লেপ্পা অমদি কথোকপা ঙম্বগে হায়বগী মশক অদু পুথোক্তুনা নৈনরি। চনম্বম শর্মিলাগী '*লবঙ্গলতা*দা মণিপুরী নাৎকী মশক' হায়বা ৱারেং অসিদা অইবীনা উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা হিন্দু লাইনীং চঙলক্ত্রিঙৈ অমসুং চঙলক্লবা মতুংগী মণিপুরী নাৎকী মশক কয়া নৈনরি। প্রিয়া মাইন্নামগী 'লমকোয় ৱারীদগী লৈশাৎ তল্লকখিবা ৱারীমচাঃ 'নোংদি তারকখিদরে' হায়বসিদা অইবীনা কৈশাম প্রিয়োকুমারগী 'নোংদি তারকখিদরে' হায়রিবা ৱারীমচা অসি অইবা প্রিয়োকুমারনা মণিপুর লৈঙাক্কী আই এফ সি দি দা সেক্সন ওফিসার ওইনা লৈরিঙৈদা টিপাইমুখ দাম শাবগী দামনা শোকহনগদবা মফমশিং য়েংশিনবা চৎপা খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা মরূ হুল্লকখিবা ৱারীমচানি হায়না পুথোরকপা মীৎয়েং য়াওরি। লাইশ্রম লেনিন সিংহগী 'ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরগী মরী (নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম)' হায়বসিদা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা লৈবাক অনীগী মরী অসি তরামরিশুবা চহীচাদা পানখিবা ত্রিপুরাগী নিংথৌ তৈদাক্ষিণনা পানবা মতমদা মণিপুরগী নিংথৌগী মচানুপী অমা লুহোংদুনা লৌই হায়বা ৱাফমদগী ৱায়েৎ তৌদুনা পুখৎলকপদগী ভাগ্যচন্দ্রগী মচাইবেম্মা হরিশেশ্বরীনা তখেলগী নিংথৌ রাজধর মাণিক্যগী লোয়নবী ওইবা ফাওবগী মরীগী মতাংদা নৈনরি।

ৱারেংশিং অসিদা নৈনরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী ওইবা মীৎয়েংশিং অদু মরম চাবা খূদমশিংগা লোয়ননা পুখৎলকই। ৱারেংশিং অসিনা মণিপুরী খোরিরোলবু পামজবশিংগী মফমদা কান্নবা খরদং পীবা ঙম্লবদি ক্লব অসিগী হোৎনজমন মহয় য়াল্লে হায়না খঞ্জগনি।

 ISSN 2347-9140

# মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক্কী ইন্দেনজর্দ লোনশিং

**ডা চুংখাম যসৱন্ত**

রিটয়ার্দ প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ লিঙ্গুইষ্টিক্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি

***Abstract***

Every language in the world can't keep a constant entity. According to the people who use it, it is categorised into three groups: dead languages, dying languages for which great care to be taken up and languages which is everlasting perennial etc. In north-eastern India, there are 117 dying languages in which for Manipur there are 43 percent. With the pace of Information Technology and effect of Globalisation, the factors lead to death of language are on the rise. These need to be prevented. If one language is dead, then the surrounding ecology will also be extinct. Hence government needs to take up measures and steps for languages to be survived.

*Keywords: endangered language, perennial language, documentation, government's responsibility, internal support.*

মালেমগী লৈকোনসে,
শাৎলি মখল মথেল লৈ কয়া,
অপীকপা অচৌবা, মখল কয়াগী মচু,
মখল কয়াগী পান্বী।
কয়া লৈরি,
শাৎকদৌবা অপোন্বা,
কেনখ্রে কয়া মালেমগী লৈকোনসিদা।
হিংহনসি ঈশিং চাইদুনা শিগদৌরবা অদুসু।

মালেমদা খ্বাইদগী য়াম্না ঙাঙনরিবা লোন হায়বা তারগদি চাইনিজনি। মথং মথং য়েংবা তারগনা স্পেনিশ, ইংলিশ, পোর্টুগীজ, হিন্দী, বেঙ্গোলি অসিনচিংবনি। অদুগা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা য়ুনেস্কো (UNESCO) না মী অমখক্তা ঙায়রবা লোন তরানিপাল পীরি। মীৎ-নাকোং ওইনবা মখাদা লোনশিং অদু পীরি। মখোয়দুদি (বানানগী প্রোব্লেম থোক্তনবা রোমান স্ক্রিপ্টতা ইরি) ব্রাজিলগী Apiaka, Diahoi, Kaixana অর্জেন্টিনাগী Chana, ভেনজুলাগী Pemono, য়ূ এস এগী Patwinm Tolowa, Wintu Nomlaki, ইন্দোনেসিয়াগী Dampeles, পাপুআ নিউগীনিগী Lae, Yarawi অমদি Laua, ভানুঅতুগী Volow অমসুং কেমেরুউনগী Bikya অমদি Bishuo (according to Nuno Marques, April 29, 2022). Marque না মখা তানা অমুক উৎলিবা অসি অমুক য়েংসি। সাউথৱেষ্ট ইথোপিয়াদা ঙাঙনরিবা Ongota অসি অহল ওইরবা মখোয় তরাদা ঙায়রে হায়রি। মচাশিংনা মসি ঙাঙনদ্রে। অকোয়বগী লোন Tsamai না চাশিল্লক্লে। মিথাইগী লন্মীরোমদা অসুম চঙশিল্লক্লে। অসিগুম্বা অমনা কম্বোদিয়াগী Chung হায়বা মী কাঙবু অসিনি।

Chung ঙাঙবা মী তরাখক লৈরি। Khmer Rouge না পানবা ১৯৭০ দগী লোন অসি ঙাঙবা থিংলক্লে অমদি মী কাঙবু অসি লেবর কেম্পতা থম্মী। লোন অসিবু ঙাঙবা কাঙবুবু তাথী–তাওইনবিরে। অসিনা মরম ওইরগা অশিবগী কূরোমদা অসুম নকশিল্লক্লে। মথক্কী অনী অসিদগী হেন্না শাথীবা অমনা NigeriaCameroon গী তাইনবদা লৈরিবা Njerep অসিনি। লোন অসি ঙাঙবা মী তরুক (৬) খক লৈরি মরি অমনা নীংথিনা ঙাঙবা ঙম্লি। মালেমদা ঙসি লৈরিবা লোনশিং অসি অসুম্না শম্পৎনা মশীংদা য়েংলগা খায়দোকপা য়াই।

ক) শিশ্রবা লোন
খ) শিগদৌরবা লোন (চহী খরগী মতুংদা) চেকশিনহৌরদৌবা লোন
গ) শিররোইদবা লোন (পাম্নরবা লোন)

Marques নদি মালেমসিদা শিগদৌরবা লোন অসি ৩০০০ গী মথক্তা লৈরি হায়না ৰাফম থমই। অদুগা অমনা National Geography না পনবদি নুমিৎ তরামরিনিগী মনুংদা লোন অমমম লৈমায়দগী মূৎখি হায়না পল্লি। ময়েক লৈবা লৈতবগী মরক্তা ময়েক লৈতবনা থুনা মাঙখিনবা মচাক য়াম্না ওই। ময়েক লৈরবদি নুংশিবা অমদি মদুবু য়োকখৎনীংবগী ৰাখল য়াম্না পোকই অমদি প্রাইদ অমা নীংথিনা মীয়ামগী মরক্তা লৈ। মসিনা হিংহন্নীংবগী মতীক য়াম্না লৈ। ময়েক লৈরম্বগী অচৌবা মরম অমা লৈরমগনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। মথক্তা খায়দোক্লিবা শিশ্রবা হিংলিবা অসিগী চপয়ুং খায়দোক্লগা অমুক য়েংখিসিঃ

### ক) শিশ্রবা লোন

মালেমসিদা লোন ১৫০ গী মথক্তা লৈখিদ্রে আমেরিকাগী রেদ নেটিব ইন্দিয়নগী লোনশিং লৈখিদ্রে। খূদম ওইনা পল্লবদা য়ামা অৰাং সেন্ত্রেল কেলিফোর্নিয়া, Tumica (Louisiana) Tillamook (Oregon) অসিনচিংবনি। ইন্দিয়াগী Great Andamanese গী লোনশিং হায়বদি Kede, Kol, Juwai, Pucikwar, Bea, Bale, Jeru, Bo, Sare অমদি Khora হায়রিবশিংদি লৈখিদ্রে মূৎখ্রে হায়না Abbi না ২০১৩ দা পাউদম্লি। SinoTibetan family গী লোন অহুম অমসু মূৎখ্রে। মখোয়দুদি HsiHsia, Pyu and PayLang অহুমসিনি। নেপাল লৈবাক্তা লৈবা Dura হায়বা West Bodish দিভিসনগী লোন অসিসু মূৎখ্রে হায়না পীরি। Dura ঙাঙবশিং মতমগী মতুংইন্না নেপালিদা ওন্থখ্রে। মশাগী লোন শিখ্রে। টেক্লিকেলগী ওইনা খঙমিন্নবদা Extinct and Dead languages গী খেন্নবা য়াম্না ময়েক শেংনা লৈরি। শম্না হায়রবদা চারোন–শুরোন্না ঙাঙহৌদ্রবা লোন অদুনা Extinct হায়না খঙনৈ। B.C গী মতমদা লৈখিদ্রবা হায়রগা Akadian অমদি Avestan (800 BC) অদুগা 13th AD গী মমাঙদা Extinct ওইখ্রবা SinoTibetan গী লোন হায়রগনা HsiHsia, Pyu অমদি PaiLang নি। মণিপুরগী ওইরগনা চকপা লোন অসিনি। অদুগা হৌজিক্তা ২০২০s গী মতমদা লৈখিদবা লোন কয়াসু লৈরি। মমিং খরদং পল্লবদা Salisshan কাঙলূপকী লোন কলম্বিয়ামোজেসকী লোন ওইরিবা অসি ইং ২০২৩ গী মেগী তাং ২দা Extinct ওইখ্রে। ইং ২০২২ গী ওক্তোবরগী তাং ৫ দা Extinct ওইখিবনা Mixed AlentRussian কাঙলূপকী লোন Mednyi Alent অসিনি। য়েংশিনবা য়াবা অমনা Great Andamanese গী AkaCari না ইং ২০২০ গী এপ্রিল ৪দা মূৎখ্রে। অতোপ্পা অমনা ইং ২০১০ গী জানুৱারি ২৬তা AkaBo সু মালেমগী লৈকোন্নুংদগী কেনখ্রে। ইরোয় লোয়বা মীশক Boa জানুৱারি ২৬তা লৈরোল চনখিবগা লোয়ননা মালেমদগী মূৎখ্রে।

### খ) শিগদৌরবা লোন (চহী খরগী মতুংদা)

শিগদৌরবা লোন হায়বসে Endangered Language হায়না লৌরসি। মসি কাঙলূপ অমগী লোনঙাং মশীং ১০,০০০ গী মখাদা লৈবা লোনশিংবু Endangered Language হায়না ময়াম্না অমদি য়ুনেস্কোনা য়ানখ্রে। মসিদা অমুক য়ুনেস্কোনা লৈরোন মঙা থোক্লা অমুক থম্মী। মখোয় অদুদি মখাদা য়েংসিঃ

a. Vulnerable: অতৈ মফমদা ঙাঙনদ্রবা অকক্লবা য়ূমদদমক ঙাঙনরবা লোন।

b. Definitely Endangered: অঙাংশিংনা

মমারোল ওইনা যূমদা শীজিন্নদ্রবা নৎত্রগা মমা–মপাদগী তমদ্রবা লোন।

c. Severly Endangered: মপু–মবেনখক্তনা শীজিন্নরবা, অঙাংশিংনা শীজিন্নদ্রবা লোন।

d. Critically endangered: মপু–মবেনশিংনা মরক মরক্তদা শীজিন্নরবা লোন।

e. Extinct: মূৎখ্রবা, লোনঙাঙমী লৈত্রবা লোন।

**অৰাং–নোংপোক লমদমদা**

ভারতবর্ষগী এনদেনজর্দ লোনশিং CIIL, মহিসুরগী SPPEL না লাউথোকখিবা লোন ১১৭ কী মনুংদা ৪৩ দি লমদম অসিদগী ওইরি। দোক্যুমেন্টেসনগীদমক্তা অহানবা ফেজগী ওইনা লোন ৪৩ লৌখৎখি। অদুবু অৰাং–নোংপোক লমদমদা লৈনা এনদেনজর্দ লোনশিংদি ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা মখাদা পীজরিঃ

অরুনাচল প্রদেশঃ লমদমসিগী এনদেনজর্দ লোনশিংদি অকা (৪০০০), বোকার (৫০০০), বোরি (২০০০), দাকপা (১০০০), খান্বা (১৫০০), খোবা (১০০০), লিসপা (১৫০০), মেন্বা (৪০০০), মিজিধামাল (৫০০০), মিজু (৬৭০০), মিলাং (২০০০), ম্রা (৩৫০), না (৩৫০), পাসি (১০০০), সেরদুকপেন (৩০০০), শিংফো (৫০০০), সুলুং (৬০০০), তাংঙম (১০০) অসিনচিংবা।

আসামঃ আইটোন (২০০০), মেচ (১০০০), টাই নোরা (১০০), টাই ফাকে (২০০০), টাই রোং (১০০) অসিনচিংবনি।

মেঘালয়ঃ রুগা (১০০), আটোঙ

মিজোরমঃ বোম (২০০০), রালটে (৩০০০)

নাগালেন্দঃ x

মণিপুরঃ আইমোল (৩১৯০), চিরু (৮৫৯৯), চোথে (৩৫৮৫), কোইরাও থাঙ্গাল (৪৪৭৫), কোইরেং (১৮৭৩), লমকাং (৭৭৭০), মোনশাং (২৪২৭), মোয়োন (২৫১৯), পুরুম (২৭৮), শিমতে (৬৭২৮), শুকতে (৮০৪), তরাও (১১৪৫) (২০১১ census)

ত্রিপুরাঃ উচাই, রাংলোং, দারলোং

সিকিমঃ নেবারম্নুবারমুখলিয়া অসিনচিংবা।

**গ) শিররোইদবা লোন (পাম্নরবা লোন)**

অহুমশুবা লোন মখল অদুনা শিররোইদবা লোন হায়বদি পাম্নবা লোন হায়সিনি। মালেমনা পাম্নরিবনা করম্না শিগনি? অদুগুম্না লোনসিদি মালেমনা পাম্নরবনি, মালেমগী লোনশিংগী ফাওনলোন ওইরি। হেক্তা হায়বদা ইংলিশ লোনসু অমনি। NLP চাওখৎলকপগী অমদি AI গী খূমাঙ চাওশিল্লকপগী মতীক ইংলিশ লোন অসিসু ফাওনলোন ওইবগী চাং অসি হেনগৎলক্লি। ইংলিশ লোন্না পাকশন্না শন্দোক্লিবা অমদি পাম্নরিবগী মরম খরদং অসুম ময়েংসি। বৃটিশ লোইলম শন্দোকপদি 16th century দগী হৌরক্লে। অদুগা 17th century দগীদি খোঙ য়াঙশিনখ্রে। মসিনা 20th century ফাওবদি অদুম চথখি। লোয়লমশিংদা খৃষ্টিয়ন মিসন্নরি অমদি ইংলিশ স্কুলশিং লিংখৎখি। মথং মথং পাম্নরকখি, মথং মথং পাম্নবগী ঈথক–ইপোম হৌরকখি। মসিনা মালেমগী ফাওনলোনশিংগী মরক্তা য়াম্না চাউনা ফিদা কল্লিবা লোন অমনি। মসিগা লোয়ননা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা অমদি AI দা য়াম্না চাউনা লম কল্লিবা ইংলিশ লোন্নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়াম্না খূৎলোয়বা লোন, ময়াম্না পাম্নবা লোন অমনি হায়না লৌনরিবা। পাক–চাউরবা মালেমদা শন্দোকখিবনা ইচম চন্বা লাইরিক ফাওবা লোন অসিদা ফোঙলকপা অমনি। ইংলিশ পোপ সোং অমা ফজগেরা ফজরোইরা মালেমগী কাচিন কোয়া য়ৌনা শন্দোক্লি, পৈশা কয়া খোমগৎলি। মসিনি তুং–কোইবা রিভেন্যু অমা অদুম পেরে ওইনা লৈরি। কয়াদা শান্না উখ্রবা অহল–লমনশিংদুগী মীৎয়েং।

**হিঙ্গৎহন্নবা মীৎয়েং**

মালেম্না পাম্নরিবনিনা ইংলিশ লোনদি শিররোই, পাম্নবা হেনগৎকদৌবদা মঙায়। শিগদৌরিবা লোনশিংগীদি করি তৌবা তাবনো হায়বসে নীংথিনা মমূৎ তানা খন্নবদি মথৌ য়াম্না তারি। ঙাক্লৌ পীবদা মীৎয়েং অচৌবা অনী চঙলি। অমনা মনুং (ইন্টরনেল) ঙাক্লৌ অদুগা অমনা মপান ঙাক্লৌ (এক্সটরনেল) অসিনি। অনী অসিগী মনুং অসি খরা অমুক নীংথিনা

য়েংশিনসি। অমমম ওইনা মমূৎ তানা নৈনদুনা য়েংসি।

**a. মনুং ঙাক্লৌ (ইন্টরনেল)**

মনুং ঙাক্লৌ অসিদদি কাঙলূপ অদুগী লোন ঙাঙলিবশিংনা ওইরিবা ফিভম অদু মশক মুন্না খঙলগা থৌরম খরা নীংথিনা পাঙথোকপা মথৌ তাই। হায়বদি লোনঙাং মশীং হন্থরক্লে করি করম তৌসিগে হায়বা ৱাহং খরা খঙমিন্নবা মথৌ য়াম্না তাই। খূদম ওইনা হায়রবদা লোন অদুগী লিটরেরি সোসাইটি শেমগৎপা অসি মথৌ য়াম্না তাই। মদুদগী অখঙ-অহৈশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱাতানবা, পান্থে পুথোকপা অসিনচিংবনি। খূদম খরা য়েংলবদি উবা ফংগনি। লিটরেরি সোসাইটিদি কাঙলূপ খূদিংগী লৈ হায়বা য়াই। মখোয়দুদি মাও লিটরেরি সোসাইটি, তাংখুল লিটরেরি সোসাইটি, পাইতে লিটরেরি সোসাইটি অসিনচিংবনি। লিটরেরি সোসাইটিশিং অসিনা অখঙ-অহৈশিং তানরগা করি তৌবা য়াবগে, করম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎপা য়াবগে হায়বনচিংবা থিদোকই। মসিদগী গ্রামার, টেক্সবুক শেন্বা অমদি পুথোকপা, লাইয়েক-লাইরিক পুথোকপা (অঙাংশিংগী পিকচর লাইরিক), গ্লোসরি, লোনগৈ-লাইরিক শেমগৎপা। মসিদা নত্তনা হায়র ক্লাসকী লাইরিকশিং অমদি রিফরেন্স বুকশিং পুথোকপা। মসিদা খোরিরোলগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা মচাকশিংদা খূৎ থাবা, থমহৌবা হায়বদি ৱারীমচাদা, নোভেলদা, শৈরেংদা, ফিক্সনদা, ট্রান্সলেসনগী মায়কৈদা

> ‘‘লৈঙাক্কী থৌদাংদি শিগদৌরবা লোনশিংবু য়োকখৎপা, কাঙলূপ অদুগী অইবশিংবু ইন্সেন্টিভ পীদুনা তম্নবা লাইরিক টেক্সবুক অহৌবদগী এদভান্স ওইবা ফাওবা লাইরিকশিং ইহনবা, লোনগৈ দিক্সনারি শেমহনবা, তোঙান তোঙানবা লমগী লাইরিকশিং পুথোকহনবা, লোনগী গ্রামার, হিস্ট্রি, তোঙান তোঙানবা লোনগী ট্রান্সলেসন তৌহন্দুনা লিটরেরিগী ওইবা লাইরিকশিং পুথোকহন্দুনা লোন অদুবু চাওখৎনবা হোৎনহনবা য়াম্না মথৌ তাই। অচঙবা পূম্নমক লৈঙাক্লা পুথোকপা তাই।’’

নীংথিনা চঙশিনবা তাবনি। মসিদা নত্তনা মায়ওন অমদসু চঙশিনবা তারি। মদুদি ফুঙ্গাৱারী, ফোক সোংশিং মদুবু খঙবা লৈরিঙৈদা নৈনদুনা পুথোকহৌবা মথৌ য়াম্না তারি।

**(I) দোক্যুমেন্টেসন**

অখঙবা লোনঙাং মীওইশিং লৈরিঙৈদা ফোক টেলস অমদি ফোক সোংশিং নৈনহৌবা মথৌ য়াম্না তাই। মসিবু রেকোর্দিংনচিংবা তৌহৌগদবা পোৎনি। দোক্যুমেন্টেসন তৌহৌদ্রবদি মনম লৈত্রবা পোৎ, পৈশানা লৈবা ঙন্বা পোৎশক্কি, মাঙখ্রবদি অদুম লোইরে। অমুক ফংলরোই মালেমসিদা। নীংথিনা কুপ্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা নৈনবা লোঞ্জন (গ্রামার) থমহৌবা অসিসু মমল নাইদ্রবা পোৎশক অমনি। লোন অদুগী পূম্নমক নৈনদুনা অমদি মাঙলরোইদৌবা মওংদা থমজিনবা মথৌ য়াম্না তাই। হৌজিক্তি দিজিটেল আর্কাইব ফাওবা শেন্বা ফরে। মতমগী ওইবা দিজিটেল গেজেট শীজিন্নবা য়াম্না মথৌ তারি।

**(II) ইমারোলনা তম্বিবা**

‘ইমা! ঐ চাক লাম্মে’ or mama! I am hunggry.’ ইমারোল অসিনা হেন্না নুংশিদ্রা? অৱাবা-নুংঙাইবা, নুংশিবা থম্মোয়গী ওইবা ৱা ফোঙদোকপদা, নাউশুম ঈশৈ শকপদা অমদি লাইরিক-লাইশুগী ওইবা বেসিক কন্সেপ্ট শাগৎপদা মীরোলনা খঙহনবা য়াবা নত্তে। মথোল কয়াগী য়ূম শাবদা ফাওন্দেসন য়াম্না ফবা তাই। মদুনি মমারোলনা লৌরিবা মহৈ-মশিং তমখৎলকপগী মতমদা লৌরিবা মমারোলগী মথৌদাং।

NEP, 2020 দা পীরিবসি ষ্টেন্দর্দ V or VI ফাওবদি মমারোলদা মহৈ-মশিং অসি পীবা হায়বনি। ফাওন্দেসন ফরবদি মথোল কয়া হাপ্পা য়াবনিকো। লৈঙাক্না য়াবা লোনগী চৎন-পথাপ অমা য়েংসি। হায়বদি সরকারগী মহৈশঙশিংদদি মেদিয়ম ওফ ইন্সত্রক্সনসি মমারোলদা পীরি অদুগা প্রাইবেট মহৈশঙশিংদনা ইংলিশনা তৌরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা কেম্পস মনুংদা ইংলিশ লোন ঙাঙনহল্লি। মসি ফৈ অদুবু কন্সেপ্ট ময়েক শেংলগা অহেনবা লোন য়াম্না খঙবা য়াম্না ফৈ। হবর্দ য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টদি অমদা অসুম্না ফোঙদোকপা লৈ মদুদি মোনোলিংগ্বেল কাঙলূপ্তগী বাইলিংগ্বেল অঙাংনা হেন্না ব্রেন ফৈ হায়নৈ। ইংলিশ নৎত্রগা হিন্দী খঙবনা মহৈরোয় অমগীদি জোব প্রোস্পেক্ট অসি য়াম্না পাক চাউই। মদুগী মথক্তা ফোরেনগী লোন অমা খঙবা হায়বসি জোব প্রোস্পেক্ট অসি য়াম্না ৱাংই।

### (III) ইম্পোজিসন তৌদবা

ৱাফম অমা খঙমিন্নবা ফৈ। মদুদি কনাদসু মীরোল ইম্পোজ তৌদবা ফৈ। ইম্পোজ তৌবা হৌনদে। ইম্পোজ তৌরবদি নেগেটিব রেস্পোন্দ ওইগল্লি। মরমদি লোন অসিদি য়াম্না দেলিকেট ওইবা পোৎশক্নি। য়াম্না লারবা খূদম অমত্তং য়েংসি। পংকুই কুইদ্রিঙৈদা গভর্নমেন্ট ওফ ত্রিপুরানা হলামকুকি লেংগ্বেজ দিভেলপমেন্ট কমিটি অমা শেন্নলগা লুশাই লোন অসি হলাম কম্ম্যুনিটিদা হলাম MIL হায়না থোল্লগা তমহন্নবা হোৎনরকপা হলাম কম্ম্যুনিটিনা মসিগী খোঙথাং অসিবু অকনবা মওংদা য়াখিদে। মমৈথংদা হলাম সবজেক্ট ওইনা শেমদোকখি অমদি য়ানখি (Bijoy Halam, 2016 p.45)। অমসু নীংশিংবা য়াই মদুদি ত্রিপুরাদা কোকবোরোককী মহুত্তা বেঙ্গোলিনা শিনবদা কোকবোরোক্কী মহৈরোয় ময়াম অমা তোক্লখি (Debbara and Debbarma, 2016)। মসিগী মহুত্তা মীতোপ্তা লোন অসি খঙদ্রবদি মাঙজে, খঙলবদি য়াম্না কান্নে হায়বা মীতোপশিংদা মসি ফাওহনগদবনি। হায়বদি ইরোন অসি য়াম্না চাওখৎহনবা য়াম্না মথৌ তাই। সাইন্টিফিক লিটরেচর ফাওবা ইরোন্দা লৈবা তাই। হায়বতনা, ঙাঙবতনা লোন চাওখৎকদবা নত্তে। মীঙোন্দা চৈবতনা চাওখৎকদবসু নত্তে। মসিদি লেংগ্বেজ প্লান্নিং য়াম্না চঙই। ইনফোর্মসন টেক্নোলোজিগী মতম অমদি AI লাক্লবা কানসিদি টেক্নিকেল টর্মিনোলোজিশিংসু লোন অসিদা কোইন তৌবা অমদি চুম্না নীংথিনা শীজিন্নবা য়াম্না মথৌ তারি।

### (IV) লৈঙাক্কী থৌদাং

লৈঙাক্কী থৌদাংদি শিগদৌরবা লোনশিংবু য়োকখৎপা, কাঙলূপ অদুগী অইবশিংবু ইন্সেন্টিভ পীদুনা তম্নবা লাইরিক টেক্সবুক অহৌবদগী এদভান্স ওইবা ফাওবা লাইরিকশিং ইহনবা, লোনগৈ দিক্সনারি শেমহনবা, তোঙান তোঙানবা লমগী লাইরিকশিং পুথোকহনবা, লোনগী গ্রামার, হিষ্ট্রি, তোঙান তোঙানবা লোনগী ট্রান্সলেসন তৌহন্দুনা লিটরেরিগী ওইবা লাইরিকশিং পুথোকহন্দুনা লোন অদুবু চাওখৎনবা হোৎনহনবা য়াম্না মথৌ তাই। অচঙবা পূম্নমক লৈঙাক্না পুথোকপা তাই। লৈঙাক্না নীংথিবা লোনগী প্লান্নিং অমা নীংথিনা তৌবা তারি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ফোক টেলস ফুঙ্গাবারী অমদি ফোক ঈশৈশিং নীংথিনা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা দোক্যুমেন্টেসন তৌহৌবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। শৈশক কয়া রেকোর্দিং তৌহৌবা অফবা ওইগনি। হৌজিক্কী মতমদদি দিজিটাইজ তৌবনা মতমগা চান্নবা খোঙথাং ওইগনি। দিজিটাইজ আর্কাইব শেমহৌবা মতম অসিগী চান্নবা খোঙথাং ওইরগনি। হায়রিবশিংসিগী মথক্তা লৈঙাক্না তৌগদবা খরা লৈরি। মখোয়দুদি মখাদা পীরিঃ

a. লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা লিটরেরি সোসাইটিগী মীশিং মমূৎ তানা লোনবু মূৎখ্রগা মদুগী মাঙজবা হায়বদি অকোয়বগী ইকোলোজি মাঙখিগদৌবা অমদি চৎনবী মাঙখিগদৌবা অদু নীংথিনা মমূৎ তানা খঙমিন্নবা অমদি মাগী কাঙলূপপু খঙহন্নবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তাই। সোসাইটিগী মীশিংনা মখোয়গী মীয়ামবু অমুক খঙহন্নবা পাউতাক পীবা অসিনচিংবনি।

b. মল্টিলিংগ্বেলবু পূক্নিং থৌগৎকদবনি। অদুবু মিদল প্রাইমারি ফাওবদি মমারোলদা তম্বিনবা শীনগদবনি। লোন য়াম্না খঙবগী কান্নবা খঙহনগদবনি।

c. মমারোলবু নুংশিহনগদবনি। হায়বদি মমারোলগী

কান্নবা খঙহনগদবনি।

d. ময়েক লৈরবসু লৈত্রবসু অঙাংগী শান্নপোৎ বার্দ গেম, বার্দ স্ক্রেম্বল, খূদম ওইনা হায়রবদা, মখল কয়াগী শান্নপোৎশিং শেম্বিগদবানি। নর্সরি রাইম, নাউশুম ঈশৈ, কোমিকনচিংবা পুথোকহনগদবনি। করিগী ইংলিশকীদি অসুক য়াম্না নর্সরি রাইম লৈরিবা অদুগা ঐখোয়গীনা লৈত্রিবা। ইংলিশ লোন তমদ্রবদি হাৎকনি হায়খিব্রা?

e. গ্লোবেলাইজেসন অমদি ইন্টর্নেট হায়বা লৈ। মদুদি পৃথিবী অসি হৌজিক্তি খুঙ্গংগুম্বা অমা ওইরক্লে হৌজিক্তি ইন্টর্নেটকী মতম ওইরবনিনা মালেমগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক খূদক্তা খূবাক্তা উবা ঙল্লে, টিভিদা উবা ফংলে। মসিনা লোন মচা হাৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লে অমদি ইংলিশ লোন্না শীজিন্নবগী চাং হাইগৎলক্লে। David Crystal না অসুম্না হায়রি, 'English is a killer language.'

f. শিগদৌরবা লোন অমবু য়োকখৎনবা খোঙথাং অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট অমদি হীরমশিংদা লোন অসিগা চৎমিন্ননবা হোৎনবা অফবা লৈ। করিগুম্বদা অসুম্না তৌবসু ফৈ। হায়বদি করিগুম্বদা লোন ঙাঙলিবা কাঙলূপ অসিগী য়াম্না তোপ তোপ্পা হায়বদি হেন্দিক্রাফ্টসতা, মেদিসিনেল প্লান্টতা, গেমস অমদি স্পোর্টস, হেরিটেজ, লমকোয়ফম অসিনচিংবা য়াম্না হিষ্টোরিক ওইবা নৎত্রগা অফাওবা ওইরবদি কাঙলূপ অদুগী মরমদা ইবিবা য়াম্না ফৈ। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিসু লৌখৎফম থোকই।

g. লৈঙাক্কী পোলিসি প্রোগ্রাম অমা ওইনা লোন অদুগী ওইবা অহৌবা লোঞ্জন, লাইয়েক গ্লোসরি, গ্রামার, দিক্সনারি, ইথনোলিংগুইষ্টিককী লাইরিক পুথোক্লবা মতেং অমদি লমতাক তৌবিবা য়াম্না ফৈ।

h. লৈঙাক্কা লিটরেরি সোসাইটিশিংগা মরী লৈনরগা ওঝা নৎত্রগা অখঙ-অহৈশিং চৎমিন্নদুনা তাকপিনবা হোৎনবা মথৌ য়াম্না তাই।

i. করি করিগুম্বা মতমদা লৈঙাক্কা রেস্পেক্টিব সোসাইটিশিংগা চৎমিন্নদুনা মখল-মথেলগী ৱার্কশোপ নৎত্রগা সেমিনার শীনবিদুনা মীয়ামদা লোন অসি মূৎখিদনবগী অখঙবদু খঙমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই।

j. অমনা লৈঙাক্লা কাঙলূপ অদুগী চীন্থাংগী ঈশৈ, চীন্থাংগী ৱারী তোঙান তোঙানবা চীন্থাংগী ওইবা আর্ট ফোর্মশিং নৈনবা অমদি রেকোর্দিং তৌবা য়াম্না অফবা ওইগনি।

পূম্নমক অসি য়েংলুরগা ইংলিশ লোন খঙদবা য়াদে অমদি ইমালোনসু হুন্দোকপা য়াদে। লোন য়াম্না খঙবনা অমাঙবা করিসু লৈতে থোইনদুম কান্নবা হেলহল্লি, পর্সনেলিটি হেনগৎহল্লি।


Bibliography

1. Crystal, David, 2000. *Language Death*. Cambridge University Press, Cambridge.
2. Debbarma, Sukhendu. 2016. *Introduction to the Language of Tripura*, Ed. PLSI, vol. 22, Part II. Chief Ed. G.N. Devy.
3. Halam, Bijoy, 2016. *In the Languages of Tripura*, PLSI. Vol. 28. Part II. Ed. Sukhendu Debbarma. Chief Ed. G.N. Devy.
4. Puli, Maya. 2017. Idu. *In The Language of Aruchachal Pradesh*. PLSI, vol. 4. Ed. Lisa Lomdak. chief Ed. G.N. Devy.
5. Abbi, Anvita. 2013. *A Grammar of the Great Andamanese Language*. BRILL, Leiden, boston.
6. Marques, Nuno. 2022. *What are the Least spoken Languages inthe World?* In Babbel. com, Megazine (April 29, 2022).

 ISSN 2347-9140

# জহেরাদা অঙাংহলগী শক্তমশিং

**ডা তেনসুবম কুঞ্জেশোর সিংহ**

এসোসিয়েট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, খা-মণিপুর কোলেজ, ককচিং

**Abstract**

*Jahera* is a social novel of Anganghal but its surface image is mainly based on the unseparable love between the Hindu Meitei Kunjo and Muslim lady Jahera and their tragic ends. If we stdied this novel with Psychological view, it has a new value. In this view, Kunjo is the representation of Anganghal's brain and that of Jahera is the representation of his heart and become a conflic between thought and emotional appeal of Anganghal.

Thus Anganghal construct a platefom of challange between justice and truth and conclude that truth is always defeated by justice in the present human society.

***Key words:*** *Hindu, Meitei, Muslim, Psychological view, human society.*

হিজম অঙাংহলনা মাগী সাহিত্যদা পুথোক্লম্বা শক্তমশিংগী মনুংদা মশক তাকপদা খ্বাইদগী লুরিবা, চয়েৎনরিবসি জহেরানি। মরমদি উপন্যাস অসিগী মরূওইবা ঈচেলসি অঙাংহলগী থম্মোয়গী ৱাহংনি। প্রকৃতিগা খূৎশেমগা লানশীংনবনি। নুংশিবা কনানসু থিংলুবা ঙমদবা প্রকৃতিনি অদুগা নিয়ন্ত্রা মীনা শেম্বা খূৎশেমনি, নিংথৌগী য়াথংনি, অঙম্বশিংগী ৱারেপনি, অতোংবদা লেপ্পশিংগী নিয়মনি, য়াদবা য়াদবনি, লৈবাক্কী চৎনবীনি। খেন্নবা লৈতবা মপুগী মিংদা তমথীবা থম্মোয়না নুংশি হৈতবা ৱাখলনা খেন্নবগী চার থাবনি মালেমদা। অদুনা ব্রহ্মসভাগী ৱায়েল কাতিনা মীওইবগী পুন্সিবু ঈখেং তানা চপখায়রকপনি। মৈ ইক্লবা চেগপ ওইদুনা চপ চপ্পুনা মৈগী কোমদা লংথবিদুনা থম্মোয়গা থম্মোয়গগী মরীদু থদৎপিখিবনি। মমা-মচা, মচিন-মনাওগী মরী থবৎ ককথৎপিখি, ধর্ম্ম-কর্মগী থৌদোক-ৱাথোক ফাওবা শরুক য়াবা য়াহনখিদে। ধর্ম্মবু শেল্লিবা মখোয়না শান্তিগী উরুম ওইহনবগী মহুত্তা চিক্কনবা মহূ পুবা লিন ওইখি। মীয়াম করিসু হায়ঙমদনা য়ানীংবগী মিংদা তুংইন্দুনা চৎলি অদুবু থম্মোয়দদি পেন্দবগী ৱাহং কয়ানা শীংনবগী থৌনা পীবা হৌরকখি। ধর্ম্ম জাৎ বিজাৎ অমদি অশেং-অমাংগী শম্বল অসি শীগায়দুনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎপগী অহানবা খোল্লাউসি হিজম ইরাবত-তগী লাকখি। অদুবু অঙাংহলনা য়ানীংনা শৌগৎখি। চৈরাপ্তা জাৎ-বিজাৎকী, অশেং-অমাংগী পল থমদনা পূন্নমক্কী সেবা তৌরিবা, পূন্নমক্কা অমত্তা ওইনা লোয়নরিবা, পূন্নমক্কী হায়ফম তান্নফম ওইরিবা অঙাংহলনা খেন্নবগী অশেং-অমাংগী ৱাফমসি শাথীনা য়ানীংখিদে। মানা হিংলুরিবা সমাজগী চৎন-লোনচৎনা তম্বিবা ৱাখলগা, মীওইববু চপ মান্নবা মীওইবা ওইনা নুংশিবা পোক্লিবা মাগী থম্মোয়গা অনীগী মরক্তা কন্না মূক্লবা হৌরকখি। অঙাংহলগী ৱাখলনা হায়রিবনা মী হায়বসি সমাজগী মনাইনি

অদুনা সমাজনা য়াবদু তৌবা তাই। ইপা ইপু হাক্তক্তগী য়ানদুনা চৎনরক্লবা নিয়মদু চুমদে হায়না শীংনরোইদবনি। শীংনরবদি সমাজগী মায়োক্তা লেপ্পা য়েক্লবনি। সমাজনা ইন্থোকপা তাই, চৈরাক পীবা তাই। অদুনা চৎনবীগা শীংনবসি অপংবনি নৎত্রগা অঙাওবনি হায়বসিনি। মাগী থম্মোয়না হায়রিবনা ঐখোয়না ধর্ম্মদা চঙজে। ধর্ম্মগী মপু ওইরিবা লাইনদি মীগা মীগগী খেন্নবা থমদনা চপ মান্ননা শেন্মী, চপ মান্ননা নুংশিয়ু হায়। মীওইববু অমত্তা ওইবগী মীৎয়েংদা নুংশিববু করি কায়বগে নৎত্রগা করি মাঙবগে হায়বসিনি। মাগী ৰাখলসিনা মশাগী ফূরুপকী চৎনবী য়োকখৎপনি অদুগা মাগী থম্মোয়সিনা অনৌবা মালেমগী নুংশি মপাউনি। ৰাখলনা হায়রি ফত্তে খল্লবসু চৎনবীদি শীংনফদে অদুগা থম্মোয়না হায়রি নুংশিবনা খ্বাইদগী অথোইবা ধর্ম্মনি, অথোইবা ধর্ম্ম অসি লৌগদবনি। অঙাংহল করম্বনা হেন্না ফবগে হায়না ৰায়েনবা ঙমদে অদুনা পূক্লিং ৰাখল অমতা ওইবা ঙমদবনা অঙাংহল অনী চোংথোরকই। অনীমক্লা শক্লাইবা মূর্ত্তি অমমম ওইনা মাগী জহেরা উপন্যাস শাগৎলকই। থাদোকপা ঙমদ্রবা সমাজগী চৎনবীগী নঙ্গো অমা চেৎনা লাকশিন্দুনা মনীং তৌবা ঙমদ্রবা, ব্রহ্মসভাগী পোৎলূম পুনা পুনা নীংতম্বগী ঈখৌলাংলিবা মাগী ৰাখলনা মৈতৈ সমাজদা চৎনবীগী ফাদোক ওইনা হিংলিবা কুঞ্জো ওইনা শক্তম লাংদুনা থোক্লকই। জাৎ-বিজাৎ খায়দনা অশেং-অমাং থমদনা অমতা ওইনা নুংশিননা হিংমিন্নবা পাল্লিবা মাগী থম্মোয়না মৈতৈ খুন্নাইগী খ্বাইদগী মাংবা অমদি য়েক্লবা জাতি ওইনা ইন্থোক্লিবা মুসলিম জাতিগী ঈং-তপ্পবী নিঙোল জহেরা ওইনা চোংথোরকই। জহেরা অঙাংহলগী নুংশিনবনা অথোইবা ধর্ম্মনি খল্লিবা থম্মোয়গী মহুৎ শিনবা অহিংবা থৰায়নি। অঙাংহলনা পাম্বদুনি জহেরানা পাল্লিবা। মশক উঙমদবা থম্মোয়গী মহুৎ শিনবা ওইনা থোক্লকপা মূর্ত্তি ওইবনা জহেরাগী পূক্লিং, ৰাখল অমদি পুন্সি মশক তাকপা য়ান্না লুই। অঙাংহলনা মাগী সাহিত্যদা পুথোরকপা নুপীগী শক্তমশিংগী মনুংদা জহেরানা খ্বাইদগী হেন্না শক্তাকপা লুবা শক্তমনি।

চৈরাপকী চৌক্রি অমদা ফমদুনা মীপূম খূদিংনা ৰাকৎলবা অঙাংহলনা তাখি। মঙোন্দদি লাক্লিবা পূন্নমক্লা থম্মোয়গী ৰারৌবা পূন্নমক তেংদুনা হায়দোকপনি। পূন্নমক্তু তারগা অঙাংহলনা দরখাষ্ট ইবিদুনা লাক্লিবা পূন্নমকপু তেংবাংলিবনি। মাগী মনাক্তা লাক্লিবা পূন্নমক জাৎ-বিজাৎকী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা শিনফমগী মরূপ ওইনা লোয়নরিবনি। কনাবুসু মাংই হায়না ইন্থোকখিদে। য়ান-য়ানবা লোয়নখিবা ঙাক্তনি। জহেরাদসু অমগা অমগা তিন্নবসি মাগী লূ-তোং, ঈদগী হৌনা য়াওরকই। বাঙ্গলা মুসলিমগা চাদা নাওদা ওইনা তিন্নদুনা যৌবাল মোইজিংদা পোকপী নুপী অমনা পার্সিয়ান লান্মী অমগা অমুক তিন্নদুনা হাট্টাদা জহেরা পোকই। মরম অসিনা জহেরা ঈ অহুম তিন্নদুনা য়াওই। মঙোন্দা বেঙ্গোলিগী লৌশিং, মৈতৈগী খাঙহৈবা নীংখিবদা হোংদবা থম্মোয় অদুগা পার্সিগী মীৎয়েং পাক-চাউবা অমসুং ফজবা নীংথিবা শক্তমগী গুণশিংদু জহেরাদা পূল্লপ য়াওই। মরম অসিনা অঙাংহলনা জহেরাগী শক্তম শাগৎপদা হিন্দু শাস্ত্রনা পীরিবা নুপীগী গুণশিং- মীওই-মীতৌ ফজবা (রূপ), থোৎ মেঙনা নীংথিবা (লাবন্য), শাবান ফজবা (সৌন্দর্য্য), থোৎচ-নৌজবা (মার্দব), শুমহৎয়াই পুবা (অভিরূপ্ত), খোয়থুন্ননা লিরি খোয়রিবা মওং (মাধুর্য্য) হায়বশিংসি পূল্লপ হাপচিন্দুনা শেন্নকই। মহাক্কী পুল্লেগা মান্ননা মীৎফম হোংবা য়াদনা ফজবা, শুমহৎয়াই পুবগী শক্তমসি পার্সিয়ান ঈগী খূদোল ওইনা পুথোরকই। মাগী মোং-হাদবা চনীং তাবা কনাদসু অয়েৎপা পীরুদনা মশাদা লৈজবা লৌশিং শীজিন্নদুনা মশাগী অপাম্বা লম্বীদা চৎচনবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা নুংশিবগী মিংদা মাগী ফূরুপকী চৎনবীবু তেমশিংনরকই। জহেরাদি থম্বালগুন্না নুপাগীদমক অফ-ফত্ত য়েংলুদনা পূমকৎ কখোক্লবী নুপীদু নত্তে। অদুগা থোইবীগুন্না মশা খিংনা মনীং তৌবসু নত্তে। শাথীখ্রবা লান্মীনি। মরম অসিনা মঙোন্দা উরিবা নুংশিবগী মশকসি ইনখৎলকপা মতমগী মশাগীতা ওইবা পন্থুং অমা তাল্লিবা নুংশিবদু নত্তে। মাগী নুংশিবদি অচুম্বা অফবা থিরিবা মালেমগী পাউজেলনি। মান্নদবশিংগী মরক্তা পূন্না হিংমিন্ননবা মন্ত্রদুনি, থম্মোয় থম্মোয় শন্নহন্ননবা নিংনবগী থোংনি। ময়েং তাবা নাইদ্রবা মাঙবা লৈত্রবা থম্মোয়গী নুংশি ঈচেলনি।

মতমগী সমস্যানা কুঞ্জো অমসুং জহেরাগী পূক্লিংগী খোঙচৎকী পল ওইখি। মতমদু মুসলিমশিংগী থম্মোয়দা মশাগী ঈ কাঙলূপ্পু ইমুং অমগী মচিন মনাওগুম খনবা কল্লবা ৰাখল অমা লৈরম্মী। ভারত পূন্নমকপু খূদুম চন্দুনা পানগে খল্লিবা মুসলিমশিংগা হিন্দুশিংগা ভারতকী মফম অয়াম্বদা

মূক্লবা, য়েংথীনবা, অমগা অমগা খৎন–চৈনবা থোক্লম্মী। লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা লাল লৈত্রবসু ধর্ম্মগী লাল অমা য়েন্নীং হুল্লকখি। হিন্দুশিংনা খ্বাইদগী শাউবসি মখোয়না লাইনি হায়না লাৎচরিবা ষণবু মুসলিমশিংনা হাত্তুনা চাবসিনি অদুগা মুসলিমশিংনা খ্বাইদগী করেন্নফম ওইবসিনা হিন্দুশিংনা মূর্ত্তি লাৎপসিনি। ৰাখলশিং অসিনা য়েক্লবা মরু হুন্দুনা মচি মচি কয়াদা হিন্দুগা মুসলিমগা খৎন–চৈনরকখি। মরম অসিনা মপান লমদা হিন্দুশিংনা মুসলিমশিংবু লাকচখিবদা মণিপুরী পাঙলশিংনা মশাদা থোকপবগুম শাউই। মসিগী মথক্তা মৈতৈ হিন্দুশিংনা ব্রহ্মসভাগী নিয়ন্না পাঙলবু মাংই, শোক্লবা য়াদে হায়না ইন্থোকপি। মরম অসিনা মফম অসিগী চেঙ চাদুনা, ঈশিং থক্তুনা হিংমিন্নরিবা মৈতৈ পাঙলশিংনা মৈতৈ হিন্দুশিংবু য়েক্লবা ওইনা লৌরকই, হুন্দুনা ঙাঙই, অমুক্তংদি নেত্তুনা পানগনি হায়না ফোংনা ঙাঙই। মৈতৈশিংনা মরোল অমা লানফা মীনাইশিং অসিনা অসুন্না ঙাঙজবা শাই হায়না খোইদৌ থীৎপা ৰানা করেন্নবী। অসিগুম্বা নুংশিনদবা য়েক্লবগী মৈশা পুবা অশাবা নুংশিৎ অমা কন্না শীৎলিঙে মনুংদা মমাগী অনাবগী ফিভন্না কুঞ্জোবু জহেরাগী মনাক্তা পুবিরকখি। ফজবা হায়বসি মীয়ামগী লন্নি। মসিনা মী পূন্নমক্কী থম্মোয়বু চিংশিল্লি। সনা–লুপা, মণি–মুক্তাবু পাঙনগীনি মৈতৈগীনি খায়দোক্তবগুম জহেরাগী ফজবনা কুঞ্জোবু 'পাঙন অসি অমাংবা জাতিনি, শোক্ল–শন্নবা য়াদে' হায়বদু কাউহনখি। মপুনা শেন্বা চপ মান্নবা মীওইবা ওইনা খনখি। জহেরাগী মখূৎ শোক্লা লা লৌই। সমাজগী পল অমা করিসু খন্দনা জহেরানা মণি মতুম অমা ফংখ্রে। মদু কুঞ্জোবু নত্তে, কুঞ্জোদা লৈরিবা জাৎ–বিজাৎ, অশেং–অমাং থমদনা মীবু মী ওইনা নুংশিবা ঙম্বা ফজবা পূকচেল অমসুং থৱায়গী শক্তম অদুনি। কুঞ্জোনা জহেরাগী মপান্থোংগী ফজবদা ঙাওজে অদুগা জহেরানা কুঞ্জোগী পূকচেলগী ফজবদা ঙাওজে। গোপীনা ভগবান কৃষ্ণ ফংজবদুগা অম্মানি। অনীমক্লা নুমিত্তুদগী 'ফজবা অমসুং অচুম্বা' থিবগী খোঙচৎ অমা মাগী মাগী থম্মোয়দগী লমথাবা হৌখি।

কুঞ্জোনা জহেরাগী ফজবদু মাতগী ওইনা ফংজনিংই অদুনা ফজবা ফংনবগীদমক অচুম্বা থিরকই। মীনা শেন্বা খূৎশেমগী নিয়মশিংগী অচুম অরান থিরকই। ৰাহং হংই, ৰাকৎ কয়া থাঙ্গৎলি, 'হিন্দুবুদি পাঙলনা মাংই হায়দে।.... মাংই শেংই অসিদি মৈতৈ হায়বা ঐখোয় অসিনা খিৎতি হেনমাল্লেদা... হুরানবা বামনবুদি মাংদ্রগা মপোকঙৈদগী ফত্তবা অমত্তসু তৌরক্রিবা হরি মঙাং অমবুদি মাংগদরা? (লা.২৫)।''

সমাজগী চৎনবীগী অখুবা মীৎয়েং কয়াদা য়াওরিবা অরানবা শরুকশিংদু চুমথোক্লবা মাগী ৰাখল, থম্মোয় অমদি পাঙ্গল শীজিন্নদুনা ফোংনা চোংথোরকই, মীচং খোম্মী। অদুবু জাতিগী ধর্ম্ম, সাশনগী নিয়ম, ইমুং মনুংগী থৌরি অমদি সঙ্গশিংগী পল অদুগী ৰাংমা লান্না চোংথোরকপদি ঙমখিদে। লনাইগী ওইবা অপাম নুংশিগী ঈচেলগা খোঙলোয় ওইনা হিন্দু মুসলিমবু অমতা ওইনা খনবা ফিদমগী মশক অমা উৎলবসু অমদি মৈতৈবু পূকচেল পিকই হায়না ৰারৌরবসু মানা পামজরিবা জহেরাগী নাকন্দা চোংথোরকতুনা মুসলিম ধর্ম্মবু শৌগৎপদি ঙমখিদে। মহাক্লা পাঙনবু শেংদোক্তুনা মৈতৈরোমদা পুশিল্লকপগী ৰাখলতমক তৌই, জহেরানা লাক্লবা লন্থীতমক থি। পাঙন অতৈগীদি খল্লুদে। কুঞ্জোদি অপাম মীহৌগী তাইবং লাংদা থুদুনা অদুম লৈ। মাগী খুন্নাইগী চৎনবীগী ফাদোক ওইনা অদুম লৈ, হোংবা ঙমদে। অসুন্না কুঞ্জোনা অমন্বগী মরক্তা লেপ্তুনা মঙালগী লন্থী থিরকই অদুবু হেন্না মন্বা তাইবং অমরোমদা চৎশিনবগা চপ মান্নখি। মাগী মফমদদি মীৎতাংবনা সংসার অসি পূংমম মন্না উবদুগা চপ মান্নখি।

জহেরা হায়বী নুপীমচাসিদি লৈনানা ঙাক শেন্দ্রিঙৈদা কালেনগী লৈতঙ্গায়বু থিনগায়দুনা লৈশাৎ তন্নকপী কনবদগী কল্লবী অদুগা থোৎপদগীসু থোৎলবী লৈবাকলৈ লৈরাংনি। কুঞ্জো থেংনরুবগী ৰা ঙাক নত্তে। মানা পুংকক চাউরকপা অফ–ফত্তা খঙলকপা মতমদগী কনাদসু ফোঙদোক্লবা তৌদনা পাঙনশিংগী চৎনবীদা লৈরিবা পামদবা মওংশিংদু মবুক্লিংদা শীংনদুনা লাক্লবীনি অদুগা ফজবা হায়বসিবু ঐগী মীগী খায়দনা লৌদুনা লাক্লবীনি। পোকপদগী ফেমিনিস্তকী গুন য়াওনা পোক্লবীগুম্বনি। মডোন্দা ফ্রেঞ্চ ফেমিনিজমগী নুপীগী প্রিন্সিপলদি নুপানা শাগৎলিবা শক্তম অদুগী ৰাংমদা লৈ হায়বা আইদিয়া অদুগী মমি তাবগুম উরি। রাইট হায়বসি ৰানা তাল্লুদ্রবসু ইশানা শেমজবা থাক অদুনা অদুম লাকচগদবনি হায়বা আইদিয়াগী মমি অমা শেংনা তাই। কনাবুসু শীংনরুবা তৌদনা মশাগী অপান্বদু থবক ওইনা উৎলি। নুংতিগী ৰাই তৈ, ঈরুজদনা চাক থোংদে, শা–ষন চাদে, য়েরুম ফাওবা চাদে, চাকথোংফি

তোঙান্না থম্মী, ষনবু লুনা তৌই, মৈতৈশিংগী ফিবু পান্না শেৎলি, পাঙনশিংগী চাকচা হৈজানবা য়াওদে। মাগী শাজৎসি পাঙনগী মতৌগী ওন্ন–তৈনবনি। অদুবু জহেরাদি মসিনা হেন্না অচুম্বনি হায়না লেপ্পী। নুপী হায়বসি তাংজফম থিবা তাংজবী উরিনি, উপালদা য়েৎলগা হিংবীনি। উরিনা তাংফম ফংদুনা অমুক্তংবু য়েৎখ্রবদি মানা য়েৎলিবা উপালদুগী মতোন লোমদনা খক তোক্তে। পারবা পয়ানা চেৎনা লাক্তুনা শম্বল খায়। পাঙ্গল শোনবী ওইনা পোল্লবী নুপীনা লেপ্পু লেপখ্রবদি নিংজবদু ফংদ্রি ফাওবা হন্দোক্তে। মরম অসিনা জাতিগী ধর্ম্মনা, সাশনগী নিয়ন্না, ইমুং মনুংগী থৌরীনা অমদি সঙ্গনা জহেরাগী পূক্নিংগী লম্বীবু থিংবা ঙমখিদে। কুঞ্জো থেংনরবা মতুংদদি মহাক মচেম শক্লবী মৈতে নুপী ইবেমচাগা নকশিন্নরকখি। ইবেমচাগা তিন্নরকপসি মাগী থম্মোয়গী অনৌবা খোঙচৎ অমনি। মৈ হৌরিবা সমাজগী মৈরক্তা চোংশিন্দুনা পুন্সিবু কেমহনবগী মহুত্তা মৈ য়াইনা য়াইনা মাগী থম্মোয়গী লম্বীদা অচুম্বা থিবগী পান্দমলোমদা হেন্না হেন্না চঙশিল্লকপনি। অচৌবা শীংনবনি, ব্যাবহার কায়দনা চৎনবীদা মুকপা মওংনি। মুসলিমশিংদগী অসুম অসুম লাপথোরকই। মখোয়গা চকচা হৈজানবা, ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমদগী নাথৈরকই। অদুগা মৈতৈগী ফি পান্না শেৎলকই। ঈরুজদনা চাক থোংদে অমদি চাদে। মহাক্তা নত্তনা মমাবুসু মাগী অনিংবদা চিংদুনা পুই। মাগী শুমাংগী মখা থংবা শরুক্তা তুলসি থাই। মদুবু বৃন্দা দেবী ওইনা খুরুম্মী। মমাবুসু খুরুমহল্লি। চন্দন উপু থমই। চন্দন উপু মনুংদা কুঞ্জবিহারী থাবা রাধা কৃষ্ণগী অয়েকপা লাই থমদুনা লোন্না লাৎলি। মসি মাগী জাৎকী খেন্নবা থমদ্রবা থম্মোয়গী খোঙচৎনি অমদি থৰায়গী খোঞ্জেলনি। মশানা মৈতে পাঙনগী সমাজগী মনুদা লৈনা লৈনা লৈবাক্লেগী থোৎলবা লৈনানা কল্লবা লৈমায় ফাওদুনা লাকপগুম আত্মানা পরমাঅত্মাগী লম্বীদা থিংঙমদনা লাকপগুম হিন্দু মৈতৈগী চৎনবীগী ঈপাক্লোমদা খেন্নবা অখুবা মীৎয়েং থমদনা অমতা ওইনা হিংমিন্নবগী অচুম্বা পাউজেল অমা পুদুনা লেপ্পা চঙশিল্লকই। মহাক্কী খোঙচৎসিনা হায়রিবদি শান্তিদি অধর্ম্মবু মাঙহল্লগা ধর্ম্ম লিংনবা হোৎনরিবা মফমদা লৈ হায়বনি। মৈদগী ঈশিংলোমদা লাকপনি। মশাগী ধর্ম্মবু হুন্থবসু নত্তে, মৈতৈগী ধর্ম্মবু য়ান্না পামশিল্লুবসু নত্তে। মানা পামদ্রিবদি ধর্ম্মগী মিংদা হিংসা শীজিন্নবনি অদুগা পান্লিবনা শান্তিদা চঙজরগা অচুম্বা থিবনি। হিন্দুশিংনা পাঙনবু মাংই হায়না ইন্থোকই অদুবু হিংসাদি তৌদে অদুগা মুসলিমশিংনা হিন্দুবুদি মাংই হায়দে অদুবু হিংসাদি লেপ্পা তৌই। জহেরানা অহিংসাবু অচুম্বা লম্বী ওইনা চঙজে। মুসলিমশিংনা ষণ হাক্তুনা চায়, হিন্দুগী লাই অমতনা চোংথোক্তুনা শাউরক্তে। জহেরানা তুলসীদা খুরুম্মী, রাধা–কৃষ্ণগী অয়েকপা লাই লাৎলি, মদুসু পাঙনগী লাইনা চোংথোক্তুনা শাউরক্তে। জাৎ অমসুং ধর্ম্ম হায়বসি মীওইবনা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা শেম্বনি, তাইবং মপুনা শেম্বা নত্তে। মঙোন্দদি পূন্নমক অমত্তনি। অফবা হায়বসিনা অচুম্বনি। নুংশিবা হায়বসিনা অথোইবা ধর্ম্মনি। মসিনি জহেরানা চেৎনা থাজরিবসি। জহেরানা চন্দন থিন্দুনা পুঙৌ ফনেক শেক্তুনা মচে ইবেমচাগা কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎতা লাই খুরুম্বা চৎলি। কনামতনা জহেরাবু পাঙলনি হায়বা ঙমখিদে, মদুগী মহুত্তা মৈতে পূন্নমক্কী মীৎয়েং থমফম ওইখি। খেন্নবা হায়বসি মীওইবতনা শেম্বনি। পূন্নমকসি খঙনা জহেরানা অচুম্বা লম্বীনি খনবা মায়কৈদা থম্মোয় হোংদুনা চৎলকই। মাগী ফিদমগী খোঙচৎসি মায় পাকখি। মহাক্না মাগী লম্বীরোমদা মমা, মচে ইবেমচা অমদি মুসলিম জ্ঞান তাবশিংবু তুং ইলহল্লকপা ঙমখি। মুসলিমশিংনা জহেরাবু মৈতৈগা তিন্নবদগী মশাগী চৎনবী থৌওইরক্ত্রে হায়না ৰাকৎপদা অমিরনা জহেরাবু শৌগৎতুনা ৰাতেম্মী, ''দুনিয়া শেম্বা মপুবু মুর্ত্তি লৈ হায়গে হায়য়ু লৈতে হায়গে হায়য়ু, হিন্দুগী অমা পাঙনগী অমা লৈবা হৌনরবা... জীববু নুংশিরিবা মখৈ অফবা ঙাক্তনি। য়ু থক্তবনা শা চাদবনা মীওইবগী করিবু কায়বগে (লাঃ ৩৭)।''

জহেরানা মশাগী ধর্ম্মদগী হিন্দু মৈতৈরোমদা চঙশিল্লকখিবগী মরমদু অঙাংহলনা উপন্যাস অসিদা শেংনা পুথোক্তুনা উৎলি। মৈতৈনা মুসলিমবু মাংই হায়না ইন্থোকই অদুবু ঙাকপিবা নুংশিবিবদি ঙম্মী। পাঙন্না মখোয়গী থম্মোয়দা ঙাকপিবা কনবিবগী মফম লৈতে। মীওইবনা লাই নীংলিবদি মখোয়বু ঙাকপী কনবিনবনি। জহেরানা মুসলিমশিংগী মায়োক্তা লেপ্লে, রাধা কৃষ্ণগী মূর্ত্তি লাৎলে, চন্দন লুবাক খিল্লে, তুলসি থারে হায়বগী মরালদা মমা মচাবু তান্থোকপিরকখি, ময়ুম মৈ থাবিখি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা মৈতে ইবেমচাগী য়ুমবুসু মৈ থাখি। অদুবু মাংই হায়রম্লিবা মৈতৈশিং জহেরা মমা মচাবু চঙজফম পীখি, ঙাক শেনবিখি,

চানবা চীঙ্গাক পীখি, মখোয়না চৎনীংবা মফমদা থিনবিনবা শীনখি। জহেরাবু কল্লি হায়বগীদমক লুমদুনা ফুরকই, অরোনবা লাল্লোংদা মমা মচাবু হাৎনবা হোৎরকই। শক্তম অনীসিগী মরক্তা করম্বনা অফবা অমসুং অচুম্বনো হায়বদু জহেরানা খন্দুনা মাঙজৌননা পূক্লিং হোংদুনা চৎখ্রবনি। মাগী খোঙচৎতি কুঞ্জোরোমদা চঙশিল্লকপা নত্তে, মানা অফবনি খনবা মায়কৈরোমদা লাকপনি।

কুঞ্জোনা অপাম নুংশিগী লাংদা থুদুনা জহেরাগী ফজবদা ঙাওই। জহেরাবু মাগী ওইনা ফংদবা য়াদে হায়বসিদা মাগী পাঙ্গল থৌনা পূন্নমক শীজিন্নরকই। জহেরাদি হকচাংবু হুন্দোক্লল্লগা আত্মাগী তাইবংদা চঙলকই। অদুবু মাগী আত্মাগী খোঙথাংদি গোকুলগী গোপীনা কৃষ্ণবু নীংজবদু নত্তে। মরমদি গোকুলগী গোপীশিংদি মবুংঙোবু উরগা নুংঙাইজে, মীৎকূপ খূদিং উনীংই, উদ্রগনা মথরায় ৱাজে। অদুবু জহেরাদি কুঞ্জোবু উনীংবগী ঈথৌলাংবা অদুগা উবদগী লাংতক্লবদু লৈতে। মহাক্না কুঞ্জোবু নুংশিরুবগী মহুত্তা কুঞ্জোদা লৈরিবা জাৎ-বিজাৎকী খেন্নবা থমদনা নুংশিবা ঙম্বা পূকচেল অমদি থম্মোয়দুবু পুন্সি চূপ্পা ঈরাৎখি অমদি নীংজখি। মানা অপাম নুংশিগীদমক য়েংদুনা কুঞ্জোবু নুংশিবা ওইরল্লবদি কুঞ্জোগী অমাং-অতা থিদনা কুঞ্জোনা পুবা মায়কৈরোমদা চৎলমগনি। কুঞ্জোগা মাগগী অপাম নুংশিগী লম্বীদি ঈখেং তারবা সমাজ অসিগী ঈরিক তৈরবা ইতিহাসকী লৈমায় অমা ওইগনি হায়বসি আ মমাঙদগী খঙদুনা য়াম্না তেন্না ৱাখৈখি, ''ঐদি য়ুম পাল্লরোইদবনি, ইচে''। ফিরেপ অসিমকসু নুংগী চাউখ্রবা অর্থ অমা উৎলিবা খোঙফমনি। পূন্নমক অসিনা জহেরানা মশা কখোক্তুনা থৱায় লৈরাং পূন্নমক লৈশাৎ তম্মিন্নবা য়াবা নীংনবগী লৈকোল অমা শেমগৎনবা হোৎনখি। মাগী থম্মোয়গী খোঙচৎসি নুপা অমদগী হেন্না শাথীবা শক্তিনি, লোম্বোক্তবা যৌদু নূংগী ফিরেপনি।

জহেরাগী পূক্লিংগী যৌদাং মায় পাক্লে। মাগী অফবা অচুম্বা থিবগী থম্মোয়গী খোঙচত্তু শক্তি পূন্নমক্লা থিংবা ঙমদনা চৎখ্রে। মহাক্না হিংসা অমসুং অখুবা মীৎয়েংবু শীংনদুনা নুংশিনা হিংমিন্নবগী লম্বী থিখি। লৈবাক লৈহাও অমতদা হিংমিন্নরিবা মীওইশিংনা মচিন-মনাওগুম অমনা অমগী ধর্ম্মবু ইকায় খুন্নবদা তাইবং শেম্বা মপু অমত্তনা শাউরোই, মরমদি মপুনা অশেং-অমাং হিংসাগী নিয়ম শেল্লমদে, মপুবু মী অমনা মানা নীংনিংবা মওং অমদা হেক্তা নীংবা য়াই। নিয়মদি মীওইবনা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা শেমজবনি, তাইবংদা লৈরিবা নিয়ম পূন্নমক্তগী মপুনা য়াবা অথোইবা নিয়মদি নুংশিন্ননা হিংমিন্নবগী নিয়মদুনি হায়বসি মানা লাউরম্লে। মসিগীদমক মানা মুসলিম খুন্নাইদা লৈনা লৈনা মৈতৈগী চৎনবীদা চোংশিনখি। মাগী ঈথিলনা ইবেমচা, গোপাল, কুঞ্জোগী মচে মুখী অমদি যৌবালগী মুসলিম কোল্লপ্পু মাগী মায়কৈদা চিংদুনা পুরকখি। জহেরাগী মমা তোম্বী বিবিনা ওন-থোইনা কপ্পদা গোপালনা কোনখক্তুনা থেমখি। গোপালনা থেম্বা নত্তে, মাংই হায়না চৈরম্বা মৈতৈনা পাঙলবু কোনখৎপনি অদুনা পাঙলশিংনা মবুক ওনখি, মমীৎতগী মপি তানা কপখি। লীচিং অমতা ওইনা পূন্না লাউরকখি, ''শেংদনা শেংবা শাবা মৈতৈনবু ঐখোয় পাঙনবু হঙ্গোয়বনি। অঙাং অনি থিসি সনানা য়োমদুনা য়োক্কনি (লা.২৭৩)।'' পাঙলগী ফজবা উবদা মুখী ঙকখি। মৈতৈগা পাঙলগা নুংশিনবগী নুমিৎ অসিনা খূদম ওইনা নৌনা হৌরকই। মসিমক জহেরাগী অহানবা চাউরবা মায় পাকপনি।

কুঞ্জোদি অসুম অসুম মায়থীরকই। মাগী থম্মোয়না জহেরাগীদমক শিরবসু কায়দ্রে হায়না শিফম ওইরবা মৈরীদা হন্না হন্না চোংশিল্লবসু মাগী ৱাখলবু চাকথেকহনবা ঙমখিদে। মহাক্না জহেরাগা মাগা অমত্তা ওইনা খন্দুনা জহেরাগী জাৎ, ধর্ম্ম, মীৎয়েং, থম্মোয় অমসুং পূকচেনলোমদদি শুংচঙ চঙশিনবা ঙমখিদে। জহেরানা কুঞ্জোবু 'মাবু স্বর্গনি' খন্দুনা ঙাওখ্রবা মী অমগুম খন্দুনা নুংশিবা পোকখি। মরম অসিনা হাৎকনি হায়না শীংদুনা লৈখ্রবা পাঙলশিংগী মখূত্তগী মশাগী লৌশিং অমসুং অরৈবা শক্তি শীজিন্নদুনা কুঞ্জোবু কন্দুনা পুথোরকখি। জহেরানা কনখ্রিসি কুঞ্জোবু নত্তে, জাৎ-বিজাৎকী খেন্নবা থমদনা নুংশিবা পোক্লিবা থম্মোয়দুনি। অদুগুম্বা মীশক্তু মৈ হৌরিবা সমাজগী মৈরিদা চোংশিন্দুনা মাঙহনবা য়াদে হায়বনি। অদুবু কুঞ্জোনা জহেরাগী থম্মোয়বুদি মশক খঙখিদে। জহেরাগী ৱাহং অমদা কুঞ্জো চপ চানা মায়থিখ্রে। ''পাঙন্না মৈতৈ ওনবা মৈতৈগী সমাজনা মমঙদসু য়ারোই হায়বা অসিসু জহেরানা খঙঙি হায়বা অসি খংবিবরা-

খংই। মশামকসু শিবা ঙমদবগী লৈরিবা জহেরোনা মাগী পাম্মুরবা কুঞ্জোবু মুসলমান্দা পুসিনগনি হায়বা অসিবু কুঞ্জোনা থাজবরা'' কুঞ্জো করিসু খুন্বা ঙমখিদে। মহাক অপান্বগী পংখৈদা লেপ্তুনা লৈরে। মওং অসি মুন্না খঙলবা জহেরোগী অনৌবা ৱারেপ্তি কুঞ্জোবু অমকপা মরিক অমত্তা লৈতনা মাগী সমাজদা হিংহল্লন্বনি, লুখাক কোমদা তাবদগী কনবনি। মদুগীদমক হায়বা য়াবা পূন্নমক হায়রগা অরোইবদা হায়রকই, ''নখোং হামদুনা সেবা তৌবদি ঐ ঙমজরোই, নঙগীদমক মাঙখ্রো হায়রগা মাঙজখ্রগে (লাঃ ২৭৬)।'' জহেরানা নুংশিববু কন্নবগীদমক মশামক কখোকপা ঙল্লে। মসিদগী হেনবা মায় পাকপা অমা লৈত্রে, নুংশিবগী মায়কৈদগী য়েংলবসু ফজবগী মায়কৈদগী য়েংলবসু।

বৈষ্ণবী অঙাংহলনা চৈরাপকী চৌক্রিদা ফন্না ফন্না মহাক্কী থম্মোয়না শকউদবা মপুগী পূন্নমকপু খেন্নবা থমদনা, চপ মান্ননা নুংশিবিবা অথোইবা ধর্ম্মগী নীতি অদুবু ঈখৌলাংজে। মাগী থম্মোয়গী নীতি অদুগী মূর্ত্তি ওইনা জহেরাবু পুথোরক্তুনা থবক তৌহল্লি। জহেরানা জাৎ-বিজাৎকী শম্বল অদু থোইনা খল্লুদে, হিংসাবুদি ৱারৌই। অঙাংহলগী থম্মোয়না ভারতকী মফম পূন্নমক্তা হিংমিন্নরিবা হিন্দু অমসুং মুসলিম কাংলূপ অনীগী মরক্তা মূক্নরিবা তেমশীংনরিবা ৱাখল্লোন অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈহাও অমতদা হিংমিন্নরিবা জাতি খূদিংমক্তা ঈ অমত্তা ওইবগী অচেৎপা নুংশিবগী মরী অমা লেঙদনা লৈহন্নীংবদু জহেরানা পাম্বে ওইনা উৎহল্লি। নাকল অমরোমদনা হৌজিক্কী সমাজগী মরক্তা হিংলিবা অঙাংহল মশানা কুঞ্জো ওইনা থোক্লকই। কুঞ্জোনা জহেরাগী ফজবা উবদা পুংশুম শুমহৎখিদুনা মশাগী খুন্নাইগী চৎনবীবু শীংনদুনা জহেরাবু ফংনবা হোৎনখি। ঈশ্বরমক্কী পাউজেল ওইবা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নবগী নুংশি মরীদু শুমহৎচখি অদুবু মশামক্তি ত্যাগী অমা ওইবা ঙমদবনিনা খুন্নাইগী মরক্তা হিংবা হায়বসি খ্বাইদগী চাউবা ৱাহং ওইরকখি। ৱাহংসিগী পাউখুম পীনবা হোৎনবদা মথম্মোয়দা ফাওরিবা খ্বাইদগী ফজবা নীতিদু মশানা হাত্তোকচবা তারকই। মী অয়াম্বনা থম্মোয়দা মশাগী কাংলূপকী লাইনীং অমসুং চৎনবীনা মীয়ামদা চৈনা পীরকপা মতমদা মখোয়গী থম্মোয়দা জহেরাগুম তনৌ-তনৌনা ফজবা পূন্নমক্কী শুমহৎনফম, পেন্নফম ওইবী জাৎকী পল থমদবা অপাকপা নুংশিবগী মশক অমা ইখৌ লাংজরকই। মদু ফংজনবগীদমক অঙাংহলনা কুঞ্জো ওইনা থোরক্তুনা চৎনবীবু ৱারৌরকই, শীংনরকই। অদুবু হিংবা হায়বসিনা হেন্না মরু ওইরকপনা অমদি সোসিয়েল সেক্যুরিতি য়াওদনা হিংবা য়ারক্তবনা থম্মোয়না পামজবা অপাকপা নুংশিবদু নমদুনা মাঙহনবা তারকই। মরম অসিননি অঙাংহলগী কোক ওইবা কুঞ্জোনা অঙাংহলগী থম্মোয় ওইবা জহেরাবু হাৎপদা তারকখিবা। ধর্ম্মনা পীবা ক্রুথ হায়বসিগা ৱায়েলশংগী জষ্টিস হায়বসিগা শীংনরকপদা জষ্টিসনা ঙমহনখিবা মওংনি।

**মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং**


১। সিংহ, হিজম অঙাংহল, *জহেরা,* হিজম ওংবী সরোজিনী দেবী, ইম্ফাল, ২০০১।

২। দীনমনি, এলাংবম, *অঙাংহল সাহিত্য সমাজ অমদি সংস্কৃতি,* বোবী পব্লিকেশন্স,ইম্ফাল, ১৯৯২।

৩। দীনমনি, এলাংবম, *ভারতকী কাব্যশাস্ত্র,* ইম্ফাল, বোবী পব্লিকেশন্স, ১৯৯৯।

৪। মৈতৈ, এম মনি, *ক্রিতিসিজম, থিঅরি অমসুং থিঅরিতিকেল প্রেকতিস,* কলচরল রিসর্চ সন্তের, মনিপুর, ইম্ফাল, ২০১৩।

৫। সিংহ, এল জয়চন্দ্র (সম্পা), *হিজম অঙাংহল নৈনবা ৱারেং,* নহারোল সাহিত্য সমিতি, ইম্ফাল, ১৯৮৮।

৬। Enright, DJ. and Chickera, Ernst De(eds.), 1962. *English Critical Texts: 16th Century to 20th Century,* Delhi: OUP Eight Imp. 1985

৭। Shastri, Surendra Nath, *The Laws and Practice of Sanskrit Drama* Volume One, Vanarasi: Chowkhamba Sanskrit Series Office, 1961.

 ISSN 2347-9140

# *মালেম অতিয়া*দা মিনুংশি অমদি কথোকপগী মফম

**ডা ৰাহেংবম কুমারী চনু**

এসোসিয়েট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

***Abstract***

In 2023, in children literature category, *Malem Atiya* was awarded Bal Sahitya Puruskar, confered by Sahitya Akademi, New Delhi. In this novel, the novelist's main stance was focused on the sacrificial spirit and sympathy. Naturally sacrificial spirit of mankind is always accompanied with the sympathetic mind. The article is trying to analyse how the novelist Kshetrimayum Subadini endeavours to delineate such kind of disposition and virtue with reference to Shree Mad Bhagavad Gita.

***Key words:*** *Shree MadBhagavad Gita, Sacrificial Spirit, Sympathy*

কথোকপা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা হায়বা বাফম অসি হেক পল্লকপগা মিনুংশি হায়বসি মশানা অদুমক হেক্তা লোয়নজরকই। ঙসিগী ওন্থোক্লা মীওইবগী মতৌ লৈখা তাখ্রবা, ঐগী হায়বা ৰাখলগী ৰাংমদা করি লৈরি হায়না নোংমতসু ৰাখল খন্থনদ্রবা, য়াম্না মেকানিকেল ওইরবা মতম অসিদা মীওইববু মী ওইহন্নবগী খ্বাইদগী চাউবা মরমশিংগী মনুংদা মিনুংশিনা অথোইবনি। মীওইবগী থম্মোয়দা তুংদুনা লৈরিবা মিনুংশি হায়বসিনা য়াকায়রকপদা কথোকপা হায়বা থবক্কী থৌওং অসি মথৌ পাঙলকই। মরম অদুনা মিনুংশি অমদি কথোকপা হায়বসি অমনা অমগী মরম ওইরকই।

কথোকপগী মশক অসি মখল-মথেল কয়াগীনি। *শ্রীমদ্ভগবদগীতা*, হিন্দুগী শেংলবা লাইরিক অসিগী মরিশুবা পন্দুপ 'জ্ঞানযোগ'গী শ্লোক কুনমঙাশুবদগী কুন্থ্রানিথোইশুবা ফাওবা মীওইবগী কথোকপা 'যজ্ঞ' গী মতাংদা নৈনরি। শাস্ত্র অসিগী মতুংইন্না মীওইবনা পাঙথোক্লরিবা খ্বাইদগী শীংথানবা য়াবা কথোকপগী মশক অসি মখল মঙাখক থোক্লা খায়দোক্তুনা মসিনা খ্বাইদগী অথোইবনি হায়না মশক তাক্লি। যজ্ঞ মখল মঙাসিগী মনুংদা মীওইবগা লৈমিন্নরিবা অতৈ থৰায় পানবা জীবশিং শা-উচেক্লচিংবা পুন্নমক্কী য়াইফনবগীদমক, মীওইবনা চাগদবা চীঞ্জাক, মহৈ-মরোং, মরু-মরাং, মনা-মশিংনচিংবা কথোকপা 'ভুতা যজ্ঞ' মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক অতোপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈজবা লন-থুম কথোক্তুনা সেবা ফংজবা 'মনুশ্য যজ্ঞ' মপা-মপুশিং, লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংগী মফমদা চঙজদুনা মথক থোংবশিংগী য়াইফনবগীদমক কথোকপা 'পিতৃ যজ্ঞ' ঈশ্বরগী মফমদা চঙজনবগীদমক ঘী, থাউনচিংবগী যজ্ঞ লিংদুনা হোম পাঙথোক্তুনা কথোকচবা 'দেব যজ্ঞ'গী মশক অমদি পুন্সিগী মপান নাইদবা মনুংঙাই (অলটিমেট

রিয়েলিটি) অমা ফংনবগীদমক হিন্দু শাস্ত্রনা ব্রহ্ম হায়না খঙনরিবা অদুদা চঙজদুনা শাস্ত্রগী লাইরিক পাদুনা, শ্লোক থিদুনা, চাং নাইনা পাঠ চত্থদুনা কখোকচবা 'ব্রহ্ম যজ্ঞ'গী মশক অসিনচিংবা য়াওরি।

হিন্দু শাস্ত্রনা হায়রিবা যজ্ঞগী মখলশিং অসিদি ঈশ্বরগী মশক ওইরিবা ভগবান বিষ্ণুবু পেলহন্নবা হোৎনবনি, ভগবান বিষ্ণুবু 'যজ্ঞ' হায়রগসু খঙনৈ। শাস্ত্রদা যজ্ঞ কৎপগী মরম অনীখক লৈরি। মরম অমনা মপান নাইদবা লন-থুম ফংনবগীনি অদুগা মরম অমনা ভগবানগী মপান নাইদবা মতিক-মগুণদা চঙজদুনা মহাকপু মশক খঙজনবগী লম্বী অদুনি। গীতাগী 'জ্ঞানযোগ'গী কুননিপানশুবা শ্লোকতা যজ্ঞগী মখল অসি মশাগী মপোৎ মরল কখোকপা 'দ্রব্য যজ্ঞ' হকচাংগী অৱাবা খাঙদুনা তৌবা 'তপোযজ্ঞ' যম, নিয়ম, আসন, প্রানয়াম, প্রত্যাহার, ধারনা, ধ্যান, সমাধি হায়রিবা অঙ্গ নিপানগী যোগ শান্নদুনা পাঙথোকপা যজ্ঞ 'যোগযজ্ঞ' বেদ তমদুনা নৈনদুনা তৌবা 'স্বাধ্যায়যজ্ঞ' অসিনচিংবা যজ্ঞশিং পাঙথোক্তুনা লৌশিং-জ্ঞান হেঙ্গৎনবা জ্ঞানযজ্ঞ পাঙথোকপা য়াই হায়না পল্লি। মতাং অসিগী কুন্থ্রাশুবা শ্লোকতা যজ্ঞগী অর্থ মুন্না খঙলগা যজ্ঞ তৌবা মীওইশিংনা মদুগী মহৈ ফংই হায়রিঃ

সর্ব্বেইপ্যেতে যজ্ঞবিদো যজ্ঞক্ষপিতকল্মষাঃ।
যজ্ঞশিষ্টামৃতভুজো যান্তি ব্রহ্ম সনাতনম্।।
(শ্রীমদ্ভগবদগীতা অশেঙবা মশক, লাঃ ২৭৯)

আচার্য এ সি ভক্তিবেদান্ত স্বামী প্রভুপাদকী সংস্কৃত মূল শ্লোক, শব্দার্থ, অনুবাদ অমসুং মরীক চূম্বা নৈনরোল য়াওনা ফোঙলবা শ্রীমদ্ভগবদ্গীতা অশেঙবা মশক কী মরিশুবা মতাংগী কুন্থ্রাশুবা শ্লোককী মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা নৈন ৱারোলদা অসুম্না হায়রিঃ

... যজ্ঞ পূন্নমকসি তৌবগী মরমদি ইন্দ্রিয় খুদুম চন্নবনি। ইন্দ্রিয়গী নুংঙাইবা ফংনীংবদি তাইবঙদা পান্দুনা লৈবগী মরু ওইবা মরমনি। ইন্দ্রিয় সুখ ভোগ তৌনীংববু থাদোকপা ঙমদ্রবদি সচ্চিদানন্দগী তত্ত্ব খঙবা ঙমদে। থাদোকপা ঙল্লবা মতাঙবু ব্রহ্মপরিবেশ (ব্রহ্মগী লেঙদ্রবা লম) কৌই। মথক্তা পনখিবা যজ্ঞ মখলশিংদুনা সংসারদা লৈবদা ওইরকপা পাপকী মশক ওইবা ফল পূন্না কোকহল্লী। অসুম্না আত্মাগী অকারম ফংবনা ফংলিবা মীদু হন্দক্কী মপোক্তা নুংঙাইবা অমসুং লললৈবা ওইবতা নত্তনা শিরগসু ভগবানগী সনাতন ধামদা চঙবা ফংঙি হায়বদি নির্ব্বিশেষ ব্রহ্মাদা তিল্লগা তিল্লে নত্ত্রগা ভগবদ্ধামদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা লৈরগা লৈরে।

(*শ্রীমদ্ভগবদ্গীতা অশেঙবা মশক*, লাঃ ২৮০)

গীতাগী কাঙলোন মতুংইন্না তাইবংপানবা অসিদা লৈরিবা থবায় পানবা জীব খূদিংমক মখোয় মশা মশাগী ওইবা অশেঙবা মতিক মঙলশিংদু কনানসু খঙবা ঙম্নদে। নাকল অমরোমদা থৱায় পানবা জীবশিং অসি নহানমুক্কী মপোক্তা মখোয় মখোয়না তৌরুবা কর্ম্মগী ফল ওইনা হন্দক মপোক হায়বসি ফংজরিবনি। শমজিন্না হায়রবদা মমাঙগী মপোকশিংদা তৌরুবা পাপকী মহৈশিং হন্দকমুক্কী মপোক্তা ফংবনি। অদুম ওইনমক মখোয় মশা মশানদি মপাপ চেল্লবা পুন্সিনি হায়বসি খঙজদে। মরম অসিনা মালেম তাইবংপানবদা মখোয়বু হঞ্জিন হঞ্জিন পোকহল্লি। গীতানা হায়রিবদি তাইবংপানবা অসিগী পোকপা শিবগী মায়াগী চক্র অসিদগী নান্থোক্লবা খ্বাইদগী ফবা অমখক্তা ঙায়রবা মপোক্তি মীওইবগী মপোক অসিনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মীওইনা পোক্লবা মপোক অসিদদি বেদগী শাস্ত্রগী কাঙলোন চুম্না ঙাক্তুনা অৱা-অনা অমদি অফা-অপূন্নবনা থল্লবা মপোক অসিদগী নান্থোকচবা ঙমজৈ অমদি মূক্তি ফংবা ঙম্মী হায়বসিনি। শন্না হায়রবদা মীওইবগী মপোক অসিনা ধর্ম্মগী লম্বীদা চঙশিন্দুনা যজ্ঞ তৌরগদি মীওইবনা মায়োক্নরিবা শেল-থুমগী ওইবা অৱাবা পুন্নমক কোকপা ঙমই, চীঞ্জাক্কী ওইবা অৱাৎ-অপা মায়োক্নহন্দবসু ঙমগনি অদুগা মায়াগী লাং পুন্নমক্তগী লান্থোকপদু ঙমগনি হায়বসিনি। পুন্নমক অসি পরমেশ্বর ভগবানগা সঙ্গ তৌরবা, মহাক্কী মফমদা চঙজরবতদা ওইথোক্কনি। মরম অদুনা ঈশ্বরগী মফমদা ভক্তি লৈবা, মহাক্কী মফমদা চঙজবা হায়বসিনা পুন্নমক্তগী অথোইবনি হায়বসি গীতাগী মপূংওইবা পাউতাক-পাউমেলনি। (ইবিদ., লামায় ২৮১)

গীতানা পীরিবা লূরবা পুন্সিগী কাঙলোনশিং অসিদা য়াম্না থোইনা চঙশিল্লুবা নৎত্রবসু যজ্ঞ তৌবা, কখোকপা হায়বসিনা মীওইবগী পুক্নিং-ৱাখল অমদি ইন্দ্রিবু খূদুম চন্দুনা হেন্না

নুংঙাইবা, নুংশি–চান্ননা পূন্না হিংমিন্নবা হায়বসিমদি লায়না ওইথোকহল্লি হায়বসি সাধারণ মীচম মীয়াম পূন্নমক্না খঙনরি। মীৎয়েং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগনি অইবী ক্ষেত্রিময়ূম সুবদীনা মহাক্কী মালেম অতিয়া দা শেমগৎলিবা মিনুংশি অমদি কখোকপগী মশক। লাইরিক অসিমক্তি অঙাংগী লাইরিক (নোভেল) ওইনা পুথোরক্লবসু অঙাংশিংগী লমচৎ–শাজৎ অমদি ইনখৎলকপা পুন্সিগী চহী মতাংদা পুন্সিবু মায়ওন চুন্নবা পাউতাক–পাউমেল পীবগা লোয়ননা মীওইবা মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনবা–মিনুংশি অমদি কখোক্লবতনা পূন্না হিংমিন্নবা, তংদু–লৈতানা, নুংঙাই–য়াইফনা লৈমিন্নবা ওইথোকহল্লি হায়বসিদসু কূপ্না মীৎয়েং চঙশিল্লি। লাইরিক অসিদা উবা ফংলিবা কখোকপগী মশক অসি মপূংওইবা শক্লোন অনীনি। শক্লোন অমনা দাক্তর নিংবোই অমদি জুল্লিগী কখোকপগী মশক অদুগা অতোপ্পা শক্লোন অমনা মালেম অমদি অতিয়া অনীগী কখোকপগী মশক অসিনি।

### নিংবোই অমদি জুল্লিগী কখোকপা

দাক্তর নিংবোই, দিমাপুরগী মনুং হুঞ্জিনবা খুল অমগী মথৌদা কখোক্লবী দাক্তর লৈশাবী অমনি। নোংমা মহাক্লা মপাবুং যোসেফকা লোয়ননা মনেগী মনাক্তা লাকপদা ময়ূমদা হনবগী খোঙচত্তা উমাথেলগী লম্বী মপান্দা জ্ঞান মাঙদুনা শোক্তুনা লৈরন্বা মালেমবু উখি। দাক্তর অমা ওইনা অশোকপা অনাবশিং উবদা থৈদুনা চত্তবা, হেক য়ারিবমখৈ মথ্বায় কনবিনবা হোৎনবা হায়বা মেদিকেল প্রোফেসনগী ইথিক্স অদুনা পুনখিদুনা তুংদা থোক্লবা য়াবা পূন্নমক্তা তেমশিংনখি, অপোকপা মপামক্কী অপান্বগী মায়োক্তা লেপখি অশোকপা অদুবু মখোয়গী গাড়ীদা হাপকৎখি, মশামক্না মীৎকূপ–নাহুম শিংনা শেন্নদুনা ময়ূম তান্না পুরকখি, থৱায় য়াওনা অনা লায়েংবিখি। মকোক্তা শোকপদগী মমাঙগী পুন্সিগী শরুকমখৈ অমত্তা নীংশিংবা থোক্রবা মালেমবু মৌপ্পা অমগুম, মনাও অমগুম নুংশিনা লোয়নবিখি। মহাক্লা ৱাখল তারক্লবা মতমদা মরী মখোঙ হংনদুনা নোংমদি ময়ূমদা থিনবিরুগনি হায়বগী আশা থাদোকখিদে। লৈঙাক্কী থবক তৌদুনা লোয়শঙ কানা কানা ছুটি ওইবা নুমিত্তা মরমদম, মরৈকাইগী অনাবশিং লায়েংদুনা হিদাক–লাংথক পীদুনা মীয়ামগীদমক হেক ঙম্লিবমখৈ হোৎনজখি। য়ূম্বান পুন্সিদা খোঙদাররোই হায়বগী ফিরেপ লৌদুনা মখা তানা মেদিকেল প্রোফেসনগী অহেনবা লৌশিং তানশিল্লুনবা মীরৈবাক কয়া, থাপ্লবা মীরমদম ইউ কে নচিংবদা চত্তুনা ত্রেনিং কয়া লেপ্তুনা য়াওখি। মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক কখোক্লবী, মথৌদাংনা পুল্লবী দাক্তর নিংবোইনি।

নাকল অমরোমদা জুল্লি, খৃষ্টান লাইনীংদা চেৎনা থাজবী চুড়াচান্দপুর নিঙোলনি, মপানা মৈতৈনি, মমানা ত্রাইবেলনি। মপা–মচা অনীনা দিমাপুরদগী হল্লকপগী খোঙচৎ অমদা মালেম উমং অমদা জ্ঞান মাঙদুনা তাদুনা লৈরম্বদগী জুল্লিনা কন্না হায়জবদগী শা–কৈগী খয়াত্তা তারগদৌবা মালেমবু কনবিদুনা মখোয়গী ময়ূমদা পুরকখিবনি। তুইবোংদা লৈরবা মালেমবু জুল্লিগী ইমুংগী মীওইশিংনা ইমুংগী মীওই অমগুম্না লোয়নবা হৌরকখি। মহাক্কী খঙ্গন–হৈগনবা, তাকপগা লৌশিনবগা লৌশিনবনা হেক্তা হানবা, ইচম–চমজবা, মরম ওকপা মচৎশিং অদুনা মালেমবু জুল্লিগী মমা–পাবুং অনীমক্না মমাক ওইনীংখি। অদুবু মখোয়গী অপান্বা অদু মালেমদা ফোঙদোক্ত্রিঙৈ লম্বীগী খুদোংথীবা অমদা জুল্লিগী মপাবুং রোমিও লৈখিদ্রে। রোমিও লৈখিদ্রবগী মতুংদা জুল্লিগী ইমুংদা মালেমগী মথৌদাং হেন্না য়ামখৎলক্লে। মপাবুংনা তৌরম্বা থবক–থনাশিং, শেন–থুমগী হিসাব পাবা, হিংনবগী পান্বে অমা ওইনা গ্রোসরি দুকান ফমদুনা শেল তানশিনবা, নাকল অমরোমদনা কল্লক খন্বনবা মীওইশিংগী মীনোক–মৈশা কয়া মায়োক্লখি। চৈরক অসিদা জুল্লিগী মমা থোইনু (কিম) না মখোয়গী পুন্সিগী চৈঙাক ওইরিবা মালেমবু মমাক ওইজনীংখি। নাকল অমরোমদা মালেমগী মরী–মখোঙ খঙনরক্তুনা মহাকপু লৌবা লাক্লিবী মমা ইবেম্মা ইবেমপীশক্লা মচাগী থৱায় কনবিরকখিবী জুল্লিবু মমৌ ওইবা পামজখি। মচাগী মবুক্লিংগী ৱা থোইনা খঙলুদনা জুল্লিবু মমৌনুপী ওইজরগে হায়জখি। নাকল অমরোমদনা মালেমদি নিংবোইগী মনাওনুপী থংমিলাবু মপা যোশেফকী পুন্সিগী অরোইবা মীৎকূপ্তা শিন্নরমদুনা পুন্সি লৈপুনগী খোঙচত্তা তেক্ত–কায়দনা চৎমিন্নরক্লবগী নুংশিবা অমদি য়াথংগী অকনবা লীপুন অমনা চেৎনা পুনবিরমখি। জুল্লি অমদি থংমিলা অনীমক মালেমবু

অমকপা অমত্তা য়াওদনা মথম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবনি। মখোয় অনীমক্কী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা মালেমবু নুংশিনা, লুনা লোইনবিরকখিবনি। ইমুং অনীমক্কী লমন মালেমনা তোনশিল্লবনি। থংমিলাগী মপাবুং যোশেফকী অপান্বা, জুল্লিগী মমাইবেম্মা থোইনুগী পামজবা মুন্না মশক খঙলবসু মালেমগী থম্মোয়দা নুংশিবগী, শাবী–শানৌগী ওইবা অপাম–নুংশিগী ঈহুল য়াকায়হনখিবদি থংমিলানি। মহাক্কী মফমদা মালেমগী নুংশিবগী খোঙফম অহুম্মক – ইন্তিমেসি, পেসন অমসুং কমিতমেন্ট অমত্তা ওইনা লৈরি। অদুগা মালেমগী মফমদা লৈরিবা জুল্লিবু নুংশিবগী মশক্তি ইন্তিমেসিনি, নক্নবদগী অদুক অমনা অমগী মতেং পাঙনবনি, মতাং, মতম অমদি ফিভম্না য়াদবদগী অদুক পুনখিবনি, থাঔেশেংনা শাবী–শানৌগী ওইবা পুন্সিগী লৈপুনগী খোঙচৎকী নুংশিনবা হায়বা থাক অদু য়ৌনা কাখৎলকপদি নত্তে। অদুম ওইনমক জুল্লিদি মালেমগী মমানা খোয়দানা খঞ্জরবী মমৌনি। ফিভম অসিদা মালেম, মমাগী মায়কৈদা লেপকদ্রা নৎত্রগা থম্মোয়নসু খোয়দাজবী, মপা যোশেফনসু চেকশিন্না শিন্নবিরল্লবী থংমিলাগীদমক লেপকদ্রা, অরুবা খোঙফমনি। অদুম ওইনমক জুল্লিগী থম্মোয়দি অমকপা অমত্তা য়াওদনা মালেমবু নুংশিজরুবনি। হৌখিবা মতমদা মালেমগী পুন্সিদা করি থোকখ্রবগে, মহাক্কী অপান্বা করিনো হায়বনচিংবা করিসু খঙজদবীনি। চৈরক অসিদা অতিয়াগী মফমদগী ৱারী ৱাখোঙ পূন্নমক খঙলবী জুল্লিগী খোঙফম হন্দোকপা তাখি। মহাক্কীদমক মনেম ওইগদৌরিবী ইবেমপীশকনা ফৈগাক–ফৈনা লেপ্পবসু মালেম অমদি থংমিলা অনীগীদমক মহাক্কী নুংশিববু কখোকপা ঙমখি। মসিমক মীওইবা অমনা কখোকপগী অৱাংবা মশক্লি। অতোপ্পা কনাগুম্বা খরগী য়াইফনবগীদমক মশাগী ওইজবা থাদোকপনি, ইনখৎলকপা মতমগী অপাম–নুংশিনা থুমহৎলবা থম্মোয়গী চৈনা মশা মরোমদোম খাঙজদুনা অতোপ্পগী, মহাক্কা নুংশিজরিবা মীওই অদুগী হেন্না য়াইফ–নুংঙাইখিনবা হোৎনজবনি।

মতৌ অসুম্না অতোপ্পগী অমদি মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক মীওইবগী কখোকপগী পূকচেল অসি ৱারীগী ময়াঙ পুরিবা প্লোটকী মশক অমা ওইনা নোভেল অসিদা পুথবগী মথক্তা অতোপ্পা ফেঞ্জিল্লকপা ৱারীগী মশক্তসু কখোকপগী মশক অসি নোভেলিষ্টনা পুশিল্লক্লবা হোৎনরি। মপূংওইনা থার্দ পার্সন ওমনিসিয়েন্ট পোইন্ট ওফ ভিউদা নোভেল অসিদা য়াওরিবা কেরেক্তর খূদিংমক্কী অনীংবা অপান্বা, পূক্লিং ৱাখল অমদি মওং–মতৌ পূম্নমক ৱারী লীদুনা অপাবশিংদা পাউদল্লিবা নেরেটরনা লীরিবা ৱারী অসিগী মনুংদা থানিল কৌবা সহরগী ইনাকখুনবা নুপা অমগী কখোকপগী ৱারী অমসু পুশিল্লকই। মহাক্কী ৱারী অসিদি নোভেল অসিগী ৱারীগী য়াঙলেন শরূ ওইরিবী মালেম অমদি অতিয়া অনীগী মপা পোকপা মবোক ইবেলৈনা মচাশিংদা নোংমা লীদুনা তাহনখিবনি। ইচম চম্বা মীওই অমা ওইজরম্বদগী কা হেন্না শেল থোকপা কারবার অমা তৌরুবদগী নোংমগী তৌগদবা, চাং নাইনা চাবা–থকপনচিংবা পূম্নমক তুংওইনরকপদগী মশা লায়না নারকপা, লায়না অদুগী লাইমননা শিরগনি হায়বা ৱাখলনা লাঙ্গোয় চনশিল্লকপদগী হিংলিবা পুন্সি মতেক খরা অদুগী নুংঙাইফম খঙলক্তবা মতৌ অমা মায়োক্লখি। অদুবু নোংমা ইখঙ–খঙহৌদনা ভারতকী মফম কয়াদা ঈশিং–ঈচাউ থোক্তুনা য়ূম–কৈ কয়া ঈশিংদা লূপখিদুনা মতম শাংনা লৌউ–শিংউবা য়াদদুনা চাক–তাঙবা থোকখি, লায়না–তীন্না কয়া শন্দোরক্তুনা মীশি–মীনা কয়া নংহল্লকপদগী মফম অদুগী উপায় লৈজদ্রবা মীচম মীয়ামশিং অদুগীদমক ঙমজবা মতেং পাংবিনবা পাউচেদা, রেডিওদা খঙহল্লকখি। পাউ অদু তারুবদগী থানিলনা তানশিঞ্জরুবা শেনফম অদুদগী মহাক্না ঙমজবা শেল–থুম কয়া মতেং পাংদুনা অমদি হিদাক–লাংথক্লচিংবা লৈদুনা অৱা–অনা তারবশিং অদুগীদমক মশামক চোংথোক্তুনা হোৎনজখি। অৱা–অনা তারবা মীওইশিং অসিগীদমক মহাক্না কখোকপিরিবা অমদি পাংবিরিবা মতেংশিং অদুগীদমক মীয়াম্না মহাকপু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা ইরকপা চিঠিশিংনা থানিলগী তেবল অদু পীক থনখি। মদুগুম্বা ৱারোলশিং অদু পারুবদা থানিলগী মশাদা হরাও–নুংঙাইবগী ৱাখল পোকখি, মশাগী লায়না লাইথুংশিং অদু থোইনা হিদাক থারুবা তৌদনা তপ্পা তপ্পা ফগৎলকখি। মতৌ অসুম্না অতোপ্পগীদমক য়াইফনবা করিগুম্বা খরা কখোকপা হায়বসিনা কখোক্লিবা মীওই অদুগী পূক্লিং হকচাংবুসু শেংদোক্তুনা হেন্না ৱাখল মকা লামহল্লি, মশাগী অনাবা ফাওবা তীনকোক–লাইকোকহল্লি

হায়বদু উৎনবা হোৎনরি। মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা হোৎনবা হায়বসি নীংজরিবা মপু অদুমক্কীসু অপেনবনি হায়বদু উত্তুনা হিদাক-লাংথক অমদি মেদিকেল সাইন্সনা লায়েংবা ঙমদ্রবা থানিলগী অনাবা ঈশ্বর ভক্তি অমদি মীওইবগী সেবাগী মশক ওইরিবা কথোকপনা ঙমহনখিবগী মশক অমা পুশিল্লকই। মতৌ অসুম্না নিংবোইগী কথোকপা, থাদোকপা, মথৌদা পূক্লিং চঙবা, জুল্লিগী নুংশিববু কথোকপা, থানিলগী অৱা-অনা তারবা, লৈত-লায়রবশিংবু তেংবাংনবগীদমক মশাগী লৈজরম্বা লন-থুম কথোকপগী মশক অসি মওং খজিক তোঙান্নরবসু মীওইবা খুন্নাইগীদমক, লৈমিন্নরিবা খঙন-চান্নবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক কথোকপা 'মনুশ্যযজ্ঞ'গী মশক অদুনি হায়না লৌবা য়াই।

**মালেম অমদি অতিয়াগী কথোকপা**

নোভেল অসিগী মপূং ওইবা চরিত্র ওইরিবা মালেম অমদি অতিয়া অনীগী কথোকপগী মশক অসিনা 'পিতৃ যজ্ঞ' হায়নসু খঙনবা মথক থোংবা মপা-মপু, অহল-লমন ওইবশিংগী য়াইফন্নবগীদমক মচা-মনাও, মচা-মশূ ওইবশিংনা কথোকচবগী মশক অদুনি। মালেমনা মহাক্কী থৱায় কনবিরকখিবী মচেম শক্লবী নাগালেন্দগী দাক্তর নিংবোইগী অপোকপা যোশেফকীদমক মশাগী কিন্দনী নাম্মা পীদুনা মথ্বায় কনবিখি। উমাথেলগী লন্বীগী থৌদোক অমদা জ্ঞান মাঙদুনা, শোক্তুনা লৈরম্বা মালেমবু মশক-মশা খঙবসু নত্তে, মদুনা হয়েং তুংদা অকায়বা ওইরকপসু য়াই হায়না খনবদগী যোশেফনা মচানুপী নিংবোইনা মহাকপু ময়ূমদা পুদুনা লায়েংনিংবগী অপাম্বদু থোইনা পূক্লিং থৌগৎখিদবনি। অদুম ওইনমক ময়ূমদা পুরক্তুনা লায়েংবদগী নোংমা নোংমগী ফিভম ফগৎলক্তুনা মখোয়গী ইমুংগী মীওই অমগুম্না মালেমনা মখোয়গী মতেং পাংলল্লবদা মহাকপু হেক পোকচবা মচাগুম খনখিবা যোশেফনি। মমৈথংদা মচানুপাসু য়াওজদবা যোশেফনা মালেমদা মহাক্কী মচানুপী অতোন্বী থংমিলা পীদুনা মখোয়গী ময়ূমদা মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা লেঙদনা লৈমিন্নবা পাল্লকখি। ৱাফম অসি মহাক্না মচানুপী নিংবোইদসু হৌদোকখি। মশামক্কী কিদনী নাম্মা পীথোক্তুনা মহাক্কী থৱায় কল্লকখিবা মালেমবু যোশেফনা হেন্না-হেন্না নুংশিরকখি। অহল হেন্না ওইশিল্লকপা অমদি মশাগী অনাবা হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা যোশেফনা মফম খঙখিদ্রবা মালেমগা অমুক হন্না থেংনররোইদ্রা, মহাক্কী অনীংবা অপাম্বশিংদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মীপাইরুরবনি। অদুবু মীওইবনা থৱায় য়াওনা চেৎনা পূক্লিং অনী লোঙদনা নীংজরবদি থবক খুদিংমক মায় পাক্তবা লৈতে হায়বদু উৎপগা লোয়ননা লাইবক্তা তম্বা হায়বসিদা চেৎনা থাজরিবী নোভেলিষ্টনা যোশেফকী পুন্সিদসু থোকহনখি। মশাগী অনাবা লায়েংবা লাকপদা দিল্লীগী হোস্পিতাল অমদা ইখং-খঙদৌদনা কায়নরুরবা মালেমগা থেংনহনখি। মপুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ লাক্লমদাইদা মচানুপী থংমিলাবু মালেমদা শিন্নজরমখি। মসিগুম্বা যোশেফকী মিনুংশিনা থল্লবা পূকচেল অদু মালেমনা ফিগাউ শানা য়াজখি। মালেমনা, থোক্লি ওইরিবা ৱারী পুম্নমক মহাক্না নোংমতদা (মেরাগী পূর্ণিমা) পোকমিন্নবা মপনগী মচানুপা অতিয়াদা খঙহন্দুনা মফম অদুদা অনা লায়েংবা লাক্লিবা মহাক্কী মপাবুং মাঙ্গোলজাউগী মনাকোং য়ৌহনখি। থোইদোকপা কোচি থাংবা, কিশি কিদুনা পুথরকপা প্লোটকী খোঙচৎ ওইনা শেমগৎপগী মহুত্তা ইচম-চম্না, খজিক্তং য়াংতক্না পুথরিবা খোঙচৎ অসিমক্তি অঙাংগী সাহিত্যগী প্লোটকী মশক্না হেন্না চুশিন্নরি।

নাকল অমরোমদা কিদনি অনীমক য়াদবদগী অমা শিন্দবা য়াদ্রবা মাঙ্গোলজাউগীদমক মচানুপা মালেমদা আশা তৌরুবদু মালেমদি হান্নবা যোশেফকী মফমদা কিদনী নাম্মা পীথোকখিবদগী অরুবা ফিভম অমা মায়োক্লখি। মতম অসিদা অতিয়ানা মখুরাগীদমক মহাক লৈরি, মঙোন্দগী কিদনী নাম্মা পীগনি হায়না ফৈগাক ফৈনা লেপ্তুনা অনাবগী চৈনা অমদি ৱাখলগী পোৎলুম অনীমক্না নন্থরক্লবা মাঙ্গোলজাউগী পুন্সিগী চৈঙাক ওইখি। মসিমকসু অতিয়াগী মপান নাইদবা কথোকপগী মশক্লি। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈ মহৈ তন্লিঙৈ মতমদদি মখুরা অসিনা মহাকপু হন্না ফাওবা য়েংলকখিদবনি। করি অমুক হায়রুগনি, মতম কুইনা মমিত্তা মচা উবা ফংলকখিদ্রবা অতিয়াগী মপাবুং লৈবাকচাউ অমদি মমা ইবেম্মা চাউবীগী মচা অমা ফংজগদৌরে, নাৱা অমা খোয়জিখাদা মিতমখ্রে হায়বসি মাঙ্গোলজাউ মতৈ মনাওনা পাউ হেক তাবগা কল্লক-খন্থনবা হৌখ্রবনি। ইকুই-কুইদনা মহাক্কী লোইনবী ইবেমপীশকসু থা লেপখ্রে হায়বা খঙলকখি। মচিন মনাও অনীমক নোংমতদা মপারি অমমম ফংজখিবনি।

অদুবু মচা য়াওনরকপদগী হান্না পূন্না চামিন্নরম্বা ইমুং অদু চাকখুম তোঙান্নখি। শেন্থোক লৈজদবা ময়াম্বুং লৈবাকচাউবু অপোকপী মমা ইবেলৈগা পূন্না ইন্থোকখি। লৈবাকচাউ মতৌ–মনাওনা য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা থোঙ্গালদা হোটেল ফমদুনা, ইথোল কোইদুনা অমত্তা পোকচবা মচানুপাবু য়াম্না চেকশিন্না হোৎনজদুনা লৈঙাক্কী স্কুলদা শেল থোইনা চঙহন্দনা লাইরিক তমহন্দুনা মী ওইনবা হোৎনজরকখিবনি। নাকল অমরোমদা মাঙ্গোলজাউ মতৌ–মনাওদি দুকান চাউনা ফমদুনা শেন্দোং চাউনা ফংদুনা লেম্না পানা পাঞ্জবা ঙমখি। মচাবু লনাই স্কুলদা হোং–হোংদুনা মহৈ তমহনখি, কেথোক–মৌথোক্লা য়োক্লকখি। ক্লাস চপ মান্নবা হৌমিন্নরকপা মচিন–মনাওনি মালেম অতিয়া, অদুবু মেত্রিকুলেসন পরীক্ষাদা অতিয়ানা মণিপুর পূম্বগী ওইনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লাকপা মতমদা মালেমদি পরীক্ষা মায় পাকপা ঙমখিদে। মতম অমদা মচানুপা মালেমবু অতিয়াগা তিন্নরবদি মাঙলগনি হায়না খনখিবা মাঙ্গোলজাউনি। অতিয়ানা মীরমদা লাইরিক তম্বা চৎলমদাইদা ময়াম্বুংনা শেলগী অৱাৎপা খরা লৈবদগী মতেং খজিক্তং পাংবিনবা হায়জখিবদু নাতে চাদ্রে হায়না শিখাঙ খাঙদুনা লূপা অমা ফাওবা মতেং পাংখিদবনি। অদুবু পূম্নমক অসিগী ওন্না–তৈনবদা অতিয়ানা মীরমদগী লাইরিক তম্বা লোইরদুনা থোরকপদা মাঙ্গোলজাউগী মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মচানুপা মালেমগী লিখুল অমা পুদুনা লাকখি। মচা কায়নবগী অৱা মৈশা লাংলিবা মখুরা–মন্দোন অনীগী পূক্লিং পেন্নবা হোৎনজখি। নারক্লবা মতমদসু মশাগী হকচাংগী কয়াৎ ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা পীথোক্কুনা মখুরাগী পুন্সি কনখি। মসিমক মচা অমনা, মখা থাবা মীওই অমনা মপাগীদমক, মথক থোংবশিংগীদমক তৌফম থোকপা মথৌদাংনি, মচাশিংনা মমা–মপাশিংগীদমক, অহল–লমনশিংগীদমক ঙমজবা খরদং কথোকচবনি হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা নোভেল অসিদা উৎলি।

মালেম অমদি অতিয়ানা মখোয়–মখোয়গী হকচাংগী কয়াৎ ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা যোশেফ অমদি মাঙ্গোলজাউগীদমক কথোকখি। মখোয় অনীগী কথোকপা অসিনা হান্না থম্মোয় নূংগুম কল্লম্বা যোশেফ অমদি মাঙ্গোলজাউ অনীমক্লা পুন্সিগী চাউরবা পারা অমমম তম্বা ঙমজখি। লনথুম, মশাগী ওইজবা, নাপলনচিংবা পূম্নমক অরেম্বনি, মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পূন্না নুংশি–চান্নবা লৈমিন্নবনা অথোইবনি হায়বসি খঙবা ঙম্লকখি। মসিগুম্বা পুন্সিগী মশক অসিবু চেৎনা পুল্লিবা মরী অসি অতৈ করিসু নৎলমদ্রে মিনুংশি হায়বসিতনা ওইরক্লে হায়বসি মালেম অমদি অতিয়া অনীগী কথোকপগী মশকশিংনা হেন্না ময়েক শেংহনখি। শেল–থুমগী অপাম–মিহৌবনা মাঙওইনখিদুনা লায়রববু মী ওইনা উবা ঙমখিদবা মাঙ্গোলজাউনা মচাবু য়েংখিবা মীৎয়েং, মদুনা লমহেন–তুহেনবা ওইরুরবা মালেমনি। অদুবু মহাক্কী অঙকপনা থল্লবা পুন্সি খোঙচত্তা মরায়বক্তা তন্নম্লবগুম থেংনখিবা মান্ন–মান্নবা থৌদোক কয়ানা পুন্সিগী পারা ওইহন্দুনা লাপথোক্লরুরবা মমা–মপাগীদমক ঙমজবা থৌদাং য়াদুনা মখোয়গীদমক সেবা তৌরগে খল্লকখি। শাস্ত্রদা হায়রগনা লাঞ্জদবা, খঙলুদবদগী অরানবা খোঙথাং খরা থাংলুরবসু অচুম্বা চৎপা, ধর্ম্ম কায়দবনা পোলোইদা মায় পাকই হায়নরিবদুনি। পুন্সিগী হৌজ–থেংখাঙ কয়াদা খুদোংথীবা কয়া হন্না–হন্না মায়োক্লখিবা মালেমনি। মহাক্কী লাঞ্জদবা মতৌ উৎনবা হোৎনবদা দাক্তর নিংবোইগী খুলদা লৈরিঙৈদা জেমসকী ৱারী অমসু নোভেলিষ্টনা পুশিল্লকই। থংমিলাবু কল্লক–খন্বনবদগী হৌজ–থেংখাঙ অনীরক্তা মালেমগী পুন্সিবু তেমশিংনরকখিবা জেমসনি। অদুবু পোলোইদদি মহাক্লা মালেমগী লাঞ্জদবা মতৌ খঙলকখি। মীতোপ ওইরবসু মখোয়গী জাতিগীদমক মহাক্লা ফাওবা তৌবা ঙম্লরোইদবা থবক কয়া মালেমনা মখোয়গীদমক তৌবিরমখি, মশামক্কী হকচাংগী কয়াৎ ফাওবা মহাক্লা নুংশিজরিবী থংমিলাগী অপোকপা মপা যোশেফকীদমক মালেমনা পাম্মুবা লৈতনা কথোক্লমখি। পূম্নমক অসি তপ্পা–তপ্পা খঙলকপগা লোয়ননা মহাক্কী থম্মোয়দা লৈরম্বা মালেমবু তাথীখিবা পূম্নমক তাম্থোকখি, শকউনদুনা শেংদোকচনবগী খুদোংচাবা লৈখিদ্রবসু মহাক্লা মালেমগী মফমদা য়াম্না লানখ্রে হায়বসি খন্থবা ঙমজখি।

মালেমগী পুন্সি অমদি মখোয়গী ইমুংদা থোক্লিবা ফল তাবদা ৱারগদবা মতাং কয়াদা অতিয়ানা চোংশিন–চোংশিন্দুনা চৈঙাক ওইখি। শেলতবু লৈরবদি মরী–মতা পূম্নমক অরেম্বনি হায়না খল্লুবা মাঙ্গোলজাউ মতৌ–মনাও অনীগী থম্মোয়দা মিনুংশি পোকহনবা ঙমখিবা, মখোয়গীদমক মথ্বায় ফাওবা কথোকপা পাম্মুবা লৈতবা মচা লৈরি হায়বসি খঙহন্দুনা কল্লবা

থম্মোয়বু পেখোকহনবা ঙমখিবা অতিয়াগী লমচৎনি। মমৌ থিবগী হাক্তক্তা লাঞ্জাও থোক্লম্বা য়াবা ইবেমপীশক্কী ইমুং অতিয়ানা ৰানা হোৎনদুনা, মরী-মখোঙ থিগত্তুনা নাকল অনীমক্কী কায়দনবা শীনখিবনি। মহাক্কুম্বা ঈশ্বরগী মফমদা থাজবা থম্বা, অতোপ্পগী য়াইফনবা খনবা শক্তম মীওইশিংবু নোভেলিষ্টনা হেন্না মরুওইনা লৌজৈ। অরুপ্পা য়োৎপীনা অতাউবা উবাক্পা মরুপ ওইরুবদগী ঈমায়দা তাউজবা ঙম্বগুম পুন্সি হায়বসিদি অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পুন্না হিংমিন্নগদবনি হায়বসি নোভেল অসিনা পীরিবা মপূংওইবা পাউজেলনি। পীক্লিঙৈদা মথৌনা লৈবা, মরিংজেল খাবা, কিগন্দবা মালেমনা অতিয়াগী চৈঙাক ওইরকখি। চাউরক্লবা মতমদা অচুম্বা চৎচবা, ধর্ম্ম কায়জদবা অতিয়ানা অমুক মালেমগী চৈঙাক ওইরকখি। পোলোইদা মচিন-মনাও অনীনা মমা-মপাগী সেবা মতোল লোম্না ফংজদুনা তংদু-লৈতানা পানবা ইমুং অমমম ওইবা ঙমজখি। মসিবুনি মীওইবনা তান্নরিবা পুন্না হিংমিন্নবা, মিনুংশি অমদি কথোকপগী লীপুন্না চেৎনা পুল্লবা মীওইবগী পুন্সি হায়বদু। পুন্নমক অসিগী ফিবাল খোপ্লিবনা মালেম অতিয়াগী মবোক, লৈবাকচাউ অমদি মাঙ্গোলজাউগীনা অপোকপী মমা ইবেলৈনি। মহাক্কী মিনুংশি অমদি মথৌদাংদা পুল্লবা ইমুং অমগী ৰারী ওইনা লান্থোরকপনি। পীক্লবা ইমুং অমগী কথোকপগী অমদি নুংশিনবগী লীপুন্না চাউরবা মীওইবা খুন্নাইগী মপান নাইদবা লৌশিংগী পূক্কে ওইনা পুন্সিগী মমল অমা পীনবা হোৎনরকপনি। ইবেলৈগী পুন্সিনা ময়োন্দা লৈহল্লগা নোভেল অসিগী ৰারী পরীং শেমগৎলকপনি। মহাক্কী মচানুপা অনী লৈবাকচাউ অমদি মাঙ্গোলজাউ অনীগী খেন্নবা লমচৎ অমদি চায়োক-নাউয়োক্লা মালেম অমদি অতিয়াগী লমচৎ শেমগৎলকই। শেলদা লাইচুবা মচানুপা মাঙ্গোলজাউনা শেলতনা পুন্নমক্লি খল্লুবদগী মচানুপা মালেম অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লমহেন-তুহেনবা ওইরকখি, মপাগী ফুরিৎখাউদগী লোম্না শেল লৌথোকখি, মীগী মপোৎ-মরল পাম্না হৌরকখি। মেত্রিকুলেসন পরীক্ষা অহানবা থাবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। পরীক্ষা মায় পাক্লক্তবগী মপানা খরা চৈ-থাংলুবগী নিশা চাশিনখি, লম্বীগী খুদোংথীবা মায়োক্লখি। থৌদোক অসিগী মতুং তারকপদি মহাক্কী পুন্সিগা শকখঙনরকপগী খোঙচৎনি। কায়নথংদা মশাগী লান্না থাংলুবা খোঙথাং খঙলক্তুনা মমা-মপাগী সেবা মতোল লোম্না তৌজদুনা মপুন্সি লেল্লগে খল্লকখিবা মালেমনি। নাকল অমরোমদা অতিয়া, শেন্থোক লৈজদবা মপাবুংনা ৰানা হোৎনজবগী মতিক থকশি-খাশি লৈনা, মথৌদা মপূক্লিং চঙনা হৌরকই। ঈশ্বরগী মফমদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মমা-মপা অমদি মবোক্কী মীৎয়েং মখাদা মখোয়গী মিনুংশিগা লোয়ননা চাউরকখি। মরম অদুনা অতোপ্পবু মিনুংশি লৈবা, মীগীদমক য়াইফনবা খনবগী পূকচেল অমা মতম পুন্নমক্তা লোয়নখি। মালেম অমদি অতিয়া অনীগী খেন্নবা পুন্সিগী মশক অসি চপ মান্নবা পূংফমদা পোকপা মচিন-মনাওশিং ঙাক্তা ওইরবসু চায়োক-নাউয়োক খেন্নবনা মখোয়মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা মচৎশিং ওইহল্লকই হায়বদু উৎলিবা কেরেক্তরশিংনি। অদুম ওইনমক অঙাংগীদমক থৌওইনা শেম-শারিবা নোভেল অসিদা নোভেলিষ্টনা য়াম্না হৈশিংনা অঙাংশিংগী পুন্সিবু অফবা লম্বীদা লমজিংনবগীদমক পুন্সি হায়বসিদি খঙলমদবদগী খঙলকপা অদুনি, হান্না খোঙথাং লান্না থাংলুরবসু কোন্না অমুকসু চুমথোকপা য়াই হায়বদু উৎনবা হোৎনবনি। শোয়খ্রবসু, লানখ্রবসু অমুক নৌনা হোৎনদুনা হেন্না ফবা পুন্সি অমদা লাকপা য়াই হায়বদু মালেমগী পুন্সিনা খূদম ওইহনবনি। অতিয়াদি ফিদম্নফম ওইবা শক্তম্লি অদুগা মালেমনা মাঙলুরবা ফিদম অমুক হন্না হঞ্জিন্নবা হোৎনরল্লিবা শক্তম্লি। শক্তম অনীগী অপূনবা খোঙচৎনা কথোকপগীনি, খোঙচৎ অদুদা থেংনরিবনা মিনুংশিনি। পোলোইনা ঈংন-চিক্লা, নুংশি চান্ননা পুন্না হিংমিন্নবনি।

**মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং**


১। নীলকান্ত,এলাংবম, *সংস্কৃতিগী শক্লোন,* রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল, ১৯৯১।

২। সুবদনী,ক্ষেত্রিময়ূম, *মালেম অতিয়া,* লৈমরোল খোর্জেকোল, ইম্ফাল, ২০২২।

৩। শীতলজিৎ, রাজকুমার (হন্দোকপা), *শ্রীমদভগবদগীতা অশেঙবা মশক,* ভক্তিবেদান্ত বুক ট্রষ্ট, ইম্ফাল, মরিশুবা খূৎনম, ১৯৯৮।

 ISSN 2347-9140 

# হিজম অঙাংহলগী *য়াইথিং কোনু* উপন্যাসতা য়াওরিবা চীনবুং ৱারীগী মচাকশিং

**ডা কাংঙবম মেমতোন দেৱী**
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, ককচিংখুনৌ কোলেজ

**_Abstract_**

Mahaakavi (the great poet) Hijam Angahal's novel, *Yaaithing Konu*, was published during the nascent stages of Manipuri literature's development. This rare novel is rooted in lok-kathaa, a traditional Manipuri folk tale. The story revolves around the truest form of love, grounded in human virtues.

Angahal masterfully adapted the precious oral narrative from Moirang Saaiyon, an integral part of Manipuri society, without altering the original story. Instead, he skillfully employed the social norms and language of his time to describe characters and events.

Although based on lok-kathaa, the novel's authenticity remains intact. Angahal''s work enhanced the value of the oral tradition, making *Yaaithing Konu* a significant contribution to Manipuri literature.

*Keywords: Mahaakavi, Yaaithing Konu, Moiraang Saaiyon, lok-kathaa*

**ৱাহৌদোক**

হিজম অঙাংহলগী *য়াইথিং কোনু* উপন্যাস অসি চীনবুং ৱারী, লোকসাহিত্যগী ওইবা মশকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবা উপন্যাস অমনি। খৃষ্ট কুম ১৮৯১ বৃটিশকী লোইলম শাসন মখাদা অনৌবা শিক্ষা তল্লুবদগী মণিপুরী সাহিত্যনা নৌনা মীৎকপ থোরুকপদা অনৌবা সাহিত্যগী অনৌবা মচল অমা ওইনা উপন্যাসনা মণিপুরী সাহিত্যদা থেঙনা খোঙদারকখি। ডা কমল (১৯০০–১৯৩৪) গী মখূত্তগী *মাধবী* (১৯৩০) না অহানবা সমাজগী মশক উৎপা উপন্যাস অমা ওইনা অদুগা খ্বাইরাকপম চাউবগী (১৮৯৬–১৯৫০) *লবঙ্গলতা* (১৯৩৪) না ইতিহাসতা য়ুম্ফম ওইবা ঐতিহাসিক উপন্যাস অমা ওইনা উবা ফংলকই। মথংদা অঙাংহল (১৮৯২–১৯৪৩) গী *য়াইথিং কোনু* (১৯৩৯) উপন্যাস লোককথাদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবা উপন্যাস অমা ওইনা মণিপুরী সাহিত্যদা অহানবা ওইনা উবা ফংলকই। ডা কমলদগী হৌখিবা মণিপুরগী উপন্যাসকী খোঙচৎ পরিংদা উপন্যাস খরা অমা লেপ্তুনা চৎথরক্লি। চৎথরক্লিবা খোঙচৎ পরিং অসিদা অঙাংহলগী *য়াইথিং কোনু* উপন্যাস অসি য়ান্না তাংনা থোকপা চীনবুং ৱারীগী ওইবা উপন্যাস অমনি হায়না লৌবা য়াই।

**চীনবুংগী ওইবা ফোকলোর**

চীনবুংগী ওইবা ফোকলোর হায়রগা চীনদগী থোক্লকপা ৱাহৈ নৎত্রগা খোন্থোক্তা লৈবা ফোকলোর মখলবু খঙনৈ। চীনবুংগী ওইবা ফোকলোরদা অয়াম্বা ৱাহৈশিং অসি নুংতিগী ঙাঙন– শান্নবা (ৱারেংগী মওং) ৱাহৈ–ৱাতাশিং অমদি সুর ছন্দ য়াওনা শকপা (ঈশৈ) মওংগী ওইবা য়াই । ৱারেং মওংগী ৱাহৈ–ৱাতাশিংনা শাগৎপা ফোকলোরগী মশক অসি মখল অনীথোক্লা য়েংবা য়াই। চৎন–ৱাহায় (Traditional

saying) অমসুং ৱারী (narrative) হায়না।

চৎন-ৱাহায়গী মনুংদা খুন্নুং ৱাঙাঙ, খুন্নুং মিঙ্গৌ, পাউরৌ, পান্থে অমসুং পাউখোংনচিংবশিং অসি চল্লি। ৱারীগী মনুংদা লাই-তিনগী ৱারী, থাজ ৱারী, ফুঙ্গাৱারী, থৌদোক ৱারীনচীংবা চনবা য়াই। চীনবুংগী ওইবা ফোকলোর অসিবু অখণ্ড-অহৈশিংনা মপূং ওইনা ফোকলোর হায়না খঙনৈ। চীনবুংগী ওইবা ফোকলোর মচাকশিং অসিগী মনুংদা কল্পনাদা য়ূম্ফম ওইবা অমসুং ৱাহৈ-ৱাতানা ফোঙদোক্লবা হোৎনবা মচাকশিং লীরোলশৈ (Folk Ballad), লীরেলশৈ (Folk Epic), খুন্নুং ঈশৈ, লাই-তিনগী লাইরিক ফুঙ্গাৱারী, পাউরৌ-পান্থে, অমদি পাউখোংবু ফোক লিটরেচর নৎত্রগা এক্সপ্রেসিভ লিটরেচর (Expressive literature) হায়না খঙনৈ।

*য়াইথিং কোনু* উপন্যাসকী ৱারী অসিমক ফোক লিটরেচরদা লৈরিবা থাজৱারী ফুঙ্গাৱারীগী মনুং চল্লি। মতম কুইনা চীন্থাং লান্না লীনদুনা লাক্লবা, থোকখি হায়না খুন্নাই অসিগী মীয়ান্না মীরোল কয়া থংথদুনা ৱারী ওইনা লীনদুনা পেনাদা, খোংজোম পবর্বদা শক্লদুনা লাক্লবা ৱারীনি।

### নোভেল অসিগী ৱারীগী য়ূম্ফম

'মোইরাং শায়ওন' হায়না খঙনবা ৱারীশিংগী মনুংদগী লৌবা ৱারী অমা ওইরিবা, ৱারীদুগী থৌদোকশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা অইবনা থোইদোক হেন্দোকপা সাহিত্যগী ওইবা লোন্দা পুদা, উপন্যাসকী নাক-য়েৎ শৈথাদুনা উপন্যাস অমগী মশক্তা চীনবুং ৱারী অসিবু উপন্যাসকী মিদিয়মদা ফজনা শেম-শাদুনা পুথোরকপনি।

ৱারীদি চীন্থাং লান্না মমাঙঙৈদগী লীনদুনা লাক্লবা মীয়ামগী সাহিত্যনি। কনানা ইরম্বনো করম্বা মতমদা ইরম্বনো হায়বা (Folk) ফোক সাহিত্যদা লৈতে অদুবু উপন্যাস অসিগা চীনবুং ৱারীগা খেন্নরিবা হায়ববু অঙাংহলনা ফোক লিটরেচরদা ইথোক্তুনা থল্লম্বগী ৱাতনি। উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা চীনবুং ৱারীগী থৌদোকশিং, মীশকশিং অমত্তা কায়দনা থল্লগা অইবগী কল্পনাগী ওইবা সাহিত্যিক ওইবা নাক-য়েৎকী শৈথাবা, ফজবগী শৈথাবা থোইদোক হেন্দোকপা ফজবা শক্তম কয়ানা লৈতেংহনবনি। শক্লরকপা ঈশৈদা, লীনরকপা ৱারীদা নুংঙাইনা পানখি হায়বগী নুংঙাইবনা পোল্লোই ওইবা ফুঙ্গা ৱারীগী মশক অদু *য়াইথিং কোনু* দা থম্মী, নুংঙাইবনা পোল্লোই ওই। উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা নায়ক-নায়িকা অমদি য়াওরিবা মীওইশিং, থৌদোক ৱাথোক পূন্নমক চীনবুং ৱারীদা লীনদুনা লাক্লবা লোককথাগী মশকশিং অদু ঙাক্তনি।

অঙাংহলনা উপন্যাস অসিদা অহেনবা হাপচিন্দে, চীন্থাং লান্না লীনরকপা অদুমক থম্মী। অদুবু অইবগী মশাগী মতমগী নাক-য়েৎ সমাজগী চৎনবী লোন্দা-পুদা উপন্যাসকী চরিত্রগী মশক মওং থারকপদা নৎত্রগা থৌদোক-ৱাথোক্কী মশক থারকপদা অইবা মশাগী মতমগী মশক মওং কয়া পুশিল্লকপা য়াওদবদি নত্তে। অদুবু *য়াইথিং কোনু* উপন্যাস লোককথাদা য়ূম্ফম ওইবা লোক উপন্যাস অমনি হায়বসিদি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি।

ময়ান্না খঙনদুনা লৈরবা উপন্যাসকী ৱারীদা অইবনা মথং-মনাও নাইনা থৌদোকশিং লেংশিন্দুনা উৎলি। অপাম-নুংশিনা মপূং ওইনা উৎপা ৱারীনি। অইবনা হৈশিংনা মতাং চানা পারি-পুরীগী মশক তাকই। উপন্যাসকী খোঙজেল য়াঙনা চৎলি। অদুবু উপন্যাসকী অহানবদা য়াওরিবা ৱারেং সমালোচনা তৌবগুন্না থল্লিবা ৱাফম অসিমক্তি উপন্যাসকী ৱারী উৎলকপদা শাংথনা থোকই। উপন্যাস অসিদা মতাং মতাংদা য়াওরিবা শৈরেং মতেক মতেকশিং অমদি অইবনা শন্দোক্লা মরক মরক্তা তাক্লিবা মীওইবগী পুন্সিগী দর্শনগী ৱাফমশিং অসি নত্তনা উপন্যাস অসিদা থল্লিবা ৱারীগী থৌদোক ৱাথোক পাত্র পূন্নমক চীনবুং ৱারীদা য়াওরিবা চীনবুং সাহিত্যগী মশকশিং অদুমক্লি। উপন্যাসকী ৱারীদা উপন্যাসকী অহৌবা মতাংদা য়ান্না থুনা অদুগা য়ান্না য়াঙনা পাখঙ শারেপ ফারক্লবা হাওববু মশক শেংনা তাকই। থাংজিং লাইকোনগী চীংউ সেবা চৎপা খুয়োন খুন্দৌরেম্বা-খুন্দৌরেম্বী অনীনা কুৱাংলোন অমসুং হাওবা পারী মমোম অনীবু হুন্দোক্লমদুনা অমং-য়াইথোং কূমখি। মচেনা মৌপ্পাবু পলেম শক্লা ৱানা য়োক্লকখি। মোইরাং লৈবাক্কী নিংথৌনা লাইগী মপাউদগী মাইবীগী মচীন্দগী মোইরাং লমজা অমবু ঈরাৎলবদি থুমখোং থুমহি পীগনি হায়বা তাবদগী মোইরাং লমজা থিবদা থিবা ফংখিদে। লৌশিরাকপা মপা মচানা হাওববু থাবুম অহুম খুয়োন ঙৌবী শোয়বুংদা লোৎলহনখি। থাঙ্গরাকপনা লমজা থিবা ফংদবদগী শরি ৱাশক ঙাক্তবা য়াদবনা লৈবাক্কী ৱায়েন্না থাঙ্গরাকপবু থুমখোং লোইরেম্বদা ঈরাৎখি। নিংথৌগী

লৈবাক্কী অৰাবা কোকখি। থুমখোৎ ঈফুৎ ফাওখি। লুৰাং নোংবান হোংনেমশুবগী অমত্তা পোকচবী কোনুগী মঙদা হাওবগী মূর্ত্তিবু উখি। খুয়োন ঙৌবী শোয়বুংদা লোত্তুনা লৈরে থিরুলাউ হায়না হায়রকখি। কোনুনা মঙদা উরিবা তম্বা নুপা অদুবু পুন্সি লৈপুন ওইহনবিয়ু। মাবু উবা ফংদ্রিফাওবা তরা চারোই হায়দুনা মোইরাং থাংজিং পন্দুনা ৰাশকখি। মপাগী অয়াবা লৌদুনা লোক্তাক্তা নুপা কুমহন্দনা ঙাথিবা শাদুনা মনাইপোংগা হাওববু থিবা চৎলি। হাওবা থেংনদুনা নুরা পাখং অনীগী শরি নামুংনদুনা পুন্সি লৈপুন শেমসি য়ানখি। হাওবনা চাক্লি-ফিনিবা শাদুনা লাক্লগা কোনুংগী ইয়োংশঙদা লোত্তুনা লৈখ্রে। হোংনেমশুম্বনা লৈবাক্কীদমক তেঙ্গোন পুদুনা তোর্ব্বুং শাদানবা চৎপদা শা ফংদদুনা লান্মৈ থারকপদা মৈ অদু নুংশিৎনা পুখিদুনা লোক্তাক লান্না পাইরত্তুনা খুমন কাওবগী পুক্কে লনগৈ তুন্না চাকখি। খুমন কাওবনা শাউদুনা লান্থেংনবদা হোংনেমশুম্বা মায়থীদুনা কোনু খুমন কাওবদা থাজবা তাখি। হোংনেমশুম্বনা তাল্লোইশিংগা লোয়ননা মচানুপীবু থেল্লকখি। হায়দবা য়াদবা মতাংনা থাবুম অহুম শুরবী কোনুনা হাওবগী অশেংবা ৰারী লীথোকখি। কাওবদা লুহোংবা য়াখিদে। হাওবগী মশক খঙলবদা পারি-পুরী থিনদুনা হাওববু নুংশিনা তৌবিখি। হাওবগী মফমদগী হোংনেমশুম্বনা মমোম কোনুবু নিখি। হাওবনা চরৈ ফিমন ওইরবসু খুঞ্জগে হায়দুনা অপোকপা মপাগী ৰাশক ঙাকউ হায়দুনা কোনুবু থেমখি। ফিভমনা য়াদবনা কোনু খুমন কাওবগী তাল্লোই ওইখি। হাওবনা খুমন তান্না চৎ-চত্তুনা কোনুগা উন্নখি। মচানুপী থোইনু অমদি মচা নুপা অমা পোকখি। খুমন কাওবনা য়াইথিং কোনুগী লমচৎ খঙলক্লবদা মচা নত্তনা মচা শানা লৈরিবা অঙাং অনীবু লাক্লখি। কোনুবু শিরসনু হায়না তানা লংখি। হাওবনা কাওববু হাৎখি, মচা অনীবু মোইরাংদা পুরকখি। অসুম্না উপন্যাসকী ৰারী লোইশিল্লি।

*''উপন্যাস অসিদা ৰারী ৰাতায় শাবগী মওং য়াম্না য়াওদে। শীংথাবনা নম্না য়াওবা থৌদোক পরিং মথং-মথং লীথবগী মওং ওইনা তৌই। চথরিবা ৰারীদা পোলোইদা য়ান্না থুনা খংকক ককপগুম তৌই। অইবনা কোনুবু দোষ পাপ অমত্তা লৈহন্দনা লেপখিবদা হোংদবী, ৰাশক চেৎপী, মপুরোইবতবু নীংজবী সতীগী থাক্তা পুখৎলি। ...অসিগুম্বা মখলগী উপন্যাস মণিপুরী সাহিত্যদা তাঙনা থোক্লি।''*

**লোকসাহিত্য অমা ওইনা *য়াইথিং কোনু***

উপন্যাস অসিদা লোককথা অমা ওইবগী লোকসাহিত্যগী চীনবুংগী ওইবা মচাক ময়াম অমনা মপুং ওইনা শৌগত্তুনা লোকসাহিত্যদা য়ূম্ফম ওইবা উপন্যাস অমনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। য়াওরিবা ৰারী চীনবুংদা লীনরক্লবা ৰারীনি। হাওবনা লোৎখিবা থাঙ্গরাকপনা হাওবগী মপা খুন্দৌরেম্বগা নুংঙাইনখিদবা লৈবদগী লমজা হাওববু থিরকপদা, ''মোইরাং লমজা অমবু থুমখোং লাইরেম্বী ঐঙোন্দা ইরাৎত্রবদি থুমহি পিরোই হায়না মাইবীনা ফাওরে'' (লাঃ ৫০) হায়বা মাইবীগী লাইফাও অসি ফুঙ্গাৰারীগুম্বা লোকসাহিত্যদদি, মঙগী ৰাবু থাজনা লৌবা, লাইগী নোংদম, লাইগী থৌশিল অসিগুম্বা খুন্নাইগী মীয়ামগী ওইবা থাজনবী অসিগী মফম য়ান্না চাউনা লৈ। মসি লোকসাহিত্যগী ওইবা মচলনি। লোকসাহিত্যদা য়াওবা মচাকশিংনি। প্লোট শাগৎলকপদা হান্না লৈরল্লিবা চীনবুংগী ৰারীগা য়ান্না চুননা অইবনা হাওবনা লোৎখিবগী মরম অমদি কোনুগী মথোৎ কারকপগী লম য়ৌনা ফজরকপা অপাম নুংশিগী চপ-চাবা মতম য়ৌরকপা মতাংগা ৰারীগী মথং-মনাও নাইনা পুশিল্লকপদা উপন্যাসকী শাগৎলকপা

ৰারী পরিংগা য়ান্না চুননা থোকই।

হাওববু মঙদা উবদগী নুংশিবা ফাওবা, মঙদা উরিবা হাওববু উদ্রি ফাওবা তরা চাখ্ররোই হায়না ৰাশকপা ৰারী মশাগীনি। লাইগী মতেং লৌবা অইবগী কল্পনা নত্তে অদুবু শীংথাবগী হৈশিংবদি অইবা মশাগীনি। মঙদা লাক্লিবা লাইবু অয়াংলৈমা ওইহন্দদুনা লক্ষ্মী ওইনা উহনবসিদি অইবগী কল্পনানি। অইবগী মতমগী চৎনবীগী লাইনীংগী মমি তাবনি হায়বা য়াই। লোক্তাক্তা চৎপা ৰারী মশাগীনি। কোনু-পোংনুগী ৰারী ৰাতায়দা অনীগী লীচৎ য়েকপদা থারিবা নাক-য়েৎকী ফজবা ময়ামদুদি অইবা মশাগী কল্পনানি। ঈন চিংবা, হঙ্গেন তৎপা, হঙ্গেন তাইখোং তৎলকপদা লাইগী থৌশিল য়াওবা অসিনচিংবা ৰারী মশাগী ঙাক্তনি। হাওববু কৌরগা থোক্লক্ত্রবদা থৰায় থাগে লেপ্পা, মমৈদা থোরকপা উনবা, নুংশি মপাউ ফোঙদোক্লবা, লৌনসি-লৈনসি ৰাশক্লবা, হাওববু কোনুগী ইয়োংশঙদা থম্বা ৰারী মশাগী ঙাক্তনি। হাওববু কোনুনা ইয়োংশঙদা লোত্তুনা থম্বদা কনামত্তনা খঙখিদে। থাংজিং লাইদা কৎনবা তোর্ব্বুং শাদানবগী ৰারী মোইরাং শায়োনশিংদা তোয়না থেংনরি। হোংনেমশুম্বনা তোর্ব্বুং শাদানবা চৎপদা লম্মৈ থাখি। লম্মৈনা লোক্তাক লান্না পাইখিদুনা খুমন কাওবগী পূক্লে লনগৈ তুন্না চাকখি। কাওবগী মখূত্তা মায়থীরবদা মচানুপী কোনুবু খুমন কাওবদা থাজবা তারকই। মতাং অসিদা নুংশি নুংওনগী কায়নবগী মতাং য়ৌরকই। মমা ময়াম চঙদুনা কাওবদা লুহোংনবা কোনুবু থেন্নকই। কোনুনা য়াবা কৌবা লৈখিদে। হায়দবা য়াদবা মতাংনা হাওববু মশক তাত্তুনা মশাগী ফিভম হায়দোকহল্লকইঃ

পলেম ইবেম্মা নচাদি মদু য়াবা থোক্তরে।
হৈরাং লোনচৎনরকপা লোইদাম কুইরক্লে।
খোইজি খোইখা মিন্থুন নুংদা অক্লা মিতম লাকখরে।
তাওজিং মহৈ য়ানখরে, সরি নামুং শোন্নবু
নমোম লৈখরে অসিগীদমক হায়বনি। (লাঃ১১৬)

ৰাফম অসি তাবদা মমা-মপাগী মফমদা খরদং ঙকপা নত্তনা হাওবগী মমা-মপাগী মশক খঙলবদা হাওববু হেন্না নুংশিবা পোকহনখি। হোংনেমশুম্বনা কোনুবু হাওবগী মফমদগী খুমন পুঙদা থাবুম অহুমদংদি থারসি হায়না নিরে। হাওবা থম্মোয় কায়খরে অদুবু খন্থরকপা মীৎকূপ্তা অপোকপা মপাগী য়াথং ঙাকহনবা লৈবাক্কী অৰাবা কোকহনবা ফৈ খন্দুনা য়ান্না ৰানা ফিরেপ লৌরকই। ''হাওবনা থাবুম অহুমদা নত্তে, থাবুম তরা ওইসনু। চরৈ ফিমন খুঞ্জগে, ননাই ঐগী ইবুক্তা অমকপা অমত্তং পকখ্রবদি চোরোন্না শাখি ওইসনু'' (লাঃ ১২১) হায়না পূকচেল চাউনা পীথোকই।

কোনুনা থাঙনা থিন্দুনা শিজগে তৌই। উপন্যাসতা ৰারীগী মতুং ইন্না কায়নবগী থৌদোকশিং শাগৎলকই। ৰাশক ঙাকপগী অকনবা খোঙফমদা হাওবনা কোনুবু থাদোকপা তারকখি। উসন্যাসকী, ৰারীগী পরিংদা য়াম্না চুননা উৎপা পাল্লিবা ৰাফম্লোমদা পুশিল্লকপনি। অহল লমনগী য়াথং ঙাক্তবা য়াদবনা হাওবনা কোনুবু কন্না থেন্নকখি, কোনু য়ারকখি, কাওবগীদা চৎখি। হাওবনা কোনুগী মনাক্তা মশক লোৎলগা হেক হেক চৎলি। মচানুপী থোইনু হনবী পোকখি। উপন্যাসকী ৰারীগী পাউদমদা য়ান্না য়াঙনা চৎলি। থৌদোক্কী নাক য়েৎকী মশক শেন্বদা য়ান্না হৈ-শিংই।

মোইরাং নিংথৌগী মঙদা থাংজিং লাই লাক্তুনা খুয়োন খুন্দৌবা মনাইগী ধারা লোক্তাক্তা লৈরে, লৌখত্তুনা ঐগী সেবা তৌহল্লু হায়রম্বদগী লৈবাক চঙনা থিদুনা মচেগী মতেং লৌদুনা হাওববু কৌখত্তুনা মপাগী খুভম হঞ্জিনহন্দুনা থাংজিং লাইগী থৌগল তৌদুনা ফম্নাইবা ওইরে। অঙম্বা ওইরবা মতুংদা মচানুপা হাওদিগোল তকোল লৌথিবা পোক্লে। অসুন্না হাওবনা তত্তনা কোনুগীদা চপা চহী তরেৎ ফারক্লে। কাওবনা কোনুগী লমচত্তা চিংনবা পোক্লকই। মপাগী অউন্নাই অমগী মচীন্দগী লোক অমদা কৈ অনী কুনবা য়াদবনা হাওবগা কাওবগা চায়নবদা মায়থীহৌরবা কাওবনা মচাসু মাগী মচা নত্তে খঙলকই, নুপীসু মাগী নুপী নৎত্রবদা মমা-মচা অহুমবু ওৎপা নৈবা হৌরকই। ওইদবা হায়জিন্দুনা কোনুবু তাম্থোক্লগা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা কাওবনা অঙাং অনীবু ওৎলি। কোনুবু শিরসনু হায়না তানা লংই। কোনুনা মচা অনীবু হুন্দোক্লমদুনা হাওবগী মনাক তন্না চেল্লকই। হাওবনা পূন্নমক তারবসু পাঞ্জিনা হায়বা ফত্তবা ফলগী য়েংদুনা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা মচাবু পুরক্লবা, কাওববু লমন খুন্নবা ৰানা মতম ঙাইবা তাখি। মথং-মথং থৌদোক পরিং ময়াম অসি উৎলকপদা ৰারীগী খোঙজেলসু য়াঙনা অইবগী উপন্যাসকী ৰারীগা চান্নানা য়ান্না হৈ-শিংনা অইবনা উৎননবা হোৎনৈ। মমা মচা

অহুম্মক কাওবনা তুক্কৎচনবগী মরম অইবগী মোৎ ওইনা শন্দোক্লা উৎপগা লোয়ননা হান্নদগী হৌনা লৌন–লৈনরক্লবা হাওবা অমদি কোনু অনীগী মরীবু অইবনা য়ান্না হৈ–শিংনা অশেংবা অপাম–নুংশিগী নীংনবগী মশক উত্তুনা কোনুনা কাওববু কৈদৌঙৈদা নুংশিদে, মপুরোইবা হাওবতবু নীংজবতনি হায়বা মশক উত্তুনা অইবনা কোনুবু শেংলবা মপুরোইবা নীংবী সতীগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনৈ। লৈকায়গী মমা কুঞ্জমালা পুশিল্লক্তুনা অঙাং অনীগী মতেং পাংহন্দুনা মোইরাং তান্না চেলহল্লকই। হাওবনা অঙাং অনীবু থেংনদুনা মমাগী মনাক্তা পুরক্তুনা মমা– মচা পূন্না উন্নহন্দুনা থুংনবনা পন্থুং ওইহল্লি। হাওবগা কাওবগা নুমিৎ হুন্নি চূপ্পা লান থেংনদুনা কাওববু মায়থীবা পীদুনা হাওবগী মখূত্তা কাওবগী পুন্সি অরোইবা ওইহল্লি।

অঙাংহলগী *য়াইথিং কোনু* উপন্যাস অসিদা অইবনা পুখৎলক্লিবা ৱারী অমদি উৎলিবা থৌদোক পরিংশিং, ফন্নাইবা, ফন্নাইবী, নায়ক, নায়িকা, মাইবীগী লাইফাও, লাইগী নোংদম পূন্নমক পেনা চৈজিং শুবশিংনা শক্লদুনা লাক্লবা খুন্নাই অসিগী মীরোলনা অশেংবা থোকখিবনি হায়না থাজনা লৌনদুনা লাক্লবা মীরোল কয়া লীনদুনা লাক্লবা মোইরাং শায়োনগী ৱারী অমনি হায়না লৌনরিবা চীনবুং ৱারীগী মচাক ঙাক্তনি।

### উপন্যাসকারগী কল্পনা অমদি হৈ–শিংবা

উপন্যাসকারগী কবিত্ব শক্তি, ফজবা ৱাহৈ–ৱাতা শৈথারোল কয়া অমদি পামজবা ফিদম অদু ৱারীগা চান্ননা উৎপদুনা উপন্যাসকারগী তোঙানবা হৈ–শিংবগী মশক অমা ওইরি ।

চীনবুং ৱারীগী কোয়থোক্তনা লৌথুপ লৌকোয় লৈতনা ইচম–চম্বা মওংদা লৈবা থৌদোক পরিং ঙাক্তনি । হান্না লৈজরম্বা ৱারীগী পরিং অদুমক্লি। অঙাংহলনা য়ান্না হৈ–শিংনা ফজরবা কল্পনাগী ওইবা শৈথারোল কয়া হাপচিন্দুনা উপন্যাস অমা ওইবগী অহৌবা, ময়ায়, অরোইবা নাইবা মওংদা হান্নগী ৱারীবু ফজরবা উপন্যাস অমগী মশক্তা উনবা, কায়নবা, থুংনবগী নুংঙাইবা মশক, অমদি নুংঙাইবনা পোল্লোই ওইবা মওংদা থম্মী। অতোপ্পা কনাগুম্বা অইবনা কায়নবনা পন্থুং ওইবসু য়াওই । কোনুবু তানা পান্দুনা শিবদা লোইশিল্লি অদুবু অঙাংহলগীদি থুংনবা নুংঙাইবনা পোল্লোই ওই। কাওববু নুপা ওইবগী মহী ময়াই চেন্দবা অমা ওইনা উহন্দুনা, কোনুবু পাপ অমত্তা লৈত্রবা, মপুরোইবা নীংবী সতীগী থাক্তা পুখৎলি।

ৱারী মশাগী অমদি অঙাংহলগী উপন্যাসসিদা উৎলিবা মপূং ওইবা হীরমদি নুংশিবনি। অহানবা উনবমক্তদা হাওবা কোনু অপাম–নুংশিদা খোঙদামিন্নখি। মঙদা উবমক্তদা মশাবু পূমকৎ কখোকখি । অঙাংহলনা নুপীগী থম্মোয়দা লোত্তুনা থমজবা অশেংবা নুংশিবগী মশক অদু উপন্যাস অসিদা উৎলি। থাইনগী শায়ওনগী ৱারীদা উৎলিবা নুংশিবগী মশকসু মসিনি। হাওবা কোনু অনীগী নুংশিবগী থম্মোয়গী মরীদা অমকপা অমত্তা লৈতে। ৱারী মশাদা অমদি উপন্যাসসিদা থাইনগী অশৈবা অমদি ঙসিগী উপন্যাসকারনা কায়নবনা মপূং ওইবা নুংশিবা অসিদা নিঙোল ওইবীশিংগী মপী–মপাশিংদা অনৌবা লৌশিং পীবা ৱারীনি হায়না লৌবসু য়াই।

অঙাংহলনা কাওববু শায়ওনগী ৱারীগী লমচৎকী চপ–চাবা মশক অদু ওইনা লৌখত্তুনা থম্মী। হাপচিনবা অমদি লৌথোকপা থোইনা তৌদে। মথৌনা লৈ, মরৌশিং চাউই। কাওবনা মাগী পূক্কে লনগৈ তুন্না হুইনিংশুম্বনা চাকহনখিবা অদুগীদমক মচানুপী কোনুবু মাগা লুহোংনবা পোরম শিনখিবনি। কাওবনা কোনুগী মরম খঙলক্লবদা লমন খুন্নবা থৌরাং য়াৎলকপনি। মরাল লৈজদবা অঙাং অনীবু লাক্লবনি, কোনুবু শিরসনু হায়না তানা লংবনি। চীনবুংগী লাইগী ৱারী ওইবগী লাইনা ঙাকথোকপিদুনা কোনুদা তানা পান্দবনি। কাওবনা কোনুগী মফমদা অশাওবগী লমন খুন্নীংবা লৈরবসু, পীক্লিবা মরাল লৈত্রবা অঙাং অনীদা ওৎপদুনা কাওবগী অচৌবা মরাল অমা ওইহল্লি। নুমিৎ হুন্নি চঙনা লান থেংনদুনা হাওবনা কাওববু হাওবদা অশৈবগী ৱারীগী অমদি উপন্যাসকী অপেনবা হায়বদু অতাবা অপাবশিংগী থম্মোয়দা ফাওহল্লি। অতাবা অমদি অপাবশিংগী থম্মোয়দা কাওববু কোনুগী মায়োক্তা লৈবা য়েক্লবা ওইনা উহল্লি। মসিমকসু লোক সাহিত্যগী ফজরবা মগুণ অমনি।

য়াইথিংকোনু উপন্যাসতা অঙাংহলনা পেনা চৈজিং পায়দুনা শকপা অশৈবশিংগী চীনবুংদা লীনদুনা শক্লদুনা

লাল্লুবা ৱারীদি ওইরগা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ–ৱাতাশিং অসিদি অনৌবনি হায়বা য়াই, অদুগা পেনা চৈজিং শুবা অশৈবশিংদগী খোমজিল্লগা ইবা ওইবনা, হে অমা, লৈ অমা শৈথারকপা মতমদা পূং অমা চংনা শৈথাবগী মওং অদু শীজিন্নবগী মশক উবা ফংই। মীগী লোন্দগী লৌশিল্লবা লোলয়ান কয়া অমা উপন্যাসসিদা য়াওরি। কোলোম, ভাবোক, ফাঁসী, হুকুম, মহারাজ অসিনচিংবা কয়া য়াওরি।

সাধুগী থম্মোইবু ভগবৎ ভক্তিনা থাদোকপা ঙমদবগুম পতি–ভক্তি পতি প্রেমনা মপুরোইবা নিংবী নুপীগী থম্মোয়বু থাদোকপা ঙমফদে। (লা.১২৯)

মসিদা শীজিন্নরিবা লোনশিং অসি হিন্দু ধর্ম্ম চঙলক্লবা মতমগী ধর্ম্মগী ওইবা ভক্তি প্রেমগী মশক ওইবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অদু ঙাক্তনি। মসিমক্তি লোকসাহিত্যদা লৈরম্বা মশক নত্তে। অইবগী কল্পনানা ৱারীগা চান্নবা শৈথারকপদা মপা–চানা, অইবগী মতমগী শাগোন্নরিবা নাক য়েৎকী লোন্দা পুদা শীজিন্নরুবগী ৱাদনি। মোইরাং শায়ওনগী ঙল্লিঙৈ মতমগী চীনবুংদা লৈরম্বা ৱারী অসিদা অসিগুম্বা লোন্দা অসিদি চুনবদি ৱাৎলি। অদুবু অঙাংহলনা অনৌবা লোন্দা–পুদা কয়া শীজিন্নরবসু পেনা চৈজিংদা শক্লরিবা চীনবুংগী ৱারীবু ইকায় কায়হন্দনা লোকসাহিত্যগী ফজরবা মশক কয়া শৈথাদুনা ইরম্বগী মশক অসিমদি উপন্যাস অসিদা উবা ফংই।

## অইবগী অশোনবা মতাং

উপন্যাস অসিগী পোল্লোই অসি চথরক্লিবা ৱারী পরিংদা য়ান্না য়াঙনা লাল্লুগা খংশম শমজিনবগুম তৌই। অশৈবশিংগী অমদি উপন্যাসকারগী লমথুংদা, পান্দম ওইরবসু উপন্যাস অসিদা মরাল চাউনা লৈরিবা হুইনিংশুম্বা কোনুগী মপাগী ৱাফমদি উৎখিদরে। ৱারী অসিদা মরাল চাউনা লৈরিবদি হুইনিংশুম্বনি। হুইনিংশুম্বনা মচাগী মবুক খঙদনা কাওবদা পীথোক্লুবনি। কাওবসু মরাল লৈবা নত্তে, কোনুগী মবুক খঙলুবা নত্তে। হৌনৈ হায়দুনা পাম্লুবগী লৌবনি। মাগী মফমদদি শাউফম থোকপগী শাউবনি। অদুবু মরাল খরা লৈরুবনা হাওবগী মখূত্তা মথৱায় থাবনি। লোইশিল্লকপা মতাংদা উপন্যাসকী ৱারীগী পন্থুং কাওবা শিথ্রবা মতুংদা হাওবা কোনু মচা অনীগী অপূনবগী মশক অদুতং উৎলম্লবদি হেন্না ফজরমগনি। মসিমক্লা উপন্যাসকী পরিংদা অকায়বা পীবদি নত্তে। ৱারীদদি হাওবা কোনু মমা–মচা মখোয় মরি অয়েৎপা লৈতনা পন্থুং ওইরবনি অদুবু য়েংবদা খংথু–থুনা তহা তহানা লোইশিনবগী মশক অমদি উবা ফংই।

## ৱারোইশিন

উপন্যাস অসিদা ৱারী ৱাতায় শাবগী মওং য়াম্না য়াওদে। শীংথাবনা নন্না য়াওবা থৌদোক পরিং মথং–মথং লীথবগী মওং ওইনা তৌই। চথরিবা ৱারীদা পোলোইদা য়ান্না থুনা খংকক ককপগুম তৌই। অইবনা কোনুবু দোষ পাপ অমত্তা লৈহন্দনা লেপখিবদা হোংদবী, ৱাশক চেৎপী, মপুরোইবতবু নীংজবী সতীগী থাক্তা পুখৎলি। অদুবু উপন্যাস অসিদা লৈরিবা ৱারী অমদি য়াওরিবা পাত্রশিং থৌদোক ৱাথোক পূন্নমক মোইরাং শায়ওনগী অরিবা চীনবুংদা মীরোল কয়া থংথদুনা লাল্লবা লোকসাহিত্যগী ফজরবা মচাকশিংনা লৈতেংলবা, পেনা চৈজিং শুবশিংনা শক্লদুনা লাক্লিবা খুন্নাই অসিগী থাজনরবা কাউবা য়াররোইদবা, মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা, অনৌবা শক্তম অমা ওইনা মফম চাউনা কন্দুনা লৈরগদবা অহানবা লোকসাহিত্যদা য়ুম্ফম ওইবা চীন্থাং ৱারীগী উপন্যাস অমদি ওইরে হায়বসি লেঙবা য়াদ্রবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা মখলগী উপন্যাস মণিপুরী সাহিত্যদা তাঙনা থোক্লি।


**মরী লৈনবা লাইরিক অমদি চেফোঙশিং**

১। অরুনা, নহাকপম, *কুনশুবা চহীচাগী মণিপুরী উপন্যাস নৈনবা*, ১৯৯১, ইম্ফাল।

২। ডা এলাংবম দীনমণি সিংহ, *অঙাংহল সাহিত্য সমাজ অমদি সংস্কৃতি*, ১৯৯২, ইম্ফাল।

৩। ডা এলাংবম দীনমণি সিংহ, *মহাকবি অঙাংহল* অহানবা ভোলুম, ১৯৯৭, ইম্ফাল।

৪। ডা ওয়নাম ইবোচাউবা সিংহ, *ফোকলোর বিজ্ঞান* (অহানবা ফোঙবা) ১৯৯৩, ইম্ফাল।

 ISSN 2347-9140

# অশৈবা অমসুং নুপীগী শক্তম

**নিংঙোম্বম নন্দো সিংহ**

পিঐচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

***Abstract***

The poets of post-Second World War Manipur could not detach themselves from the social realities of the time, nor did they attempt to. They broke away from the poetic traditions established by pioneer poets such as Chaoba, Kamal, and Angahal. These poets closely observed contemporary issues, exposing the harsh realities and voicing opposition to the injustices and painful experiences within society. Their vision was to articulate social realities through their poetry. From this perspective, the poets who emerged after the Second World War sought to introduce new ideas, rhythms, and tastes in their works.

This paper focuses on the portrayal and attitudes toward women in their poetry, a theme that has persisted since that period. Due to the vastness of the topic, I concentrate on Hijam Irabot's poetry and some works by Sahitya Akademi award-winning poets, rather than discussing all poems in detail.

***Keywords:*** *Second World War, Pioneer, Social realities, Women, Poetry*

অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী লময়ানবা কবিশিংনা রোমান্টিক ট্রেদিসন্দা লূপ্তুনা মমারোল নুংশিবগী ৱাখল ফোঙদোক্লবা হোৎনবা, মরৈবাক মরমদম নুংশিজবা, মতম কুইনা মীরাইরুরবা মমালোলগীদমক তেংথাজবা, হ্যুমেনিজমগী মীৎয়েংদগী মীওইবগী মমল থিনরকপা, প্রকৃতি অমসুং ঈশ্বরগী মরমদা শৈথাবা শৈরেংগী খূৎইদা লূপ্লিঙৈ নুপীগী পুন্সিগা মরী লৈনবা হীরম অসোমদা কা হেন্না ৱাখল লামশিল্লুদে, চঙশিল্লুদে। অদুবু মতমদুগী কবিশিংগী মরক্তগী খুন্নাইগী শক্তম্বু ময়েক শেংনা উবা ঙমখিবা অমদি হোংলক্লিবা মতমগী ফিভম্বু চপ চানা ফোঙদোকপা অমদি শীংনবা ঙমখিবা রিভোল্যুসনরি কবি হিজম ইরাবতগী শৈরেং খরদা নুপীগী ৱাখল, মীৎয়েং থৌনাবু ময়েক শেংনা শৈথারম্বগী মশক উবা ফংই। মহাক্তি তূমদুনা লৈরম্বা লমদমসিগী নুপীশিংবু য়াকায়হনখিবা মীশক্লি।

ইং কুমজা ১৯৮৭তা ফোঙখিবা ইরাবতকী *ইমাগী পূজা* হায়বা শৈরেং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা 'মদনগী লাঞ্জং', 'শরুনা নোকই', 'শিলং', 'ডিসেম্বর '১২' নচিংবা শৈরেংশিং অসিদা কবিনা নুপীগী পুন্সিদা ৱাহং কয়াগা লোয়ননা নুপানা ঙম্না খুল্লিংবা সমাজসিদা মখোয়গী পুন্সিনা থেংনরিবা ফিভম কয়া মিনুংশিগা লোয়ননা উৎননবা হোৎনৈ। নুপীবু ওৎপী–নৈবিবা, হন্থবা থাক্তা থন্বিবা, ইন্দ্রিগী পেন্নবগীদমক নুপীগী ফজবা শাবান মূর্ত্তিবু সেক্স ওবজেক্ট ওইনা য়েংলিবা কয়াদা পেন্দবগী খোল্লাউ থাঙ্গৎলকই। পোল্লকপদগীনা শিবা ফাওবদা নুপাগী মখা পোন্দুনা লৈহল্লবা নুপীগী শক্তম অমা কবিগী 'বন্দীগী পুন্সি' হায়বা শৈরেংসিদা য়াম্না ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনরিঃ

পোকপদগীনা শীবা তানবদা
মীখাদা পোল্লবী নিঙোলগী মপোকনা
অমুক্কা পর্দ্দাগী মরুমদা লোত্তুনা,
নুরাগী পুন্সিদি ৱানা লেনখ্রেদা।

পিশক পিকঙৈদগী পুংককপা ফাওবা
পন্থৌগী মরুম থুপ্তুনা হিংলে,
মথোন কারকপগী নুংঙাইবা কালদা,
চৎনবী ওইনা পর্দ্দাদা থম্লে।। (*ইমাগী পূজা*ঃ ১৬৪)

অৰাবতনা মশরুক ওইদুনা লাক্লবা নুপীগী পুন্সিনা মনীংতম্বা ফংদনা পোনদা য়োক্লিবা উচেক্লুম ইমুংগী থবক ইনখাং খরা শূ-নোমদুনা নোংমগী চাক খরা চারগা পঙলেন লেল্লিবা পুন্সিদু উরগা মীনাই অমগী পুন্সিগা করিদা খেন্নরিবগে হায়বগী ৰাহং অমা হংলকই। নুপানা তৌরিমখৈ য়াবা, করিগুম্বা অমত্তং শোয়বদা মীচৈ কোকথোংনদুনা লেনবা, নুপানা নুপী লোনবগী মীওৎ-মীনৈ খাঙনবা হোৎনবদা মপামদা চেল্লবসু ফনা নীংথিনা ঙাঙনবিদবা, য়ুমগী মথৌদা মপূম থীৎলবী নুপীগী শক্তম উৎলিবা শৈরেং 'শিলং'দা ফোঙদোক্লিবা অসি য়েংবা য়েংসিঃ

হুজিকসু লৈরিদ্রা নুপীগী মনিং তম্বদো ?
নুপীবু থল্লিগদ্রা পোনগী উচেক্লুম ইমুংতদা ?
চাক লুখাক খরদংতং চারগা
মীনাইগুম্না থবক পুম্নমক তৌরিগদ্রা ?
শাশনগুম চৈজা নম্মোনরিদ্রা ?
নুপী লোনবগী মৈরক্তা চংদুনা
খাংঙমদবা অৰাবা কয়া খাংলিদ্রা ? (ইবিদ.,ঃ ১৩০)

'ডিসেম্বর '১২' হায়বা শৈরেং অসিদা মণিপুরী নুপীশিংগী থৌনা অমদি খুন্নাই অসিগী পুৰারী অমা লীরি। নুপীলান লোইবা নাইরোই, অমগী মথংদা অমা লাকখিগনি, মদুগীদমক মৈতৈ নুপীশিংনা খোঙফম শেন্বা তাই, শম পুনশিন্দুনা খ্বাঙচেৎ লাক্তুনা মায়োক্লনবা শেমশাদুনা লৈফম থোকই হায়বনি। লমদমসিগী নুপীশিংগী নুংদা লৈরিবা শক্তিদু য়াকায়হনবা অকনবা খোল্লাউনি, কবিনা থাসু থাজখি চেৎনা নুপীগী শক্তিদা। অদুনা কবিনা য়েক্লিবা নুপীগী শক্তম য়াম্না ময়েক লায় হায়বা য়াইঃ

ঙসি অহিং লেল্লে,
নুমিৎ অমা চৎখ্রে,
শম পুনশিল্লু দেবী
ইফা ফারিবদো।
ডিসেম্বর '১২ অমা হৌখ্রে,
ডিসেম্বর '১২ অমা লাক্লে-
কাউরব্রা ?
থাজব্রা শম পুনগনি হায়বা ?
নিংব্রা নুমিৎ অসি লাক্কনি হায়বা ? (ইবিদ., ঃ ৪৯)

অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী ষ্টাইল অমসুং টেক্নিক্তা অওনবা, অহোংবা কয়া পুরক্তুনা হেন্না মপূং-মরৈ ফাহল্লকখিবা, মণিপুরী শৈরেংদা শাফূ কল্লবা করেম্নবগী তোপ-তোপ্পা খূৎই পুশিল্লকখিবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেংশিংদসু নুপীগী পুন্সিগা মরী লৈনবা খূৎইগী মশক উবা ফংই। সমরেন্দ্রগী 'ইম্ফাল কাবা' হায়বা শৈরেং অসিদা উৎলিবসি মোরেল ভেল্যুজ মাঙশিল্লক্লবা নুপীগী শক্তম অদুনি। কবিনা প্রেমলতা কৌবী নুপী অমগা ফি য়োনবা ময়াং দুকান্দার অমগা লৈনখিবা অরোনবা মরী অদু মৈতৈ নুপীগী নেগেটিভ ইমেজদা য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলিঃ

ঔর কৈসা হে প্রেমলতা কিতনি অছী লড়কী
ভিক্তরীমে কই বার সিনমা দেখা হম ইনকে সাথ
পঞ্জাবী খানা বহোৎ পসন্দ হে উসকো
চিকন ভী খা লেতি হে মজে কি ছোক্রী
আজকল ক্যা হো গয়া উসকা
থা তরুকতি হেল্লেনে মহাক উদবা ক্যা হো গয়া?
সাদি হো গয়া ইনকী
অবতো পাচঁ মহিনা হো গয়া না
ঔর বচ্চাভী হো গয়া ইনকী কিতনা সুন্দর লরকা হুৱা।
উসকী আঁখে উসকী নাক উসকী কান
সব তুমহারে হি জৈসে হে বাবুজি। (*খুল অমগী ৱারী*ঃ ১৯)

শৈরেং অসিনা উৎলিবদি প্রেমলতানা পোক্লিবা অঙাং অদু ময়াং নুপাদুগা অরোনবা মরী লৈনদুনা চেনখিবা ঈয়ান্নি হায়বদুনি। কবিগী 'ইন্দুরাণীগী বার্ত্তন' অমসুং 'ওইনাম মোহন' দসু নুপীগী শক্তম য়েকপা থেংনৈ। 'মূর্ত্তি' কৌবা শৈরেংদা নুপীগী তোঙান-তোঙানবা শক্তমশিং মপূং ফানা উৎনবা হোৎনৈ। কবি, খূৎহেবা, কলাকার, লাইয়েকপশিংনা নুপীশিংগী তোঙান-তোঙানবা মখল-মথেলশিংগী মূর্ত্তিশিং শেল্লকই। মেগাজিন, চেফোঙ, খবর, ফিগী কম্পনী, চুরুপকী, ফিল্মগী কম্পনীনা নুপীগী ফজবা, শুক্মৎনীংঙাই ওইবী হকচাংবু এদভর্টাইজ তৌদুনা মীৎকী কুম্মৈগীদমক, অপান্বা খরা ফংনবা

ব্যুজিনেসকীদমক এক্সপ্লোইটেসন তৌরিবসি উরুবদা কবিনা পেন্দবা ফোঙদোকই। কনাগুম্বা খরগী মশাগী নুংঙাইনবা নৎত্রগা কান্নবা ফংনবগীদমক খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবিরিবা নুপীগী শক্তম য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলিঃ

শাগৎলি নুপী শেমই নুপী
নূঙদা মার্ব্বলদা ব্রোঞ্জদা
সহরগী পার্কতা
লম্বীগী চিদাইদা
ইনাকখুনবা নুপাগী ড্রোইং রুমদা অরোনবা কাদা মহাক্কী
খবরগী মেগাজিনগী চেফোঙ কয়াগী চেনা চেনাদা
ইকায়বা পী অৱাবা পী ফৌদুনা থমই নহাকপু
ফিগী কম্পনীনা চুরুপকী কম্পনীনা
ফিল্মগী কম্পনীনা ডাইরেক্তরনা
খাঙবা ঙমলক্তদুনা চেনখি
মেরিলিন মনরো
মথন্তা শিজখি। (*ৱাকচীংগী কবিতা* ঃ ৩৪-৩৫)

'সীতা' কৌবা শৈরেংদা কুনশুবা চহীচাগী খমথেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা নুপীগী ফিদম মাঙখ্রে। অসিগুম্বা মাঙখ্রবা নুপীগী থোৎ মেঙলবা ফিদম মরকসিদা মৈতৈ নুপীগী পুন্সিদি কমদৌরি। বন্দীগুম্না ফাজিন্দুনা থম্বিরবা নুপীশিংনা মল্লবা চৎনবীগী লীপুন্দগী নাম্থোক্তুনা অনৌবা পুন্সি, অনৌবা মঙাল ফংনবা নীংতম্বগী হক তালহন্নীংবগী পাউজেল পীরিঃ

মৈতৈ চনু লাইবক চাউবী নঙবো
কপ্পতনা নশিনশাংলনে
চীংদা কাদুনা শীংজনবী
পাত্তা কূমদুনা ঙাথিবীরা ?
অনৌবা মঙাল অনৌবা পুন্সি
চেল্লো বন্দীদগী চেনখরো
কান্নদ্রবা নহুম চিকথৎলো (ইবিদ.,ঃ ৩১)

অনৌবা মণিপুরী শৈরেংদা মোদর্নিজমগী মশক চেনবা শৈরেংগী ট্রেন্দ সেট্টর ওইখিবা, 'মোর্দন মণিপুরী শৈরেংগী অপোকপনি' হায়না লৌনরিবা কবি এলাংবম নীলকান্তগী অঙনবা মতমগী শৈরেংশিংদা নুপীগী মরমদা মীৎয়েং চঙবা থোইনা থেংনদে। অদুবু কবিগী অথেঙবা মতমদা ফোঙলকখিবা *পূক্নিং লৈকোলগী অথুপ্পদা*, (২০০০)দা হায়বা শৈরেং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা 'মৈরা পায়বী', 'হে নুপী' অমসুং 'মৈতৈ নুপী' নচিংবা শৈরেংশিংদা নুপীগী মশক উত্তুনা ইরকপা থেংনৈ।

'মৈরা পায়বী' শৈরেংদা ফিদম্লীংঙাই ওইরবী মৈতৈ নুপীগী মমা ওইবীগী নুংশিবা থম্মোয়গী মশক য়েক্লবা হোৎনৈ। সিফাইশিংগী মখূত্তগী মচাশিংবু কন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা দ্রগ, নিশাগী লায়চৎ-লায়নাশিংদগীসু মচাশিংবু কন্নবগীদমক মমা ওইরিবী মৈতৈ নুপীশিংনা অহিং মীৎশেল খাঙদুনা হোৎনরিবা কয়াদু উৎনবা হোৎনৈ। দ্রগ চাবা মচাদুবু পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা জেলদা থমখ্রবসু মৈরা পায়দুনা থম্মোয় কায়না মচাবু নীংশিংই, মমা অমগী মিনুংশিগা লোয়ননাঃ

হৌজিক্লা থিরি দ্রগ চাবশিং
লৈকাই অমবু কলহৌনবা তমথীরবা লায়না অসিদগী
কোয়থী থীগনি লৈরক্তা লমজাওদা য়ূমলক্তা
ফারকই শোয়দনা নোংমদি
তোম্বদু মহাকমক্কী মচা দ্রগ চাবদু
চোংথোক্কনি থৌনা ফনা মীমাঙদা
কনানা হায়বগে ইচাদি দ্রগ চাদে
সাক্ষীনি মমা ঐনা
অদুবু অচুম্ববুদি করম্না মীনমগনি
থমখিবা মচাদু জেলদা পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা
পায়গনি মমাদুনা অমুক মৈরা
নীংশিংদুনা মচাবু থম্মোয় কায়না।।
(*পূক্নিং লৈকোলগী অথুপ্পদা* ঃ ৫৬)

'মৈতৈ নুপী' শৈরেংদা কবিনা মৈতৈ নুপীশিংনা ইমুং-মনুংগী থবক্তগী হৌনা লৈবাক্কী খুন্নাইগী থবক কয়াদা চাউনা থৌদাং লৌরি। নুপাশিংনা নাখোক্তুনা তুম্লখ্রবদা মৈতৈ নুপীশিংনা মচাশিংবু শেন্নবগীদমক অহিং চূপ্পা লৈকাইদা মৈরা পায়দুনা শেন্নরিবা জগৎনা ঙক্লা য়েংনরিবা মৈতৈ নুপীশিংগী শক্তিদা কবিনা চাউথোকচৈ। অদুবু মতমগী অহোংবা মরক্তা মৈতৈ নুপীশিংনা লাউরল্লিবা খোল্লাউ নুপীগী অৱাবদি নুপীতনা খঙই, নুপাশিংনা নুপীগী অৱাবা উবিদে, নুপীশিংনা শীন্থরিবা পিরাংদি তাৎনি, তৌশিন্নবনি হায়বসি তাবদা কবিনা ময়েক শেংনা য়ানীংদে। অদুনা কবিনা হায়রিঃ

অদুবু খোঞ্জেল অমদি য়ৌরক্লে নাহেবগী

ওৎপীবগী নৈবিবগী অধিকার মাঙহনবগী ফংহন্দবগী
শীৎলরে নোংলৈ নুংশিৎ ওইনা
লক্ষ্মাংনরবা মতমগী পুন্সি মরকসিদা। (ইবিদ.,ঃ ৮৯)

ইং কুমজা ১৯৬০গী মতুংদা থোরকখিবা অশাওবা কবি কাঙলূপ (নোংথোম্বম শ্রীবীরেন, রাজকুমার মধুবীর, থাংজম ইবোপিশক, য়ুমলেম্বম ইবোমচা অমসুং রনজিৎ দল্লিউনচিংবা) কী লুচিংবা শ্রীবীরেনগী খূৎইদা নুপীগী শক্তম ময়েক শেংনা উবা ফংই। শ্রীবীরেনদি হান্নগী চৎনরোল অদুদা থাজরক্তবদগী অনৌবা চৎনরোল অমগী দাবী তৌরকপা অমদি হান্নগী শক্তমশিংদু থুগায়দুনা সমাজদা মতমগী ওইবা ৱাহং অমগা লোয়ননা শৈরেং ইরকপা কবিনি। মীওইবগী মপান্থোংগী শক্তমখক্তদা য়েংবগী মহুৎ নুং-পান অনী তূনা খঙনবা হোৎনবদা পুন্সি অসি পূমহাং হাংদোক্তুনা শাবাক ফাক্তোরকখি। পুন্সিগী ফজবা অথীবা কয়াদু অকিবা লৈতনা খোনচোপ ফাওবা শীজিদুনা ফোঙদোরকপনা মহাক্কী শৈরেংগী তোপ-তোপ্পা মশক ওইরকখি। মরম অদুনা কবিনা উরিবা, য়েক্লিবা নুপীগী শক্তম অসিদা নেগেটিভ ইমেজগী মশক য়াম্না য়াওরি। মমিং লৈরবা কবি থাংজম ইবোপিশক্না হায়ঃ

লান মতুংগী মণিপুরী শৈরেংদা মৈতৈ নুপীগী অনৌবা নুংঙাইতবা থীরবা মশক অমা ইহান হান্না পুশিল্লক্তুনা প্রোজেক্ট তৌরগা কন্জার্বেটিভ ওইরবা অপাবশিংদা থম্মোয় শোকহনখিবা অমসুং ৱাখল খলহনখিবদি শ্রীবীরেননি। (*ৱাখল অমসুং শক্তম* ঃ ৮৩)

'অপুন্বা পেঙবা' কৌবা শৈরেংদা কবিনা হিংননবগী লান্থেংদা লমচৎ মাঙলবী নুপীশিংগী শক্তম্বু সিম্বল ওইনা য়েক্লি। নুপীশিংগী মোরেল ভেল্যুজ মাঙশিল্লক্লিবসি হিংবা অমসুং ইজ্জৎ অনীগী লান্থেংদা হিংবা হায়বসিনা অহানবা খোঙথাং ওইনা লৌরকপদগীনি। খুন্নাইনা অমদি নুপাশিংনা নমথবিরবা নুপী কয়ানা হিংননবা হোৎনরকপদা নোংম-নোংমগী লৈখা তারক্তুনা অপুন্বা পেঙবা ওইরকই। মরম অসিনা সীতা সাবিত্রিগী পুন্সিগী মমল অদু মেছিনগা লমজেল তান্নরিবা মতমসিগী নুপীশিংগী মফমদদি তানীংদ্রবা ৱারী ওইরে হায়দুনা শ্রীবীরেন্না শাগৎলক্লিবা নুপীগী নেগেটিভ ইমেজ অসি মণিপুরী শৈরেংদা অনৌবনি। শৈরেং মতেক অমত্তং লৌখত্তুনা য়েংসিঃ

ঐগী পুন্সিদি অশিবা নত্তে,
মেছিনগা লমজেল তান্নরিবনি।
সীতা সাবিত্রিগীদি চেন্দ্রবা ঈচেলনি
ঈ তোং য়াওদ্রবা ৱারী ওইরে তানীংদ্রবা।
ঐগীদি নোংম নোংমগী
পাম্না তারক্লিবা ৱারীনি
পুন্সিসি ঐ শরুক চপ চানা য়ারি।
উরকই মতোমতগী মমিত্তা
হরাউ তয়াম্না
চেন চোংদুনা শান্নবা ঈপাক্কুংদা।
পোঙজরি শিরবা পেঙবাদুনা
হিংলি হায়না। (*তোল্লবা শাদুগী ৱাখল* ঃ ৩৩)

নুপী কয়ানা ফিদম্নীংঙাই ওইরবা পুন্সিগী অশেংবা মশক থাদোক্তুনা ইম্ফাল সহরগী অমম্বা গলীদা পৈশাগীদমক হোটেলগী কাদা ওক্তবী ওইররি। মশানা পামজনা ওইখিবা নৎত্রবসু হিংবগী পোৎলুম্না নম্থরকপদা নুপী কয়ানা ফ্লেশ ট্রেদকীদমক মশাগী ইজ্জৎকীদমক চিংনবা ফাওদনা চৎলিবসিবু কবিনা মাগী 'য়ারল পাৎকী কোন্থীরৈ' শৈরেংদা 'য়াই থারবা লিন অমোম'নি হায়না খোয়শাওনবগা লোয়ননা য়েক্লিঃ

মতমগী লম্থেলদা
কৈনোমা তৌখ্রে অমম্ববু হরাওনা কোঞ্জদুনা
নুংথিল পোবোপ সিমক্তদা
ইফোং ফোংনা হেক্তা
অমম্বা অহিংগী মাইখুম উপ্তুনা
য়াই থারবা লিন অমোম অদুনা
মবুক শিৎনা শিৎনা
চৎলরি নীংঙায়বা লৈতনা
পঙথরবা মশাদু পুদুনা। (*মসিনা ইম্ফালগী ৱারীনি* ঃ ২৮)

ইং কুমজা ২০০৪ গী জুলাই ১৫ দা থোকখিবা মালেম পূম্ববু থম্মোয় শোকহনখিবা মণিপুরগী কংলা মমাঙদা ইমা তরানিথোই (১২) না ফনেক ফিরোল লৌথোক্তুনা ইন্দিয়ান আর্মিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা অচৌবা ঈহৌ অদুনা থৌইনশিন পীদুনা ইরকখিবা কবি শ্রীবীরেনগী 'খুরুমজরি ইমা হন্না হন্না খূউ লৈতানা তোল্লবা নচানা' হায়বা শৈরেংদদি কবিনা মৈতৈ নুপীগী তোপ-তোপ্পা লৈতেংলবা তাঙলবা মশক অদু উৎলি। জগত্তা ওইথোক্লরোইদবা থৌদোক অমা মালেম শাৎনা

উহনখ্রবী মৈতৈ নুপীশিং অদু লাইরিক হৈত্রবসু থম্মোয়গী ঈশৈ শকপী, থৱায়গী মমল খঙবী অশেংবা ইমানি হায়না শৈথারিঃ

মখোয়দি ইচম চমজবী মঙাল লৈতবী
ইঙ্গাং মনা মশীং য়োনবীনি
ঙায়োনবীনি, চেঙদায়বীনি হৈয়োনবীনি ফিশাবীনি ফিয়োনবীনি
নুং থাংদুনা নুং থুগায়দুনা নুং চামদুনা, চেক হোঃদুনা
লৈঙোয় পেক্তুনা লৈঙোয় চামদুনা লৌ শুদুনা
হাজীরা শুবীনি মখোয়
অদুবু মখোয় য়ূম্বুবীনি ঐখোয়গী
লাইরিক্তি হৈতে মখোয়
অদুবু থম্মোয়গী ঈশৈদি শকপনি মখোয়,
থবায়বুদি খঙবনি চপ চানা।
অদুনা মসে মখোয়গী থবায়গী মফোঙদোক্লি
থবায়দা চপ চানা থেংভুবা ঙম্বা, য়ৈরুবা ঙম্বা,
মখোয়সিনি লমসিগী ইমা,
অশেংবা ইমা। (*চৎলোইকো ঐ মফম কদায়দসু*ঃ ১০১)

আর কে মধুবীরগী শৈরেংদসু মৈতৈ নুপীশিংগী মোরেল ভেল্যুজ য়াওদ্রবা লীচৎ–শাজৎশিংগী নেগেটিভ ইমেজ শাগত্তুনা উৎলি। কবিগী *মীয়াৎ তারবা ফাদোক* হায়বা শৈরেং লাইরিকসিদা য়াওরিবা 'অহাঙবা মন্দীর', 'মমশিল্লকপা ঙায়বা', 'কোঞ্জেং কোকফাইগী ৱাকৎ' নচিংবা শৈরেংশিংদা নুপীগী মাঙথরক্লিবা লীচৎ য়েকপা থেংনৈ। 'মমশিল্লকপা ঙায়বা' শৈরেংদা সাইকোলোজিগী প্রোফেসর অমগা মচননুপীগা অকান্বা মরী লৈনবদগী মচননুপীদু মশা ৱাই শংলত্তবদগী যৌরী য়ান্দুনা শিজখি।

'কনাগী ইতিহাস ইসিগে' হায়বা শৈরেংদা মশাগী ইজ্জৎপু হারগা য়োনবা ঙম্বী নুপীশিংগী শক্তম থারিঃ

ইখিগদ্রা কুম লাইনা পকপা নুপা অসিগী
তগৎ তগৎ তেক্লিবী কুচু তঙাং তঙাংলিবী
মাগী নুপীনা মমাঙমক্তদা–মাগী ফমুংদা
অতোপ্পা নুপা কয়া কয়াগা (হান্নদি হঙ্গৈইরম্মী)
নোংমা নোংমগী চরা তাল্লিবী নুপীসিগী ইতিহাস !
(*প্রল্লয়গী মৈরিলক্তগী*ঃ ১০১–১০২)

থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেংদা কবি শ্রীবীরেনগুম নুপীগী নেগেটিভ ইমেজ থাবদা মীৎয়েং চঙবা থেংনদে। কবিগী 'ইমা কোম্বী' হায়বা শৈরেংদা মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা যৌদাং শীংথারি। কবি ইবোপিশক্তি করেম্নবা অমসুং ফাগিরোমদা হেন্না মায়পুননা চঙশিল্লবসু মাগী 'নুপী ২' হায়বা শৈরেংদদি নুপীগী মরমদা খঙননবা হোৎনরুরগা হেন্ন–হেন্না খঙবা ঙল্লক্তবা মতৌ, মনুং মপান নাইনা হিংলিবা নুপীগী পুন্সিনা থেংনরিবা অৱা–অনা, অশি–অনা মরক্তা থম্মোয় কায়না হিংলবসু মপান্থোংদদি নোক্ল–নোক্লা লেল্লিবা পুন্সি মরেলদু কবিনা মিনুংশিংগা লোয়ননা উৎনবা হোৎনরিঃ

নুপী,
অৱাবা শরুক নঙগী ঙাক্তা
অশিবা অনাবা কায়নবা
লৈতবা লাইরবা
নঙগী ঙাক্তা।
অদুবু নোকপদি নোকই তত্তনা
নোংথাঙগী মঙালগুম্না
নোংগী পিরাং মরক্তা।
ঙসিতা উরকই নহাক্কী
অতোপ্পা মায়খোঙ।
অঙকপনি ! (*মীগী মনম*ঃ ৯৯)

আর্মদ ফোর্সেস পৱার এক্ট ১৯৫৮ কী মখাদা লালহৌবা নমথবগী মিংদা লোইজিং লোয়া খোন্না চৎথবা ভারত লাম্মীগী ওপরেসন্দা খুন খুন্দা লৈরম্বা লৈশাবী, মৌনহা খাক্তনা নুপী পুম্নমক্কী ইজ্জৎ তেমশীংনদুনা রেপ তৌবগী উহৈদ্রবা, তাহৈদ্রবা শক্তম কয়াদু য়াম্না ফজবা ইমেজরি অমা শাগত্তুনা নুপীশিংনা থেংনরিবা লোইনাইদ্রবা চৈনাখোল অদু উৎলিঃ

থনমই শগোল খুনামগী মমিশিং খুনগী নুপীশিংদা
কনাগী খুঞ্জাগী তালোয়শিংদা
ইকাইখুম্নবা খঙদনা শবাক ফাক্লদুনা,
কনাগী খুঞ্জাশিংগী তাঙনা য়াওজবী কুমারীশিংদা
লৈনা পুম্নমক কোগোক কোক্লা
পুন্সি চুপ্পগী কোক্ত্রবা দাগফম! (*ভূত অমসুং মায়খুম*ঃ ৫৪)

অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেল অসিদা ইং কুমজা ১৯৮০ গী মতুংদা নহা ওইরিবা কবিশিংগী কাঙলুপ অমা থোরকখি। কাঙবু অসিনা নেতিভিজমদা য়ূম্ফম ওইবা শৈরেংগী

 ISSN 2347-9140

মশক অমা শাগৎনবা হোৎনরকখি। শৈরেংগী কলাবু সমাজগী থৌ পাঙলিবা শরুক অমনি হায়না লৌবরোমদা মীৎয়েং চঙই। মখোয়দা আশা পূম্মাঙ মাঙদ্রি, কল্পবা থম্মোয় লীচিং অমগা লোয়ননা তুংগী আশা, থাজবা লৈরি। শীংনবা লৈরবসু অকনবা ৰাহৈ-ৰাতা য়াওদনা থোৎনা মেঙনা ফোঙদোক্লবা হোৎনৈ। তাঙ্কক অসিদা নুপীগী খোঞ্জেল তাকপখক নত্তনা শীংনবা অমগা লোয়ননা নুপানা শেন্থা চৎনবীদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপদা ইচং থৌনা ফিরেপ লৌদুনা অনৌবা নুপীগী মশক থিরকপা নুপী কবিশিংসু থোরকখি। কাঙলূপ অসিদা লৈরিবা কবিশিংদি শগোলশেম লনচেনবা মীতৈ, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, শরতচান্দ থিয়াম, দিলিপ ময়েংবম, রঘু লৈশাংথেম অমদি অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীনচিংবনি। কবিশিং অসিনা মখোয়গী শৈরেংদা নুপীনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি সমাজদা নুপীনা লৈরিবা থাক, কয়াদু ময়েক শেংনা উৎননবা হোৎনৈ।

লনচেনবা মীতৈনা সমাজগী মীৎয়েংদা নুপাগা নুপীগা খেন্নবা মশক, নুপীশিংগী খোঙথাংবু সমাজনা করম্বা মীৎয়েংদা য়েংলিবগে হায়বদু 'খেন্নবা' হায়বা শৈরেংদা উৎলিঃ

নুপা কয়ানা চৎখিবা
উফূল ব্রোঙ ব্রোঙ হৌরবা লম্বীসিদা
নুপীনা খোঙথাং অমত্তবু হেক থাংলুবদা
মখোঙদু ঈতনা পূমলূপ লূপ্পী
লৈকাইনসু ঙাওনৈ শঙ খন্দুনা। (*য়েংলু য়েংলুবদা*ঃ৩৬)

'লৈদগী মৈ' হায়বা শৈরেংদা নুপানা ঙম্লা খুল্লিংবা খুন্নাই অসিদা নুপাশিংনা নুপীশিংবু শকখঙবিনবা হোৎনদ্রি। নুপীশিংগী থম্মোয়, ৰাখল ফিদম মশক খঙনবা হোৎনবগী মহুৎ মশাগীতা খনবা নুপাশিংনা তৌথোরকপা লীচৎশিং অদুনা মরম ওইদুনা থোৎ-নৌজবীনা লৈতেং ওইজবী নুপীশিংনা অচাকপা মৈবুল ওন্দুনা মৈশা শন্দোরকপনি হায়রি। নুপীশিংনা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি নুপাশিংনা থোকহনবনি হায়না কবিনা মাগী নুপীদা য়েংলিবা মীৎয়েং মমাঙগী কবিশিংদগী হোংলকইঃ

নঙদি লৈগী লৈনম খঙদে। নম্বসু হৈতে
নঙদি লৈশক খঙদে। লৈখোঙ শোম্বসু হৈতে।
নঙগীদি হেক্তৎপনি। শেগায়বনি নেখৎপনি।
নৎত্রগনা ঃ
মফি শেত্তবা নুংশাগী মৈশানা
মশাগী তুবুম খুদিংদগী
মৈরী কাপথোকহনবা মখৈ জগোয় শারিবা
কোইলাসকী সোরোক ময়ায়মক্তদা লাক্তুনা লংথোকপনি।
মদুদগীনি ওনখিবা মথং মথং
থোৎনা নৌরবা লৈনাশিংসিনা অচাকপা মৈবুল
পুক্লীং হূনা নুংশিরবা লৈনম্না
খাঙঙমদবা মৈগী মৈশা।। (*হি নঙবু হোন্দেদা*ঃ ৬৯)

থেংখাং কয়ারক্তা নুপীবু চৈনাখোল ফংহল্লিবা খুন্নাইগী চৎনবীদা অকনবা ৰাহং হংদুনা নুপীগী মায়কৈদা লেপ্তুনা মখোয়না থেংনরিবা লোইবা নাইদ্রবা অৰাবশিংদা মিনুংশিগা লোয়ননা য়েংলিবা শৈরেংনি 'অরায় লৈমা'। শৈরেং অসিদা কবিনা নুপীবু কূপ্লা য়েংলি, নুপা ওইবশিংগী মখূত্তা হন্ন-হন্না নুপীশিংনা থৰায় পান্দবী লাইফদিবী ওইরিবসি করিগীনো হায়না য়াম্লা সিম্বলিক ওইবা নুপীগী শক্তম শাগত্তুনা উৎননবা হোৎনরিঃ

হায়য়ু-
নুপা ওইবশিংগী মখূত্তা
কয়ারক হন্না ওইখিনি নঙ
ফিজেৎ ফিগায়তনা শাবা
থৰায় পান্দবী লাইফদিবী? (*থম্মোয়নুংদগী*ঃ ৫০)

কবিগী 'লংমাইনু' অমসুং 'নুপী' হায়বা শৈরেংশিং অসিসু নুপীগী নুংগী শক্লোনশিং ফোঙদোক্তুনা ইবনি।

বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমগী 'অহেনবা' হায়বা শৈরেং অসিদা নুপা ওইবশিংনা নুপীশিংবু নমজা নমথেক্লদুনা হাত্তোকপিবগী শাদগী হেন্না তমথীরবা মশক অমা উৎনবা হোৎনরিঃ

পাদোংনৈ শা-ষণসু করিগুম্বদা
নমজা নমথেক্লদুনা মীওইবগুম
অদুবু হাৎপদি হৈতে পাঙ্গল শোনবীবু।
(*সিবু হৌনরিব্রা ইমা*ঃ ৭)

'অউনপোৎ' হায়বা শৈরেংদা কবিনা য়াম্লা সিম্বলিক ওইনা নুপীশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙসিফাওবা মথং মথং পুদুনা লাক্লিবা অৰাবা পোৎলূমশিং অদু থৌনা ফনা থুগায়গদবনি, নৎত্রবদি নুপী কয়াগী কোকথক্তা পোৎলূম অসি অউনপোৎ ওইনা পুহৌবা তাবনি হায়রিঃ

হৌজিক্তি মদুগী মতম নক্ত্রে

 ISSN 2347-9140

খোঞ্জেল তাবমখৈ লাউবগী
নত্তে পুগদবসু কান্নদবদা থোঙ্গত্তুনা।
থুগাইগদবনি মচেৎ মচেৎ নখূৎমক্তা,
নক্তবদি, পুবা তাবনি নঙ লূপ্লবা নূঙসি
ওইহৌনবা অমুক নঙগুম্বী কয়াগী অউনপোৎ।

(*লাঙ্হৈংনরিবা লাম্মীঃ* ২৬)

ইং কুমজা ২০০৪ গী জুলাই ১৫ গী থাংজম মনোরমা মীশিগা মরী লৈননা মৈতৈ নুপী ইমা তরানিথোইনা মশাদগী মফি পূন্থা লৌথোক্তুনা চঙশিনখিবা খম থেংনা পেন্দবগী ৱাকৎ অদু অনৌবা পুৱারীগী শিয়োমনুংদা মৈতৈ নুপীশিংনা কৈবু কৈওইবা ওল্লবা খূৎলায় পায়বা অমদি নুপীশিংগী ইজ্জৎপু ঙাকপিবা ঙমদ্রবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ঈহৌনি। মৈতৈ নুপীশিংদুবু অনৌবা পুৱারী অমগী খোঙ থাংলিবী দ্রৌপতিশিংনি, মখোয় ইকায় খঙদবী নত্তে, লৈশিংনা লৈ ওইরুবগী কান্নবা লৈরক্ত্রবদা মৈগী তিঙ্খং ওল্লকপনি হায়না কবিনা 'অনৌবা পুৱারীগী থোঙজিন্দা' হায়বা শৈরেংদা ফোঙদোক্লিঃ

লৈদগী তিঙ্খং
তিঙ্খংদগী মৈ
নহাক্কী দ্রৌপতীনা খুদাং পিফম কাংদনা
চৈনাতগী লাংলক্তা
কৈবু কৈওইবশিংবু শীংনদুনা
মশাদগী মফি লৌথোকখিবদা
মমীৎ খুমদুনা খাঙজখিবী
মহাক্কী কায়রবা থম্মোয়গী তেংথাদা
পিগী ঈথক হৌখিবী
লমদমসিগী দ্রৌপতী কয়ানা
ঙসিদি মায়কৈতনা ফিজেৎনরক্লে
তমথীরবা কৈবু কৈওইবশিংগী মমাঙদা।

(*তুরেল নঙদিঃ* ৪৭–৪৮)

রঘু লৈশাংথেমগী শৈরেংশিংদসু নুপীগী পুন্সিবু চৎনবীনা হংগী লাইফদিবীগুম উরকপা, অউনপোৎকী চৈথেং, পাঙ্গল শোনবীনি হায়দুনা মী অমা ওইনা শীংথাবিদবগা লোয়ননা নুপীশিংনা ফংলিবা চৈথেং কয়াদু নুপীগী মায়কৈদা লেপ্তুনা উৎননবা হোৎনৈ। 'উরোক থোং' হায়বা শৈরেংদা কৈথেলদগী ময়ূম য়ৌননবা লাকচবা নুপী অমবু মমশিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ লৌবিখ্রবদা নুপীদুনা থেংনরিবা অৱাবা অদু উৎননবা হোৎনরি। নুপাশিংগী কা হেনবা লীচত্তা ওইরিবা নুপীগী খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা পুন্সি অদু ময়েক শেংনা উৎলিঃ

উরোক থোং
থোংখোঙসিদা নুপীসিনা
থাংলম্বা খোঙথাং চপ লেপ্তুনা
খল্লি থোংসিবু লান্দুনা চঙলুখিগদ্রা।
মপুরোইবগী মনাক্তা হৌজিকপু
অমুক কপ্পুখিগদ্রা মচাশিংবু কোন্দুনা।

(*হনুবীগী ঈশিং পুনঃ* ৩৫–৩৬)

'নিঙোল' হায়বা শৈরেং অসিদদি অরেপ্পা লৈতবা নুপীগী পুন্সিনা মশামক্কী খোইরি নাউফম তাখিবা ময়ূম অদু থাদোক্তুনা অতোপ্পা শাগৈ অমদা তিনখিবদগী মহাকপু লমলানবা ওইনা উরকপা য়াম্না পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইরবা নুপীশিংগী শক্তম অদু ময়েক লানা উৎননবা হোৎনরিঃ

অসিরা! নিঙোল মপোক
অদুঙৈ ওইজরম্বা মাগী মপাম লমদম
শুমাঙদা তাবা তিংথৌ মনা ফাও,
উশিত্তনা য়েংলকই, ৱার মিকূপ্তা
পুন্সি! নিংশিংবনা ওইনৈ 'পুন্সি'
ঈচেলগী ঈপোম্না থেংবিরম্লবা তোর্ব্বান,
অৱা লমশাং চৎপদা চোকথর পুন্সি
মঙ নত্তে তাইবংনি 'নিঙোল'। (*পুন্সি তেলঙ্গাঃ* ৩০)

নুপীগী মশক, নুপীগী মমল লেপ্পা হায়বসি, নুপীনা নুপীবু ইকায়খুম্নরবা মতমদুদা মদুগী অশেংবা ৱাহন্থোক লাক্কনি হায়না কবিনা 'ফেমিনিজম' হায়বা শৈরেংদা হায়রি। নুপীশিংনা চপ মান্ননা লেপমিন্নরবা মতমদা নুপাশিংনা নুপীশিংবু ওৎপা নৈবা ঙল্লোই হায়বসি কবিগী থাজবনি। কবিগী মীৎয়েং ফজৈ, পাক চাউইঃ

ৱারেপ অমদি দরকার ওইরি
নুপীনা নুপী ওৎপসি তোকখিসি
নুপী মখৈ চপ মান্নরবদা
নুপাশিংনা কৈদৌবা ঙমগনি। (*খূঙ্গংগী চিঠিঃ* ৩৩)

নুপীবু থাক ৰাংনা থাঙ্গত্তুনা থৌনা পীবা খোল্লাউ অমগা লোয়ননা মীৎকপ থোক্লবা থৌইনশিন পীবা শৈরেংনি 'নঙগী অতিয়া'। শৈরেংসিদা কবিনা নুপীদা থল্লিবা থাজবা, মখোয়গী নুংদা লৈরিবা শক্তি অদু অসুম্না ফোঙদোক্লিঃ

নুপীদি নুপীনি
লোম্থোক্তবীসু নত্তে
মীত্তাংবীসু নত্তে
নঙদি মঙালবু থিরিবী মমানি।
থোঙ থোংনাও হাংদোকউ
শন্নাং খোমগত্তুনা নখোয়গী মঙাল উগনি
উগনি নশাগী মশক
নাউশুমগী থৌরী পায়রিবীনি নঙদি
জগৎসু নহাক্না শেল্লিবীনি। (*হনুবীগী ঈশিং পুন*ঃ ৬৫)

কবি রঘু লৈশাংথেমগী 'মৈতৈ নুপী', 'মৈরা অমা', 'নুপীমচা অমসুং লাইফদিবী', 'লৈ পরেং', 'নুপী', 'মঙফাওনরকপা', 'নুপীগী নুমিৎ', 'য়ূমগী লৈতেং', 'শ্রীমতী গীতা দেবী', 'ঐগী ঈহৌদ্রবা শৈরেং' নচিংবদা নুপীশিংগী শক্তম য়াম্না ময়েক শেংনা থারি। কবিনা নুপীগী নুংদা চঙদুনা নুপীবু মশক তাক্লনবা হোৎনরিবা অদু 'নুপীদা লৈ অমা শাৎলি' হায়বা শৈরেং অসিদসু ময়েক শেংনা উবা ফংইঃ

লৈ অসি
লৈনম্না পীক থল্লি।
নুপীদি
মঙালনা থল্লবা অতিয়াগী ৰাহে অমসুনি
ইরিবমখে লোইবা নাইদবা।
নুপীদি
লৈসু ওই
নুপীদি অমুকসু মৈরীসু ওই।
নোংথাংনি।
অখাঙ কনবী লৈপাক্লেসুনি
সনাগী লৈহাউ লৈরেলনি।
নুপীদি
অফবা মালেম অমগীসু
মমানি।
মাগী অশেংবা ঈ থাংলবা মায়থোংদা
থোকই নুমিৎ থা মীৎম্না অনীদসু। (*খূঙ্গংগী চিঠি*ঃ ৬৪)

মতৌ অসুম্না লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা নুপা কবিশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা মীৎয়েংদগী নুপীশিংবু তোপ-তোপ্না য়েংলিবা অমদি মদুবু অমুক য়েকথোক্লিবা খূৎয়েকশিংদা মান্নদবা মশকশিং উবা ফংই। কবিশিং অদুনা হিংলুরিবা মতমগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি থেংনরিবা মায়োক্নরিবা ফিভম কয়াদুনা খেন্নবা মশকশিং অসি ওইহল্লকপগী মরম অমসুনি। অদুগা কবিগী নুংফাও অমদি লৌশিনবগী মওং খেন্নবনসু মীৎয়েং অমসুং মফোঙদোক্তা তোঙান-তোঙানহনবা ওইবসু য়াই। অদুবু থমজনীংবা ৰাফম অমদি খুন্নাইসিগী হীরম খূদিংমক্তা মাঙজিন থাদুনা হিমায় চুমদুনা লাক্লিবা নুপীশিংনা ঙসি-ঙসিমকসু নুপানা তৌবা ঙম্লরোইদবা অমদি লৌবা ঙম্লরোইদবা শিন্থা কয়া পাঙলি হায়বসিমদি ঐখোয় খূদিংমক্লা য়াফম থোকই। অসিগুম্বা ফজরবা মৈতৈ নুপীগী মমি অমা ঐখোয়গী অইবশিংনা শাগৎপিবা তাই। মতাং অমদা সিনাম কৃষ্ণমোহন্না মৈতৈ নুপীগী মরমদা হায়খিবা ৰাফম অমত্তং অরোইবদা থমজনীংইঃ

> ইবা হৈবশিংনা মৈতৈ নুপীগী লীলাগুম্লবা পুন্সিবু চৈচঙ তানা খন্থরবদি মীৎলুগী পি কংবা লৈররোইদবা অৰা-নুংশিগী ৰাখল, ৰাহৈনা মথন মথন্দা চেন্থরক্কনি।
> (*অপুনবা মণিপুরী ৰারেং শৈরেং*ঃ ২৯)

---

**মরী লৈনবা লাইরিক অমসুং চেফোঙশিং**


১। মথক্তা পনজখ্রিবা কবিশিং অসিগী লাইরিকশিং

২। নহাকপম অরুনা, *নোংথাংলৈমা অমসুং তাইবং* (২০১১)।

৩। রঘু লৈশাংথেম, *মণিপুরী সাহিত্য অমসুং কলচরদা মিৎয়েং অমা* (২০১১)।

৪। ৰাহেংবম কুমারী চনু, *মণিপুরী শৈরেংদা ফেমিনিজমগী খোঞ্জেল* (২০১২)।

৫। কাউন্সিল ওফ হাইয়ার সেকেণ্ডারি এদ্যুকেসন, মণিপুর, *অপুনবা মণিপুরী ৰারেং শৈরেং* (২০১২)।

# *নীলকন্ঠী* ব্রজদা উৎলিবা নুপী ওইবীশিংগী নূংহীক্লবা তেংথাখোল

**নিংথৌজম নীলকান্ত সিংহ**
পিঐচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

**_Abstract_**

Published in 1976, *Nilakanthi Braja* is the first novel where Goswami highlighted the exploitation and poverty of widows dumped in a sacred city under the guise of religious sanction and tradition. In this novel, she penetrates into the psyche of the widows of the Hindu society.

She depicts the duality of the scared shrine of 'Brazdham'. She glorifies the rituals, customs, and priests; on the other hand she does not forget to point the degraded condition of the 'Brazdham'.

This particular novel also deals with the tragic condition the 'Radhesshyamis'. The character portrayed of 'Soudamini' alludes to the exploitation of the windows by the conservative hindu society.

***Keywords:*** *Tradition, Widows, Goswami, Soudamini, Brazdham*

আসামগী মমিং লৈরবী নোঙ্গাখ্রবী ডা ইন্দিরা গোস্বামী (নবেম্বর ১৪, ১৯৪২–নবেম্বর ২৯, ২০১১) বু মীয়াম্না মামনি রয়ছম গোস্বামী হায়না হেন্না খঙনৈ। আধুনিক আসামিয়া ৱারেং সাহিত্যদা অঙকপা ফংনা হৈথোই–শিংথোইরবী মগুণ চেল্লবী ডা মামনি রয়ছম গোস্বামী ঙসি আসামদতা নত্তনা ভারতকী সাহিত্য জগত্তা মতীক ময়াই চেল্লবা সাহিত্যিক অমা ওইরি। মালেমগী সাহিত্য জগত্তসু অৱাংবা মফম অমা কন্দুনা ঙাম্থোইখিবী অইবী ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীনি। মীওইবগী মীনুংশি, থৌনাগী হেন্দোক থোইদোকপা মগুণনা লৈতেংলবী অইবীনি। হায়রিবা গুণ পূম্নমকসিগী তরু তরুবা মমি তারদুনা মহাক্কী খোর্জের্জদগী চেন্থরকপা অৱা–অনানা পীক থল্লবা, চৈনা–চৈথেংশিংগা পাংখক ওইরবা, কায়রবা থম্মোয়গী মপাউ কয়াগী অমুবা ঈচেলনা ৱারীমচা অমদি উপন্যাস ওইনা লাম্থোরকপদা অপাবশিংগী থম্মোয়দা হক্লদুনা মমি তাহনবা ঙাক্তনি। লৈত–লায়রশিংগী মথক্তা অঙম–অথৌশিংনা ওৎ–নৈবীবা, ব্রজধামগুম্লবা, কামাখ্যাগুম্লবা ঈশ্বরগী লমশিংদা ঈশ্বর ভক্তশিংনা শারমচৎ চৎপা, সমাজদা চৎনরিবা মরম চূমদবা পথাপ কয়া, অখন্ননা লুখ্রাবীশিংগী মথক্তা চৎনবী হায়বা ৱাহৈগী তমথীরবা পথাপ অমা ননশিনবিবা কয়া অসি নীংহন্নবা তৌদনা মহাক্কী সাহিত্যনা অপাবশিংগী মরক্তা অচৌবা সেন্সেসন অমা থোকহনখি। অইবী অসিনা ইবা ৱারীমচা অমদি উপন্যাসশিং অসি ভারত পূম্বগী সাহিত্যদা অচৌবা খূদোলনি হায়দুনা সাহিত্যিক পণ্ডিতশিংনা হায়নরি।

ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীনা মহাক্কী ৱাখল চঙলবা ফজরবা খূৎইনা য়াম্না লায়না অপাবশিংগী মীৎয়েং অমদি পূক্নিং চিংশিনবা ঙম্লি। সমাজদা শাসনগী মিংদা চুমদবা

অমোৎপা পাথাপ্পু ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীনা থৌনাগা লোয়ননা সাহিত্যগী হৈ-শিংলবা কলা শীজিন্নদুনা মহাক্কী ৱারীমচা অমদি উপন্যাসশিংদা ফোঙদোক্লি। মদুগী খূদমদি মহাক্কী মমিং চৎলবা উপন্যাস *মামরে ধরা তরোৱাল* (কোহ্লিং কারবা থাঙশাং) হায়বসিনি। উপন্যাস অসিগীদমক ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীদা খৃষ্ট কুম ১৯৮২ দা সাহিত্য অকাদেমি এৱার্দ পীখি। খৃষ্ট কুম ২০০০ দা ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীদা ভারতকী সাহিত্যগী লমদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৌনরিবা 'জ্ঞানপীঠ এৱার্দ' পীদুনা ইকায়খুম্নখি। সাহিত্যগী এৱার্দ কয়া ফংলবী ভারতকী সাহিত্যগী মশক নাইরবা অইবী অসিবু *ছিন্নমস্তার মানুহটো* হায়বা লাইরিক অদুগীদমক ফ্রান্সনা লম অদুগী অথোইবা সাহিত্যগী মনা 'প্রিন্সিপাল প্রিন্স ক্লোজ এৱার্দ ২০০৮' পীরদুনা ইকায়খুম্নখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীনা এৱার্দ অসি ফংখিবী অহানবা ভারতকী নুপী অইবী অমা ওইবা ঙমখিবসিনি।

দেশ বিদেশতগী মানসন্মান কয়া ফংলদুনা সাহিত্যগী অতিয়াদা ধ্রুবতরা অমগুম লংলবা অইবী অসিগী মশাগী পুন্সিদদি নীংবা কায়বা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়াগী গ্রহন্না লাক্লমদুনা অৱাবনা থল্লবা অমম্বা পুন্সি অমা ওইখি। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা থেংনরকখিবা নীংবা কায়বা পুন্সিগী খোঙচৎ অমদি য়ূম পাল্লবা চহী অমা ফারকপদা লুখ্রা ওইখিবা পুন্সিনা ফংখিবা থম্মোয়গী চৈনাখোল কয়া *আধা লেখা দস্তাবেভ* (ইবা লোইশিনখিদ্রবা পুন্সি ৱারী) হায়বা মহাক্কী পুন্সি ৱারীদা মরিক চূম্না উৎলি। লাইরিক অসিদা মহাক্কী পুন্সিদা হকথেংনখিবা ইকায়বা, অকিবা কয়াদু অরোৎপা অমত্তা থমদনা ফোঙদোক্লি। ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীবু আসামিয়া লোলদতা নত্তনা ভারতকী লোল পূম্নমক্কী পুন্সি ৱারী ইবশিংগী মনুংদা য়াম্না থৌনা ফবী অইবী অমনি হায়দুনা শীংথানরি। মহাক্কী থম্মোয় কায়রবা থৌদোক কয়া, নুংশিবা অমদি খাঙঙমদ্রবা চৈনাখোল কয়া তরু-তরুনা মমি তারিবা মহাক্কী পুন্সি ৱারীনি।

*নীলকন্ঠী ব্রজ* ইন্দিরানা লুখ্রা ওইরবা মতুং মহাক্কী মশাদা চেল্লিবা ফোঙ-ফোঙ শাবা ঈগী ঈচেল, থম্মোয়গী ঈহুল, নুং-পান তুনা ফাওরিবা মৈশাদা নত্তনা মশাদা হুল্লিবা মিহুন ফাওবা হাপ্পুনা লুখ্রাবীশিংগী থম্মোয়গী পাউদম উৎপা নোভেলনি। চানবী হৈবা ঈশ্বরনা ফজবতনা খূদোলবিরক্লগা শেন্থিরকখিবা ঈন্দিরানি। নীংথিজরবা মহাক্কী কুচু, চুং ফিরাল চারবা শাবান, খোয়থুম্নরবা খোঞ্জেল অদুগা থোইদোক হেন্দোক্লা মীওইবগী ধর্ম্ম চেল্লবা, লৈগুম থোৎলবা মহাক্কী থম্মোয়নি। অমরোমদনা মসি পূম্বগী ওন্ন-তৈনবদা ওন্থোক্লা চানবী হৈতবা নোংদম্বনা পীনবিরিবনা নীংবা কায়বগী, নাইতোম তাবগী অৱাবনা খাঙঙমদ্রবা, কিনীংঙাই ওইবা তমথীরবা পুন্সি অমনি। ইন্দিরাগী পুন্সি ময়োল চোংখৎলকপদা ঙায়রিঙৈদা নোংদম্বনা নুংশি হৈতনা থদৎপিখি। চহী অনী ফাদ্রিঙৈদা নোংদম্বনা মপুরোইবা মাধবেনবু মথানুংদগী শেত্তুনা পুবিখি। খূৎশেমগী ৱারীদগীসু হেন্না তমথীরবা ইন্দিরাগী পুন্সিনি। হিংনীংবগী অপান্বা পূম্নমক নোংদম্বনা মুনবিখ্রবা মহাক্কী পুন্সি খোর্জেনা চৈঙাক ওইদুনা লেল্লকখি। চহী নৌরিবী লুখ্রাবী অমনা থেংনরিবা সমাজগী মীনোক-মৈশা পূম্নমক্কা মায়োক্নদুনা ইন্দিরাগী পুন্সি লেনবা হৌরকখি। নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদা পোকচরবসু অৱাবগী মমি অমনা লাকহত্তুনা চাউরকখিবী ইন্দিরাগী পুন্সিনি। মহাক্না লৈশাবী মপূং-মরৈ ফাগৎলকপা হৌরকপা মতমদা মপাবুং লৈখিদে। মশক মতৌ চঙখোন্না, ঈং-তপ্না হৌরকখিবী মহাক্কী পুন্সি, তুংগী ৱারম তাকপা ঙম্বা মহাপুরুষ অমনা মঙোন্দা নোংদম্বনা তম্বিরিবা অৱাবা মমিশিং অদু লাইফাও ওইনা ফাওরকপদগী ইন্দিরা মমা মচাগী পুন্সিদা অহকপা চৈনাখোল অমা পীরখি। পাউ অসিগী ঈৱায়-ঈনিলনা মরম ওইদুনা অইবীবু মচা-মমৌ ওইজগে হায়দুনা লাক্লম্বা কয়া অদুসু তপ্না-তপ্না মমি শামখি।

নোংদম্বনা মপুরোইববু মথানুংদগী নুংশি-হৈতনা শেত্তুনা পুবিখ্রবদা কঙাওনদুনা লেল্লিবা ইন্দিরানা পুন্সিগী লৈতাফম থিরকপদা গোৱালপড়াগী সৈনিক স্কুলগী ওজা ওইদুনা অঙাংশিংগা লোয়ননা হিংনীংবগী আশা হঞ্জিনহন্নবা লাক্লরকই। অদুবু মসিনা মহাক্কী হিংনীংবগী ময়াই অদু হঞ্জিনহনবা ঙমখিদে। অহোয়নদুম হেন্না-হেন্না কঙাওনবা হেনগৎলকখি। কঙাওনরবা মহাক্কী পুন্সিবু ফাজিন্নবা হোৎনবদা অবাবা অমা ওইরকখি। ইন্দিরাগী গুরু ওইরিবা

লেখারুনা মহাক্কী কঙাওনরবা ৱাখল মতাদু খঙলদুনা বৃন্দাবন্দা রিসর্চ তৌরনবা কৌরকখি। তুলসীদাসকী *রামচরিতমানস কা আসামিয়া* কবি মাধব কন্দলীগী *রামায়ণ* অনী চাংদম্নদুনা নৈনবনা অইবীগী রিসর্চ ৱার্কনি। চহী অনীমুক মপুরোইবা মাধরেনগা নুংশিননা লেনজখিবা মহাক্কী পুন্সিবু নীংশিংবদা অহিংবা তাইবংপান অসিগা শম্নবা ঙমদ্রবা ইন্দিরা ঙাওনা ফৈনা বৃন্দাবনগী মায়কৈ পাংলকখি। মহাক্কী পলেপফম খঙদ্রবা পুন্সিবু লৈতানা হিংবা ঙম্ননবগীদমক সাধু-সান্যাসী কয়াগী মফমদা চত্তুনা হংখি। অদুবু লাইবক থীবদি মখোয়গী পাউখুম্না মহাক্কী অরাম-খৌরাংলবা পুন্সিবু পেলহনবা ঙমখিদে। কঙাওনবা অসুম-অসুম হেনগৎলকখি। মহাক্কী রিসর্চকী তোপিক্কী মরমদা থিজিনবদগী মহাক্কী কঙাওনরবা পুন্সিগী মরমদা থিজিনবনা হেন্না ঈখৌ লাংখি। নৌনা লুখ্রা শীংদা চল্লবী অইবীগী থম্মোয়দা নুপী অমা ওইবগী অপাম-খৌরাংবা ফাওবসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখি। অমরোমদনা শাহিং চাবা শাদগীসু হেন্না শাথীরবা মরমচৎ চুমদবা পাণ্ডা কয়ানা নৌনা লুখ্রা শীংদা চল্লবী কয়াবু শারাক তমগদৌবগী ঙাইরি। অসিগুম্বা ব্রজধামদা মহাক্লা থেংনরকখিবা থৌদোক কয়াগী মমি লাক্তুনা অইবীনা মহাক্কী *নীলকন্ঠী ব্রজ* অসি শাফোঙহল্লকখিবনি।

> ''নোভেল অসিদা অইবী ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীনা নুপীশিংগী নুংহীক্লবা তেংথাখোল য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলক্লি। মরাইবক থীবদগী ঙন্না লুখ্রা ওইহৌরবী সৌদামিনীগী খাঙঙমদ্রবা মৈচাক মৈচাক অসিনা মরম ওইদুনা সৌদামিনীগী নুং অমসুং পান অনীমক্তা হায়ফম খঙদনা ওৎলরিবা কয়া অদুবু ইফোং ফোংনা অখাকপা অমত্তা য়াওদনা উথোরকই।''

*নীলকন্ঠী ব্রজ*দা ৱারী মপূম অমা য়াওদে, থিমগী য়ুনিটি লৈতে। মপূং ওইনা অইবীনা উৎিলবা ৱারীদি ডাক্তর রায় চৌধুরীগী ইমুংগী ৱারীনি। হিন্দু ধর্ম্মবু ঙাক্লা চৎচবা অমসুং কিনা লুনা লৌজবা ডাক্তর রায় চৌধুরী অমসুং মহাক্কী নুপী অনুপমানা মরাইবক থীবদগী ঙন্না লুখ্রা শীংদা চলহৌরবী মচানুপী সৌদামিনীনা খৃষ্টান পাখঙ অমগা লোন্দিন্নবা হৌরকপদা খাঙবা ঙমখিদে। মসিদগী ডাক্তর রায় চৌধুরীনা বৃন্দাবন্দা লৈরিবা কায়থ-মাঙথরক্লবা মপুরোইবনা থম্বিরম্বা লায়েংশঙ অদুবু শেমজিন-শাজিন্দুনা মহাক্লা লায়েংবগী থবক চঙথবদা মচানুপীবু মতেং পাংহল্লগে হায়না চপ য়ুংনা খল্লম্মী। মসিনা মচানুপীগী ৱাখল শোয়দনা হোংহন্দুনা মচানুপীবু অফবা, অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা ঙমগনি হায়না চেৎনা থাজরম্মী। মসিদগী ডাক্তর রায় চৌধুরীনা মহাক্কী নুপী অনুপমা অমসুং মচানুপী সৌদামিনী পুদুনা ব্রজধামদা লাকখি। মতম খরদি সৌদামিনী মপাগী লায়েংবগী থবক্তা থৱায় হকচাং য়াওনা মতেং পাংলম্মী। অদুবু মসিনা ঙন্না লুখ্রাবী ওইহৌরবী সৌদামিনীগী থম্মোয়গী পূক্নিংগী অপাম্বা কয়া অদুবু কোকহনবা ঙমখিদে। মচানুপীনা মতৌসি উবদা মমা অনুপমা অনা-লায়ওইনরকখি, মপা রায় চৌধুরীসু মচানুপীগী ৱাখলদা নোংম-নোংমগী মশা শোকচিল্লকখি। সৌদামিনীসু নোংম-নোংমগী কঙাওনবা হেনগৎলকখি। মচাগী মতৌ য়েংবা ঙমদ্রদুনা ডাক্তর রায় চৌধুরীনা যমুনা তুরেল মপান্দা মচানুপীগা মরী লৈনরিবা খৃষ্টান পাখঙ অদুগা লোন্না নুমিৎ অমা উন্ননবা শীল্লম্মী। অদুবু মদুনসু সৌদামিনীগী নুংদা চেল্লিবা খাঙঙমদ্রবা থম্মোয়গী মৈচাক অদুবুদি কোকহনবা ঙমখিদে। মহাক নোংম-নোংমগী কঙাওনবা হেনগৎলকখি। মমৈথংদা সৌদামিনী থম্মোয়গী মৈচাক পুবা ঙম্লক্ত্রদুনা গঙ্গা তুরেলগী ঈরোলনুংদা চোংথদুনা মথন্তা থৱায় থাজখি। সৌদামিনীনা গঙ্গা তুরেলগী ঈরোলনুংদা লূপ্তুনা থৱায় থারবা ফাওবদা নোক্ল-চাউবা সমাজনা মহাক্কী মরমদা তাথীবা ৱাহৈ কয়ানা

 ISSN 2347-9140 

চৈ-থাংদুনা ঙাঙনবদি লেপখিদে।

নোভেলগী অনীশুবা ৱারীদনা বিহারীমোহন কুঞ্জগী মপু ওইরিবা কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরগী ইমুংগী ৱারী পুথোক্তুনা উৎলি। কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরনা নহা ওইরিঙৈ মতমদা নিষাগী ঈপাক্তা লুপ্তুনা মশাগী নুংঙাইনবতা হোৎনরিঙৈদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মরমদা করিমত্তা খল্লুবা তৌখিদে। মহাক ওক্তবী কয়াগা পুন্দুনা মতম পূন্নমক্তা মখোয়গতা লেল্লম্মী। মহাক্কী লৈজরম্বা লন-থুম, পৈশা পূন্নমক নিষা অমসুং ওক্তবী নুপীশিংদা থাদরম্মী। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী নুপী অমসুং মচানুপীদি লৈত-লায়রবনা খম থেংলম্মী। লায়রবনা মরম ওইদুনা চহী নিফু শুরবা ফাওবদা অউনপোৎ পীনিংঙাই লৈতবদগী ময়ূম পানবা খঙদ্রবী মচানুপী মৃনালিনীগী ৱাখলদা লাইমন ওইদুনা কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরগী নুপীসু ৱাখল খরা-খরা চোইরবী ওইরকখি। কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরসু মাঙগী লম্বীনা তেনশিল্লক্লবা তুংগী লম্বীনা শাংলক্লবদা মহাক্কী মরল-মথুম পূন্নমক মাঙ-তাক্লবা মতমদতা মহাক্লা তৌখিবা অশোয়বা অরানবশিং অদুগীদমক মপূক্লিংদা নীংঙমদবনা পীক-থল্লম্মী। মরোল-মরাল তাক্লবা ঠাকুরনা মহাক্কী অরোইবা মরল ওইরিবা ব্রজধামদা লৈবা বিহারীমোহন কুঞ্জ য়োম্থোক্তুনা মদুদগী ফংলকপা অপীকপা শেনফম খরনা চাক্লিবশিংগী লৈফমদা চাক্লিবগুম লেনবা তাখি। ঠাকুরগী নুপী অমসুং মহাক্কী মচানুপী মৃনালিনী ব্রজধামদা লাক্তুনা ঈশ্বরগী ৱাখলদা লূপ্তুনা অনৌবা ৱাখল্লোন শাগত্তুনা লেন্নবা কয়ারক হোৎনরবসু মায়পাকপা ঙমখিদে। কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরসু মহাক্লা তৌজরুবা পাপকী মহৈনা মমীৎ অনীমক তাঙদুনা অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদদি য়াম্না ৱানা লেনবা তারম্মী। ঠাকুর সাহেবকী হৌখিবা ওক্তবা, তূকৎচনীংঙাই ওইরবা লমচৎ কয়া অদু নীংশিংলুরগা মহাক্কী নুপী অমসুং মচানুপীনা থীনা-থীনা চৈ থাংলম্মী। ঠাকুর সাহেবকী মমাঙগী অশোয়বা অরানবা খোঙথাং কয়াদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই পূন্নমক ব্রজধামদা চাক্লিবা ওইনা পুন্সি লেনখি। অদুবু মতম কুইনা পাপকী মরক্তা ঈরুপ্তুনা লৈরুরবা ঠাকুর সাহেব পুন্সিগী অরোইবা মীৎকূপ্তদি অথোইবা মঙাল অমা ফাওরক্তুনা রঙ্গজীগী মনাক নকপা ফংজখি।

ঠাকুর সাহেবকী ইমুংনা লৈখা তারকপগী ৱারী অসিগা ঈরোয়ননা চৎলিবদি অঙাং ওইনা নৌনা লুখ্রাশিংদা চলহৌরবী শশীপ্রভাগী ৱারীনি। বিহারীমোহন কুঞ্জগী পুজারী ওইরিবা অলমগড়ীগী মরুম থুপ্লা লৈবদগী শশীপ্রভা অচেঙবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লুখ্রাবীশিংগী শাদোঙবু শারাক তম্নবা ঙাইরিবা শারমচৎ চৎপা পাণ্ডাশিংদগী মশাবু ঙাকথোকচবা ঙমজরম্মী। অদুবু ঠাকুর সাহেবনা বিহারীমোহন কুঞ্জ য়োম্থোকখিবদগী পুজারী অলমগড়ী লৈতবদগী শশী মশাবু কঞ্জনবা রাধেশ্যামীশিংগী মনাক্তা চঙজফম লৌনবা হোৎনজরম্মী। তাঞ্জাবু ফংলবদি হনুবী লুখ্রাবীশিংগী মশা ফাওবা চীকখায়দুনা শান্নবা পাণ্ডাশিংগী শারমচৎ চৎপা মওংদু খঙলদুনা অলমগড়ী হেক শিখিবগী পাউ তাবদগী শশীবু তাম্থোকপিরকখি। শশীগুম্বী উপায় লৈজদ্রবী নুপী কয়াগী মতৌ অমদি শারমচৎ চৎপা পাণ্ডাশিংগী কা হেনবা হিংচা-য়াইতম্বগী মতৌবু য়াম্না মরিক চূম্না ৱারী পরিং অসিদা অইবীনা উৎলি।

নোভেল অসিগী অহুমশুবা অরোইবা শরুক্তনা শিল্পী চন্দ্রভানু রাকেসকী পুন্সি মশক তাক্লি। মীওইবগী থম্মোয়গী নুং-পান অনীমক উবা ঙম্বগী মশক অদু অইবীনা শিল্পী রাকেসতা হাপ্লি। জাৎ-বিজাৎ নাইদনা, ধর্ম্মগী খেন্নবা থমদুনা মীয়াম পূন্নমক্কী থৌগলদা থবায় লুপচবা শিল্পী রাকেসনি। মহাক্কী মফমদা শাগৈ জাৎ, অচৌ-মচা খায়দুনা শোক্ল-পন্না য়াদবগী অথিংবা লৈতে। ব্রজধামগী অশোন-অনা, লৈত-লায়রা পূন্নমক্কী সেবা তৌরিবা ডাক্তর রায় চৌধুরীগী মফমদা ফাওবা হরিজনশিং অমসুং ব্রাহ্মনগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অদু কোকপা ঙমখিদে। অদুবু শিল্পী রাকেসতি মনুং মতম চাদনা লুখ্রা ওইহৌরবী সৌদামিনীনা খৃষ্টান পাখঙ অমগা নুংশিনবদা মদুবু ইকায়খুম্নবা ঙম্বা মহাক্কী থম্মোয়নি। জাৎ-বিজাৎকী খেন্নবা থমদনা পূন্নমকপু নুংশিবা, পূন্নমকপু মহাক্কী কোনখৎপা ঙম্বা মহাত্মা গান্ধীগী থম্মোয় অসি অইবীনা নোভেল অসিদা শিল্পী রাকেসকী মফমদা হৈদুনা হাপ্লী। অইবীনা কলাকার অমগী মফমদদি হিন্দু, মুসলমান, খৃষ্টান্নচিংবগী খেন্নবা অমত্তা লৈতে হায়বদু উৎননবা শিল্পী রাকেসকী করেক্তরদা উৎলি।

নোভেল অসিদা অইবী ডা মামনি রয়ছম গোস্বামীনা

নুপীশিংগী নুংহীক্লবা তেংথাখোল য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলক্লি। মরাইবক থীবদগী ঙন্না লুখ্রা ওইহৌরবী সৌদামিনীগী খাঙঙমদ্রবা মৈচাক মৈচাক অসিনা মরম ওইদুনা সৌদামিনীগী নুং অমসুং পান অনীমক্তা হায়ফম খঙদনা ওৎলরিবা কয়া অদুবু ইফোং ফোংনা অখাকপা অমত্তা য়াওদনা উখোরকই। নুপী অমা ওইবগী ফিভম মূর্ত্তিদা অৰাৎপা অমত্তা য়াওদ্রবা মহাক্কী হকচাংবু মপুরোইবা শিখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ঙাইরিবা শারমচৎ চৎপা পাণ্ডাশিংদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা অৰাবা অমা ওইরকখি। চহী নৌরিবী মশক মতৌ ফজখ্রবী সৌদামিনীগুম্বী ঙন্না লুখ্রা ওইহৌরবী নুপী অমনা হনুবীশিংগী হকচাং ফাওবা চীকখায়দুনা শারাক তমদুনা শান্নরিবা শাগুল্লবা মীওইশিংদগী মশাবু কঞ্জনবা হোৎনবা হায়বসি অৰাবগী মশক ওইরকই। উপায় লৈজদ্রবী লুখ্রাবীশিংবু কয়ামুক য়াম্না মখোয়না শারাক তম্নবা হোৎনবগে হায়বদু নোভেল অসিদা মখাগী অসুম্না উৎলিঃ

> ইখঙ খঙহৌদনা সৌদামিনীনা উরকই– ভূতগলীগী মনাক্কুদা মী খরা চেল্লক্লি। তৌফম খঙদনা মফমদুদা মানা ঙাইহাক তুমিন্না লেপ্তুনা য়েংই। মখোয়না অফিং অফাই ওইনা হায়রকইঃ 'চেনখ্রো, চেনখ্রো মখোয়সে রাধেশ্যামী উবা য়াদ্রবনি। রাধেশ্যামী হনুবী ফাওবা লৈশাবীনি খনজিল্লক্লে। নহা অঙাং ফংলকত্রদুনা হূইশিংসিনা হনুবীশিংদসু পঙচীক্তা চীক্লে। হূই-শা, হিংচাবশা নখোয়দা পত্তুনা পুমদুনা শিখ্রোনে খিত্তা।' (লাঃ ১১৮)

ধর্ম্মগী মিংদা খুদোংচাবা লৌদুনা লমচৎনাইদবা পণ্ডিতশিংনা ঙন্না লুখ্রা ওইহৌরবী মরাইবক থীরবী লুখ্রাবীশিংবু কোইথি-থিদুনা শারাক তম্লি। মখোয়দা মীওইবগী মিনুংশি হায়বদু মচেৎ অমত্তা য়াওখিদে। মখোয়গী মমিত্তা উরিবা হায়ববু লুখ্রাবীশিংগী শাদোং অদুখক্তনি। অসিগুম্বা লমচৎ নাইদবা পণ্ডিতশিং অসিগী লুজদবা মওং অসিবু নোভেল অসিদা অসুম্না উৎলিঃ

> ঙরাংগী থৌদোক অদু নীংশিংদ্রা? পূন্না লৈমিন্নরিবা লুখ্রাবীশিংদুগী মমায়শিংদু ফিনা কূপশিল্লফাওবদা লমচৎনাইদ' পণ্ডিতশিংনা মখোঙ য়েংলগা থিদুনা পুথোকখিবদু? (লাঃ ১১৮)

ব্রজধামদা লাক্কুনা ঈশ্বরগী খূয়াখাদা শিজনবা লাক্লিবা রাধেশ্যামীশিং চাবা অমসুং লায়েংবা ৰাৎপদগী শিবা কয়া অমা য়াওরি। শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা ব্রজগী উফূল মশাদা অমুক্তংবু তৈহৌরবদি খন্না ব্রজদা থরো মারো ওল্লদুনা চাদা থক্তনা শিবা ঙাইদুনা মীৎকূপ খূদিং লেল্লিবা শরূপোলাং ওল্লবা লুখ্রাবী কয়ানা হয়েং মখোয়না শিরগা শোরাৎ শোনবিনবা হায়দুনা লৈজবা শেল খরদু কায়থোক্তবমখৈ মখ্বাঙদা কিশিন্দুনা থমজবদু মখোয়না শিরবা মতমদা মবুক ফৎত্রবা শারমচৎ চৎপা পাণ্ডাশিংনা ফাক-ফাক্কুনা থিদুনা পুবিখ্রি। মসিগীসু মথক্তা লাইগী থৌগল তৌরিবা স্বামীজী কয়ানসু চহী নৌরিবী লুখ্রাবী কয়াবু শারমচৎ চৎপদু লাইরিক অসিদা মরিক চুম্না উৎলি।

মপুরোইবা লৈখিদ্রবী নুপী অমনা কয়া য়াম্না হিংবা ৰাবগে হায়বদু শশীপ্রভাগী পুন্সিনসু উৎলি। মহাক্কী নাখল ওইরম্বা আলমগড়ীসু কুঞ্জ য়োন্থোকখিবদগী মফমদুদা লৈত্রবদা মহাক্কী চঙজফম লৈখিদে। আলমগড়ী লৈত্রবদা শারমচৎ চৎপা পাণ্ডাশিংনা মহাক্কী শাদোংবু ফক্কায়দুনা

> ''নোভেল অসিদা য়াওরিবা ৰারী অহুম অসিদা সৌদামিনী অমসুং চন্দ্রাভানু রাকেসকী শক্তম্না নুংগী শক্তম উৎলি। সৌদামিনীনা মহাক্কী মপুরোইবা সুব্রত লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী হকচাংবু করামচাউবা শারমচৎ চৎপশিংদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা অবাবা ওইখি। অমরোমদনা লুখ্রাবী ওইজরবসু লু-তোংনা শাবা হকচাং ওইবনা সৌদামিনীগী হকচাংদসু ইন্দ্রিগী ঈখৌলাংবা অদুদি ফাওখিদবা নত্তে।''

শান্নরগনি খল্লুবদা তনিক্লবা শশীপ্রভানা অহল ওইরবী রাধেশ্যামীশিংগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা লোৎনবা হোৎনজরুই। অদুবু মহাক লৈরে হেক তাবা মতমদা পাণ্ডাশিং অদুনা থিরবদা মখোয় য়াওনা দাষা তারগনি কিবদগী চঙজফম পীখিদবা মতাংবু নোভেল অসিদা মখাগী অসুম্না উৎলিঃ

> তৌববুদি রাধেশ্যামী হনুবীদুনা হায়বা ৰাদো চুমদবসু নত্তে। কা মনুংদা চঙগে তৌদুনা থোঙজিন্দা হেক লেপ্লুবদা ময়ামদুনা লাউনরকইঃ ঐখোয়গী ইরক্তা অমুক লাক্লনু। নঙগুম্বা লৈশাবী অমগী দায়িত্ব ঐখোয় পুবা ঙম্লরোই। ইশা ইশাগী পোলোইবগী থৌরাং তৌদুনা লৈজরিবনি। আঠখম্বাগী মানব সেবাশ্রমদা লৈরুচো নত্ত্রগা ডাক্তরগী লায়েংশঙগী বারান্দাদা লৈরুচো চৎলো। গুণ্ডাশিংদুনা গঞ্জা, য়ু থকচিন্দুনা লাক্লগা থোঙদা অহুম মরিরক শুরে কাওরম্লিবা – চৎলো চৎলো, কদায়দনো চৎখ্রো। (লাঃ ১০৪)

মপান্থোংগী মূক্লবতা নত্তনা নুংগী মূক্লবনা পল্লেপফম খঙহনদ্রবী সৌদামিনীনি। মপুরোইবা ঙন্না লৈখিদবদা সৌদামিনী অঙাওবীগী মতৌ ওইহৌখি। মহাক্কী নুপী ওইবীগী চুং ফিরাল চারবা শাবান উবদা লমহেল্লবা নুপা ওইবশিংগী মিতানফম ওইখি। অসিগুম্বা লমহেল্লবা নুপা ওইবশিং অসিদগী মশাগী হকচাংবু ঙাকচবা ঙমগদ্রা হায়বসি মহাক্কী মফমদা অরুবা ৰাহং অমা ওইরকখি। অমরোমদা, লু–তোংনা শাবা মহাক্কী হকচাংসু মহাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অমদা মফম চানা শীন্নজবা পান্লকখি। মরম অসিদগী খৃষ্টান পাখণ্ড অমগা মহাক্লা লোন্না নুংশিনবা হৌরকখি। হিন্দু লুখ্রাবী ওইরিবী মহাক্লা সতী ধর্ম্মগী লমচৎ পুম্নমকপু তুংওইনরম্লগা ধর্ম্ম জাৎ তীন্নদবা পাখণ্ড অমগা নুংশিনরে খঙলকপদা মমা অনুপমা অমসুং মপা ডাক্তর রায় চৌধুরী থম্মোয় কায়খি। মচানুপীগী চরাঙনরিবা ৰাখল অসিবু ফাথনবা হায়দুনা মপানা মখোয়গী য়ুম ব্রজধামদা হোংলক্লম্মী। ডাক্তর রায় চৌধুরীনা মচানুপীগী ৰাখল ফাথনবা পাম্বে ওইনা মহাক্লা ময়াম্থু লায়েংলিবা অদুদা মচানুপীবুসু য়াওহল্লম্মী। মতম খরদি লায়েংবগী থবক অদুদা সৌদামিনী পূক্লীং চঙলম্মী। অদুবু মহাক মতম কুইনা মদুদা পূক্লিং চঙবা ঙম্লমদে। মহাক্কী চরাঙনবা ৰাখল নোংমা–নোংমগী হেনগৎলক্লম্মী। ধর্ম্মগী লুচিংবা সাধু–সন্যাষী কয়াগী মনাক্তা চত্তুনা মহাক্কী কঙাওনরবা ৰাখল অদুবু ফাথজনবা হোৎনজরম্মী। অদুবু মহাক্কী চরাঙনবা ৰাখলদি অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকপদু লাইরিক অসিদা য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলি।

পাণ্ডাশিংগী শারমচৎ চৎপা থৌওং কয়ানসু সৌদামিনীগী থম্মোয়দা চরাঙনবা, অকিবা অমদি তুক্কৎচবা নোংমা নোংমগী হেনগৎহল্লম্মী। মসিনসু মহাক্কী ৰাখলবু চরাঙনহনবা হেনগৎনবগী মরম ওইহল্লকই। মহাক্কী হকচাংবু পাণ্ডাশিংদগী কয়াম কুইনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙমখিগনি হায়বসি অচৌবা ৰাহং অমা ওইরকখিবা মতাং অমা লাইরিক অসিদা মখাগী অসুম্না উৎলিঃ

> সৌদামিনী ইন্নফিদুনা মকোক্তু খুমজিল্লি। অসুম্না খরা চৎলবা মতুংদা ভূতগলীগী মনাক্তা রাধেশ্যামী অমা তাদুনা লৈবা থেংনৈ। মনাক চঙশিন্দুনা য়েংবদা রাধেশ্যামীদু মফি–মরোল অমত্তা য়াওদবমখৈ তাদুনা লৈবদু উরকই। মল্লি–মল্লিবা থাউমৈগী মঙালদা মানা উরকই হনুবীদুগী মখূৎ নাম্মনা মখোম মথক্তা, নাম্মনা মখ্বাং মখাদা করিগুম্ব'মা মানবা লাক্লরি। নত্তে, নত্তে, মফমসিদা অমুক কুইনা লৈবা চুমদে। হুইশিংদো করম্বা মতমদা মফমসিদা ফ্রং ফাওরক্কনি 'ম্বা ঙমদে। অমম্বদুদা সৌদামিনীনা ঙমজবী থাদুনা চেল্লি। (লাঃ ১১৮)

মচানুপীগী মতৌদা মমা অনুপামা নোংমা–নোংমগী ফিভম শোকচিল্লক্তুনা অনা–লায়ওইনরক্তুনা শিখিরম্মী। সৌদামিনীসু নোংমা নোংমগী অসুম–অসুম ঙাওবা হেনগৎলক্লম্মী। উপায় লৈত্রবা মপা রায় চৌধুরীনা নোংমা অহিং অমা খৃষ্টান পাখণ্ড অদুবু কৌদুনা যমুনা তুরেল মপান্দা মচানুপীগা লোন্না উন্নহলম্মী। মতম কুইনা থিংগত্তুনা থম্লরবা সৌদামিনীগী নুংশিবা নীংথিনা ফুগায়না শাত্তোরক্তুনা খৃষ্টান পাখণ্ড অদুগী মথাংনুংদা উপশিঞ্জদুনা শান্নজরুই। অদুবু সৌদামিনীনা খৃষ্টান পাখণ্ড অদুগী মথানুংদা লৈনা–লৈনা মহাক্লা ফংগনি খল্লুবা থম্মোয়গী অপেনবা অদু ফংবা ঙমখিদে। মহাক মীওইবগী লু–তোংগী অপেনবগী ৰাংমদা চৎপা পান্লকখি। মরম অদুনা খৃষ্টান পাখণ্ড অদুবু থাদোক্লক্লগা

সৌদামিনী কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎকী মরক্তা যমুনাগী ঈরোন্নুংদা কুমথজদুনা মথন্তা থৱায় থাজখি। মহাক্কী পুন্সিনা যমুনা তুরেলগী ঈরোন্নুংদা য়াতাদুনা শিখ্রবা ফাওবদা যমুনা তুরেলগী লৈরায়দা হাজিন্দুনা লৈহৌবা অথীবা মিংচৎনা শরা শন্দোক্তুনা লৈহৌই।

নোভেল অসিদা য়াওরিবা ৱারী অহুম অসিদা সৌদামিনী অমসুং চন্দ্রাভানু রাকেসকী শক্তম্না নুংগী শক্তম উৎলি। সৌদামিনীনা মহাক্কী মপুরোইবা সুব্রত লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী হকচাংবু করামচাউবা শারমচৎ চৎপশিংদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। অমরোমদনা লুখ্রাবী ওইজরবসু লু-তোংনা শাবা হকচাং ওইবনা সৌদামিনীগী হকচাংদসু ইন্দ্রিগী ঈখৌলাংবা অদুদি ফাওখিদবা নত্তে। মহাক্কী পুন্সিবু মহাক্না থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অমদা শিন্নজবা পামজখি। মরম অসিনা মহাক খৃষ্টান পাখণ্ড অমগা নুংশিনরকখি। মসিদগী মীয়াম্না মহাকপু ওক্তবী, তৌঙন্বী অমা ওইনা ঙাঙনবিরকখি। লোয়ননা মহাক্কী মপা অমসুং মমা মহাক্না তৌরক্লিবা মওং অসিনা মরম ওইরগা শাথীনা নীংবা কায়বা হায়বদু ওইখি। মমা অনুপমানা মনুং মতম চাদনা ৱাখল লায়না ওইদুনা শিখিবগী মরমসু মহাক্না ওইহনখি। মহাক্না মরম ওইরগা মহাক্কী মমা মপাবুসু মীনা থীনা-থীনা ঙাঙনহনবগী মরম ওইববু নোভেল অসিদা মখাগী অসুম্না উৎলিঃ

> নহানমুক্কী মপোক্তা করিগুম্বা পাপ খরা শোয়দনা তৌরমগনি। অদুনবু অসিগুম্বী মচানুপী পোক্লিবনি। মতোমতা ব্রজসিদা কোয়চৎ চত্তুনা হেক লৈহে-ওক্তবীদো। (লাঃ ১১৬)

মহাক্কী নুপানা জুগোৎ চাদ্রগা ইমুং-মনুং পুম্নমক চৈথেং ফংমিন্নৈ হায়বদু কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরগী ইমুংনা উৎলি। কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরনা মরল-মথুম পুম্নমক হুন্দোক্তুনা য়ু অমসুং ওক্তবীশিংদা লূপ্তুনা লৈখ্রবদা মহাক্কী নুপী দিপ্রেসন্না ঙাওনা ফৈনা নারকপা অমসুং মচানুপীনা অউনপোৎ লাংনীংঙাই পৈশা লৈতবদগী য়ূম পানবা মতম হেনখিববু নোভেল অসিদা মখাগী অসুম্না উৎলিঃ

> হৌজিক হৌজিক বীহারীকুঞ্জগী মপু ওইরিবা কৃষ্ণকান্ত ঠাকুরনি। মহাকপু ময়াম্না ঠাকুরসাহাব হায়না খঙনৈ। মহাক্না লোয়ননা চহী নিফু শুরবী য়ূম পান্দ্রিবী মচানুপী মৃনালিনী অদুগা ৱাখল খরা চোইরবী মহাক্কী নুপীসু লোয়নরকই। মখোয়গী ফীভমশিংদু বাবনরা করিনো খঙদে অসুক্কী মতীক মওং তারমদে। আলমগরীনা মখোয়বু ভূত অমগুম্না উখি। (লাঃ ৩৯)

নোভেল অসিদা মপুরোইবা নৌনা কায়নখ্রবা, ব্রজধামদা চঙজফম লৌনবা লাকচরিবা লুখ্রাবীশিংবু লাই পানরিবা পাণ্ডাশিংনা মখোয়গী ইজৎপু খোঙ্গাওনবিবগী থৌদোক কয়া উৎলি। লুখ্রাবী ওইহৌরবা নুপী অমনা মহাক্কী লেমহৌরিবা পুন্সিগী শরুক অদুবু মহাক্না পামজবা কনাগুম্বা অমগা লেনজনবা হোৎনবদা সমাজনা অয়াবা পীবিদে অদুবু লুখ্রাবীশিংগী হকচাংবু ফোংনা লাইগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অসিনা শারাক তম্ববুদি অদুমক খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোক্লি।

অইবীনা উপন্যাস অসিদা ব্রজধামগী মমিৎমক্না উরকপা থৌদোকশিং অমদি ব্রজবাসী রাধেশ্যামীশিংগী মচীন্দগী তাখিবা ৱারীশিংবু ইরকপা ওইবনা অপাবশিংদা শং-শংনা উহনবা ঙম্মী। অইবীগী থৌরবা কলমগী মচীন্না ব্রজধামগী ফজবা অমদি তমথীবা অনীমক্কী শক্তম য়েক্লি। ব্রজধামদা লৈরিবা লুখ্রাবী কয়াগী ৱাকৎপু অইবীনা মহাক্কী নোভেল অসিদা অখাকপা অমত্তা লৈতনা অপাবশিংগী থম্মোয় লাইয়ূম য়ৌনা পাউদম্বা ঙল্লি। করি অমুক হায়রুগনি, মহাক্কী খোর্জেনা য়েক্লিবা শক্তমশিং অপাবশিংগী মীৎমাঙদা অহিংবা মিতম ওইনা চোংথোকহল্লকখি, পূক্লিং ৱাখলদা কোক্লরোইদবা মচুনা শঙজিনবা ঙম্বা খূথানি।


**মতেং লৌজখিবা অমদি মরী লৈনবা লাইরিকশিং**

১। অনীতা নিঙোম্বম, *ইবা লোইশিনখিদ্রবা পুন্সি ৱারী*, ইম্ফাল, ডা নিঙোম্বম রঞ্জিৎ, ২০১৩।

২। ..., *নীলকন্ঠী ব্রজ*, ইম্ফাল, ডা নিঙোম্বম রঞ্জিৎ, ২০১৫।

৩। ..., *পুন্সি ৱারীগী অনৌবা লামায়*, ২০১৯।

৪। অরুনা নহাকপম, *অহিংবা উপন্যাস*, ইম্ফাল, লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল), ২০২২।

# *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি*দা য়েক্লিবা খুন্নাইগী মশক


**নিংথৌজম প্রেমেশ্বরী দেবী**

পিঐচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর



### *Abstract*

Through his poetry, Bidyasagar skillfully captures the complexities of Manipuri society, addressing topics such as freedom struggles, communal riots, war's devastating impact, refugee crises, social degradation, corruption, and the erosion of human values. Conversely, he also depicts a peaceful society, highlighting the importance of preserving traditional values.

Bidyasagar's writing style is characterized by: i) Indigenous expressions with vivid imagery, ii) Masterful language blending old and modern dialects, iii) Symbolism, metaphors, dream visions, and dramatic modes

His poems evoke a mix of hope and despair, capturing a society torn between conflict and nostalgia for its heritage and historical legacy.


***Keywords***: *historical senses, symbol, imagery, metaphor, dream vision, nostalgia.*

সাহিত্য হায়বসি খুন্নাইগী মিংশেলনি। খুন্নাইদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াবু খোর্জে পায়বশিংনা মাগী মাগী পামজবা সাহিত্যগী মচলশিংদা খূৎ থানরি। অসুম্না অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা কুমজা ২০০০ গী মতমদা থোক্লকখিবা অইবা অমনি নাওরেম বিদ্যাসাগর। অইবসি ইং কুমজা ১৯৭২ গী মার্চ ৮ দা আসামগী কাছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লক্ষীপুরগী চপ্রৌ কৌবা খুঙ্গংদা পোকই। মণিপুরী সাহিত্যগী মচল কয়াদা খূৎ থারিবা অইবসিগী হৌজিক ফাওবদা এদিট তৌবা য়াওনা ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি– *অনৌবা নুমিৎকী ফীরাল* (শৈরেং, ২০০৩), *ইমেজরীগী মহুম অমসুং অতৈ ৱারেংশিং* (নৈন-ৱারেং, ২০০৭), *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি* (শৈরেং, ২০১১), *মণিমহেশ* (হন্দোকপা, ২০১৩), *অনৌবা মণিপুরী শৈরেং* (এদিটর, ২০১৪), *মপান মণিপুরী অখন্নবা মণিপুরী শৈরেং* (এদিটর, ২০১৪), *অঙৌবা চিঠিখাউ* (হন্দোকপা, ২০১৭), *উচান মৈরা* (শৈরেং, ২০১৭), *মণিপুরী শৈরেংগী অনৌবা শক্লোন* (২০১৯) অমসুং *অতোপ্পা মিংশেল* (২০২৩) অসিনচিংবনি। *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি* শৈরেং লাইরিক অসিদা সাহিত্য অকাদেমি অৱার্দ ২০১৪, *মণিমহেশ* লাইরিক অসিদনা সাহিত্য অকাদেমি ট্রান্সলেসন প্রাইজ ২০১৭ অমদি *উচান মৈরা* হায়রিবা লাইরিক অসিদনা বাল সাহিত্য পুরস্কার ২০২০ ফংখ্রে। নৈননবগীদমক লৌখৎচরিবা হীরম অসি *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি* শৈরেং লাইরিক অসিদা য়েক্লিবা খুন্নাইগী শক্তমশিং পুথোক্লবা হোৎনজবনি।

হৌজিক্কী মতমদা শৈরেং ইবা হায়বসি অরুবনি। প্রতিভা লৈরে হায়বতনা য়াদ্রে। পূক্নিংদা ফাওরকপদু

হেক্তা ইবতনসু য়ারক্রে। মতাংসিদা টি এস এলিয়টনা 'কবি ওইবা তারবদি হিস্তরিকেল সেন্স লৈগদবনি' হায়বদু নীংশিংই। অমুকসু এফ এল লুকসনা 'ইমেজরী য়াওদবা শৈরেংবু নুমিৎ থোক্তবা অয়ূক নত্রগা উচেক লৈত্রবা উমংনি' হায়। মীৎয়েংশিং অসিনা ঐবু হেক-হেক চিংদুনা পুরি (*খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি*, অইবগী ৱারোল)।

অইবনা মণিপুরী খুন্নাইগী ট্রেদিসন অমদি হিষ্টরিকেল সেন্সকী লীক্লম খঙনা অকূপ্পা মীৎয়েংদগী নুং য়ৌনা চঙশিন্দুনা ফজরবা ইমেজরিশিংনা লৈরোং লোন্দুনা শৈরেং লাইরিক অসি শাগৎলকই।

লাননা মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং উৎপা শৈরেংগী মনুং চন্না 'খোইরুগী খাংপোক' হায়রিবা শৈরেংসিদা কোকারাঝারগী বোড়ো কাঙলূপকী অপীকপা ফূরুপশিংগী ঈরাংদা য়ূম কয়া মৈনা তুম্না চাক্তুনা মীচম কয়ানা থেংনরিবা লানগী অৱা-চৈথেং পাউদম্লকইঃ

ইখঙ-খঙহৌদনা কোকারাঝারগী চীংগী খুঙ্গংদা
অপাইবা মৈবূল অমনা
ই-না কূপ্পা
য়ূম মচা-মচা
পূমতুম-তুম্না ঊৎ ওল্লি।
চীংশিং,
উপাল-ৱাপালশিং, নখোয়না
মৈখূ মরক্তা
চপ-চপ লেপ্লি। (লাঃ ১০১)

কাঙলুপকী ঈরাংনা মীওই কয়াগী ময়ূম মকৈবু মৈনা তুম্না মাঙহন্দুনা অবা চৈথেংশিং পীররি। পূম্নমক খুন্তাক লানশিহন্দুনা মায়গৈ-শলাই খঙদনা হিংনবগীদমক শৈদাংফম থিরি। অসিগুম্বা কাঙলুপকী ঈরাংনা রিফ্যুজি ওইহল্লবা নুপামচা অমগী পুন্সিগী মশক য়েক্লদুনা 'রিফ্যুজীগী গীতা' হায়রিবা শৈরেংসিদা অসুম্না উৎলিঃ

নোংমা
ঐনা মাগী গীতাদো হাংদুনা য়েংলুই
... ... ...
হাং-হাংদুনা থিরুবদা
অমত্তসু ইরমদে
জীবাত্মা-পরমাত্মা,
পাপ, পুণ্য,
সত্যম শিবম সুঃদরম ।
- এঃ করি করিদি ইরম্মি?
- জোব কার্দ অমা,
বি পি এল কার্দ অমা
ইন্দিরা অৱাজ য়োজনাগী য়ূম অমা,
লমগী পাট্টা অমা,
ভোটর কার্দ অমা (লাঃ ৬৭)

অসিগুম্বা মীওই অমগী পূন্সিদা হিন্দুগী শেংলবা *শ্রীমদ্ভগবত গীতা* না পীরিবা পাউতাকশিং হায়বদি জীবাত্মা-পরামাত্মা, পাপ-পুণ্য অমদি পুন্সিগী অৱাংবা ফিদম সত্যম, শিবম, সুন্দরমনচিংবশিং অসিদগী হিংবদা চঙলিবা পোৎলমশিং অসিনা হেন্না মরু ওইনা লৌরকপগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লি। মরম অদুনা পূম্নমক অসিদগী মহাক্কী পুন্সিদা হৌজিক-হৌজিক্কী মাঙদা তাদুনা লৈরিবা মহাক্কী অৱাৎপশিং অসিবু লাইনীং ওইজবগী শক্তম অমা উৎলকই।

কাং-খোং চাইরবা, পূম্নমক খুন্তাক লানশিরবা লমদম অমগী শক্তমদা অইবনা 'খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি' হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অসিগী মিংথোলসু ওইরিবা শৈরেংসিদা ফজরবা ইমেজরিনা অপাবশিংগী মফমদা লমদম অসিগী শক্তম্সু অসুম্না ফোঙদোক্লিঃ

ঐগী খুঙ্গং
মশম মনা ইচোৎ-চোৎনা মঙ্গারকপী অমগুম উরি।
... ... ...
ঐগী খুঙ্গংসিদসু য়ৌরক্লব্রা অশীৎ-অৱান্থাগী মালংবা?
উনাগী খাংপোকশিংগী পীক্ল-পীক্লবা থোঙ-থোঙনাউগী
মমীৎশিং চেজেৎ উইশিন্নখ্রে। কনাবুসু হন্না উনীংদ্রমালে।
লৈরক্তা-কোন্সাংদা, শুমাঙদা- মাঙ্গোলদা, কনাগীসু খোঙথাং মখোল তাখিদ্রে।

খুঞ্জাশিং ঙম্নমক কদায়দা চৎনখ্রবা? (লাঃ ৮৭-৮৮)

পোইট পর্সোনা পূম্নমক কদায়দা চৎখ্রবগে হায়না হংলি, খুন্তাক-লানশিবগী মতৌ ওইনা উরকই। অফবগী খূদম চাংদম ওইবা অমতা উবা ফংলক্তবগী মশক কয়া তাক্লি। ময়ূমগী থোঙজিন্দা হন্না হন্না কৌরুবদসু মচল, মমা-মপা অমত্তনা থোক্লক্তুনা খুন্নদ্রে। মফম অসিগী প্রজাশিংনা মশাগী মখুঙ্গংদা মশামক রিফ্যুজি অমগুম খল্লকপগী নুংহীক্লরবা অৱাবগী মপাউ শৈরেংসিদা পাউদম্লকই।

নাকল অমরোমদা অমুক নীংতম লালহৌগীদমক খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা ময়ূমদগী খোঙ থাংদোক্তুনা চৎখ্রবা লমদম অসিগী নহাশিংগী মরাইবকপু 'পাঙ্গোং পান্বী' শৈরেংদা অসুম্না শৈথারকইঃ

ইমানা পি মরীক অনীদং
ফিজিনা তৈথোক্লগা খুন্নকইঃ
নরোয়-ননাউশিংনা চৎখি
চীংদা-মান্দা, লোইজিং-লোইয়াদা,
ঐবু থিবা।...
ঐনা ঙাইরি
মখোয়না কৈদৌঙৈ হল্লকপা?
চৎখিবগী লম্বৈলদি মখোয় খঙই,
হল্লক্লবা লম্বৈলদি মখোয় খঙদে।
অদুননে ইমানা
থারিবনি চীংমায় থুংনা
পাঙ্গোং পান্বীশিং। (লাঃ ৩)

শৈরেংসিদা অইবনা লমদম অসিগী কলচরগী মশক্তগী পাঙ্গোং পান্বীগী মফম অমা পুশিল্লকই। করিগুম্বা মীওই অমনা শিবা মতমদা অশিবা মশা ফংদ্রবদা পাঙ্গোং পান্বীগী মনানা মহুৎ শিন্দুনা পোৎলোইবগী চৎনবী অমা লমদম অসিদা লৈরকই। অসুম্না নীংতম লালহৌদা খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা চৎখ্রবা লমদমসিগী নহাশিংগী তন্বা ঙমদবা মখোয়গী পুন্সিগী মরাইবক শৈরেংসিদা য়েক্লি।

তংদু লৈতদ্রবা, হিংশানা থল্লবা লমদম অমগী শক্তমদা খূত্তা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা য়ূমথোঙ খূদিংদা লৈরকপগী মশক্তা 'অতৈ-অতৈ অমসুং হিরানবা' হায়রিবা শৈরেংসিদা উৎলকইঃ

খুঙ্গং অমদা খুঞ্জা খূদিংমক
ফূরিৎখাউদা নোংমৈ থেৎলি
কলম থোৎপগুম
পণ্ডিতশিংনা।
লমকোয়বা অমনা হংই ঙক্লাঃ
নখোয় লোইনা টেরোরিষ্টলা?
খুঞ্জা অমনা খুন্নকইঃ
নত্তে, ঐখোয় লোইনা টেররনি। (লাঃ ৬১-৬২)

অসুম্না খূৎলায়গী মপাল তাংদুনা মীচম প্রজা কয়াদগী শেলগী দিমান্দ তৌবগী থবক্তা লমদমসিগী মৌ নহা ফাওবা থৌওংশিং অসিদা শরুক য়াশিল্লকপগী মশক অমা ইং কুমজা ২০০০ গী দিকেদতা থোকখিবা মতমদুগী খুন্নাইগী মমিসু ময়েক শেংনা পাউদম্লকই।

লমদমসিবু অইবগী থম্মোয়দা পূম্নমক্লা শৈথানরিবা 'সনা লৈবাক মণিপুর' নি হায়না চেৎনা থাজৈ। অদুবু চীংনা কোয়শিনবা পীক্লবা লমদমসিগী মনুংদা নাইতোম তানীংবগী ৱাখলনা নুংদা ওমদুনা লৈরিবা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ শেগায়দুনা মুন্নবা হোৎনবদা ঈহিং নাহিং শারবা ঈগী মনম কোক্ত্রিবা লমদম অমগী শক্তমদা দ্রিম ভিজনগী ওইনা 'লৈপাক্কী লৈনম' দা অসুম্না ফোঙদোক্লিঃ

থনুংদা
নাইতোম তানীংবগী ৱাখলনা ঙাওরবা
মুরুম-মুরুম শোন্দুনতা লৈরিবা
চীংশিংনা নীংখায়রক্তুনা ননশিনখ্রবরা হায়না
য়েংলুই ঐনা?...
আঃ লৈনুংদা
সনাগী লৈশাদা ঙাওরবশিংনা
মচেৎ-মচেৎ শেগায়দুনা মুন্নরিবা
ঈহিং-নাহিং শারবা
থক-থক নীক্লা
চৈনা খাঙলিবা
মালেম লৈমা ওইনা। (লাঃ ৬৪-৬৬)

অইবনা কাছার লমদমদা পোকচরবসু 'ইমা' হায়রিবা শৈরেং অসিদা চীংলোন কয়ানা কোয়শিন্দুনা লৈহৌরবী

মণিপুরগীদমক ৰাজবগী পূক্লিংগী ফিভম ফোঙদোক্তুনা মরৈবাক নুংশিবগী ঈহূলবু অসুম্না পাউদমলকইঃ

ইমাগী ইবুংঙো,
ইমাগী ইবুংঙো!
মশা চাকথেল্লবা উচেকশিংনা
লাক্ল-লাক্লা খোংবগুম
মীকপ-মীরাওখোল তারি তাম্না।
মীকপখোলসিবু নঙগীরনে ইমা?...
লম্বী খূদিং কোয়থৎ-থৎচিল্লিবা
চীংশাংশিংসে
মথম্মোয় ওন্থোক্নসু কনমল্লি।
নাপলগী থেক্কৎলিবা মঙকশিং
খজিক্তং নোম্থো তাবিদে।
অদুবু ইমা লাক্কনিয়ে ননাক্তা
চীংশাংশিংগী থেক্কৎলিবা কোক্তোনশিং
কার-কারদুনা
লান-লান্দুনা। (লাঃ১১২-১১৩)

লমদমসিদা আর্মর্দ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ অমুবা আইনসিগী মরুমদা ভারত লান্মীশিংনা নুপী ওইবীশিংগী মথক্তা চত্থবা থৌওংশিংবু পেন্দবা উৎপা শৈরেংশিংগী মনুং চন্না 'কুরাক অমা উপাল অমা' দা ফোঙদোক্লকই। শৈরেংসিদা ইং কুমজা ২০০৪ গী জুলাই তাং ১০ দা ১৭ শুবা আসাম রাইফলনা লালহৌবা য়াওই হায়বগী মরালদা থাংজম চনু মনোরামাবু ময়ূমদগী ফাদুনা পুখি। নোংঙাল্লকপদা ঙারিয়ান চীংগী থোংগ্রানবী লৌকোলদা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা হঞ্জিন-হঞ্জিন মাঙহনবিরবা তুং মীহাৎ থীনা হাত্তোক্তুনা হুন্দোকপিরল্লবা মনোরামাগী মীহাৎপু অইবগী নীংশিং ইপোল্লক্তা নৌহৌননা নীংশিংলকইঃ

নীংশিংবনা
তুফাং খপ্তুনা থাপ্লা পাইখি।
অদুগা
চীক্তুনা চেনশিল্লকই
শাইজীন্দা,
ঙারিয়ান চীংগী খোয়জিখাদা
শজিবুগী নোংলৈনা হুমদৎপিরম্বা
মশা হীকথরবা
কুরাক অমা। (লাঃ ২৬)

ভারত লান্মীশিংনা অফসপাগী মরুমদা চিংনবা মীওই অমবু হেক্তমক ফারগা হাত্তোকপগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চত্থরকখি। লোয়ননা লমদম অসিগী চনুরা কয়াগী ইজ্জৎপু খোঙ্গাউনবিখিবা অমদি পুন্সি কয়া পিখম্নহনখিবগী মশক 'সিজোফ্রেনিয়া' হায়রিবা শৈরেংসিদা পাউদম্লল্লি। অসুম্না ইং কুমজা ১৯৭৪ গী মার্চ ৪ দা উখ্রুলগী ঙাপ্রুম খুলদা রোজ কৌবী নুপী অমবু বি এস এফ না মিনুংশি লৈতনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি। থৌদোকসিগী তুংদা মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবী চনু রোজগী থৌদোকপুসু অপাবশিংগী মফমদা নৌহৌননা নীংশিংহল্লকই। অসিগুম্বা লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংগী ইজ্জত্তা তেমশিংনরিবশিংগী ময়োক্তা পেন্দবা ফোঙদোক্লিঃ

ফোটো এলবম অমা হাংদোরক্লে মতোমতা-
চনু রোজ, সঞ্জীতা, আঃ মনোরমা...
মীৎসিদা মথং-মথং উরক্লে।
রেপ হায়বসে
আর্মিশিংগী পরম্পরারা
নত্ত্রগা খম-থেংনা
চাওখৎলকপগী খূদম অমরা? (লাঃ ২১)

নিশাগী চৈথেং ফংলবা খুন্নাই অমগী মশক্তা অইবনা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা নিশাগী ঈপাক্তা লূপ্লকপগী মশকপু 'থোং নম্বোনবী' শৈরেংদা তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা ঙসিগী নহারোলশিংনা ফত্তবা লম্বীদা খোঙ থাংদুনা চৎপা উবদা মমা ওইবী কয়াগী থম্মোয়না অৱাবা খাঙবগী তেংথাখোল ওইনা নুংহীক্লনা কপ্লি। মচাশিংগীদমক খনবদা পুন্সি নম্বো পুবদা ৱানা খাঙলিবী মমা অমগী শক্তমদা থোং নম্বোনবীবু য়েক্লকইঃ

তাংলৌ লৈনা থেঙবদা
য়াম্ফক তারবা, ড্রগনা কীন্থরবা,
নশূশিংবু নমদা পোদুনা
হীক্লা-হীক্লা তেংথারি

কৈথেল লাইরেম্বীগুম। (লাঃ ২৯)

অসিগুম্লবা নিশাগী ঈপাক্তা লুপ্লিবা লমদমসিগী ফিভম্মু যূগী খরুং অমদা লূপ্তুনা লৈরিবা লৈবাক অমগী মশক্তা 'য়ু অমসুং তেলঙ্গা' শৈরেংদসু ময়েক লানা পাউদমলকই। যূদা লাইচুরবা নুপা কয়াগী পুন্সিগী মশক য়েক্কুনা লমদম অসিবু যুগী খরূংদা লূপ্লিবা লমদম অমগী মশক্তা থারকই।

লমদমসিগী লৈঙাকলোয়শিংগী অশোয়বা, অমোৎপশিংবু উৎপা শৈরেংশিংগী মনুং চন্না 'গান্ধীজীগী খুরুম' হায়রিবা শৈরেংসিদা সেটারিকেল টোনদা করেম্নবগী মশক অইবনা উৎলিঃ

খঙউ,
খুরুমশিংনা
তোঙলবা চীংলাইবক্তা
খূমাঙনা খোৎল-খোৎলদুনা
লূরবা গুহা শেল্লি,
কৈগুম্মা মকোল শারি।...
চেকশিল্লু, মখোয়সে
গান্ধীজীগী খুরুম অমতা নত্তে,
ঙরাংতা জূদগী নাম্বোরকপনি। (লাঃ ১১৪-১১৫)

মতাং অসিদা লমদম অসিগী রাজনীতি তৌরিবা মীওইশিংবু করেম্নদুনা মখোয়না গান্ধীজীগী খুরুম হায়বদি মহাক্কী বাখল্লোনবু লল্লোনপোৎকুম মায়খুম উপ্তুনা শান্নরকপগী মশক্কু ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা রাজনীতিৱালাশিং অসিনা পূকচেল শেংনা লৈবাক্কী সেবা তৌবা ঙম্লক্তবা, করাম চাউবা, অরানবা লম্বীদা পৈশা চারকপগী মশক্তা 'মমৈ-৪' শৈরেংদসু ফোঙদোক্লকই। লোয়ননা অচুম্বা মাঙখ্রবা লমদম অমগী মশক্তা মীওই কয়ানা অরানবা লম্বীদা খোঙ থাংদুনা চৎপগী নুংনাংবা উৎলি। 'ঊচি মন্ত্রি' শৈরেংসিদসু লমদম অসিগী লৈঙাকপা লুচিংবশিংগী কখোকপা ঙমদ্রবা পূকচেল শেংদ্রবা মন্ত্রিশিং অসিবু ঊচি ওইনা সিম্বোলাইজ তৌদুনা উৎনবা হোৎনরি,

লেঙগুম-লেঙদগুম, লেঙগুম-লেঙদগুম, পরেং পরেং চীং লম্বীদা চঙলকপা ট্রক গাড়ীশিং মরুম পুবী ককচেং ঙাক্তনি। চেঙগৈ য়ৌরক্লিঙৈ মরুমশিংদো মচা ওল্লমালে। চৎনখ্রে মাগী মাগী লম্বেলদা। (লা.৫৭)

চীংলোন কয়া লান্না থবায় খূবাক্তা হাপ্তুনা ট্রক ড্রাইভরশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামগী পূকচাক ওইরিবা চেঙ বোড়া বোড়া পুশিল্লকই। অদুবু লমদম অসি হেক য়ে।রকপগা প্রজাশিংগী চাকথুং অদু য়েন্থোক্লিঙৈ অঙম-অথে। মন্ত্রিশিংনা ঊচিগী মতে।গুম চেঙ বোড়াশিং হোন হোঃদুনা পুখিবগী মশক উৎলিবা শৈরেংনি। অমুকসু লমদম অসিগী লৈবাক ঙাক্লিবা মন্ত্রিশিংবু ওইজবা থিবা, শেঞ্জা-থুমজা তৌবদা হালেংদবা, প্রজাশিংগী ঈ চুপ্পা কাং অমগুম মন্ত্রিশিং অসিবু মেটাফোরিকেল ওইনা 'ইপোম মচা মচা' শৈরেংদা ফোঙদোক্লি।

লমদমসিদা অমুবা আইন অফসপাগী মরুমদা করিসু খঙজদবা মীচম প্রজাশিংদা মীওৎ-মীনৈ চথবগা লোয়ননা চিংবু চিংনরবদি কাপ্তুনা হাৎপগী থৌওংশিংদা লমদমসিগী প্রজাশিংনা মিপাইবা পোক্লদুনা 'আইদেন্টিটি কার্দ' শৈরেংসিদা উৎলিঃ

হে চীংলৈবাক,
নঙগী মায়থোঙবু কুপশিল্লিবা
মরোল তরেৎকী অমম্বনা তিল্লবা
অমুবা আইনগী শল্লাংসে
কৈদৌঙৈ খোমগৎকনি? (লাঃ ৫)

মতৌ অসুম্না শৈরেং অসিদা ভারত লৈঙাক্কী অমুবা আইন্না অঙাওবা নুংশিৎকুম শাফূ কল্লবা ঈথক-ইপোম ওইনা অমদি মশাগী শক্তম মাঙশিল্লক্লবা তুশোল্লবা মণিপুরীশিংবু ঈরৈনা চেন্থখ্রগদবা কোঙ্গোল ওইনা, নুংদা মৈপুবা উপালগী সিম্বলনচিংবা শীজিন্নদুনা নীংথিরবা শক্তমদা আইদেন্টিটি ক্রাইসিসকী শক্তম অমা শৈরেংসিদা শেমগৎলকইঃ

ইমাঙমক্তদা
ঈশিং-ইপোমশিংনা মশোং ফল্লদুনা জৃ-জৃ
পাইশিল্লকই লিনগুম্না।
ঈপান্দা শাফু কন্না মমৈনা ফূজিল্লদুনা হায়রকইঃ
নঙদি কোঙ্গোলনি, চেন্থদুনা পুরিবনি থাপ্না।

উরু–উরু লৈশিন্দুনা য়োৎশিনগনি ঐনা ঈরৈ ওইনা। (লাঃ ৬)

খুন্নাইসিগী মাঙশিল্লক্লিবা শক্তন্মু কঞ্জনীংবগী ঈহুলদা 'লৈ থিবা' হায়রিবা শৈরেংসিদা অইবগী ৰাখল মীৎয়েং য়াম্না কূপশিন্না সেরিয়স ওইনা খূৎ থারকই। লমদম অসি মীশি–মীনানা পীক থল্লবা অকিবগী মশক ওইরবা অদুঙেগী অৰা লানগুম য়েক্লবা হোৎনরকই। মমা ওইবী কয়াগী মীকপ মীরাওখোলনা পুমনিন নিল্লবা খুন্নাইগী শক্তমবু পাউদম্লকই। মচা কায়নবগী, মপুরোইবা শেৎনবগী অৰাবগী তেংথাখোলতনা নাকোং শীংজা য়ৈরকই। খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা লালহৌরিবা অমদি সরকারগী লান্মী অনীগী মরক্তা মীচম প্রজা কয়াগী থৰায়না খাংঙুথক্তা পিখম্নবগী মশক উৎলি। অসিগুম্বা মপূ য়াম্বা লমদম অমগী মশক্তা *নুমিৎ কাপ্পা*গী ৰারীবু মতাং অসিদা পুশিল্লক্কুনা ঈং তপ্পবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক খ্বাই নোংচেংবম পীবানা লৌখিবা থৌদাং অদু নীংশিংবা মতম ওইরে হায়না অপাবশিংগী মফমদা ফোঙদোক্লি। তাউহুইরেং অহনবগী ঈনা পকহৌবদগী ওনখিবা সয়িলৈবু মতাং অসিদা অইবনা ঈং–তপ্পবা খুন্নাই অমগী সিম্বল ওইনা পুশিল্লকইঃ

সায়িলৈ চরোংনা শমজিদা থেত্তুনা
ইমা খুল্লাকপীনা
মহৌশাগী মীনোক্তা
মোমোন মোমোন নোক্লি
উমংলাইগী লাইবূংদা। (লাঃ১১৮)

শৈরেংসিদা অইবনা ওপটিমিষ্ট অমগী মীৎয়েংদগী ঈং তপ্পবা খুন্নাই অমগী মঙলানদা আশা অমা উৎলগা শৈরেংগী পোলোই ওইরি।

অইবনা মণিপুরী খুন্নাইগী মশক য়েক্লকপদা চঙখোন্না নুং য়ৌনা য়াম্না সিরিয়স ওইনা ফোঙদোরকই। খুন্নাইসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৰাথোক খূদিংমক্কী মমি চিথহন্দনা শৈরেংশিংদা উৎনবা হোৎনরি। নীংতম লালহৌ, কাঙলূপকী ঈরাং, লানগী চৈথেংনা মরাল লৈজদ্রবা পুন্সি কয়াবু রিফ্যুজি ওইহনবা, নিশাগী ঈপাক্তা লূপ্লিবা খুন্নাই, মীওইবগী লমচৎ মাঙথরকপা, নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনববু চৎনবী অমগুম চত্থরকপগী থৌওং, লৈঙাকলোয়শিংগী অমোৎপশিং পূম্নমক অসিগী মথক্তা ঈং–তপ্পবা খুন্নাই অমগী ঈখৌ লাংবনচিংবা শক্তমশিং মরিক চুম্না পাউদম্লকই। লোয়ননা করিগুম্বদনা নোষ্টালজিয়াগা লোয়ননা, লমদম অসিগী ত্রেদিসনেল ভেল্যুশিং উৎনবা হোৎনরকই। আশা অমদি নীংবা কায়বগী মশক ইপুন পূনশিন্না থল্লকপা শৈরেংশিংনা মপূং ওইবা খূথা ওইরি।


**মতেং লৌখিবা লাইরিক অমদি চেফোংশিং**

১। মীতৈ, আর জে, *নৈনবগী মীৎয়েংদগী মণিপুরী শৈরেং,* ইম্ফাল, রিন্দা পব্লিকেসন্স, ২০১৫।

২। ইবোহনবী, থোকচোম, *অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইমেজরি,* ইম্ফাল, রাইটর্স ফোরম, ২০১৪।

৩। কুমারী চনু, ৰাহেংবম, নৈন বারেং' নাচোম, ইম্ফাল, নোরা পব্লিকেসন্স, ২০১৭।

৪। ..., *হুম্ফতরাগী নোংলৈ মতুংগী য়েন্নীং,* ইম্ফাল, নোরা পব্লিকেসন্স, ২০১৭।

৫। ময়েংবম, দিলিপ (সম্পাঃ), *সৈরেং,* অনীশুবা ভোল্যুম, ইম্ফাল, অসৈলুপ, ২০১৭।

৬। বিদ্যাসাগর, নাওরেম, *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি,* ইম্ফাল, দি কলচরেল ফোরম মণিপুর, ২০১১।

৭। ভোগেশ্বর, ওইনাম (সম্পাঃ ), *নুমিৎ কাপ্পা,* ইম্ফাল, বরসা পব্লিকেসন্স, ২০১৮।

৮। *মপাউ,* 'নাওরেম বিদ্যাসাগরগী খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজিদা মহৌশা', ৬ শুবা কালেন মশীং, মে ২০১৫।

৯। *মপাউ,* 'হৌজিক্কী মণিপুরী শৈরেংঃ নহা অশৈবশিংগী খোঞ্জেল', ১৭ শুবা মশীং, ওক্টোবর, ২০২১।

১০। *ঋতু,* লাইরিক মশক তাকপা 'নাওরেম বিদ্যাসাগরগী খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি',দি কলচরেল ফোরম, মণিপুর,১৬১–১৬২ শুবা মশীং, ফেব্রুৱারী এপ্রিল, ২০১৫।

১১। সনাজাওবা, এন, *মণিপুর পুবারী কুনমাথোইশুবা চহিচা,* অহুমশুবা খূৎনম, কাঞ্চিপুর, নেসনেল রিসার্চ সেন্তর, ২০০৯।

 ISSN 2347-9140

# *ইমাসি নুরাবী*দা নুংশিবা অমসুং কথোকপগী মফম

**লৈমপোকপম তোন্দোনসনা চনু**

পিঐচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

### Abstract

In *Imasi Nurabi*, love- relations and sacrificial love occupy a great place. The main charactors - Ningthem Mangangsana and Surmila Sen's journey to search for 'Lost Island' and 'Lost Love' becomes the main theme of the novel. In its journey, the movelist delineates many aspects of love and sacrifice.

Deviating from the destination of love where two lovers are bound to unite, sacrificial love is brought to our notice as the virtue of life and is presented to us as the great ideal of life. Standing on their respective firm stance of love, bearing the pangs of love within their hearts, each character sacrifices their love.

Because of tender feeling- love, how far a lover can stand for a lover and how much a lover can sacrifice for a lover is shown in this novel. Affectionate love (Vatsalya Prem), romantic love (Shringar Prem) as well as friendly love (Sakhya love) are also shown. It shows as intence flow of love which pushes down all the barriers that lay ahead. For love, concealing all the agony within, for all good, sacrificial love is delineated vividly.

***Key words:*** *affectionate, romantic, friendly love*

মীওইবগী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা মমিংদি লৈরগা মশক উবা ঙমদবা 'Abstract' হায়বা ৱাহৈসিগী চপ চাবা খূদম অমা ওইনা লৈখ্রবা 'নুংশিবা' (love) হায়বসি ঙমখৈ নাইদ্রবা, শোক্লু-থেঙলুবা য়াদ্রবা, 'মদু ফাওবনি' হায়বগী অরেপ্পা লৈই লৈতবা থম্মোয়তগা মরী লৈনবা ঈহুলনি। অশেংবা নুংশিবগী মফমদদি চহীগী খেন্নবা, লায়র-ইনাকখুনবা, জাৎ-বীজাৎ হায়বা অমা খায়দে। নুংশিবদি খেন্নবা পূম্নমক্কী ৱাংমদা লৈ। নুংশিবগী খমথেংবদি ওইজবা থাদোকপনি, কথোকপনি হায়নরিবনি। মীৎয়েংসিমক উপন্যাসকার বী এম মাইস্নাম্বগী *ইমাসি নুরাবী* দা য়াম্না নীংথিজনা শেমগৎলি। জাৎ মান্নদবা অনীগী মরক্তা নুংশি মরী শেমগত্তুনা নুংশিবগীদমক কথোকপগী অয়ৌবী থাক উৎলি।

*ইমাসি নুরাবী* উপন্যাসকার বী এম মাইস্নাম্বগী খোৰ্জ্জেগী মগুণ লোকখিবা, ইং কুমজা ২০০৭ তা সাহিত্য অকাদমি এৱার্দ ফংখ্রবা মণিপুরী সাহিত্যগী শীংথানীংঙাই ওইরবা লাইরিক অমনি। উপন্যাস অসি তোঙান-তোঙানবা অখঙ-অহৈশিংনা মাগী-মাগী ওইবা নৈন-মীৎয়েং কয়াদা পাদম লাকখ্রবনি, অদুমওইনমক নৈনবগী অরোইবা পনখৈ হায়বা লৈতবা সাহিত্যগী পোথোকশিংনি। ৱাখল্লোনসিদা, হান্নদগী য়াওজদুনা লৈরবা মশক মহাওদুদা খরদং হেন্না মচু লোকপা ঙমজবা হায়বসিনা নৈন-ৱারেংসিগী পান্দমনি।

অইবগী মঙলান্দা লাকখিবা শক্তম অমগী থৌইনশিন্না ইখিবা *ইমাসি নুরাবী* লাই হরাউবগী লাই নুপী থিবগী চৎনবীনা ৱারীসিগী য়াঙলেন শরু ওইরগা পান্দা ওসিনিক রোমান্সকী মহাউ অমা পীদুনা মরুওইবা চরিত্র ওইরিবা নিংথেম মঙাংসনা অমদি সুরমিলা সেন অনীগী 'লোষ্ট আইলেন্দ' অমসুং 'লোষ্ট লভ' থিবগী খোঙচৎনা মেন থিম

 ISSN 2347-9140

ওইদুনা নুংগী খোঙচত্তা নুংশিবা অমসুং কখোকপগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোনশিং উৎলিবা উপন্যাসনি। 'লোষ্ট লভ' সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদা লূপখ্রবা মশাবী অমা থিবগী খোঙচৎনি, 'লোষ্ট আইলেন্দ' না মতম অমদা মপা-মপুনা লৈরম্লবা লূপখ্রবা দ্বীপ অমা থিবগী খোঙচৎনি। মতৌ অসুম্না খোঙচৎ অনীগী মায় পাকপগী পোল্লোই উৎলিবা উপন্যাসসিদা চরিত্রশিংগী নুংশি ঈচেল অমদি কখোকপগী চাউরবা মফম উবা ফংই।

উপন্যাস অসিদা তারিবা নুংশিবগী মপূং ওইবা মশক্তি হরাউ-মিনোক তমদুনা নুংশি পন্থুং য়ৌনা হিংবা পুন্সি অমমমদগী নাথৈখ্রবা কখোকপা নুংশিবনা হেন্না মমল লৈনা লৌজবা পুন্সিবু নুংশিবগী বলিদান ওইহনবা অৱাংবা থাক্কী নুংশিবনি। লেপখ্রবা নুংশিবগী খোঙফমদগী মৈচাক পুনা পুনা অমনা অমবু নুংশিবগীদমক কখোক্লরিবা *ইমাসি নুরাবী*উপন্যাসনি।

উপন্যাসসিদা শেমগৎলিবা মপূংওইবা নুংশিবগী শক্লোন্দি নুপা-নুপীগী শৃঙ্গার প্রেমদগী হৌরগা মমা মপা ওইবশিংনা মচা-মনাউ ওইবশিংবু নুংশিবা বাৎসল্য প্রেম, মরূপকী নুংশিনবা শাখ্য প্রেমগী ময়াই কল্লবা নুংশিবগী শক্লোন অহুম্না মশক থোক্লা লৈতেংলি। নৈনবদা খুদোংচাননবগীদমক চরিত্রশিংগী পুন্সিদা চঙশিঞ্জরগা হীরমসি পুখৎনবা হোৎনজে। অহানবদা, উপন্যাস অসিগী মরুওইবা চরিত্র ওইরিবা সুরমিলা সেন 'ইমাসি নুরাবী' মিংথোল ফংলবীদা নুংশিবা অমসুং কখোকপগী মফম কদায়ফাওবা উবগে হায়বদু মীৎয়েং থল্লি।

সুরমিলা, শক-চু চঙখোন্না ফজবী, সমুদ্রগী মরমদা নীংথিনা জ্ঞান লৈরবী ওসিনোলোজিষ্ট অমনি। মহাক নুংশিবগী অহৌবা খোঙফমদা মায়থীখি। নুংশি কায়না মৈশানা নাম্মা হাংলবী নুরাবী ওইখি। কোকখুম্বী মাইবীগী শরৌনা নিংথেম লাবাসনা অমদি মতা ওইরিবী ললীতাবী অনীবু লাই লুহোংবগী থৌরমনা লাই নুপা নুপী ওইনা শকখঙনরবদা থম্মোয় শেংনা নুংশিনরকপা লাবাসনা মখোয় অনীগী মরক্তা পল ওইনা খাখিদুনা নুংশি মঙলান মচেৎ তানা থুগায়দুনা কায়নবগী ঈপাক্তা লংথবিখি। চৎনবীনা ওইহনখ্রবা মশাবী লাইনুবা লাবাসনানা নুমিৎ ৮ নি শুবগী লাইথোঙ হাংদোকপদা চেন্থোরক্তুনা হুয়িল্লর আইলেন্দা মহাকপু উনবা লাকখি। কালিবাড়ী মন্দিরদা লুহোংনবা হায়জখি। অদুম ওইনমক সুরমিলানা মতাং মতমনা পল ওইহনখ্রবা মহাক্কী নুংশিববু পন্থুং য়ৌনবা মশাবীনা লৌবা লাক্লবফাওবদা পন্থুংগী নুংশিবদগী কখোকপা নুংশিবনা হেন্না মমল লৈনা লৌজখি। চৎনবীবু শীংনদুনা মশাবীগী মিংচৎ থীহনবা অমদি মতা ললীতাবীগী মপুন্সি মাঙহনবা পামখিদে। মতাংসি উপন্যাসসিদগী মতেক অমত্তং লৌখৎচরিঃ

''চৎলো নিংথেম... নখোয়গী কলচর ঙাকউ।
ললীতাবীগী থম্মোয় কায়হনগনু।''
...'' নুংশিরবী ইতা অমগী পুন্সি মাঙহনবা পাম্মুই।
চৎলো চৎলো, মাগী থম্মোয় কায়হনগনু!''
(বী এম মাইস্নাম্বা, *ইমাসি নুরাবী* ঃ ১২২)

মতৌ অসুম্না মহাক্কী থম্মোয়দা নুংশিবগী মৈচাক পুরবসু চৎনবীবু ঙাকপা পামজখি অমদি মতা ওইবগী নুংশি মরীবু লূম্না লৌজখি, থম্মোয়গী নুংশিববু মতাগীদমক কখোক্তুনা লাবাসনাবু বিদায় পীখি।

মতাগীদমক নুংশিববু কখোক্লবসু নুংদদি মশাবী নিংথেম্মু ঈরাৎচরিবী সুরমিলানি। লাবাসনাগীদমক য়ূম্বান পুন্সি থাদোক্তুনা, কায়ন মৈশা খাঙদুনা পুন্সি লেনখি। ব্রেন কেন্সরনা নাদুনা ৱাখল অমদি হকচাং অনীমক্কী চৈনা চৈথেং খাঙদুনা হিংখি। অমুকসু মশাদা শাগোন্নরিবা অৱাবা অশোনবশিংবু লোৎশিন্দুনা নিংথেম মঙাংসনাগী সমুদ্রগী গাইদ অমা ওইনা থৌনাগী ঈথিল পীখি। সুরমিলাদা অৱাংবা থাক্কী কখোকপগী ফিদম ঈরোয়নদুনা লৈখি।

লাবাসনাগী অনৌবা মপোক্লি খঞ্জরিবা নিংথেম মঙাংসনাবু করিগুম্বা মতমদা সুরমিলানা মহাক্কী মতম অমগী লাবাসনা ওইনা হেক হেক উখি। চোয়ঙাং কয়া ঙাঙদুনা মঙাংসনাবু চাংয়েং তৌজখি। মঙাংসনাবু লাবাসনা ওইনা লৌদুনা হায়রকপা মতাং অমা নীংশিংবা য়াইঃ

ঐবুনা হেন্না ঙাওহনখি। নঙনা, নঙনা নঙগী মপোক অমদা! নঙগী ঈশৈগী পরেংশিং নীংশিংলি ঙসিসু। থাবল ফবা অহিং খুদিংগী ইথন্তা শকই। পি শিন্থে। মৈচাক মৈশা খঙজখি শাংলবা চহী কয়া...

(ইবিদ.,ঃ ৪৯)

অসুম্না নিংথেম মঙাংসনাবু মপোক অমগী নিংথেম লাবাসনাগুম উরকই। অঙাওবীগুম মপোক অমগী ৱারী লীদুনা অৱা পোখাজে।

সুরমিলাগী নুংশি ঈচেলদা নিংথেম মঙাংসনাবু মশাবী লাবাসনাগুম উরবসু থংনবা মীৎকৃপ্তদি নুংশি ঈহুলনা ওইহল্লিবা অশোনববু কুপশিন্নবা হোৎনদুনা শক্লোন অমদা হোংখি। মঙাংসনাবু মহাক্কী অঙাওবা ৱাখল অমনা লমফৈনবা অপাম নুংশিগী ৱাখলদা হেক হেক পুরুরবসু মঙাংসনাবু মচাগুম নুংশিজখি। মপোক অমগী তাইশিনখিদ্রবা থম্মোয়বু মচাগী নুংশিবনা তাইশিনগে খঞ্জদুনা মঙাংসনাগী মফমদগী মহাক্কী অপোকপী মমা চিট্টাগোং মমাসিগী ফিদা অদুমক পীনবিয়ু হায়দুনা নীখিঃ

> মঙাং! মঙাংসনা! কনা লৈজদ্রবী নঙগী নমাসি নুরাবীবু... নঙগী চিট্টাগোং নমাসিগী ফিদা অদুদা... শুপ্নতংগী ফমফম মচা অমতং পীনবিয়ু। ইশাবী নিংথেম অমা কায়নখ্রবসু... ফংলেদনা ঙসিদি, নিংথেম অমা ঐগী ইচা নিংথেম ওইনা!
>
> (ইবিদ.,ঃ ১৫৯)

অসুম্না সুরমিলাগী মফমদা কাউঙমদ্রবা নুংশিবগী মৈচাক অমা ফুমদুনা থল্লবসু মচাবু নুংশিবগী লীপুন অমনা মথানুংদা চেৎনা পুনশিঞ্জরকই। মতা ললীতাবীগী পুন্সিবু মাঙহন্নীংদবনা থম্মোয়গী নুংশিববু কখোকচখি। নুংশি কায়না মৈশানা য়ূন্বাল পুন্সি থাদোক্তুনা মচাগী প্রেম ফংদ্রিবা সুরমিলানা মঙাংগী মফমদগী মমাগী ফিদা নিদুনা শাখ্য, শৃঙ্গার, বাৎসল্য প্রেম অহুমক্কী তুংনফম ওইবী নুপী অমা ওইনা মহাক্কী নুংশিবা অমসুং কখোকপগী ময়াই উপন্যাসিদা উৎলকই।

অনীশুবদা, উপন্যাস অসিগী মরুওইবা চরিত্র ওইরিবা মপোক অমগী মীৎনা উবা অহিংবা শায়োন্নি উৎলিবা Living reincarnation of the living creator হায়না উপন্যাসকারনা মশক তাক্লিবা নিংথেম মঙাংসনাদা কদায়ফাওবা নুংশিবা অমসুং কখোকপগী মফম য়াওরিবগে হায়বদু য়েংবা য়াই।

নিংথেম মঙাংসনা অপোকপী চিট্টাগোং মমাসি ললীতাবীগী পাউতাক অমবু খূদুং ইন্দুনা ৱাশক ঙাক্লবা হোৎনরিবা চিট্টাগোং রোয়েল ফেমিলিগী অরোইবা মৈরানি। উপন্যাসসিগী হৌগৎলকপদা তবানু-তবাবী মচিন-মনাউগা মঙাংসনাগা ইনখৎলকপগী নুংশিবা মরীদা তেন্তকপা ঈঙ্গিৎ কয়া উৎলবসু মমাসিগী অনীংবা অপান্নবু থুংহন্নবা হোৎনবদা ৱাশক্লা পুল্লবা, মমাবু চেৎনা লুনা নীংজরিবা মচা অমা ওইনা লান্থোরকই। মপা মপুগী মাঙখ্রবা দ্বীপ অমবু থিদুনা মমাগী পাউতাক লৌখি। খোঙবু ওইদুনা চৎমিন্নরিবী সুরমিলাগী কোচি থাংবা ৱাঙাঙ অমদি মওং-মতৌ কয়াদা কঙাওনরুরবসু শক্লোন য়ান্নী সুরমিলাগী পূংলোনগী মতুং ইন্না জগোই শাবনা মহাক্কী মথৌ ওইদুনা লোষ্ট আইলেন্দ ফংনবা হোৎনখি। মতাংসিদা উরিবা মঙাংসনাগী নুংশিবদি হকচিনবা অমকপা য়াওদবা গাইদ অমগী মওং মতৌ খঙনা চৎপা লম্বীনি। ৱাফমসি উপন্যাসসিদগী মতেক অমত্তং লৌখত্তুনা শৌগৎচরিঃ

> অমবু ওইরবসু, মহাক্লা হৈনীংলিঙৈ অসিদা ঐগী লোষ্ট আইলেন্দ ফংনবা হোৎনহৌবা তাবনি। ... মহাক্লা ইমাসি কৌ হায়। ঐনা কৌই। মহাক্লা মেদাম কৌনু হায়। ঐনা কৌদে... মহাক্লা ইশানৌ কৌ হায়রবসু কৌবা তাবনি। ... মাগী পুংলোনগী মতুংইন্না ঐহাক তান কায়দনা জগোই শাবা তাই।
>
> (ইবিদ.,ঃ ৬৯)

অসুম্না মমাগুল্লবী সুরমিলা সেন্না মঙোন্দা উৎিলবা মওং মতৌ, ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ-শাঙাং কোচি থাংবা চিংননীংঙাই ওইবা বাফম কয়াগী মরমদা ৱাহং কয়া মথন্তা হংজরবসু পাঙথোক্নে খল্লিবা থবক, পান্দম্না হেন্না লূম্না লৌবগী মশক অমা মঙাংদা উবা ফংই।

সুরমিলানা মৱৌ লৈবা অপাম-নুংশিগী, পূক্লিংগী ৱা কয়া নাকোয়ননা ফোঙদোক্লবসু ইনখৎলক্লিবা মঙাংনা ফাজিনবা ঙমদবা থম্মোয়গী ঈহুলনা কৈদৌনুংদা নক্ষত্তুনা হুমহনখিদে। মঙাংসনাগী নুংশিবদি সুরমিলাবু গাইদ অমা ওইনা ইকায়খুম্নজবা, অপোকপী মমাগী মতা অমা ওইনা মমা অমদা মচানা থম্বা নুংশিবা অদুনি। মরমসিনা পূক্লিং ৱাখলগী বিচারনা থম্মোয়গী নিংঙাই কয়াবু ফাজিনবা ঙল্লবা, থোইদোক্লা ফিদম্লফম ওইবা নুংশিবগী মশক মঙাংসনাদা উবা ফংই। অসিদসু নত্তনা মথক থোংবশিংবু

ইকায়খুম্নবা মচা অমা ওইনা মহাক্কী পুন্সিবু য়োকপিরকখিবা মপা শক্লবা সুকুমার সেনবু 'গোদ ফাদর' হায়না কৌজে। মপা মচাগী শেংলবা নুংশি ঈচেল উৎলি। মপুং ওইনা নিংথেম মঙাংসনাগী মফমদা উরিবা নুংশিবদি অহল–লমনবু মশক খঙবা, মথক থোংবশিংবু ইকায়খুম্নজবা অপোকপী মমাগী য়াথং থৌদাদা পুন্সি কখোল্লিবা বাৎসল্য প্রেম্বু ঈখৌলাংজরিবগী মশক্নি।

অহুমশুবদা, সমাজগী চৎনবীনা অয়াবা পীবিদ্রবা নুংশিবগীদমক থৱায়ফাওবা কখোকখিবা নিংথেম লাবাসনাগী নুংশিবগী মশক থোয়দোক্লা নৈননীংঙাই ওই। লাবাসনা সুরমিলাবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবা নুপানি। উৎকলদেশকী হুয়িল্লর আইলেন্দা নিংথেম নুরাবী শাদুনা সুরমিলাবু মহাক্কী নুরাবীনি খঞ্জখি। লাই নুপী থিবগী থৌদোক্লা লৈকাইগী য়ূমথংনবী মচল ললীতাবী অমদি মহাকপু কুম অদুগী লাইপাখঙ অমদি লাই নুরাবী ওইনা মাইবীনা কোৎপিখি। থৌওংদুবু পামদবদগী কয়ারক হন্না মীয়ামদগী নান্থোক্তুনা চেল্লবসু চৎনবী অমা ওইনা ৱাশক ঙাকপা মপাবুং নিংথৌনা মচা নিংথেম্বু কনবা ঙমখিদে। লাবাসনাগী পুন্সি সমাজগী অকনবা নিয়মনা পুনখিবনা মহাক নুংশি লম্বীদা থাজরুদনা পুথবী কোমদা তাখিবগুম উপায় লৈখিদে। পূম্নমকসি ওইদুনসু লাবাসনা থৌনা ফবা নিংথেম্নি, নুংশিবগীদমক পেন্দবা কয়া অমগা লোয়ননা ইকায় ইকি পূম্বা থাদোক্তুনা সুকুমার সেন অমদি ললীতাবী অনীগী মরী ফাওবা মপাবুংগী মফমদা তমজবতা নত্তনা লাইনুপী কোৎপগী চৎনবী অসিগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপখি। মতাংসি উপন্যাসসিদগী খূদম পীজরিঃ

> ''লাই লুহোংবগী কলচর অসি মুথৎলসি। চুম্নতগী ইরাৎ থৌনিরসি।''
>
> ...''নঙগী নচা সুকুকার চৎখ্রনিদো ঙসিদগী।... মাগী মাঙদা ঐহাক মায় অমুক হন্না উৎপা ঙমলরোইনে ... লাবীগা সুকুমারগা নুংশিনবনিনে!''
>
> (ইবিদ.,ঃ ১০৫)

অসুম্না মশাগী নুংশিবতা নত্তনা মরূপকী নুংশিববু মশক খঙনা সুকুমার ললীতাবীগী নুংশিবগীদমক্তসু ৱাজখি অমদি মখোয়গীদমক লেপখি।

> ''উপন্যাস অসিদা তারিবা নুংশিবগী মপুং ওইবা মশক্তি হরাউ–মিনোক তমদুনা নুংশি পন্থুং য়ৌনা হিংবা পুন্সি অমমমদগী নাথৈখ্রবা কখোকপা নুংশিবনা হেন্না মমল লৈনা লৌজবা পুন্সিবু নুংশিবগী বলিদান ওইহনবা অৱাংবা থাক্কী নুংশিবনি। লেপখ্রবা নুংশিবগী খোঙফমদগী মৈচাক পুনা পুনা অমনা অমবু নুংশিবগীদমক কখোক্লরিবা *ইমাসি নুরাবী* উপন্যাসনি।''

ইচা মীচা নাইদবা নিংথৌ অমগী ৱাশক ঙাকপা মপাবুং নিংথৌগী ৱায়েল বিচারনা মখোয় অনীবু লাই লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা নুমিৎ ৭ নি লাই নুরাবীগী শঙলেন মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা থম্বিখি। পূম্নমকসি ওইদুনসু লাবাসনানা ললীতাবীবু মচলনি খনবা ৱাখল অদুদি লেঙদনা লৈখি। মহাক্কী চান্নরবা মরূপ সুকুমার সেনগী মফমদা থম্মোয় শেংনা হায়জদুনা ললীতাবীবু কৎচরগা মখোয় অনীগী নুংশি পন্থুং য়ৌহনগে নীংখি। লাইথোঙ হাংদোকপগা নিংথেম লাবাসনা হিথাংফম তান্না খোঙলৈ থুনা চেনখিদুনা সুরমিলাগী মনাক তম্না চৎখি অমদি কালীবাড়ী মন্দিরদা লুহোংলুনবা হায়জখি, অদুবু লাবাসনাগী অমত্তা ঙাইরবা আশা নীংজবা পূম্বা তাইয়োন্নখি। সুরমিলানা মহাক্কীদমক

লেপ্পিরক্রবদা মপূক্লিং নৌরবা লাবাসনানা অরোইবা ৱাহৈ ওইনা লাউরম্মীঃ

ইশানে। নুরাবী! মপোক অমদা অমুক উনরসি। ঐ সিবানত্তনা অতৈ পাম্বে লৈতে... ! ঐ লূপখ্রনি... ঐ লূপখ্রনি!

(ইবিদ.,ঃ ১২৩)

তশেংনমক লাবাসনাদা অশেংবা নুংশিবগীদমক থৌনা ফনা লেপ্পা ঙম্বা, নুংশিবনা পুন্সিদগী হেন্না মমল লৈনা লৌবগী মশক উবা ফংই। নুংশিবগীদমক পুন্সি বলিদান কত্তুনা লাইট হাওস টৱারদা মহাক্কী হী বার্দ থোমজিন্দুনা মখ্বায় থাখি। নিংথেম মচা ওইবগী ৱাশক,থাজবা পূম্নমক ঙাক্তুনা মহাক্কী থৱায়দগী হেন্না লূম্না লৌজবা সুরমিলা, ললীতাবী, সুকুমারবু নুংশিবগীদমক কথোকখি। মরমসিনা লাবাসনা মশাখক্কী অপাম নুংশিতবু খৌরাংখিবা মীশক নত্তে, মরূপকী শেংলবা নুংশিবগী ঈচেল অমগা লোয়ননা মচল ললীতাবীগীদমক্তসু খঞ্জবগী শেংলবা থম্মোয় অমা য়াওরি হায়বসি সুরমিলাগী মনে সুনিতিদা হায়রম্বা ৱাফম্না নীংথিজনা তাক্লিঃ

ঐ নিংথেম্নি! লাইরেন্না মগুণ ঙাকপদা লফুত্তা কাদুনা সিবগুম ঐসু সুকুদাগীদমক, লাবীগীদমক, সুরমিগীদমক, পুন্সি বলিদান তৌগনি... !

(ইবিদ.,ঃ ১২২)

মতৌ অসুম্না *ইমাসি নুরাবী* উপন্যাসতা নিংথেম লাবাসনাগী ‘নুংশিবা’ হায়বসিনা পুন্সিগী মমলদগী হেন্না লূম্না লৌবগী মশক উবা ফংই। সমাজগী চৎনবীনা অয়াবা পীবিদ্রবা আশাগী লৈয়োন থুদেকপিখ্রবা সুরমিলাগী নুংশিবগীদমক, মরূপ সুকুদাগীদমক অমদি মচল ললীতাবীগীদমক নিংথেম মচা ওইবগী ৱাশক ঙাক্তুনা পুন্সিবু বলিগী হামেংগুম কথোকচখি। লাবাসনাগী নুংশিবা পন্থুং য়ৌখিদ্রবসু মহাক্না নুংশিবা অহুম্বু মমল লৈনা লাত্তুনা নীংজরম্বগী মশক অমদি থৱায় ফাওবা কথোকপা ঙম্বগী থৌওংনা অপাবশিংগী থম্মোয়দা মহাক্কী কথোকপা নুংশিববু ইকায়খুম্নদবা লৈরম্লোই হায়বসি থমজনীংই।

মরিশুবদা, উপন্যাস অসিদা মরুওইবা চরিত্র অমা ওইনা খূৎ থেকপদা চীথবা য়াদ্রবা সুকুমার সেনগী মফমদসু অৱাংবা থাক্কী কথোকপা নুংশিবগী মশক উবা ফংই। মহাক বঙ্গালি সেন ফেমিলিগী অরোইবা থাউমৈনি। ললীতাবীনা শিন্নরকপা মঙাংসনাবু মশামক্কী মচাগুম য়োক্তুনা মপুন্সি চূপ্পা কথোকখি। মঙাংসনাদগী নিংথেম শাগৈ হিঙ্গৎহনবিয়ু হায়বা ললীতাবীগী ৱাফম্বু ঙাকখি। মহাক্না নুংশিজখিবা ললীতাবীগীদমক পুন্সি চূপ্পা কথোকখিবগী ৱাফম্বু মহাক্কী লভ উইলদসু ময়েক শেংনা ইদুনা থমজখি।

তশেংনমক সুকুমার নুংশিবগী পূজারীনি, কথোকপা থাদোকপনা মহাক্কী ধর্ম্মনি। কায়নখ্রবী ললীতাবীনা থাজনা অমদি চেৎনা শিন্নজরকপা ৱাফমশিং ঙাকপনা মহাক্কী পুন্সিগী পান্দম ওইনা হিংলিবা মীশক্লি। মহাক মশাগী ঈদগী মচা লৈবা তারবদি মঙাংসনাবু মশামক্কী ঈনি খন্দুনা নুংশিরিবসি য়ৌবা ঙম্লোই খন্না মশামক্কী সেন শাগৈবু মুথৎচদুনা পুন্সি চূপ্পা য়ূম পান্দনা লেনখিবা সুকুমারগী অয়ৌবী থাক্কী কথোকপনি। অপোকপা মপা অমগী মশক উহৌদ্রবা মঙাংসনাদা অশেংবা মপাগুম সুকুমারনা মিনুংশি উৎলিবা, কথোক্লিবা পূম্বা খঙলবদা মঙাংসনাগী মচীন্দগী হায়রকখিঃ

ঐ ইপাগী মশক উহৌদে। ইপাগী নুংশিবা ফংখিদে। ঐগী মীৎনা উবা ঈশ্বরদি, বাবা সুকুমারনি! মঙোন্দগী ঙসি ঐনা ফংলিবা মপাগী নুংশিবা অসি, মাগী মপান নাইদ্রবা কথোকপনি!

(ইবিদ.,ঃ ৭৫)

ৱাফমসিনা সুকুমারগী কথোকপগী ৱাংলবা ফিদম্বু ময়েক শেংহল্লি অমদি মহাক্না নুংশিবগীদমক উৎলিবা পানগী অপাম নুংশিদা জয় তৌবা ঙম্লবা মপান্নাইদ্রবা কথোকপগী মশকপু হেন্না মথৌ শঙলি।

পূম্নমকসিগী মথক্তা সুকুমার সেন মরূপকী নুংশিববু লূম্না লৌজবা মীশক্লি। মহাকপু মচা শক্না য়োকপিরকখিবা সাগরসনানা ললীতাবীগী লমন শিংবা শক্তুনা খূদোল তৌরম্বা মফম অমবু সুরমিলা মিংথোনবা কোতেজ অমা শাদুনা মহাক্কী নুংশিরবা মরূপ লাবাসনাগী সুরমিলা কোতেজগী মঙফাওনখিদ্রবা মঙলান অমবু মঙফাওনহনখি। মরূপকী নীংশিং খূদম ওইনা শাজখি। সুকুমারনা কোতেজ অসিখক্তা নত্তনা লৈরিবা সি বিচ অমদি মহাক্না শেমগৎচবা

গার্দেনবুসু মিংথোল অসিগী মখাদা পূম্নমক থোন্দুনা মরূপকীদমক নুংশিবগী লেঙদ্রবা মঙাল ফুদোরকই।

অসিদসু নত্তনা মহাক্কী মপান নাইদবা কখোকপনা লৈজবা মরল মথুম পূম্নমক্কী উইল ইদুনা মঙাংসনাগী ২১ শুবা মপোক নুমিত্তা মীয়াম মাঙদা পাথোক্কুনা মঙাংসনাদা খূৎশিন্নবিখি। মচা নিংথেম্ন লোষ্ট আইলেন্দ থিয়ু হায়রকখিবা ললীতাবীগী ৱাফম্থু হেন্না মথৌ শঙবিবতা নত্তনা সুরমিলা সেনবু গাইদ ওইনবা কৌবিখি। পূম্নমক অসিনা সুকুমার সেন ৱাশক ঙাক্লা চৎখিবা, নুংশিবগীদমক কখোকপা থাদোকপদা চিংনবা লৈখিদবা, উপন্যাসসিদা নুংশিবা অমসুং কখোকপগী মফম শাগৎলকপদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা ফিদম্নফম ওইরবা চরিত্র অমনি।

অরোইবদা, ইমাসি নুরাবী দা য়াওরিবা নুংশিবগী মশক্তা খজিক্তং তোপ্পা উরিবদি চিট্টাগোং লাইনুরাবী ললীতাবীগী নুংশিবনি। উপন্যাসসিদা ললীতাবীনা ৱাইথুংনখিদ্রবা সুকুমারবু নুংশিবগীদমক আশা কায়রবী অমা ওইনা য়েক্লবসু মহাক ত্রেদিস্লেল ওইবী নুপী অমা ওইনা মতাং মতমগী মতুংইন্না চিট্টাগোং লাই লুহোংবগী চৎনবীনা ওইহনখ্রবা লাইনুবীগী পুন্সিবু মতাং মতম্না য়াজখি। নুংশি লম্বীদা পল ওইখ্রবসু চৎনবীনা অৱাফমদা চিংথবিরবা মফমদুদগী কাখত্তুনা মহাক নুংশি পন্থুং তম্না চৎকে হায়না খনখিদে। লাবাসনানা মহাকপু সুকুমার সেনগী মফমদা অশেংবা হায়জদুনা মবুংশক্লা কৎকনি হায়বা ৱাফম্থু মহাক্লা য়াখিদে। মীয়াম মমাঙদা চৎনবীগী মতুংইন্না লাইনুবী ওইখ্রবী মহাকপু ফনা নুংশিরবসু সুকুমারনা কৈদৌনুংদা লৌশিনবিরোয় হায়না থাজখি। মহাক্লা লাবাসনাগী ৱাফম্থু য়াবগী মহুত্তা মতাং মতম্না নুপী অমা ওইনা চৎনবীনা ওইহনখ্রবা মহাক্কী পুন্সিবু য়াজখি। লোয়ননা মহাকপু 'লাইনুবী' ওইনা লৌশিনবিয়ু হায়না ফাওবা লাবাসনাগী মফমদা হায়জখি। লাবাসনানা মহাকপু লৌশিনবিদ্রবসু লাইনুবী ওইনা নাইতোম শঙলেন্দা লৈরগে হায়বা ফিরেপ লৌখি।

ললীতাবী নুংশিবগীদমক সমাজগী চৎনবী পল্লোন ৱাংমদা খোঙ থাঙদোকপা ঙমজদ্রবী অদুম্নদি ওইরগা মতা সুরমিলাগীদমক ৱাজবনা নিংথেম নুরাবী অনীবু থুংনবা ওইসনু খঞ্জখি। পূম্নমক তাইওন্নদুনা লাবাসনানা নোঙ্গাখ্রফাওবদা লাবাসনাগী থৱায় মরূনা মহাক্কী গর্ভদা চঙশিনখিবগী মঙলান অমবু য়ৌনা থাজখি অমদি অঙাওবীগা পাংখক ওইরবী সুরমিলাবু ফাজিন্দুনা মঙলান অদুনা মঙফাওনদ্রিবা ফাওবা মনাক্তা লৈহন্দুনা হিংনীংবগী ৱাখল পোকহনখিঃ

> ''য়েংসি, সুরমি... নঙ লৈখোদনা, ইনাক্তা।'' লাবীনা মখা তানা হায়রকই– ''হোলি স্পিরিট অদুনা তাইবং ফাওরকপা য়েংখো। চুম্ব্রা য়েংসি, নঙ–ঐগী মঙ!'' (ইবিদ.,ঃ ১০০)

মতৌ অসুম্না অঙাওবীগা পাংখক ওইরবী হিংনীংবগী আশা লৈত্রবী সুরমিলা সেনবু মতা অমা ওইনা থৌনা হাপ্পীখি।

উপন্যাসসিদা নুংশি লম্বীদা ঈচেল থৈখ্রবা ললীতাবীদা হেন্না মশক থোক্লা উরিবা চাংজৌ নাইদ্রবা নুংশিবদি মচাগীদমক অরৈবা উপায় শীজিন্নরকপা মমা অমগী মশক অদুনি। চীরবা মতম্না লাক্লবদা কায়নখ্রবা সুকুমারগী মফমদগী মচাগীদমক মতেং নিরকখিবা ললীতাবীগী মচা নুংশিবগী অয়ৌবী থাক্লি। সোনার বাঙ্গলাগী অকনবা লানফমদা নুপী অঙাং খাক্তনা শিরক্লবদা মাঙখিগদৌরবা নিংথেম শাগৈবু কঞ্জবা পামখিবা ললীতাবীনা মচা মঙাংসনাবু মতম অমগী নুংশিরবা সুকুমার সেনগী মফমদা চিঠিগী চেরোল অমগা লোয়ননা পীক্লিবা মচাবু হিনাউ অমদা মথন্তা তোংহন্দুনা থারকখি।মহাকপু নুংশিখিবা সুকুমারগী থম্মোয়দগী থৌজাল ওইনা মচাবু য়োকপিনবা নিজখি। মতাংসিদা উরিবা ললীতাবীগী নুংশিবদি মচা নিংথেমগী নুংশিবতনা থৱায় হকচাং য়াওনা কুপশিল্লবী, মচাবু মী ওইনবা শেম্বনা অমত্তা ঙাইরবা আশা ওইনা হিংখিবী মমা অমগী নুংশিবা শক্তম্নি।

মথক্তা নৈনজখ্রিবা কয়া অসিদগী খঙবা ঙম্বদি *ইমাসি নুরাবী* নুংশিবা অমসুং কখোকপগী শেংলবা কুয়োম্না কুপ্লিবা মরুওইবা চরিত্রশিংদা কখোকপা নুংশিবগী অৱাংবা ফিদম্থু থাগোন্নহল্লিবা অইবগী মায়পাক্লবা উপন্যাসনি। নুংশিবা অমনা নুংশিবা অমগীদমক কদায়ফাওবা লেপ্পা ঙম্বা, করম্বা খোঙফম য়ৌনা চঙশিন্দুনা নুংশিবগীদমক কখোকপা ঙম্বগে হায়বদু উত্তুনা নুংশিবগী মথৌ শঙলিবা *ইমাসি নুরাবী* নি। শৃঙ্গার, বাৎসল্য অমসুং শাখ্য প্রেমগী

মক্ত্রবা নুংশিবগী মশক মপূং ওইনা ফোঙদোক্লি। শৃঙ্গারগী মশক্তা লাবাসনা সুরমিলা অমদি সুকুমার ললীতাবী অনীগী নুংশিবা য়েকই। মতাং খরদা, সুরমিলা মঙাংসনাগী অৰায় অখুন্না অপাবশিংদা শাবী শানৌগুম উরবসু ৰারীগী পোল্লোই য়ৌরকপদা মমা মচাগী নুংশি লংলানা কুপশিনখি। লাবাসনাগী নুংশি ঈচেলদি য়াম্না কল্লি। মাঙদা লৈরম্বা পূম্বা থেঙ্গাইরগা চেন্থগে খনবা অকনবা ঈচেলনি। মরমসিনা নুংশিবনা মহাক্কী আশা ওইখি, আশা লৈত্রবদা মথ্বায় থাদুনা নুংশিবগীদমক কখোকখি। অমরোমদা, সুরমিলা সেনসু মশাবী কায়নরবদা অঙাওবী অমগা পাংখক ওইনা হিংনা হিংনা শিরবী অমগুম য়ূম্বান লম্বী থাদোক্তুনা মশাবীগীদমক পুন্সি কখোকখি। নাকল অমদনা ললীতাবী সমাজগী চৎনবী পল্লোন ৰাংমদা খোঙ থাঙদোকপা ঙমজদ্রবী নুপী অমা ওইনা মহাক্কী নুংশিববু তশেংলবা লাইনুরাবীগী ফমফমদা মপুন্সি কখোক্তুনা লাইবক্কী নোংদম ইনখি। সুকুমার সেনসু মশানৌ ললীতাবীবু নুংশিবগীদমক মশাগী সেন শাগৈগী ধারা ফাওবা মূখুৎচদুনা পুন্সি চুপ্পা য়ূম পান্দনা ৰাশক ঙাক্লা লেনখি। মতৌ অসুম্না নুংশিবগীদমক চরিত্রশিংগী থম্মোয়দা অৰাববু নুংদা ফুমজিল্লগা পূম্নমক্কী য়াইফনবা কখোকপগী মমি উপন্যাসসিদা তরু-তরুনা উবা ফংলি। উপন্যাসসি নৈনরুবদা ইংরাজিগী অইবা W.Somerset Mougham না নুংশিবগী মরমদা পীরম্বা ৰাফমদু নীংশিংলকইঃ

> The love that lasts longest is the love that is never returned.

খ্বাইদগী মতম শাংনা চৎপা নুংশিবদি ঐঙোন্দা অমুক হন্নকখিদ্রবা, ঐগী ওইজহৌবা ঙমদ্রবা নুংশিবদুনি হায়বদুমক *ইমাসি নুরাবী*দা উরিবা নুংশিবগী মশকসিনা ৰাইথুংনখিদ্রবসু চরিত্রশিংগী থম্মোয়দা মতম চুপ্পগী নুংশিববু থাগোন্নদুনা কখোক্লিবা অসিনা তাক্লি।

মপোক অমগী নিংথেম নুরাবী অনীগী নুংশি লীলাদা অনৌবা মপোক্কী নিংথেমগা শক্লোন পুবী সুরমিলাগা অনীগী নুংশিবা ঈচেলনা উপন্যাসসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা কোনশিন্দুনা নীংশিং মমি কয়াগা লোয়ননা 'মাঙখ্রবা দ্বীপ' অমদি 'মাঙখ্রবা নুংশিবা' ফংখি। উপন্যাসসিদা য়াওরিবা,

> নিংথেমগী নুরাবী
> নুরাবীগী নিংথেমনি।
> নঙনা ঐবু ঙাওহল্লে
> নঙনা ঐবু শুমহৎলে।
> মপোক লাংওন খুদিংগী
> লাইনা শেন্বা লৈপুলনি ।

হায়বা শৈশক অসিনা মপোক অমগী খোইথুম্নরবা নিংথেম নুরাবীগী নুংশি লীলাবু ময়াই হাপ্তুনা থাজগী মপোক লাংওন লৈবগুম শাবী-শানৌগী লাংওন-লংদাইগী মশক শেমগত্তুনা অইবনা মপোক অমগী নুংশি পাউখোং ফোঙখি। লোইশিনখিদ্রবা নিংথেম নুরাবীগী নুংশি ঈচেলবু অনৌবা মপোক্তা মখা শমথদুনা শাবী শানৌগী নুংশিবদগী মচা ওইবগী নুংশিবদা কায়খ্রবা থম্মোয়বু তাইশিনখি। মরমসিনা পীখি মিংথোল ইমাসি নুরাবী (Royal Virgin Mother)। উপন্যাসসি নুংশিববু মচু লোক্লিবা, নুংশিবগীদমক তৌবা ঙম্বা কখোকপগী ময়াই উখোক্লিবা অইবগী মায় পাক্লবা খূদোলনি।

---

**মতেং লৌখিবা লাইরিক অমদি চেফোঙশিং**


১। কুঞ্জবিহারী, য়েনশেম্বম, ''মাঙলুরবা আইলেন্দ, মাঙলুরবা নুংশিবা থিবগী খোঙচত্তা মপোক অমগী নুংশি পাউখোং ফোংলিবী ইমাসি নুরাবী'', সাহিত্য, ১২৮, ১২৯, ১৩০ শুবা মশীং, (মে ২০০৬), লাঃ ৪১-৪৩।

২। খোলচন্দ্র, ''সাহিত্য একাদমি এৱার্দ ২০০৭ ফংলবা বী.এম. মাইস্নাম্বগা উন্নরুবদা'', সাহিত্য লৈচল, ৩৮ শুবা মশীং, ফেব্রুৱারি, ২০০৮, লাঃ ১৫-১৭।

৩। মাইস্নাম্বা, বী.এম., *ইমাসি নুরাবী*, তরুকশুবা খূৎনম, ইম্ফালঃ উমা পব্লিকেসন, ২০১৭।

৪। সোভারানী, সরাংথেম, *বী.এম. মাইস্নাম্বগী উপন্যাস নৈনবা*, ইম্ফাল, য়াইবিরেন কম্ম্যুনিকেসন্স, ২০১৯।

৫। https //www.goodreads.com quotes

 ISSN 2347-9140

# লমকোয় ৱারীদগী লৈশাৎ তম্লকখিবা 'নোংদি তারকখিদরে'

**প্রিয়া মাইস্নাম**

পিঐচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

***Abstract***

Keisham Priyokumar (1949) is a noted Manipuri short story writer. He has published five books of Short story in Manipuri Literature. His another aspect is his writing in travelouge. This was published on 1st February 1995 in a daily newspaper *Poknapham* as Hills of Manipur: A piece of memory. While he has been in Irrigation & Flood Control Department as a Section Officer, he has travelled in the hills areas and met many people. The experience he has got from the travel, has been presented as travelogue. More interestingly, from this travelogue, he has transcreated a famous Short story– 'Nongdi Tarak-khidare (No Rain Came)' The content of the short story has been provided by the travelogue. The Section officer's journey to Barak to inspect the surrounding to be effected by the construction of Tipaimukh Dam, he has met Chongnikim. Her life story is brought back to the short story by the imagination of writer. The lots of life affected by the communal conflicts is represented by Chongnikim. The image of life fraught with agony and langour is delineated realistically. The writer does not write the travelogue further, but, the short story born out of the writer's single travelogue makes the writer a well known one. By putting the travel's experience into the art of short story writing, it gives a distinct taste.

***Key words:*** *Travelouge, Experience, Short story, Chongnikim.*

অইবশিংদি য়াম্না সেন্সিটিভ ওইগল্লি। মখোয়না উরুবা, তারুবা, থেংনরুবশিংনা মখোয়গী থম্মোয়দা মচু শঙজিল্লকপদা কুইনা চঙদে। মসিনা মখোয়গী কলমবু মথৌ শঙলিবা, কল্পনাবু থোকহল্লক্লবগী মচাকশিংনি। মীওইবগী পুন্সিনা থেংনরিবা অৱা–নুংঙাই কয়াবু লৌখত্তুনা অইবগী হৈ–শিংলবা কল্পনানা মচু লোক্তুনা সাহিত্যগী পোখোক কয়া পুথোরকই। পুন্সিদা থেংনরিবা অৱা–অনা কয়াবু অমদি পুন্সিগী তোঙান–তোঙানবা শক্লোন কয়াবু লৌশিন্দুনা মদুগী তশেং তশেংবা মমি অমা কল্পনাগী তাইবংদা পুশিল্লকপা ঙস্না মণিপুরী ৱারীমচা অইবশিংগী মনুংদা কৈশাম প্রিয়োকুমার (১৯৪৯–) থোইদোক্লা শীংথানবা য়াবা অইবনি। কৈশাম প্রিয়োকুমার কুনশুবা চহীচাগী 'হুস্ফুতরাগী দিকেত্তা ৱারীমচা ইবা অমা ওইনা থোরকখি। হৌজিক ফাওবদা অইবা অসিগী লাইরিক মঙা মথংশিংনা– *অৱাওবা পুন্সি* (১৯৭১), *ঐখোয়' য়ূম্লোন্নবা* (১৯৯০), *নোংদি তারকখিদরে* (১৯৯৫), *লান অমসুং মঙ* (২০০৪) অমদি *নোংখোঙ তম্না* (২০১৩) ফোঙখ্রে। *নোংদি তারকখিদরে* লাইরিক অসিদা ভারতকী লেমজনীংঙাই ওইরবা সাহিত্যগী মনা সাহিত্য অকাদেমি এৱার্দ (১৯৯৮) য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মনাশিং ফংখ্রে। অইবগী ইকোন কোনবা লাইরিক *নোংখোঙ তম্না* অসিদনা মণিপুর সরকারনা পীবা ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর–২০১৪ ফংখ্রে।

মণিপুরী সাহিত্যদা কৈশাম প্রিয়োকুমার হায়রগা খঙনরিবসি ৱারীমচা ইবা অমা ওইননি। অদুবু অইবা অসিগী 'মণিপুরগী চীংঃ নীংশীংবা মতেক খরা' হায়বা লমকোয় ৱারী অসিনা অইবগী মকা ফোঙদবা শক্লোন অমা অপাবশিংদা উহল্লকই। লমকোয় ৱারী অসি খৃষ্ট কুম ১৯৯৫ গী ফেব্রুৱারি ১ দা *পোক্নফম* পাউচেগী অখন্নবা চেফোঙ (২০ শুবা চহী) দা হাপখি। চেফোঙ অসিগী এদিটরনা শমুরাইলাৎপম

 ISSN 2347-9140 

গোপাল শর্ম্মনি। লমকোয় ৰারী অসি অইবনা Irrigation and Flood Control Department তা সেক্সন ওফিসার ওইনা থৌ পুরিঙৈ থবক্তা মরী লৈননা চৎখিবা খোঙচত্তা থেংনরকপা এক্সপিরিয়েন্স কয়াদু পাউদমদুনা ইবনি। টিপাইমুখ দাম শাবদা দাম অসিনা শোকহনগদবা লৌবুকশিং, হৈ-রা কয়াগী ইংখোল, য়ূম-কৈ কয়া য়েংশিল্লুনবগীদমক মরী লৈনবা ওফিসিয়েসলশিংগা চৎলুবা খোঙচৎশিংদা থেংনরকপা কয়াবু লমকোয় ৰারী অসিদা পাউদমদুনা ইরি। মসিদা তেল্লপ তৌবা তাঙ্কক অহুম- 'টিপাইমুখ খোঙচত্তগীঃ পার্বুং অমসুং লিংথিলিয়েন', 'ডায়রীদগী' অমদি 'বরাক্কী খোঙচত্তগীঃ চোংনিকিন' হায়না খায়দোকই। অহানবগী পার্বুং অমসুং লিংথিলিয়েন দা চৎপা খোঙচৎ অসি জনুৱারি ১৬, ১৯৯৪ দনি। 'ডাইরীদগী' হায়বা অনীশুবা তাঙ্কক অসিসু অহানবা ওইনা চৎখিবা খোঙচৎ অসিগী মনুং চনবা পাউদম ওইনা থন্বনি। অহুমশুবা তাঙ্কক ওইনা থল্লিবা বরাক খোঙচৎ অসিনা এপ্রিল ২৫, ১৯৯৪ দা চৎপনি। অইবগী থবক্কী থৌগায়না পুদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অসিদগী অমুক্তা উখিদ্রিবা মণিপুরগী চীংগী লমদম কয়া শকখঙনরকই। লন্বী-থোং ফৎখিদ্রবা চীংলমদমশিংদুগী খুঞ্জাশিংগী পুন্সি মহিংগা হকথেংনরকই। মণিপুরগী ফিবান্নুংদা লৈবা লমদম ওইদুনসু লন্বী-থোং ফাওনবা ঙমদবা অদুগীসু মথক্তা মৈতৈলোন মচেৎ অমত্তা খঙদবা খুঞ্জাশিংনা খুন্দারিবা লিংথিলিয়েন অমসুং পার্বুং অহানবা তাঙ্কক্তা পাউদম্মী। মফমদুগী খুঞ্জাশিং উনদুনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অদুগী মরমদা খঙহনবা, মখোয়গী পেন্দবা ৰাকৎ কয়া তারকপা, অইবগী খোঙবু অদুনা থুংলুবা লিংথিলিয়েন খুলগী ইমুং (খুলদুগী মচীন চৎপা কম্পাউন্দরগী য়ূম) অমদা থেংনরকপী মশক মতৌ চঙখোনবী নুপী অমগী মরমদা পাউদম্মী। অসিগীসু মথক্তা সরকারনা মতীক চাবা ওঝা থাবিরক্তবনা খুঞ্জাশিংনা মরন্নাই খৃষ্টান স্কুল লিংখত্তুনা মহৈ তমজহৌবনচিংবা কয়াদু পাউদম্মী। মফমদুগী অকোয়বদা খুন্দামিন্নরিবা খুনশিং- টিপাইমুখ, সিতাম, রাঙাকোত, সেনভোন, মারখোপুই, লৈশোন নচিংবগী মিংসু পল্লি। মসিনা মফমদুগী অকোয়বদা করম করন্বা খুলশিং খুন্দারিবগে হায়বদু খঙহল্লি। অনীশুবা 'ডাইরীদগী' হায়বা মতাং অসিদনা মখোয়না থুংলুবা এস ডি ও গী ক্বাটরগী কম্পাউন্দদা অয়ূক থোকখিবা থৌদোক অমগী মরমদা পাউদম্মী। অইবনা মহাক্কা খোঙবু ওইমিন্নরকপা নাথ অমদি এস ডি ও গা লোয়ননা নুংশা য়াইদুনা লৈরিঙৈ সি আর পি গী কন্সটেবল অনী লাক্কুনা মখোয়গী সি ওনা এস ডি ও বু উন্নবা পাম্মী, অদুগা সি ওগী ওফিসতা লাকউ হায়না পাউ তম্মী। মথক থোংবা ওফিসার অমদা উৎফম থোকপা ব্যবহার মচেৎ অমত্তা য়াওদনা পুরক্লিবা পাউ অদুনা অইবগী পূক্নিংদা নুংঙাইতবা ফাওহনবদু মতাং অসিদা ফোঙদোকই। তাঙ্কক অসি ফাওবদা খোঙচৎ অদুগী অৰা-নুংঙাইগী পাউদমগা লোয়ননা অইবগী পূক্নিংদা ফাওরকখিবা ঈহুল কয়াদুসু ফোঙদোকই।

অইবগী পূক্নিংদা ৰারীমচা অমা ইরক্লবগী ঈথিল পীখিবদি অহুমশুবা তাঙ্কক্তা থল্লিবা খোঙচৎ অসিদগীনি। 'বরাক খোঙচত্তগীঃ চোংনিকিন' হায়না মিংথোন্দুনা থল্লিবা তাঙ্কক অসিনা কোনশিনবা খোঙচৎ অসিদগীনি অইবগী থোইদোক্লা মমিং চৎখিবা, অপাবশিংগী থম্মোয়বু হুমদুনা পুখিবা 'নোংদি তারকখিদরে' হায়বা ৰারীমচা মরু হুল্লকখিবা। বরাক খোঙচৎ অসিদগী চোংনিকিনগী পুন্সিবু শকখঙলক্কুনা অইবগী থম্মোয়দা য়েক্কুনা পুরকখি। খোঙচৎ অসি ছোটোবেক্রাদগী টিপাইমুখ ফাওবা হিদা চৎপগী প্রোগ্রাম ওইনা শীনবনি। মহাক্কী খোঙবুশিংগা লোয়ননা নুংথিলগী পূং ৩ তাবদা কাইমায়দা থুংবগা প্রোগ্রামদু খঙহৌদনা হোংদোক্কুনা ছোটোবেক্রাগী মহুত্তা কাইমায়দগী বরাক কুমথরগা মথংগী অযুক্তা টিপাইমুখ চৎপদা ওন্থোকখি। কাইমায়দা খুঞ্জাশিংনা শাজবা কম্যুনিতি হোল অমদা অহিংদুমা লেক্লগা মথংগী অয়ূক্তা ভিলেজ চিয়ারমেন্না শীনবিবা হি অনী অমদি হিহোনবা মরিগা লোয়ননা তুইনোম অমসুং তুইলোংফাই খুন্দা চঙলুরগা সেকজাং খুনগীদমক হি তোংদুনা লাকই। সেকজাং, বরাক তুরেলগী ওইথংবা তোর্ব্বানগী অনেম্বা চীংগী থেল অমদা য়ূম ২০২৫ রোমতমক লৈবা খুল অমনি। অসিগুম্বা পীল্লবা খুল অসিগী অপীকপা য়ূম মচা অমদা অইবনা চোংনিকিনগা থেংনখি। মহৌশাগী মপাল তাংদুনা চম্লা হিংলিবা খুঞ্জাশিংগী পুন্সিদা কাঙলূপকী ঈরাং নংদুনা খুল থাদোক্কুনা চেন্নখিবা, য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদোক্লবা, হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া থোকখিবগী মমি খুল অসিদসু চাউনা

তাদুনা লৈরম্মী। মখোয়না থুংলুবা য়ূম অদুগী অহল অমগা মখোয়না মফম অদুদা লাকপগী মরম অমদি দামনা শোকহনগদবা খুলদুগী লৌশিংগী মরমদা ৱারী শান্নরিঙৈ চহী কুন শুরমগদবা মান্দবী নুপী অমা ইমুংদুদা চঙলকপা উখি। মহাক চোংনিকিননি হায়বা অহল (মকুবোক) অদুনা হায়বদগী খঙখি। অহল অদুগী মচানুপা, চোংনিকিনগীনা মপুরোইবা লুংজাহাওবু বরাক্তা ঙা ফাবা চৎপদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাত্তোকপিখ্রে হায়বসু অহল অদুগী মচীন্দগী খঙলকই। কাঙলুপকী ঈরাংগী চৈথেং ফংদুনা চহী অদুক নৌনা মপুরোইবা কায়নবগী মৈশা লাংলিবী চোংনিকিনগী হীকথরবা পুন্সিগী মমি অমা অইবগী থম্মোয়দা হক্তুনা পুরকখি। মসি লমকোয় ৱারী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পল্লিঃ

> ঐহাক চোংনিকিনবু নীংশীংলকই। মহাকসু ৱা য়োন্নবা নোং তারকপা ঙায়হৌরি। চিকলবা খুন অদুদা পিল্লিবা মচা অনীদুগা মকুবোক্কা লোয়ননা। মসি নত্তবা অমনা করম্বা নোংবুনো– য়েন্নিং হুন্নবা লৈয়োন থদৎখ্রবা মরা ককথৎখ্রবা লৈশিংগী।
>
> (*পোক্লফম, অখন্নবা চেফোঙ*, লাঃ ৬৫)

*নোংদি তারকখিদরে* (১৯৯৫) লাইরিক্কী অনীশুবা খূৎনমদা অইবগী ৱারোল থম্বদসু মপূং ওইবা কেরেক্টর ওইরিবা নুপী অসিগী মমিংগী মতাংদা শেংদোকপা ওইনা থম্বা ৱাফমদা চোংনিকিনবু মহাক্কী থম্মোয়দা কয়া য়াম্না হকচিন্না লৌখিবগে হায়বদু তাক্লিঃ

> বরাক খোঙবান্দা লৈহৌবী নুপী অদুগী মমিং অদু চোংনিকিম হায়বদা চোংনিকিন হায়না ঐনা তাবা ওইরম্লগনি– মতমদুদা ঐগী থম্মোয়দা কন্না ফাওখিবদি মাগী পুন্সিদুনি– মমিং অদুদি ঐহাক থোইনা লুনা লৌখিদে। ঐঙোন্দদি হৌজিকসু 'চোংনিকিম' অমসুং 'চোংনিকিন' অমত্তনি, ঐগী মীত্তা শং শং উরিবা শক্তম অসে মূৎকদবা মান্দে।
>
> (*নোংদি তারকখিদরে*, 'অইবগী ৱারোল')

অসিগুম্বা অইবগী থম্মোয়দগী কোকপা ঙমদ্রবা শক্তম অসিনা মপূং ওইবা কেরেক্টর ওইহন্দুনা খোঙচৎ অদুদগী অইবগী থম্মোয়দা ওমদুনা পুরকখিবা ঈহুল কয়ানা চোংনিকিম (অনীশুবা খূৎনমদগী চোংনিকিন দগী চোংনিকিম হায়না শেমদোকই) অমদি লুংজাহাওগী পুন্সি 'নোংদি তারকখিদরে' দা য়েক্লকই। লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা ৱারীমচা অসিগী মপূং ওইবা থিম কাঙলূপকী ঈরাংনা ওইহল্লকপা পুন্সিগী চৈনা উৎপনি। মহৌশাগী নোংজু–নুংশানা মরায়বক লেপ্পুনা হিংনবা হোৎনরিবা চোংনিকিম অমদি লুংজাহাও নুংশি চান্ননা হিংমিন্নৈ। লুংজাহাওনা ভঙ্গাইগী চীংমাইয়দগী ৱা য়ান্দুনা ময়াং মচা মোতিদা য়োল্লি। নোং তারক্তুনা বরাক্কী ঈমায় চোল্লকপা মতমদা মোতি লাক্তুনা ৱা লৌরগনি অদুগা জিরিঘাট তম্না পুখিগনি। মোতিনা মখোয়গী আশানি। মহাক্না পীরম্বা ৱাগী মমলনা মখোয়গী হিংনবগী লম্বী অমা ওইনরি। ৱারীমচা অসিদা উৎলিবা পুন্সি মহিং অসি অইবনা তশেংনা থেংনরকপা এক্সপিরিয়েন্সনি। অইবগী লমকোয় ৱারীদুগী মতাং অমদা অসুম্না পল্লিঃ

> তুইলেংফাইগী ঘাট য়ৌরকপদা ময়াং মচা অনী অহুম ইরুজদুনা লৈরম্মী। ইঙক ঙকই।
>
> - নখোয়দি কদাইদগীনো? ঐনা হংই।
> - জিরিঘাটতগীনি। ৱা লৌবা লাকপনি।
> - কয়াম কুইরে লাকপা?
> - কুইরে। নোং তারকপা ঙাইবনি। বরাক অসি ঈশিংবু ৱাংখৎলবদি– অদুম ৱাশিং অসি পুথখ্রগদবনি।
>
> (*পোক্লফম*, অখন্নবা চেফোঙ, লাঃ ৬৫)

মতাং অসিৱাইদগী অইবগী কল্পনানা মোতিগী শক্তম অমা শাগৎপা হৌরম্বা য়াই হায়না নীংই। অসুম্না ৱারীমচা অসিদা অইবনা থেংনরকপা মফম, য়ূমলৈ–কৈরৈ, পুন্সি মহিং কয়াসিবু কলা অসিগী উচন্দা হাপচিন্দুনা য়াম্না রিয়েলিস্টিক ওইনা শাগৎলকই।

ৱারীমচা অসিদা উৎলিবসি শেংন–খায়নবগী মৈশাদুনি। চোংনিকিমনা ফংহৌবা মপুরোইবা কায়নবগী পুঙমদবা থম্মোয়গী চৈনা অদুনি। নোংনা মতারক্ত্রবদা মোতি লাকপগী আশা উরক্তবনা মকুইগী ঈচীন্দা লুংজাহাও ঙা ফাবা চৎখি। মফমদুদা পাঙ তিংদুনা তমথীনা হাত্তোকপিখি। মরাল লৈজদ্রবা মপুরোইববু তমথীনা হাত্তোকপিখিবা, মকুইদা ঙা ফাবা চৎখিবা মপুরোইবগী খোঙচৎ অসিনা মখোয় অনী পুন্সি চূপ্পা কায়ননবগী মরম ওইখিবা, থৱায় য়াওদ্রবা মপুরোইবগী হকচাংগা লোয়নরকখিবা ঙা, পূম্নমকসি

চোংনিকিমগী থম্মোয় অমদি সাইকিদা হক্তুনা চুশিন্দুনা লৈহৌবদু ৰারীমচা অসিদা উৎলি। মরম অসিনা পুঙমদ্রবা থম্মোয়গী মৈচাক্কা ঈহৌরকপা মতমদা মাঙদা উরিবা পোৎশকশিংবু শেরান্ননা উরকপা মতাং কয়া অইবনা য়েকইঃ

> মোংফমগী ক্রোসতা মূন্না অমুক য়েংলকই। উফে মচাদুদা যিশুনা লৈরি। মশা পূন্না ঈ শীন্থরি। তিংখংগী লূহূপ উপ্লি। মমীৎ অদু উইরুম উইরুম মঙোন্দা য়েংলকই। চোংনিকিমসু য়েংই। যিশু নত্তে। লুংজাহাওনি। য়োৎপী থাজিল্লবা মখূৎ অদু উফেদুদী নাম্থোক্তুনা চাউরবা ঙা অমা মঙোন্দা উৎলকই।
>
> (*নোংদি তারকখিদরে,* লাঃ ৯৮)

চোংনিকিমগী থম্মোয়গী লৈখা ফংনা মরা তাখ্রবা মৈচাক্তু হেল্লুসিনেসনগী পান্থে শীজিন্নদুনা অইবনা উৎনবা হোৎনরকপা মতাংনি। মসিনা মপুরোইবা কায়নখিবগী মৈচাক্তু চোংনিকিমদা কাউঙমদনা ইহিং–হিংনা লৈরি হায়বদু উৎলি। অইবনা মহাক্কী খোঙচত্তা থেংনরকপা অহল (চোংনিকিমগী মকুবোক) অদুগী মচীন্দগী মহাক্কী মচানুপা লুংজাহাও তশেংনা বরাক্তা ঙা ফাবা চৎপদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী ৰাফমসি খঙলকপনিঃ

> - ইচাতি শিখরে। বরাকতা ঙা ফাবা চৎপতা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপনিনে।
>
> (*পোক্লফম,* অখন্নবা চেফোঙ, লাঃ ৬৪)

ৰারীমচা অসিদনা অমুক হেন্না তমথীবা মীহাৎ ওইহল্লকই। দাগফম ঙাক্তা ঙাইরবা ঈনা লূপ্লবা লুংজাহাওগী অশিবা হকচাং মকুইদা উ পান্থী অমদা পাং তিংদুনা থনম্মী। অইবনা তশেংনা তারকখিবা লুংজাহাওগী মীশিদু কল্পনাগী তাইবংদা পুশিল্লকপা মতমদদি হেন্না হকচিন্না উৎলকই। মসিনা চোংনিকিমগী থম্মোয়দা ফংলিবা মপুরোইবা কায়নবগী মৈচাক্তু হেন্না শাফু লৈহনবদা তেংবাংই। মীওইবগী নুং ফাওনা উবা ঙন্বা অইবগী মীৎলমদা তারকপা চোংনিকিমগী পুন্সি অমদি মহাক্কী পুঙমদবা থম্মোয়গী মৈচাক্তু অপাবশিংদা হকচিন্না ফাওহল্লি। ৰারীমচা অসি ইবা লোইখ্রবা, ফোঙখ্রবা মতুং ফাওবদা অইবগী থম্মোয়দা চোংনিকিমনা নৈশিন্দুনা লৈখি। মসিমক্তা *নোংদি তারকখিদরে* লাইরিক অসিগী অনীশুবা খূৎনম পুথোকপগী অইবগী ৰারোলদা কাউঙমদনা পল্লিঃ

> মপাউ অমত্তংদি হংনীংলি– শিখ্রবরা চঙলিবরা। হিংলম্বা থোক্লবদি ঐবু খঙবিরবসু খঙবিদ্রবসু হংজনীংই, নঙবু কমদৌরিবগে? করম্না লেল্লি? অদুবু মঙগুম্বনি।
>
> (*নোংদি তারকখিদরে,* 'অইবগী ৰারোল')

চীংলমদম অদুদা হিংহৌবা মীপাইরবা থৰায়শিং, শেৎন–খাইনবগী মৈচাক পুরিবা থম্মোয় কয়াবু শকখঙলুবনা মখোয়গী পুন্সিগী শক্তমশিং ৰারীমচা অসিদা পুশিল্লকই। মখোয়না মহৌশাগী মপান তাংদুনা করম্না হিংলিবা অমদি করিনা মখোয়গী পুন্সিবু চৈথেং পীরিবা হায়বদু নুমিৎ অমখক্কী খোঙচৎনা পূম্নমক লাকশিন্দুনা ৰারীমচা অসিগী প্লোট শাগৎলকপদা য়াম্না চঙখোন্না পুশিল্লকই। লমকোয় ৰারী ইবগী লমদা মখা তানা চঙশিনখিদ্রবসু অমখক ইরল্লিবা অসিগী লৈহাও লৈশাদগী লৈশাৎ তন্নকখিবা ৰারীমচা অসিনা অইববু মণিপুরী ৰারীমচাগী তাইবংদা ঙান্দুনা লৈহল্লি। অইবগী খোঙচত্তা থেংনরকপা পুন্সিগী শক্তমশিংবু কলা অসিগী খূৎফম চেৎপা উচন্দা হাপচিল্লক্তুনা শাগৎলকপনা ৰারীমচা অসিগী তোপ–তোপ্পা মহাউ অমা লৈহল্লি। ঙসিসু ৰারীমচা অসিগী ৰাহৈপরেং খরদি অপাবশিংগী থম্মোয়দা খোন্থাং য়ৈরিঃ

> নোংদি তারকখিদরে। থম্মোয়বু ঈংহনবা চীংমাইবু ইশং শংহনবা। হৌজিক্তি করিবু কান্নরিবগে নোংনা তারক্লবসু।
>
> (*নোংদি তারকখিদরে,* লাঃ ৯৮)

**মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং**


১। প্রিয়োকুমার, কৈশাম, *নোংদি তারকখিদরে,* রাজ পব্লিকেসন্স, নম্বোল, মরিশুবা খূৎনম, ২০১৪।

২। প্রিয়োকুমার, কৈশাম, *নোংখোঙ তম্না,* য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্স, ইম্ফাল, ২০১৩।

৩। গোপাল শর্ম্মা, শমুরাইলাৎপম (সম্পাঃ), *পোক্লফম,* অখন্নবা চেফোঙ, ২০শুবা চহী, ফেব্রুৱারি ১, ১৯৯৫।

 ISSN 2347-9140

# *লবঙ্গলতা*দা মণিপুরী নাৎকী মশক

**চনম্বম শর্মিলা দেবী**

পিঐচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

***Abstract***

Khwairakpam Chaoba Singh stands as a prominent figure among modern Manipuri poets and pioneers, renowned for his versatile writings encompassing poetry, essays, and novels. Credited as the father of modern Manipuri essays, his notable contribution includes the historic novel *Labangalata*, a seminal work following Dr. Kamal's inaugural Manipuri novel. This groundbreaking novel has sparked intense discussion and critique from Manipur's literary circles.

Set against the backdrop of 17th-century King Khagemba's reign, *Labangalata* masterfully weaves together cultural imagery from Manipur's pre and post-adoption of Hinduism. The novel intricately explores themes of politics, culture, festivals, beliefs, and societal norms, bridging the past and present. This pivotal work invites reflection on Manipur's rich cultural heritage.

***Key words:*** *Historical novel, King, Khagemba's reign, Hinduism, cultural imagery*

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা অমসুং খূৎমাবা মণিপুরী অইবশিংগী মনুংদা খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ (১৮৯৬–১৯৫০) সু অমনি। শৈরেং, ৱারেং অমসুং উপন্যাসনচিংবা সাহিত্যগী তোঙান–তোঙানবা লৈচল কয়াদা খূৎ থারম্বা অইবনি। মহাকপু মণিপুরী সাহিত্যদা ৱারেংগী অপোকপা হায়না শকখঙনৈ। মহাক্না মণিপুরী সাহিত্যগীদমক হোৎনজবা কয়া অদুবু মশক খঙবিদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ইং কুমজা ১৯৪৮ দা 'সাহিত্য রত্ন' উপাধি পীদুনা অইববু ইকাইখুম্নবা উৎখি। ইং কুমজা ১৯৩০ দা ডা কমলনা *মাধবী* ফোঙলকখিবদগী মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোলদা উপন্যাসকী লামায় অমা হাংবা হৌরকখি। মসিগী মতুংদা অনীশুবা উপন্যাস ওইনা খ্বাইরাকপম চাউবনা ইং কুমজা ১৯৩৪ দা *লবঙ্গলতা* পুথোরকখি। মসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা অহানবা ঐতিহাসিক উপন্যাসনি।

উপন্যাস অসি কংলৈপাক্তা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বগী (১৫৯৭–১৬৫২) মতমদা থোকখিবা থৌদোক খরবু লৌখৎলগা অইবগী কল্পনাগী খূৎশেম্না লৈচন চানা লেংশিন্দুনা উপন্যাস অমা ওইনা পুথোরকপনি। মসিদা য়াওরিবা মৈদিংঙু খাগেম্বা, খ্বাইরাকপা, য়াইস্কুল লাকপা অসিনচিংবা মীওইশিং অসি ইতিহাসকী লামায়দা লাচল্লবা মীওই ঙাক্তনি। অদুগা লবঙ্গ, মধু, কুঞ্জলতা, নবীন, ইন্দুরেখানচিংবা চরিত্রশিং অসি অইবগী কল্পনানা শাগৎপা মীওইশিংনি।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী মনাউ ইবুংঙো খ্বাইরাকপগী মথক্তা অমা শাৎত্রবী মখাদা অমা পোমদ্রবী কুঞ্জলতাবু মনাউতোন য়াইস্কুল লাকপা শানোংবনা মনাই লবঙ্গদা পীসি হায়জরুবদা ময়াম্বুং খ্বাইরাকপনা মনাই মধুদা পীনিংবগী ৱাফম পল্লকপদগী মনাই মনাইগী হাকন্দা মচীন–মনাউ অনীগী মরক্তা ৱাহৈ কারন

 ISSN 2347-9140 

চন্নরক্তুনা শানোংবনা ময়াম্লুং খ্বাইরাকপগী মফমদা থরুম তৌদুনা তাঞ্জা ফংবদা লমন খুন্নবা শীংদুনা লৈখি। নোংমা খ্বাইরাকপগী হিরুহঞ্জবনা করিগুম্বা মরম অমগীদমক য়াইস্কুনলাকপগী হিরুহঞ্জবদগী মনাউ ইবুংঙোগী মমিং চৎলবা 'হিথোই হেনবা' হায়বা হি অসি ৱায়রুই। ঈশ্বরগী নোংদমদগী হি অদু কায়খি। মনাউতোন শানোংবনা মাগী হি অসিদি তেকপা কায়বা য়াদ্রবা হিনি, হি অদু ফোৎপসু য়ারোই অনৌবা অমা ওইনা পীবসু য়ারোই হায়না মরৈ তৌনবদগী ময়াম্লুং খ্বাইরাকপনা মথন্তনা বিচার তৌবা ঙমদবদগী ময়াম্লুং নিংথৌগী সনা মাঙদা ৱাথোক অসি বিচার তৌনবা ৱাকৎচখি। ৱাথোক অসি ঙসি ফাওবদা 'শানোংবা হি কায়বগী হিগায়ৱা' হায়দনা হায়নরিবসি।

ময়াম্লুং নিংথৌনা বিচার তৌবদসু শানোংবনা হি থুগায়বা হিরুহঞ্জবা হাৎকনি হায়না ৱাশকখ্রবদা ময়াম্লুং নিংথৌনা শাউদুনা মাবু লৈবাক্কী য়েক্লবা রাজবিদ্রোহিনি হায়না লাউথোকখি। মসিদগী শানোংবসু হায়খিবা ৱা ঙাক্লবা মণিপুর থাদোক্তুনা হিরুহঞ্জবা হাৎনবা কাছারদা লাম্নী খোম্বা চৎখিরম্মী। খোংচৎ অদুদা লবঙ্গ, লতাসনা, ইন্দুরেখা অমসুং মনাইশিং লোইনখিদুনা কাছারদা চৎখি। কাছার য়ৌরবদা মতম কুইনা কায়নরুরবা নবীনগা ইন্দুরেখাগা অমুক থেংনদুনা লবঙ্গগা লতাসনাগা অমা নবীনগা ইন্দুরেখাগা অমা নোংমতদা লুহোংবা অনী পাঙথোক্তুনা শানোংবনা মপা শক্তুনা মচা অনীগী কৈন্যাদান পীখি। মসিগী মতুংদা কাছারদগী লাম্নীশিং অমদি পাঙল লালহৌবা ওসমাখাঁনগী সেনাপতি উজিরখাঁনগা লাম্নীশিংগা লোয়ননা মণিপুরদা লান থোরকপদা তৌবুলগী লানফমদা শানোংবা অমসুং লবঙ্গ থৱায় থাখি। লানফম অদুদা ময়াং অমসুং মুসলিম লাম্নী কয়া নিংথৌ খাগেম্বনা হিংনা ফাহৌখি। লবঙ্গনা তুখ্রবদা লতাসনা কাছারগী রামপুর খুঙ্গংদা পুন্সি চুপ্পা সতী ধর্ম্ম ঙাক্তুনা মপুরোইবগী য়াথং ঙাক্কনি হায়না মপাবুং খ্বাইরাকপনা মণিপুর থোক্লবা থেল্লবসু য়াবা কৌবা লৈতনা লেমহৌরিবা পুন্সিদু কাছারদা লেনবা তাখি। অসুম্না শাবি-শানৌ অনীগী অৱা পোল্লোই ওইখ্রবা ঐতিহাসিক উপন্যাসনি লবঙ্গলতা।

উপন্যাস অসি অখঙ-অহৈ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা মীৎয়েং কয়াদগী য়েংদুনা নৈনখ্রে। নৈনবা য়াবা অমনা উপন্যাস অসিদা উবা ফংলিবা নাৎকী ওইবা মচলশিং অসিনি। ইংলিশতা 'কলচর', সংস্কৃত্তা 'সংস্কৃতি' অমসুং মণিপুরীদনা 'নাৎ' হায়না খঙনরিবসিগী মনুংদা মীওই কাংলূপ অমগী পুন্সি লম্বীদা মী অমনা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবগী পুন্সি খোঙচত্তা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং, চৎন-থাজনবীশিং পূম্বা কোনশিনবা য়াই। ইং কুমজা ১৮৭১ দা ফোঙখিবা *Primitive Culture* কৌবা লাইরিক অসিদা শক্লাইরবা ইংলিশ এন্থ্রোপোলোজিষ্ট ই বি টেলরনা কলচরবু মখাগী অসুম্না মশক তাক্লিঃ

> Culture or civilization, taken in its wide ethnographic sense, is that complex whole which includes knowledge, belief, art, morals, law, custom, and any other capabilities and habits acquired by man as a member of society. (লাঃ ১)

উপন্যাস অসিদা হিন্দু লাইনীং চঙলক্লিঙৈ অমসুং চঙলক্লবা মতুংগী মণিপুরী নাৎকী মশক কয়া উবা ফংলি। উপন্যাস অসিদা তরাতরেৎশুবা চহীচাদা পানখিবা নিংথৌ খাগেম্বগী মতম অমসুং অইবগী মতমগী য়ানশিন্নরবা নাৎকী মশকশিং য়াওরি। উপন্যাস অসিদা তোঙান-তোঙানবা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিঙৈ অমসুং লৌরবা মতুংগী মণিপুরী নাৎকী মচলশিং হায়বদি লৈঙাক্লোন, মাইবীগী চৎন-থাজনবী, হরাউ-কুম্মৈ অতৈ অতোপ্পা চৎন-থাজনবী কয়া য়াওরি। মসিদা মপূং ওইনা ফংলিবা নাৎকী মচল অমদি নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইবগী লৈঙাক্লোনগী মশক অসিনি। নিংথৌ পানবা লৈবাক অমদা লৈঙাক্লোন হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। নিংথৌ খক্তনা লৈবাক ঙাকপা ওইথোক্তবনা ফমদৌ ফম্নাইবা অমদি লৈবাক প্রজাগা লোয়ননা লৈবাক ঙাকপগী চৎনবী লৈরম্মী। খৃষ্টগী ৩৩ শুবা চহীচাদা পানখিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী লৈবাক্কী ৱায়েল য়ৌদাদা খুদোংচানবা অঙম অথৌ, ফমদৌ ফম্নাইবনচিংবা হাপ্তুনা লৈঙাকপা হৌরকখি হায়বসি *ফমলোন, কংলা হৌবা*নচিংবা লাইরিকশিংদা পল্লম্বা থেংনৈ।

উপন্যাস অসিদসু তরাতরেৎশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদসু লৈঙাকপদা খুদোংচানবা লৈবাক্কী অঙম-অথৌ ফম্নাইবশিং হাপ্পগী চৎনবী লৈরম্মী হায়বগী মতাং য়াওরি। শ্রীযুৎ খগেন্দ্রজিৎ নিংথৌনা খাগীগী লান ঙমখিবগী 'খাগেম্বা' মিংথোল অসি ফংখি। লৈবাক্কী ওইবা

 ISSN 2347-9140 

লুরবা তানফম কয়াদা অচুম–অরান অমদি অফ–ফত্ত মুন্না য়েংলগা থবক পায়খৎপা নিংথৌনি। মচিন মনাউশিংগা য়াম্না নুংশিননা লৈবাক মরা তপ্না পানবা ঙম্নবা কন্না হোৎনবা নিংথৌনি। অদুবু মনাউনা মাগী মায়োক্তা খূৎলায় পায়রক্লবা অদুদদি মপূক্লিং ফাথবা ঙম্লক্ত্রে। ফনমক তেরবা ষনবী ওইরম্লবসু চরাম্নরবা নোংশাগুম্না মতীং ফূদোরকখি। মনাউতোন শানোংবনা হায়নবা সুংয়ামক য়াদনা নিংথৌ মনাই হিরুহঞ্জববু তেমশীংনদুনা হাৎনবা হোৎনরক্লবদা নিংথৌমচা ওইবগী চঙজরক্লবা মীবু কনবা হায়বা অচৌবা ধর্ম্মগী মতৌ উৎলিঃ

> নিংথৌদি নিংথৌগী হৌনবী ঙাক্তবা য়াদে চংজরকপা মীবু ঙাকপীবা, অশোনববু অকনবদগী কনবিবা, চুমদবা থবক কোক্লবগীদমক খূৎলাই পায়বনা নিংথৌগী ধর্ম্মনি। কৈগী ময়াদা তারবা শজিবু কন্নবা কৈবু শোয়দনা মাংহন্দবা য়াদে।
> (খ্বাইরাকপম চাউবা, *লবঙ্গলতা* , তরুকশুবা খূৎনম, ২০০৭ঃ ৪৪)

মথক্কী ৱাফম অসিনা নিংথৌ খাগেম্বগী লৈঙাক্লোন্দা হৈবগী মশকশিং উৎলি। লৈবাক্কী করিগুম্বা অরুবা তানফম অমা লাকপা মতমদা নিংথৌ খক্তনা ৱায়েল বিচার তৌবগী মহুত্তা অঙম অথৌশিং শুনা তিন্দুনা বিচার তৌরম্মী। খ্বাইদগী পীকপদগীনা খ্বাইদগী চাউবা ৱাথোকশিংগী বিচার তৌবদা নিংথৌ, মনাও ইবুংঙোশিং, ফম্নাইবা, প্রজা মীয়ামশিংগা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা পাঙথোকই।

উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা খ্বাইরাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, ধনঞ্জয় পণ্ডিত, ফকনুং কৈরোই লাকপা, খুম্বোং মেঞ্জর, হিরু হঞ্জবা, থিয়া হাজারি, লালুপচিংবা, তেনশুম্বা কুৎ, মাইব্যা কৈরুংবা, তখেল্লম্বা পোইলা, ইরোইবা মেঞ্জর, অসিনচিংবশিং অসি লৈবাক ঙাক্লোন্দা হেন্না খুদোংচানবা হাপ্পা অঙম অথৌগী মাগী–মাগী শিন্থা য়েংলগা হাপ্পা ফমশিংনি। লৈঙাক্লোনগী হেন্না ফজবা মশক অমনা করিগুম্বা লৈবাক্কী নৎত্রগা নিংথৌগীদমক থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মায়োং য়ানা চোংথোরকপা মীশক্তা মনা ওইনা দোলাই তোংহন্দুনা, খামেন চৎপা অমসুং নিংথৌফি পীবগী চৎনবী লৈরম্মী।

মণিপুরগী নিংথৌদা নত্তনা কাছারগী নিংথৌসু করিগুম্বা লৈবাক্কী ৱাথোক অমা লাকপা মতমদা লৈবাক্কী ফম্নাইবা, অঙম অথৌশিং তানদুনা বিচার তৌই। মণিপুরগী নিংথৌ খাগেম্বনা লৈবাক্কী য়েক্লবা ওইখ্রবা শানোংববু চঙজফম পীবগীদমক লান তৌনসি হায়রক্লবদা মণিপুরগী নিংথৌদা শামু ৩০, নোংমৈ ১০০ কাছার নিংথৌনা পীরকখিবা অসিমকসু লৈঙাক্লোনগী মশক্লি। মসিদা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লান তৌনদনবা হোৎনবা অমসুং চঙজরকপা মীবুসু কনবিবগী মশক্লি। অসুম্না উপন্যাস অসিদা মৈতৈ নিংথৌ খাগেম্বা অমসুং কাছার নিংথৌ অনীগী লৈঙাক্লোনগী হৈ শিংবা মশক অদু উৎলি।

শমানিজম চৎপা মালেমগী মফম খূদিংদা মাইবী (শমান) শিংগী মফম চাউনা লৈরি। লমদম অসিদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মাইবা মাইবীগী চৎন–থাজনবী কয়া লৈরক্লি। মাইবী হায়বসি মীওইবা অমদি শকউদবা শক্তি লৈবা লাইশিংগী মরক্তা পাউ ফাওদোক ফাওজিন ঙম্বগী মতিক মঙাল অমা শাগোন্নবা থোকখ্রবা অমদি লাক্কদৌরিবা মাঙ তুংগী থৌদোক ৱাথোক কয়াবু মাঙজৌননা হায়বা ঙম্বা, অশিবগা অচঙবগা অনীগী মরক্তসু পাউ ফাওদোক ফাওজিন ঙমহল্লিবা মশাদা তোঙানবা মতিক মঙাল অমা শাগোন্নবা মীওইশিংনি। উপন্যাস অসিগী ৱারী পরিংদা অচৌবা মফম অমা কল্লিবসি সনসম মাইবীদা শেল হুনবা মতমদা লতাসনাগী তুংদা থোক্লুগদবা মাগী পুন্সিগী মরমদা লাইফাও ফাওরম্বসিনি।

> বিধিনা শেন্বা লৈপুন্নি নংগী তুংগী মালংদি লৈচিল থাংঙে, এঃ য়ারবদি নিংঙুনু! তো তো! (শেন্দা থিন্দুনা) থাদোকউ, থাদোকউ। নশুং লাংগী লৈপাক কায়রনিকো সনাহল। (ইবিদ.,ঃ ২২)

অসুম্না লমদম অসিদা মাইবী শেল হুন্দুনা অৱা–অনা নংলগদবা কয়াদগী ঈশ্বরগী মপাউ পুবা ঙম্বা মীওইশিং অসিদগী মাঙজৌননা খঙদুনা চেকশিঞ্জবগী খুদোংচাবা অমদি ফংবা ঙম্মী। মাইবীগী লাইফাওগী মতাং অসিনা তুংদা ওইরক্কদবা লবঙ্গ অমসুং লতাসনা অনীগী বিধিনা তম্বিরম্লবা পুন্সি লৈপুনগী মতাংসু মাঙজৌননা অইবনা অপাবশিংদা খংহন্দুনা ঐখোয়গী লৈজরিবা চৎনা থাজনবী অসিবু হেন্না ময়েক শেংহল্লি।

উপন্যাস অসিদা তোঙান–তোঙানবা চৎন–থাজনবীশিং কয়া অমসু য়াওরি। লৌরাং শূবশিংনা শিনবাং ঈশৈ শকপা, ঈশিং লম্বীদা হি তোংদুনা চৎনরিঙৈগী মশক, অথুবা থবক

চৎপদা শগোল তোংদুনা চৎনরম্বা, চনুরাশিংনা তুরেল মপান্দা চেঙহী শম্বাল্লাংবা, নিংথৌশিংগী থাঙ অমসুং তাগী মমিং থোন্নরম্বগী চৎনবী, মাইবা তান লোইশঙ লিংদুনা মতম খঙনরম্বা অসিনচিংবা মতাং কয়াদা মতম অমগী খুন্নাইগী চৎনবী কয়া অমা য়াওরি। মঙ তম্বা মতমদা নোংপোক ওল্লগা তম্বা অমসুং মঙগী অফ–ফত্ত ফলদা থাজনরম্বগী চৎনবীসু য়াওরি। মৈদিংঙু খাগেম্বনা নুংজেং পুখ্রিদগী থাঙ খৌবোম্বা খাংশুনা তা ফংবগী মতাংগা মরী লৈননা মনাউতোন শানোংবনা মঙখিবা মঙ অদুনা লৈবাক নিংথৌগী অফবা ওইগনি হায়না থাজনরি।

ঙল্লিঙৈ মতমগী য়াম্না ফজবা মশক অমনা নিংথৌশিংগী তোংনবা খোঙনেৎ হিবু মমিং থোনবগী চৎনবী অমা লৈরম্বা অসিনি। অরিবা খূৎই লাইরিক ওইরিবা *থৌৰান থাবা হিরান* দসু মৈদিংঙু থৌবান থাবগী হিবু 'কবুই ঙম্বা শাচন ফাবা' অদুগা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবগী হিনা 'লৈতাংঙম্বা চোংখূ ফাবা খ্রপূং লৈফংবা' কৌই হায়না য়াওরি। উপন্যাস অসিগী ৰারী শাগৎপদা অচৌবা মফম অমা কল্লিবা হি কায়বগী মতাংদা শানোংবা য়াইস্কুল লাক্পগী হিগী মমিংসু 'হিথোই হেনবা' হায়না কৌদুনা হি মমিং থোনবগী মতাং য়াওরি।

উপন্যাস অসি হিন্দু লাইনীং চঙলক্ত্রিঙৈ তরাতরেৎশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক খরদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎলবসু মপূং ওইনা অইবনা মাগী মতমগী ওইবা হিন্দু লাইনীং চঙলক্লবা মতমগী হরাও–কুম্মৈ, ঈরাৎ–থৌনি কয়া অমসু মনীং তম্বা খরা খজিক লৌদুনা হাপচিল্লকপা থেংনজে। মৈতৈ হায়বা জাতি অসি ঈশিং ইফুৎ কুম্না হরাও–কুম্মৈ মরাঙ কায়না লৈজে। শজিবুগী কোংবা লৈথোং ফাৎপা, চৈরাওবা, কালেনগী কাং শান্নবা, ইঙেনগী কাং চিংবা, থৰান থাগী লিক্লোল, লাংবনগী হৈক্রু হিদোংবা, তর্পনগী উৎসব, মেরা থাগী হিয়াংথাং বর, জগোই রাস, মেরা কাংজৈ, মেরা হাওচোংবা, হিয়াঙ্গৈগী হিয়াং কুম্মৈ, লমতাগী চিঙ্গোই বারুনী অসিনচিংবা চহী অমগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা হরাও–কুম্মৈ ময়ামশিং অসিবু অইবনা উপন্যাস অসিদা মশক তাক্কুনা পুথোরক্লি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৰাফম অমনা হরাও–কুম্মৈনা অরেপ্পা লৈতনা চেন্থরক্লিবা লমদমসিগী মশক শৈথারকপদা খাগেম্বা মতমগী নত্তবা কাইনথংদা লাকপা জগবন্ধু কাং চিংবা, তর্পন, য়াউশং কুম্মৈনচিংবা য়াওশিল্লকপসি খরা চুনবা ৰাৎলি।

মখোয়সিদি তরানিপালশুবা চহীচাদা হিন্দু লাইনীং চঙলকখিবদগী ওইহল্লকপা সিনক্রেটিক কলচর অমসুং এসিমিলেসনগী মশকশিংনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ (খৃঃ ১৭৬৩–১৭৯৮) গী মতমদা পুথোক্লম্বা জগোই রাস অমসুং গম্ভীরসিংহ মহারাজ (খৃঃ ১৮২৫–১৮৩৪) গী মতমদা হৌদোক্লম্বা কাং চিংবা অসিনচিংবা কয়া হাপচিল্লকই। অদুবু মসি ওইদুনসু উপন্যাস অসিদি ইতিহাস নত্তে, ঐতিহাসিক উপন্যাসনি অইবগী কল্পনা শক্তিনা উচন চানা লেংশিল্লম্লবা উপন্যাস অমনি।

উপন্যাস অসিদা ফিন্দমগী মশক ওইরিবা কুঞ্জলতানা মপুরোইবা লবঙ্গ লৈখিদ্রবা মতুংদা কাছারগী রামপুর খুঙ্গংদা সতি ধর্ম্ম ঙাক্কুনা শ্রীরামগী মিংখৈ শোন্দুনা লৈখিবা অসিমক লমদম অসিদা রামান্দি ধর্ম্ম লৌরুরবা মতুংগী মশক্লি। মতাং অসিদা অইবনাঃ

লাইরিক পাবিরিবশিংনা খংবিবা য়াই, মতম অসিদা

> *''উপন্যাস অসিদসু তরাতরেৎশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদসু লৈঙাকপদা খুদোংচানবা লৈবাক্কী অঙম–অথৌ ফম্নাইবশিং হাপ্পগী চৎনবী লৈরম্মী হায়বগী মতাং য়াওরি। শ্রীযুৎ খগেন্দ্রজিৎ নিংথৌনা খাগীগী লান ঙমখিবগী 'খাগেম্বা' মিংথোল অসি ফংখি। লৈবাক্কী ওইবা লুরবা তানফম কয়াদা অুচম–অরান অমদি অফ–ফত্ত মুন্না য়েংলগা থবক পায়খৎপা নিংথৌনি। মচিন মনাউশিংগা য়াম্না নুংশিননা লৈবাক মরা তপ্পা পানবা ঙম্নবা কন্না হোৎনবা নিংথৌনি।''*

রামান্দী ধর্ম্ম প্রচারকশিংনা শ্রীরামগী গুন শকপনা অৱাং ভারত অপুন্বা অসি ভক্তিগী লুরবা ঈচেন্না থুমহৎলিবা কালনি। (ইবিদ.,ঃ ৭৪)

মথক্কী ৱাফম অসিদগী খঙবা ঙম্মী মদুদি ১৭ শুবা চহীচাগী থৌদোক খরদা শাগৎলবসু অইবগী মতমগী য়ানশিন্নরবা মণিপুরী নাৎকী মশক খরদি উপন্যাস অসিদা ময়েক লানা উবা ফংই। উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা 'বব্রুবাহনগী দারনি', 'ক্ষেত্রি মচা ওইবগী ৱাশক ঙাক্কনি', 'জয় জয় দুর্গা মায়গী জয়' হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসিসু হিন্দু ধর্ম্ম লৌরুরবা মতুংগী ৱাহৈশিংনি। মসিদা য়াওরিবা শ্রীযুৎ মহারাজ হায়বা ৱাহৈসিমক নিংথৌবু মহারাজ কৌবা হৌখিবসি খাগেম্বগী মতুংদা পানখিবা গরীবনিৱাজ মহারাজ (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) গী মতমদগীনি হায়বসি *চৈথারোল কুম্বাবা*না লেঙদ্রবা খূদম ওইরি। ঙল্লিঙৈ মতমগী ৱারীবু লৌখত্তুনা য়াঙলেন শরূ ওইহল্লবসু হিন্দু ধর্ম্মনা শারেপ ফারক্লবা মতমদা পুথোরকপনা হিন্দু ধর্ম্মগী ইফূৎ খরমখৈদি ফাওরকপা হায়বসি মশানা তাবনি।

উপন্যাস অসিবু হেন্না মশক মচু থোকহল্লিবা অমনা অইবনা পাউরৌ, প্রমান-পান্থৈনচিংবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া মতাং চানা লেংশিল্লকপা অসিনি। খোংবান্দা তারবা ষণবু চিঙ্খৎপিরগা মাবু চিঙ্খৎপিরিবা মী অদুবু ৱাইবা, খন্দুনা খল্লবদি অথেংবী খল্লু, লিনসু শিদবা চৈশূসু তেক্তনবা, নূং অনীগী মরক্তা হা ওইগদৌরি, য়ূমদা চঙবা লিনগুম, শিরবমক্তদা মরূনা য়ুবা, হূইনাও চাল্লগা লুতোন লেকপা, মৈতান্না হেক ৱাখৈবদা, পাৎলিঙৈদা হয়িংদসু নোঙ্গৌ, নোঙ্গৌবীনা লাইজ ঈরা ঙাইবগুম অসিনচিংবা লোনগী ফজবা পাউরৌ, প্রমান-পান্থৈ কয়া অসি লৈথেৎ চানা হাপচিন্দুনা হেন্না ফজবা নাচোম ওইহল্লি উপন্যাস অসিবু।

অসুম্না খ্বাইরাকপম চাউবনা *লবঙ্গলতা* উপন্যাস অসিবু মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক খরবু য়াঙলেন শরূ ওইনা লৌখৎলগা উপন্যাস অসিগী শাদোং ওইরিবা ৱারী পরিংবুনা অইবনা য়াম্না হৈ শিংনা কল্পনা শক্তি শীজিন্নদুনা মপূং ফানা শাগৎলকপনি। উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা তোঙান-তোঙানবা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিঙৈ নিংথৌ খাগেম্বগী মতম অমসুং হিন্দু ধর্ম্ম লৌরবা মতুংগী অইবগী মতমগা য়ানশিন্নরবা মণিপুরী নাৎকী মচলশিং হায়বদি লৈঙাক্লোন, মাইবীগী চৎন-থাজনবী, হরাও-কুম্মৈ, অতৈ অতোপ্পা লমদম অসিগী চৎন-থাজনবী কয়া অমা মতাং চানা হাপচিল্লক্তুনা ইতিহাসতা লাচন্দুনা লৈরবা থৌদোক অমবু হেন্না মশক মচু থোকহনবদা অচৌবা মতেং পাংহল্লি। মণিপুরী খোরিরোল অমসুং মণিপুরী নাৎ অনী অসি তুনা চৎলবদি হেন্না ফজবা সাহিত্যগী লৈচল অমা ওইবা য়াই খঞ্জবনা হীরম অসিদা মীৎয়েং থমজবনি। ঐতিহাসিক উপন্যাস অমবু য়েকপা হৈবতা নত্তনা মণিপুরী লোনবু, মমালৈবাকপু অমদি মণিপুরী নাৎপু হেন্না ফজনবা হোৎনজরম্বা, হেন্না নুংশিজরম্বা অইবা অমনি হায়বসি খ্বাইরাকপম চাউবগী *লবঙ্গলতা* দগীসু খঙবা ঙম্মী।


**মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং**

১। খ্বাইরাকপম চাউবা, *লবঙ্গলতা*, খ্বাইরাকপম ব্রোজেন্দ্রো সিংহ, ইম্ফাল, তরুকশুবা খূৎনম, ২০০৭।

২। নবচন্দ্র সিংহ, পোলেম, *শক্তম মচু মচুগী*, ইম্ফাল, য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্স, ২০২৩।

৩। অরুনা, নহাকপম, *কুনশুবা চহীচাগী মণিপুরী উপন্যাস নৈনবা*, অনীশুবা খূৎনম, ইম্ফাল, রাইটর্স ফোরম, ২০১৯।

৪। ইবুংঙোহল সিংহ, লাইরেনময়ুম অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (সম্পাদকশিং), *চৈথারোল কুম্বাবা*, মঙাশুবা খূৎনম, ইম্ফাল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০১৫।

৫। গৌরচন্দ্র ময়াংলম্বম, *থৌৱান থাবা হিরান*, মঙাশুবা খূৎনম, ককচিং, পিপলস ম্যুজিয়ম, ২০১৭।

৬। গুনিন্দ্র, পাওনম, *মণিপুরী কলচরদা মীৎয়েং অমা*, অনীশুবা ভোল্যুম, অনীশুবা ফোঙবা, ইম্ফাল, জি এম পব্লিকেসন কৈশামথোং, ২০২০।

৭। Tylor, E.B. *Primitive Culture. vol. I, Part-I*, London: John Murray, Albermarle Street, W., 1920

 ISSN 2347-9140

# ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরগী মরী (নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম)

লাইশ্রম লেনিন সিংহ

পিএচ দি স্কোলর, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

**_Abstract_**

Long before the state of Manipur and Tripura became a part of the Indian Union, these two states were independent kingdoms respectively. As both these kingdoms were an independent nation, there had been good relationships and bad relationships too. Eventually a good relationship took the center stage. To the able-leaders and king of Tripura, Maidens and Princes of Manipur were given in engagement. Since then, Meetei started to settle in Tripura. When the good relationship reached its zenith, among the decision-making leaders, Meeteis also took a great place. Because of this, there was a reason that the Meetei language had been occupying an important role in Tripura. During olden days the erstwhile 'Tripura' is known as 'Takhel' by the Manipuris and 'Manipur' is known as 'Mekhali' by Tripuris.

The paper will throw some light on the relationship between Tripura & Manipur during the monarchical times and discuss the historical importance.

**_Key words:_** *Manipur, Tripura, Mekhali, Meetei, Takhel, Monarch, Meetei Language.*

(১)

মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী অৰাং-নোংপোক চীদাইদা লৈবা অপীকপা ষ্টেটশিংনি। ষ্টেট অনী অসিনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী শরুক অমা ওইহন্দ্রিঙৈ মমাঙদা নিংথৌ পানবা মরোমদোম লৈঙাকচবা লৈবাক অমমম ওইরম্মী। লৈবাক অনীমক বৃটিশকী মখা পোনখি। বৃটিশকী মখূত্তগী নীংখা তম্বা ফংলবা মতুংদা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনখি। ত্রিপুরানা খৃষ্ট কুম ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ৯ দা অমসুং মণিপুরদা থা অসিমক্কী তাং ২১ দা ইন্দিয়া য়ুনিয়নদা মর্জ তৌরে হায়না খৃৎয়েক পীনখিবনি। ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিল্লবা মতুংদা ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর ইন্দিয়া য়ুনিয়নগী পার্ট-সিগী থাক্তা লৈমিন্নখি। মতুংদা য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা অমুক লৈমিন্নখি। খৃষ্ট কুম ১৯৭২ গী জানুৱারি ২১ দা চপ মান্ননা নোংমতদা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী মপূং ফারবা ষ্টেট অমমম ওইমিন্নখি। মণিপুর অমসুং ত্রিপুরানা ইন্দিয়াগী মপূং ফারবা ষ্টেট অমম ওইরজবসু হৌজিকসু লৈবাক অনীসিদা মমিংদগী ওইরবসু (Titual) নিংথৌ পানবগী চৎনবী লৈরি। ইনিংথৌ লৈশেম্না সনাজাওবনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরি। প্রদ্যোত কিশোর দেববর্মন (Pradyota Kishore Devavarman) না ত্রিপুরাগী নিংথৌ ওইরি।

মণিপুরগী ওইনা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবনা খৃষ্ট কুম ৩৩ দগী কংলাদা নিংথৌ ওইনা পানবা কুমদগী পুৰারী লাচনবা হৌই। মণিপুরদা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিন্দ্রিঙৈ মমাঙদা মণিপুরদা নিংথৌ ৭৪ পানখি। ত্রিপুরাগীনা মহারাজ মহা মণিক্যনা খৃষ্ট কুম ১৪০০ দা নিংথৌ ওইবদগী পুৰারী লাচনবা হৌই। অদুগা ত্রিপুরানা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈবাক অসিদা লাচনবা নিংথৌ ৩৫ না নিংথৌ ওইনা পানখি।

(২)

নিংথৌ পান্নরিঙৈ মতমদা ত্রিপুরনা মণিপুরবু 'মেখলি'

 ISSN 2347-9140

হায়না খঙনৈ। মণিপুরনা ত্রিপুরাবু 'তখেল' হায়না খঙনৈ। নিংথৌ পানবা লৈবাক হায়বসিমক্তবু করিগুম্বা মতাংদা নুংশিনৈ। করিগুম্ব মতাংদসু লানশীংনৈ, লান শোক্লে। মসিগুম্বা মশাজৎ (করেক্টরিষ্টিক)শিং অসি মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী মরক্তসু ঐখোয়না উবা ফংই।

তরামরিশুবা চহীচাগী মমাঙদা পানখিবা ত্রিপুরাগী নিংথৌ তৈদাক্ষিণনা মণিপুরগী নিংথৌগী মচানুপী অমা লুহোংখি হায়বগী ৱাফম *রাজমালা*(ত্রিপুরা নিংথৌ কোনুংগী অশৈবশিংনা নিংথৌশিংগী মতীক মগুণ শৈথাদুনা লেংবা কাব্য) দা য়াওরি।

> দাক্ষিণ মরিল রাজা তার পুত্র ছিল।
> তৈদাক্ষিণ নাম রাজা তখনে করিল।।
> ...
> বহুকাল সেই স্থানে পালিলেক প্রজা।
> মেখলী রাজার কন্যা বিভা কৈল রাজা।
> (King Daksin die. He left behind a son who was at once made king with the tittle of Taidakasin. He protected his subjects there for a long time. The King wedded the daughter of Mekhali.)

*রাজমালা* গী ৱাফম অসি কয়া য়াম্না অচুম্বা ওইরিবগে হায়বগী মতাংদদি হৌজিকসু ৱাহং লৈরি। মরমদি, হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী অরিবা লাইরিকশিং (পূয়া) দা ৱাফম অমত্তা থেংনবা লৈত্রি। অদুগা ৱাফম অমনা তৈদাক্ষিণনা ত্রিপুরাগী নিংথৌ ওইনা পানবা মতম অসি ত্রিপুরাগী ওইনা প্রি হিষ্ট্রিগী মতম ওইরি।

অমরোমদা অমুক মীতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থংবি লান্থাব (১৩০২–১৩২৪)গী মচানুপা ক্বাকপা থৱান্থাবনা তখেল (ত্রিপুরা) নিংঙোল চীংঙুরেম্বী লুহোংদুনা লৌখি হায়বগী ৱাফম অমসু লৈরি।

করিগুম্বা 'রাজমালা' অমসুং ক্বাকপা থৱান্থাবগী ৱাফমশিং অসিনা অচুম্বা ওইরম্বা তারবদি মীতৈ অমসুং তখেল লৈবাক অনীগী মরী অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লে হায়বা য়ারে।

ত্রিপুরাগী অহানবা লাচনবা নিংথৌ মহারাজ মহা মণিক্যনা নিংথৌ ওইনা পানবা মতম অসিদা মণিপুরদনা মৈদিংঙু পুনসিবনা নিংথৌ ওইনা পাল্লি। নিংথৌ অনী অসিগী হাক্তক্তগী লৈবাক অনীগী মরক্তা মরী লৈনবা হৌখিবগী ৱাফমদি ঐখোয়না অরিবা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। Captain E.W. Dun গী ইং কুমজা ১৮৮৬ তা ইহান–হান্না ফোঙখিবা Gezetteer of Manipur দসু ১৪ শুবা চহীচাদা ত্রিপুরাগী ট্রাইব খরা মণিপুরদা লাকখি অমদি খুন্দাখি হায়বগী ৱাফম পল্লি।

লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা লান শোক্লবা হৌবসিনা মীতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু কবোম্বগী সনা হাক্তক (১৪৬৭–১৫০৮) তগী হৌবগী রেকোর্দ ঐখোয়না *চৈথারোল কুম্বাবা*–দা থেংনৈ। *চৈথারোল কুম্বাবা*–দা অসুম্না ইরি,

> লাইতোন সোরাগী কুম শক ১৪৫৫ তখেল ঙমএ।
> (৫শুবা নম্বা, ২০১৫, লা.২৪)।

লানফম অসিদা লানফা ওইনা পুরকখিবশিং অদুনা তন্বিদুনা মীতৈনা 'তখেললূ (ঙা ফাবদা শীজিন্নবা খূৎলায় মখল অমা)' শাবা হৌখি হায়বা ৱাফমনা সরাংথেম বরমণি সিংহনা ইবা *মৈতৈ নিংথৌরোল* (অনীশুবা খূৎনম, ২০০০, লা. ৫০) দ পল্লি।

*চৈথারোল কুম্বাবা*–দা লাচল্লম্বগী মতুংইন্না মৈদিংঙু চলাম্বা (১৫৪৫–১৫৬২) অমসুং মৈদিংঙু খাগেম্বা (১৫৯৭–১৬৫২) না মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবা মতমদা তখেলগা মরক–মরক্তা লান শোক্লজরবসু অকনবা লানফমদি অমত্তা ওইখিদে। মসিগী মতুং ১৮ শুবা চহীচাগী অঙনবা মতমদা মৈদিংঙু পামহৈবা (গরীবনিবাজ) না মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইনা পান্দ্রিঙৈ মরক অসিদদি লৈবাক অনীগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি ত্রিপুরা মচা কয়া মণিপুরদা খুন হোংলক্তুনা মণিপুরী জাতিদা তিনখি হায়বগী ৱাফম *ইতিহাসের আলোক ত্রিপুরা–মণিপুর*(২০০৭, লাঃ ১০৩)দা পল্লি।

তরানিপানশুবা চহীচাগী অঙনবা মতম খৃষ্ট কুমজা ১৭০৯ দগী খৃষ্ট কুমজ ১৭৪৮ ফাওবা মৈদিংঙু পামহৈবা (গরীবনিবাজ) না মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওই। পামৈহবনা নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা ইতৎ–তত্তনা লান শোক্লে হায়বগী ৱাফম *চৈথারোল কুম্বাবা* (লাঃ ৮৩, লাঃ ৮৪, লাঃ ৮৮, লাঃ ৯৫, লাঃ ১০২) দা পল্লি। অদুগা মীতৈ লৈবাক অসিদা সমসোক (অৱা, বর্ম্মা) অমসুং তখেল (ত্রিপুরা) না অমুক্তদা মায়কৈ অনীদগী নোংপোক অমসুং নোংচুপতগী লান্দারকখি। মায়কৈ অনীগী লানফমদা পামহৈবনা মায় পাক্তুনা

 ISSN 2347-9140 

'সমসোক ঙন্বা' অমসুং 'তখেল ঙন্বা' মিংথোল ফংখি। অসিগুম্লবা মমল লৈরবা নীংশিংনীংঙাই ওইরবা লানঙন্বগী ৱারী অসি তুংগী মীরোলনসু খঙহৌননবা লাইরিক অনীসু লেংহনখি। 'সমসোক ঙন্বা' হায়রিবা লাইরিক অসিনা লাইশ্রম অরোই অমসুং য়ুম্নাম অতাবিরনা লেংখি। 'তখেল ঙন্বা' হায়রিবা লাইরিক অসিনা নুঙ্গারাম গোবিন্দরামনা লেংখি। লাইরিক অনী অসিগী মতাংদা মণিপুরগী ওইনাম ভোগেশ্বরনা অসুম্না মোৎ পীরি,

> মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তা ঔৱাগা তখেলগা অনীনা লৌতুরনগা মতম অমত্তদা অকনবা লানগী খোঙজঙদা মৈতে লৈবাক অসি উমদুনা মচেৎ মচেৎ শায়েন-ঙায়েননবগী মওংদা লৈরম্লবনি। অদুবু মৈদিংঙু পামহৈবগী মতীক মথৌনানা অমদি মরৌশিংতনা নোংপোক অমসুং নোংচুপগী লানফম অনীমকপু মৈতৈগী অকল-অথৌশিং অমদি মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা কয়াগা লোয়ননা ইরৈবাক অসিবু করম্না মীখা পোনখিগদগে হায়বগী ৱাখলদা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লাল শোক্লখিবগী ৱারীগী মপূংনি।

পামহৈবা নিংথৌগা তখেলগী নিংথৌ ধর্ম মাণিক্যগী মতমদা অকনবা লান কয়া শোক্লখ্রবা মতুংদা মখা তাবদদি মীতৈ লৈবাক্না তখেলগা লান শোক্লবগী ৱাফম লৈখিদ্রে। মরূপ-মপাং ওইনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নখ্রে।

(৩)

ইং কুমজা ১৭৮৫ দা রাজধর মাণিক্যনা ত্রিপুরাগী নিংথৌ ওইবা কুমশিংদা মণিপুরদনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা পাল্লি। ইং কুমজা ১৭৭৯ দা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ খুভম মচানুপা লাবণ্যচন্দ্রদা শিন্নরম্লবা মতুংদা তীর্থ চৎপা হৌখি। ভাগ্যচন্দ্রগী তীর্থ খোঙচত্তা ত্রিপুরাদসু য়ৌখি। মহাক্না তখেল নিংথৌগী রাজ অতিথি ওইরদুনা নিংথৌ কোনুংদা মতম খরা লৈখি। খোঙচৎ অসিদা লোয়নরকখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীবু তখেলগী নিংথৌ রাজধব মাণিক্যদা থাজখি। মসি মখা তারকপদদি ত্রিপুরা নিংথৌ কয়ানা মীতৈগী নিংথৌকোলগী মজাইবেম্মা অমদি মীতৈ নিঙোল কয়া থাজখি। ত্রিপুরাগী নিংথৌনসু লৌখি।

রাজধব মাণিক্যকী মতুংদা কাশীচন্দ্র মাণিক্যনা তখেল নিংথৌ ওই। মহাক্না মীতৈ নিংথৌগী মচানুপী কুটিলাক্ষ্মীবু লুহোংখি। মথংদা মীতৈ নিঙোল অহুম অমগসু লুহোংখি। কাশীচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবা কৃষ্ণকিশোর মাণিক্যনসু মীতৈ নিংথৌ মার্জিৎকী মচানুপী অহুম- চন্দ্রকালা, অখিলেশ্বরী অমসুং বিধুকলা য়াওনা মীতৈ নিঙোল কয়া লুহোংখি। কৃষ্ণকিশোরগী মতুংদা তখেলগী নিংথৌ ওইখিবা ঈশানচন্দ্র মাণিক্যনসু মীতৈ নিঙোল অহুম খুমন্থেম চনু চন্দ্রেশ্বরী, মোইরাংথেম চনু মুক্তাবলী অমসুং কৈশাম চনু জাতিশ্বরী লুহোংখি। ঈশানচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবা মহারাজ বীরচন্দ্রনা মীতৈ নিঙোল অহুম- নিংথেমচনু ভানুমতি, তোঞ্জম চনু রাজেশ্বরী অমসুং খুমন্থেম চনু মনমোহিনী লৌখি। মহারাজ বীরচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবা রাধাকিশোরনগী মহারাণী নিংথেম চনু রত্নমঞ্জরী ('ঢাকা মহারাণী' হায়নসু খঙনবা) সু মীতৈ নিংথৌ দেবেন্দ্রগী মজাইবেম্মনি। অতোপ্পা রাণী তুলসিবতিসু মীতৈ নিংঙোল থোঙাম চনুনি।

অসুম্না ত্রিপুরা অমসুং মীতৈ লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙাই-শেন ওইনরকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা য়াম্না নুংশিনবা মরী অমা লৈনরকখি।

(৪)

মীতৈ লৈবাক্তা নিংথৌ খুভম মুন্নবদগী খৎন-চৈনবা থোক্লকপদগী কোনুং থাদোক্লম্লগা লাকখিবা অমসুং চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা লাঞ্জেল্লকখিবা মরমশিং অসিদগী ত্রিপুরাদা মীতৈগী মশীং অসি অসুম-অসুম য়ামখৎলকখি। ত্রিপুরাদা মীতৈগী মশীং অসুম য়ামখৎলকপদগী মীতৈশিংনা ঙাঙনবা লোল 'মীতৈলোল' অসিসু ত্রিপুরাগী কোনুং মনুংদা য়াম্লমক মরুওইবা খঙদবা, হৈতবা শুকয়ামক য়াদ্রবা লোল ফাওবা ওইখি। অমদি ত্রিপুরাগী কোনুংদা মীতৈ নিঙোল কয়ানা মহারাণী নৎত্রগা রাণী ওইরকপদগী মীতৈ খুল কয়া অমসু শেমগত্তুনা খুন্দাবসু হৌরকখি। মীতৈ খুলশিং অসিদা লাইশঙ অমসুং লাইফম কয়া শেমগৎ-শাগৎখি।

ত্রিপুরা অসুং মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) অনীগী মরক্তা ঙাই-শেন ওইনদুনা অফবা মরী লৈনবা হৌরকপা অসি মীতৈ লৈবাক্না হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতুংদনি। মতমসিদা মীতৈ অয়াম্বা হিন্দু লাইনীংদা লূপ্লবনি। মরম অসিনা ত্রিপুরাগী মীতৈশিংনসু হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরমশিং খূদম ওইনা- কাং চিংবা, ঝুলন, শ্রীপঞ্চমী মেলা, সরস্বতী পূজা,

দুর্গা পূজানচিংবা থৌরম কয়া পাক–শন্না অমদি চাউনা–চাউনা পাঙথোক্তুনা লাকই।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীনা তখেলগী নিংথৌ রাজধর মাণিক্যগী লোয়নবী ওইরবা মতুংদা নিংথৌ কোনুং মনাক্তা মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীগীদমক রাধামাধব মন্দির লিংখত্তুনা মজাইবেম্মা অসিনা লাৎচবা রাধামাধব বিগ্রহসু ঈরাৎহনখি। হরিশেশ্বরী নত্তবা অতৈ অতোপ্পা মীতৈ নিঙোলগী রাণীশিংনসু লাইফম কয়া অমা শেমগৎখি। খূদম ওইনা– খুমন্থেম চনু মনমোহিনীনা বনমালীপুরদা অতোপ্পা লাইফম অমা শেমগৎখি। মহারাণী মোইরাংথেম চনু মুক্তাবলীনসু অৰাং ধলেশ্বরদা লাইফম অমা শেমগৎখি। মহারাণী থোঙাম চনু তুলসিবতিনসু নলগরিয়াদা লাইফম অমা শেমগৎখি।

ত্রিপুরদা মীতৈশিংনা খুন্দা লৈতারকপা, ধর্ম্মগী ওইবা থবক–থৌরম কয়া পাঙথোরকপা, চাওখৎলকপা মতম অসি হিন্দু ধর্ম্মদা য়ক লাউরে হায়বসু মীতৈশিংনা ফূরুপ অসিগী মাঙলমত্তগী চৎনদুনা লাক্লবা লাইনীং–লীক্লম চৎত্রবরা হায়রবদি লানগনি। হরিশেশ্বরীনা বনমালীপুরদা পাখঙবগী শঙলেন অমা শাখি। মহারাজ বীরচন্দ্রগী মতমদসু মহারাণী ওইখিবী রাজেশ্বরীনা ইবুধৌ পাখঙবা লাৎখি। লাই হরাওখি। পঞ্জরিবশিং অসিগী মথক্তা– নলগিয়াদা 'মোইরাংপোকপা'গী খুভম, অভয়নগরদা 'লাইনিংথৌ পুথিবা'গী খুভম অমসুং বাজালঘাটততা 'লমদেন লাইরেম্বী'গী খুভমনচিংবা উমং লাইগী খুভম খরসু শেমগৎখি।

অসুম্না ত্রিপুরাদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা মীতৈশিংনা হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং মীতৈ ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। হৌজিকসু পাঙথোক্লি।

হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীতৈশিংনা পাঙথোকপা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং অসি ত্রিপুরাদা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা ত্রিপুরাগী নিংথৌশিংনসু পূক্নিং য়াম্না থৌগৎপিখি। তশেংনা লৈবাক নিংথৌ অমসুং নিংথৌকোনগী অঙম–অথৌশিংনা পূক্নিং থৌগৎপিরমদ্রবদি ত্রিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরিবশিং অসি লৈরমদবসু য়ারিবনি। অদুমকপু নীংথিনা ঙাক–শেনবিদুনা য়োকখৎপিরকপগী মহয় ঙসি ফাওবদা ত্রিপুরাদা লৈরিবা মীতৈশিংনা মীশীং য়ামজদ্রবসু চাউথোক্লা অমদি ঙক হাইগৎনা হিংবা ঙম্লিবনি হায়বা য়াই।


**মতেং লৌজখিবশিং**

১। কমলজিৎ সিংহ, রাজকুমার, *ত্রিপুরগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ*, অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফাল, ২০১৫

২। মংগল, খোইস্নাম (এদিটর), *মালেমগী লৈমায়দা মণিপুরীশিং (অহানবা শরুক)*, অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফাল, ২০১৫

৩। বীরমঙ্গল,এল অমসুং রায়, পান্নালাল, *ইতিহাসের আলোকে ত্রিপুরা–মণিপুর*, অক্ষর পব্লিকেশনস, ত্রিপুরা, ২০০৭

৪। বরমণি সিংহ, সরাংথেম, *মৈতৈ নিংথৌরোল*, ইম্ফাল, ২০০০

৫। ইবুংঙোহল সিংহ,এল. অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ এন. (এদিটরশিং), *চৈথারোল কুম্বাবা*, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, মঙাশুবা নম্বা, ২০১৫

৬। সোমোরেন্দো (অরুন), লোংজম , (এদিটর), *মণিপুর পুৱারীদা কংলৈ নাৎকী মচাক*, জিএম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল, ২০১১

৭। ইন্দ্রমণি, নাউরোইবম (এদিটর ইন চীফ), *রিফোর্ম* (ভোল্যুম ১, ইস্যু নং. ৪, নভেম্বর, ২০১১), রিসার্হ্ফ ফোরম, মণিপুর

৮। ভোগেশ্বর, ও, (মৈতৈ ময়েক অরিবদগী শিন্দোক্তুনা এদিট তৌবা) – *তখেল ঙম্বা*, ইম্ফাল, ১৯৮৬

৯। অশোকুমার, এল, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী পরীং (চহীচা ১৮ অমসুং ১৯ গী মণিপুরী সাহিত্য)*, ইম্ফাল, ২০০০

১০। Somorjit Sana,Rajkumar, *The Chronology of Meetei Monarchs (From 1666 to 1850 CE)*, Imphal, 2010

১১। Adhikari, Udainarayan, *Socio-cultural Relations Among States in Pre Independence India, A Study of Tripura Manipur*, Akansha Publishing House, 2017

১২। https:www.tripuraassembly.nic.inShort20history20of20TLa.pdf

১৩। https:thenortheasttoday.comtntvideosfeaturesblog-history-of-manipuri-queens-in-tripura-theircid2513976.htm

'সমসোক ঙন্বা' অমসুং 'তখেল ঙন্বা' মিংথোল ফংখি। অসিগুম্লবা মমল লৈরবা নীংশিংনীংঙাই ওইরবা লানঙম্বগী ৱারী অসি তুংগী মীরোলনসু খঙহৌননবা লাইরিক অনীসু লেংহনখি। 'সমসোক ঙন্বা' হায়রিবা লাইরিক অসিনা লাইশ্রম অরোই অমসুং য়ুম্লাম অতাবিরনা লেংখি। 'তখেল ঙন্বা' হায়রিবা লাইরিক অসিনা নুঙ্গারাম গোবিন্দরামনা লেংখি। লাইরিক অনী অসিগী মতাংদা মণিপুরগী ওইনাম ভোগেশ্বরনা অসুম্না মোৎ পীরি,

> মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তা ঔৱাগা তখেলগা অনীনা লৌতুরনগা মতম অমত্তদা অকনবা লানগী খোঙজঙদা মৈতৈ লৈবাক অসি উমদুনা মচেৎ মচেৎ শায়েন-ঙায়েননবগী মওংদা লৈরম্লবনি। অদুবু মৈদিংঙু পামহৈবগী মতীক মথৌনানা অমদি মরৌশিংতনা নোংপোক অমসুং নোংচুপগী লানফম অনীমকপু মৈতৈগী অকল-অথৌশিং অমদি মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা কয়াগা লোয়নননা ইরৈবাক অসিবু করম্না মীখা পোনখিগদগে হায়বগী ৱাখলদা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লাল শোক্লখিবগী ৱারীগী মপূংনি।

পামহৈবা নিংথৌগা তখেলগী নিংথৌ ধর্ম মাণিক্যগী মতমদা অকনবা লান কয়া শোক্লখ্রবা মতুংদা মখা তাবদদি মীতৈ লৈবাক্কা তখেলগা লান শোক্লবগী ৱাফম লৈখিদ্রে। মরূপ-মপাং ওইনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নখ্রে।

(৩)

ইং কুমজা ১৭৮৫ দা রাজধর মাণিক্যনা ত্রিপুরাগী নিংথৌ ওইবা কুমশিংদা মণিপুরদনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা পাল্লি। ইং কুমজা ১৭৭৯ দা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ খুভম মচানুপা লাবণ্যচন্দ্রদা শিন্নরম্লবা মতুংদা তীর্থ চৎপা হৌখি। ভাগ্যচন্দ্রগী তীর্থ খোঙচত্তা ত্রিপুরাদসু য়ৌখি। মহাক্না তখেল নিংথৌগী রাজ অতিথি ওইরদুনা নিংথৌ কোনুংদা মতম খরা লৈখি। খোঙচৎ অসিদা লোয়নরকখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীবু তখেলগী নিংথৌ রাজধব মাণিক্যদা থাজখি। মসি মখা তারকপদদি ত্রিপুরা নিংথৌ কয়ানা মীতৈগী নিংথৌকোলগী মজাইবেম্মা অমদি মীতৈ নিঙোল কয়া থাজখি। ত্রিপুরাগী নিংথৌনসু লৌখি।

রাজধব মাণিক্যকী মতুংদা কাশীচন্দ্র মাণিক্যনা তখেল নিংথৌ ওই। মহাক্না মীতৈ নিংথৌগী মচানুপী কুটিলাক্ষ্মীবু লুহোংখি। মথংদা মীতৈ নিঙোল অহুম অমগসু লুহোংখি। কাশীচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবা কৃষ্ণকিশোর মাণিক্যনসু মীতৈ নিংথৌ মার্জিৎকী মচানুপী অহুম- চন্দ্রকালা, অখিলেশ্বরী অমসুং বিধুকলা য়াওনা মীতৈ নিঙোল কয়া লুহোংখি। কৃষ্ণকিশোরগী মতুংদা তখেলগী নিংথৌ ওইখিবা ঈশানচন্দ্র মাণিক্যনসু মীতৈ নিঙোল অহুম খুমন্থেম চনু চন্দ্রেশ্বরী, মোইরাংথেম চনু মুক্তাবলী অমসুং কৈশাম চনু জাতিশ্বরী লুহোংখি। ঈশানচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবা মহারাজ বীরচন্দ্রনা মীতৈ নিঙোল অহুম- নিংথেমচনু ভানুমতি, তোঞ্জম চনু রাজেশ্বরী অমসুং খুমন্থেম চনু মনমোহিনী লৌখি। মহারাজ বীরচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ ওইখিবা রাধাকিশোরনগী মহারাণী নিংথেম চনু রত্নমঞ্জরী ('ঢাকা মহারাণী' হায়নসু খঙনবা) সু মীতৈ নিংথৌ দেবেন্দ্রগী মজাইবেম্মনি। অতোপ্পা রাণী তুলসিবতিসু মীতৈ নিংঙোল থোঙাম চনুনি।

অসুম্না ত্রিপুরা অমসুং মীতৈ লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙাই-শেন ওইনরকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা য়াম্না নুংশিনবা মরী অমা লৈনরকখি।

(৪)

মীতৈ লৈবাক্তা নিংথৌ খুভম মুন্নবদগী খৎন-চৈনবা থোক্লকপদগী কোনুং থাদোক্লম্লগা লাকখিবা অমসুং চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা লাঞ্জেল্লকখিবা মরমশিং অসিদগী ত্রিপুরাদা মীতৈগী মশীং অসি অসুম-অসুম য়ামখৎলকখি। ত্রিপুরাদা মীতৈগী মশীং অসুম য়ামখৎলকপদগী মীতৈশিংনা ঙাঙনবা লোল 'মীতৈলোল' অসিসু ত্রিপুরাগী কোনুং মনুংদা য়াম্লমক মরুওইবা খঙদবা, হৈতবা শুকয়ামক য়াদ্রবা লোল ফাওবা ওইখি। অমদি ত্রিপুরাগী কোনুংদা মীতৈ নিঙোল কয়ানা মহারাণী নৎত্রগা রাণী ওইরকপদগী মীতৈ খুল কয়া অমসু শেমগত্তুনা খুন্দাবসু হৌরকখি। মীতৈ খুলশিং অসিদা লাইশঙ অমসুং লাইফম কয়া শেমগৎ-শাগৎখি।

ত্রিপুরা অসুং মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) অনীগী মরক্তা ঙাই-শেন ওইনদুনা অফবা মরী লৈনবা হৌরকপা অসি মীতৈ লৈবাক্লা হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতুংদনি। মতমসিদা মীতৈ অয়াম্বা হিন্দু লাইনীংদা লূপ্লবনি। মরম অসিনা ত্রিপুরাগী মীতৈশিংনসু হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরমশিং খূদম ওইনা- কাং চিংবা, ঝুলন, শ্রীপঞ্চমী মেলা, সরস্বতী পূজা,

দুর্গা পূজানচিংবা থৌরম কয়া পাক-শন্না অমদি চাউনা-চাউনা পাঙথোক্তুনা লাকই।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীনা তখেলগী নিংথৌ রাজধর মাণিক্যগী লোয়নবী ওইরবা মতুংদা নিংথৌ কোনুং মনাক্তা মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীগীদমক রাধামাধব মন্দির লিংখত্তুনা মজাইবেম্মা অসিনা লাৎচবা রাধামাধব বিগ্রহসু ঈরাৎহনখি। হরিশেশ্বরী নত্তবা অতৈ অতোপ্পা মীতৈ নিঙোলগী রাণীশিংনসু লাইফম কয়া অমা শেমগৎখি। খূদম ওইনা- খুমন্থেম চনু মনমোহিনীনা বনমালীপুরদা অতোপ্পা লাইফম অমা শেমগৎখি। মহারাণী মোইরাংথেম চনু মুক্তাবলীনসু অৱাং ধলেশ্বরদা লাইফম অমা শেমগৎখি। মহারাণী থোঙাম চনু তুলসিবতিনসু নলগরিয়াদা লাইফম অমা শেমগৎখি।

ত্রিপুরদা মীতৈশিংনা খুন্দা লৈতারকপা, ধর্ম্মগী ওইবা থবক-থৌরম কয়া পাঙথোরকপা, চাওখৎলকপা মতম অসি হিন্দু ধর্ম্মদা য়ক লাউরে হায়বসু মীতৈশিংনা ফুরুপ অসিগী মাঙলমত্তগী চৎনদুনা লাক্লবা লাইনীং-লীক্লম চৎত্রবরা হায়রবদি লানগনি। হরিশেশ্বরীনা বনমালীপুরদা পাখঙবগী শঙলেন অমা শাখি। মহারাজ বীরচন্দ্রগী মতমদসু মহারাণী ওইখিবী রাজেশ্বরীনা ইবুধৌ পাখঙবা লাৎখি। লাই হরাওখি। পঞ্জরিবশিং অসিগী মথক্তা- নলগিয়াদা 'মোইরাংপোকপা'গী খুভম, অভয়নগরদা 'লাইনিংথৌ পুথিবা'গী খুভম অমসুং বাজালঘাটততা 'লমদেন লাইরেম্বী'গী খুভমনচিংবা উমং লাইগী খুভম খরসু শেমগৎখি।

অসুম্না ত্রিপুরাদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা মীতৈশিংনা হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং মীতৈ ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। হৌজিকসু পাঙথোক্লি।

হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীতৈশিংনা পাঙথোকপা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং অসি ত্রিপুরাদা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা ত্রিপুরাগী নিংথৌশিংনসু পূক্লিং য়াম্না থৌগৎপিখি। তশেংনা লৈবাক নিংথৌ অমসুং নিংথৌকোনগী অঙম-অথৌশিংনা পূক্লিং থৌগৎপিরমদ্রবদি ত্রিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরিবশিং অসি লৈরমদবসু য়ারিবনি। অদুমকপু নীংথিনা ঙাক-শেনবিদুনা য়োকখৎপিরকপগী মহয় ঙসি ফাওবদা ত্রিপুরাদা লৈরিবা মীতৈশিংনা মীশীং য়ামজদ্রবসু চাউথোক্লা অমদি ঙক হাইগৎনা হিংবা ঙম্লিবনি হায়বা য়াই।

---

**মতেং লৌজখিবশিং**


১। কমলজিৎ সিংহ, রাজকুমার, *ত্রিপুরগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ*, অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফাল, ২০১৫
২। মংগল, খোইস্নাম (এদিটর), *মালেমগী লৈমায়দা মণিপুরীশিং (অহানবা শরুক)*, অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফাল, ২০১৫
৩। বীরমঙ্গল,এল অমসুং রায়, পান্নালাল, *ইতিহাসের আলোকে ত্রিপুরা-মণিপুর*, অক্ষর পব্লিকেশনস, ত্রিপুরা, ২০০৭
৪। বরমণি সিংহ, সরাংথেম, *মৈতৈ নিংথৌরোল*, ইম্ফাল, ২০০০
৫। ইবুংঙোহল সিংহ,এল. অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ এন. (এদিটরশিং), *চৈথারোল কুম্বাবা*, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, মঙাশুবা নম্বা, ২০১৫
৬। সোমোরেন্দো (অরুন), লোংজম , (এদিটর), *মণিপুর পুৱারীদা কংলৈ নাৎকী মচাক*, জিএম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল, ২০১১
৭। ইন্দ্রমণি, নাউরোইবম (এদিটর ইন চীফ), *রিফোর্ম* (ভোল্যুম ১, ইস্যু নং. ৪, নভেম্বর, ২০১১), রিসার্ছ ফোরম, মণিপুর
৮। ভোগেশ্বর, ও, (মৈতৈ ময়েক অরিবদগী শিন্দোক্তুনা এদিট তৌবা) - *তখেল ঙম্বা*, ইম্ফাল, ১৯৮৬
৯। অশোকুমার, এল, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী পরীং (চহীচা ১৮ অমসুং ১৯ গী মণিপুরী সাহিত্য)*, ইম্ফাল, ২০০০
১০। Somorjit Sana,Rajkumar, *The Chronology of Meetei Monarchs (From 1666 to 1850 CE)*, Imphal, 2010
১১। Adhikari, Udainarayan, *Socio-cultural Relations Among States in Pre Independence India, A Study of Tripura Manipur*, Akansha Publishing House, 2017
১২। https:www.tripuraassembly.nic.inShort20history20of20TLa.pdf
১৩। https:thenortheasttoday.comtntvideosfeaturesblog-history-of-manipuri-queens-in-tripura-theircid2513976.htm